শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

মধ্যলীলা (খণ্ড তরামরি-শুবা)

পূজ্যপাদ

শ্রীলকৃষ্ণদাস-কবিরাজ-গোস্বামিবিরচিত

শীতলজিৎ সিংহনা

ঙৌনা মণিপুরা অনুবাদ অমসুং নৈনরোল য়াওবা

শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

মধ্যলীলা (খণ্ড তরামরি-শুবা)

পূজ্যপাদ

শ্রীলকৃষ্ণদাস কবিরাজ-গোস্বামিবিরচিত

শীতলজিৎ সিংহনা

তৌবা মণিপুরী অনুবাদ অমসুং নৈনরোল য়াওবা।

অহানবা সংস্করণ

ফ্রেণ্ডস্ ইউনিওন্ প্রেসদা শ্রীকোইজম ইবোবী সিংহনা নম্বা

অমসুং শীতলজিৎ-না ফোঙবা।

ফংফম—(১) ফ্রেণ্ডস্ ইউনিওন প্রেস, ইম্ফাল।

(২) শীতলজিৎ সিংহ, কৈশামথোং,

তোপ লৈরক, ইম্ফাল।

(৩) পাইওনিয়র্ ট্রেডিং কোং,

বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড, ইম্ফাল।

ইং কুমশা ১৯৯৯

মমল লুপা ৫০/-

শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

মধ্যলীলা

তরামাপললশুবা পরিচ্ছেদ

মূল ১

বৃন্দাবনীয়াং রসকেলিবার্ত্তাং
কালেন লুপ্তাং নিজশক্তিমুৎকঃ।
সঞ্চার্য্য রূপে ব্যতনোৎ পুনঃ স
প্রভুর্বিধৌ প্রাগিব লোকসৃষ্টিম্ ॥ ১ ॥

শব্দার্থ

বৃন্দাবনীয়াং—বৃন্দাবনগা মরী লৈনবা ; রসকেলিবার্ত্তাং—রসকেলিগী রা ; কালেন—মতমগী খোংলৈ তুংইন্না ; লুপ্তাং—মাঙলুরবা ; নিজশক্তিম্—মশামকী শক্তি ; উৎকঃ—খোৱাংলদুনা ; সঞ্চার্য্য—হাপ্‌চন্দুনা ; রূপে—শ্রীরূপগোস্বামীদা ; ব্যতনোৎ—শন্দোক্লম্মী ; পুনঃ—অমুক হন্না ; সঃ—মহাক্না ; প্রভু—প্রভুনা ; বিধৌ—বিধিদা (ব্রহ্মাদা) ; প্রাক্—মমাঙউৈদা ; ইব—গুম্না ; লোকসৃষ্টিম্—লোক শেম্ববু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মমাংউৈদা হায়নদি সৃষ্টি হৌরমদাইদা ব্রহ্মাদা শক্তি হাপ্‌চল্লগা লোকসৃষ্টি শন্দোকপ হুগ্না শ্রীমন্মহাপ্রভুনা য়াম্না খোৱাং-খোৱাংনা শ্রীরূপগোস্বামীদা শক্তি হাপ্‌চল্লগা মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না মাঙলুরবা রসকেলিগী রাত্তু অমুক হন্না শন্দোক্লখি।

লৈনরোল

প্রাক্—মমাংউৈদা ; কল্প হৌদদা ; সৃষ্টি হৌরম্‌দাইদা। বিধৌ—বিধিদা, ব্রহ্মাদা। সৃষ্টি হৌরম্‌দাইদা ভগবান্না ব্রহ্মাদা শক্তিসঞ্চার তৌরম্মী ; শক্তি ফংগী মপান্না ব্রহ্মানা সৃষ্টি তৌবা ঙম্‌খি। মতৌ অদুগুম্না, শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শ্রীপাদ রূপগোস্বামীদা শক্তিসঞ্চার তৌখি, শক্তিসিগী মপান্না

শ্রীরূপগোস্বামীনা লাইরীক ইদুনা বৃন্দাবন-লীলাগী রা ময়ামদা শন্দোকপা ঙম্খি। বৃন্দাবনীয়াং রসকেলিবার্ত্তাং—বৃন্দাবনগী ওইবা রসকেলিগী রা অসী: [রসগী থোয়কৃফম ওইবা লীলা পূন্নমক্তা রসিক মকোক শ্রীকৃষ্ণনা মছামক্কী পরিকরশিংগী প্রেমরস আস্বাদন তৌবা অহুগা পরিকরশিংদা মছামক্কী মাধুর্যনচিংশবু আস্বাদন তৌহন্খিবা, অদুগুম্বা লীলাশিংদু রসকেলিনী অদুগা লীলাশিংদুগী রানী রসকেলিবার্ত্তা হায়বসী ; শ্রীবৃন্দাবন-দা শ্রীকৃষ্ণনা শান্নখিবা লীলাশিংদুগী রারীনী বৃন্দাবনীয় রসকেলিবার্ত্তা হায়রিবসী] লীলাকথা পূন্নসে মমাঙৈঙদা (শ্রীমন্মহাপ্রভুনা মমাঙগী কল্পদা জগৎসিদা অবতার তৌরম্বা মতমদসু বৃন্দাবনলীলাগী রাসী প্রচার তৌরম্মী ; মতমদুদগী মতম য়াম্না শাংনা রাদু) জগৎতা প্রচার তৌরম্মী ; কালেন—মতমগী থোঙলে তুংইন্না, মমাঙগী প্রচার তৌরম্বগী তুংদা মতম য়াম্না শাংনা তৌখিবগা লোয়ননা মদু লুপ্তাং—মাঙখি হায়বদি মী ওইলক্তা কাউথোক্লরম্মী ; মহাপ্রভুগী মফমদগী শক্তি ফংদুনা উজ্জ্বলনীলমণি, ভক্তিরসামৃতসিন্ধু, ললিতমাধব, বিদগ্ধমাধব-নচিংবা লাইরীক লেঙদুনা শ্রীরূপ-না অমুক হন্না লীলাকথা পূন্নমক্তো জগৎতা প্রচার তৌখি।

মহাপ্রভুনা বৃন্দাবন-দগী নীলাচল তম্না হল্লক্লম্বা মতমদা প্রয়াগ-তা থুংলবা মতমদা শ্রীরূপসু প্রভুগা উন্নখি। প্রভুনা প্রয়াগ দমদমদা কুমীং তরানী চুপ্না রসতত্ত্বগী মরমদা শ্রীরূপদা তাক্পিখি ; তাক্পীরম্বা রাদুনা শ্রীরূপকী লাইরীক লেঙদগী য়ুম্ফম্নী। প্রভুনা তাক্পীরম্বা তত্ত্বনচিংবদু শ্রীরূপনা থুনা থজননবা হায়দুনা অমসুং লাইরীক্লচিংবা লেঙদুনা তত্ত্ব পূন্নদু অমসুং তত্ত্ব পূন্নতগী বিবৃতি ওইবা লীলা কথানচিংবদু মীয়ামদা প্রচার তৌবা ঙম্নবা হায়দুনা শ্রীরূপগোস্বামীদা প্রভুনা প্রয়াগ-দমদমদা শক্তি-সঞ্চারসু তৌখি। শক্তিসঞ্চার অসীনে শ্রীরূপগী মফমদা প্রভুনা রসতত্ত্ব-নচিংবা তাক্খিনদুনে পরিচ্ছেদসিদা মুখ্য ওইনা বর্ণনা তৌরি ; গ্রন্থকারনা শ্লোকসিদা মরু ওইনা বর্ণন-তৌনবাই বিষয়দু পল্লিবনী।

মূল ২

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ॥ ২॥

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীনিত্যানন্দ, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র অমসুং শ্রীগৌরভক্তশিংবু থুরুমজরি।

মূল ৩

শ্রীরূপ সনাতন রামকেলিগ্রামে।

প্রভুকে মিলিয়া গেলা আপন ভবনে ॥ ৩ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ সনাতন—শ্রীরূপ অমসুং শ্রীসনাতন অনীনা ; রামকেলিগ্রামে—রামকেলি কৌবা খুঙ্গংদা ; প্রভুকে মিলিয়—প্রভুবু উনরগা , গেলা—চৎখি ; আপন—মশাগী ; ভবনে—য়ুমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামীনে শ্রীসনাতন গোস্বামীনে অনীসী রামকেলিগ্রামদা প্রভুগা উনরগা মযুম হনখি।

মূল ৪

দুই ভাই বিষয়ত্যাগের উপায় সৃজিল।

বহুধন দিয়া দুই ব্রাহ্মণ বরিল ॥ ৪ ॥

শব্দার্থ

দুই—অনী ; ভাই—মচীনুনাওনা ; বিষয়ত্যাগের—সংসারবিষয় থাদে কৌপগী ; উপায়—পাম্বৈ ; সৃজিল—শেম্-শারম্মী ; বহুধন—শেল যাম্না ; দিয়া—পীরগা ; দুই ব্রাহ্মণ—ব্রাহ্মণ অনী ; বরিল—বোরিখি (বরণ তৌখি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ অমসুং শ্রীসনাতন মচীনুনাও অনীনা বিষয়কর্ম্ম থাদোক্নবা উপায় শেম্-শাখি ; শেল যাম্না পীদুনা ব্রাহ্মণ অনীথকপু বোরিখি।

নৈনরোল

বিষয় ত্যাগের—রূপ-কা সনাতনগা অনীসী গৌড়েশ্বরগী মন্ত্রী ওইরম্মী ; মন্ত্রীগী থবক চিংবা বিষয়-কর্ম্ম থাদোক্নবগী থৌরাং তৌখি ;

দুই ব্রাহ্মণ বরিল—পুরশ্চরণ তৌহনবা হায়দুনা ব্রাহ্মণ অনী খোরিখি।

মূল ৫

কৃষ্ণমন্ত্রে করাইল দুই পুরশ্চরণ।

অচিরাতে পাইবারে চৈতন্যচরণ ॥ ৫ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণমন্ত্রে—কৃষ্ণমন্ত্রনা ; করাইল—তৌহন্‌খি ; দুই পুরশ্চরণ—পুরশ্চরণ অনী ; অচিরাতে—থুনমক ; পাইবারে—ফংননবা ; চৈতন্যচরণ—শ্রীচৈতন্যগী খোঙ।

মেৎৈলোনদা হন্দোকপা

মচীমনাও অনীনা ব্রাহ্মণ অনীদুবু পুরশ্চরণ অনী তৌহল্লে—থুনমক শ্রীচৈতন্যগী চরণ ফংননবা হায়দুনা।

নৈনরোল

পুরশ্চরণ—পুরঃ (মমাঙদা, অহানবদা) তৌবা চরণ (আচরণ, অনুষ্ঠান); শ্রীগুরুকৃপাদগী ফংবা মন্ত্রদুগী সিদ্ধি ওইননবা অহানবদা তৌবা থবক অদু পুরশ্চরণ কৌয়ি। ২/১৫/১১০ পয়ার য়েংউ।

দুই পুরশ্চরণ—শ্রীরূপকা শ্রীসনাতনগা মখোয় অনিমক ব্রাহ্মণ অনীনা পুরশ্চরণ অনী তৌরম্মী।

অচিরাতে-নচিংদা—মীয়না তৌদনবদগী শ্রীচৈতন্যগী চরণ ফংননবগী-দমক কৃষ্ণমন্ত্রদা পুরশ্চরণ তৌহনখি। পুরশ্চরণগী মহৌক-ময়াইমা মচু.গী অপাম্বা অমা (নৈত্রবা নিষ্কাম) মীতাশিংনা ভগবানবু সাক্ষাৎ দর্শন ফংই। "নিষ্কামানামনেনৈব সাক্ষাৎকারো ভবিষ্যতি। হ, ভ, বি /১৭১১/" ভগবৎ-সাক্ষাৎকার হায়রগা ভগবদ্দর্শন অমসুং ভগবৎ-সেবা ফংবা হায়না খল্লৈ; মরমসিনা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী চরণ ফংনীংবদগী শ্রীরূপ-সনাতন অনীনা পুরশ্চরণ তৌহল্লম্বনী। হৌভিক হংবা য়াই—পুরশ্চরণ তৌরবা মন্ত্র অদুগী মন্ত্রদেবতাদুবু সাক্ষাৎকার তৌনবদমক পুরশ্চরণ মতেঙ ওইদুনা ফংবা য়াই; রামমন্ত্রগী পুরশ্চরণ তৌরিবা মীদুনা শ্রীরামচন্দ্রগী সাক্ষাৎকার

ফংগদবনী ; মহাদেবগী নঙ্গগা শ্রীকৃষ্ণগী সাক্ষাৎকার ফংবদি ওইথোক্তে। অদু ওইরবদি শ্রীচৈতন্যগী চরণ ফংননবগীদমক শ্রীরূপ-সনাতন অনীমা করিগীদমক শ্রীকৃষ্ণমন্ত্রগী পুরশ্চরণ তৌহল্লমনো ? মসিগী পাউখুমদি অসিনী—শ্রীমন্‌মহাপ্রভুবু স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণনী—অন্তঃ কৃষ্ণঃ বহির্গৌরঃ (মনুঙ কৃষ্ণ পান্‌ গৌর) হায়বা মরম্না কৃষ্ণমন্ত্রগী পুরশ্চরণ অদুনা মহাপ্রভুগী চরণ ফংবা য়াই।

মূল ৬

শ্রীরূপগোসাঞি তবে নৌকাতে ভরিয়া।
আপনার ঘর আইলা বহুধন লঞা ॥ ৬ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপগোসাঞি—শ্রীরূপগোস্বামী ; তবে—অদুদগী ; নৌকাতে—হিদা ; ভরিয়া—থম্না হাপ্লগা ; আপনার ঘর—মপামপুগী য়ুমলোমদা ; আইলা—লাকখি ; বহুধন—লল য়াম্না ; লঞা—পুরগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপগোস্বামীনা অদুদগী হিদা থম্না হাপ্লগা লল য়াম্না পুরক্লগা মপামপুগী য়ুম তাম্না লাকখি।

নৈনরোল

আপনার ঘর গৌড়না মথোয়গী থবক-তৌফম্নী ; গৌড়দসু মথোয়গী য়ুম লৈরম্মী ; মহাগী য়ুমদি অতোপ্পা মফমদনী। রূপ-সনাতনগী মপা কুমারদেবনি বরিশাল জেলাগী মনুঙদা লৈবা ফতেয়াবাদ হায়বদা লৈরম্মী ; মহাক মাহেশ্বরনা গৌড়গী মনুঙ-চন্‌বা মাধাইপুরদনী ; লুহোংলগা মহাক কুপী মপামপা চংলগা লৈখি। তুংদা মহাক মুর্শিদাবাদ জেলাগী মনুঙদা লৈবা মাড়গ্রামদা লৈখি। সনাতনগা রূপকসু মতম শাংনা গ্রামসিদ লৈরম্মী ; মাড়গ্রাম অসী গৌড় এলাকাগী থা-মায়কৈদা লৈহনী। সিবয়কর্ম থাদোক্লবা মতুংদসু রূপ-সনাতন মাড়গ্রামসিদা লাকখি হায়না হৌনে। শ্রীরূপ-না লম্পুম য়াম্না পুরক্লগা লাক্লম্বদু মাড়গ্রামসিদা ওইরম্বা য়াই। মাড়গ্রামদা মথোয়গী ময়াম্ব-অহল লৈরম্মী।

মূল ৭-৮

ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণবে দিল তার অর্দ্ধধনে।
একচৌঠি ধন দিল কুটুম্বভরণে ॥ ৭ ॥
দণ্ডবন্ধ লাগি চৌঠি সঞ্চয় করিল।
ভাল ভাল বিপ্র-স্থানে স্থাপ্য রাখিল ॥ ৮ ॥

শব্দার্থ

ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণবে— ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণবশিংদা : দিল—দান তৌখি ; তার—মহুগী (পুরক্‌পা লল্‌গী) ; অর্দ্ধধন—লল তংখাইমা ; একচৌঠি—শরুকমরি থোকপগী অমা : ধন—লল : দিল—পীথোক্‌খি : কুটুম্বভরণে—শাগৈনা চান থক্লবা হায়হুনা ; দণ্ডবন্ধ—নিংথৌনা তৌবা জরিমানা অহুগা নিংথৌনা ফা পুন্‌বা হায়বদি জেলদা লৈবা ; লাগি—দমক ; চৌঠি—শরুক মরি থোক্‌পগী অমা ; সঞ্চয় করিল—তুংশল্লম্মী ; ভাল ভাল—অফ-অফবা ; বিপ্রস্থানে— ব্রাহ্মণগী মফমদা ; স্থাপ্য—থম্‌গদবহু ; রাখিল—থল্লম্মী।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

শ্রীরূপনা মখোয়গী নরল্‌মথুমগী তংখাই-অমা মতীকচাবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংদা য়েন্থোক্লম্মী : শরুক মরি থোক্‌পগী অমনা ইমুংগী মীশিংবু চাননবা পীরম্মী। শরুক মরি থোক্‌পগী শরুক অমনা নিংথৌনা তৌবা জরিমানা (শেন্‌-লেকং) পীননবা অমদি কৈশুম-শংদা লৈবগীদমক হায়না তুংশল্লে। শরুক মরিগী অমনা পুক্‌চেল-শেংবা মীওই য়েংহুনা ব্রাহ্মণশিংগী মফমদা থল্লগা তুংশল্লম্মী।

নৈনরোল

গৌড়গী নিংথৌ হুসেন সাহগী মথাদা থবক তৌরম্বহু থাদোক্তুনা শ্রীরূপ-সনাতন অনীনা সংসার থাদোক্লগে হায়না চপ য়ুংলম্মী। শ্রীসনাতন হুসেনসাহগী প্রধান মন্ত্রী ওইরম্মী ; অহুগা শ্রীরূপনা গৌড়েশ্বরগী খা মুন্সী—নিংথৌগী মরম্মাই নত্রগা মরম্মাই লোয়মিন্নবা লেখক ওইরম্মী। মখোয় অনীমক্না পুল্লপ পূন্না থবক থাদোক্লবদি গৌড়েশ্বরনা শাউহুনা মখোয়বু শাস্তি পীনবা থোররংলক্‌পা য়াই হায়না চিংনহুনা শ্রীরূপ-না মখোয়

সম্পত্তিগী শরুক মরিগী অমা লেম্হৌরিবছু মখোয়না চিংনরম্বা অরাবা অহুদগী লাম্ছোক্লবা হায়ত্না মখোয়না বিশ্বাস তৌবা মীতাগী মঙ্কমদা শিন্নখি। গৌড়েশ্বর হুসেন সাহনা শাওরগদি গৌড়দা লৈবা মখোয়গী সম্পত্তি পুম্বা মৎখিবা য়াই হায়না খন্দুনা ইহান্-হান্বদা থাদোক-থাজিন্-য়াবা সম্পত্তি মখৈ পুরগা শ্রীরূপ মপা মপুগী য়ুমদা লাক্খিননী। শ্রীরূপ-সনাতনদি গৌড়েশ্বরগী রাম্না থাজনা থম্বা কর্ম্মচারী ওাক্লী; মখোয়নীনা থবক পুল্লপ থাদোক্লবদি গৌড়েশ্বরগী খুদোং রাম্না চারোইদৌনিহনী; থোইদোক্লা, মতমতুদা উড়িষ্যাদেশগী নিংথৌগা গৌড়েশ্বর হুসেন-সাহগসু লাল তৌনরম্মী; মতমসিদা মখোয়না থবক থাদোক্লগে হায়রুবদা গৌড়েশ্বরনা য়াবিরোই হায়বসী শ্রীরূপ সনাতন অনীমক্না খঙলম্মী। য়াদিবগী রাদি থম্বু থম্থ্রহনা থবক থাদোক্লগে হায়ররবদা হিন্দুধর্ম্ম-চৎপা উড়িয়া-শিংগা ধর্ম্মপরায়ণ ওইবা শ্রীরূপসনাতনগা লোম্না মান্নরম্বা য়াই হায়না গৌড়েশ্বরনা চিংনহুনা মখোয়বু কৈগুমশঙদা থম্বা য়াই অহুগা মরল মথুম পুম্মক মৎপাবা য়াই হায়না মখোয়না চিংনবদগী মখোয় কনামত্তন যোংনা থবক তোক্লগে হায়জররমদে। মমুম-ময়ুমদা চৎলুগে হায়শন্নহুনা শ্রীরূপ-না লন্থুম পুন্নক পুরগা চৎখিরম্বনী; শ্রীসনাতন দি গৌড়দা লৈরৌরসু নিংথৌগী থবক্তি তৌরমত্রে—হকচাঙ শমত্রে হায়শন্নহুনা ময়ুমদা ধর্ম্মগ্রন্থ নৈনহুনা লৈখি। থবক থাদোক্কে হায়ত্রবসু গৌড়েশ্বরনা মখোয়বু থবক্তগী তোক্হন্বিররুবা শাঙং চৎপা তৌখি। মখোয়নীনা রা তানহুনা মখোয়না পায়থগদনা করিনো হায়বহু লেপ্লখি।

মূল ৯

গৌড়ে রাখিল মুদ্রা দশ হাজারে।

সনাতন ব্যয় করে, রহে মুদিঘরে ॥ ৯ ॥

শব্দার্থ

গৌড়ে—গৌড়দা ; রাখিল—থম্খি ; মুদ্রা—মোহর ; দশ হাজার—মুদ্রা লীশীঙ তরা ; সনাতন—শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীনা ; ব্যয়—চাদিং ; করে—তৌখি ; রহে—লৈ ; মুদি—চেঙ-হরাইনচিংবা য়োন্বা মী ; মুদি-ঘরে—মুদিগী য়ুমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মোহর লীশীঙ তরানা গৌড়দা থম্‌খি ! (শেল-অসী) সনাতন-না চাদিং তৌয়ি, লৈবনা মুদিগী য়ুমদা লৈখি।

মূল ১০

শ্রীরূপ শুনিলা—প্রভুর নীলাদ্রিগমন।
বনপথে যাবেন প্রভু শ্রীবৃন্দাবন॥ ১০ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ—শ্রীরূপগোস্বামীনা ; শুনিলা—মনাকোঙনা তাখি ; প্রভুর—প্রভুগী ; নীলাদ্রি—নীলাচল ; গমন—লেঙবা ; বনপথে—উমংগী লম্বীদা ; যাবেন—লেঙগনী ; প্রভু—প্রভুনা ; শ্রীবৃন্দাবন—শ্রীবৃন্দাবন-দা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ-না প্রভুগী নীলাচলদা লেঙবগী রা মনাকোংনা তাখি ; অদুগা উমংগী লম্বীদা প্রভুনা শ্রীবৃন্দাবন লেঙগনী (হায়বনু তাখি)।

মূল ১১-১২

রূপ গোসাঞি নীলাচলে পাঠাইলা দুইজন।
"প্রভু যবে বৃন্দাবনে করেন গমন॥ ১১ ॥
শীঘ্র আসি মোরে তার দিবে সমাচার।
শুনিঞা তদনুরূপ করিব ব্যবহার॥" ১২ ॥

শব্দার্থ

রূপগোসাঞি—শ্রীরূপ গোস্বামী ; নীলাচলে—নীলাচলদা ; পাঠাইলা—থারম্মী ; দুইজন—মী অনী ; প্রভু—প্রভুনা ; যবে—মতমদা ; বৃন্দাবনে—বৃন্দাবন-দা ; করেন—তৌগনী ; গমন—লেঙবা ; শীঘ্র—থুনমক ; আসি—লাক্লগা ; মোরে—এইঙোন্দা ; তার—মহুগী ; দিবে—পিরো ; সমাচার—পাউ ; শুনিঞা—(পাউদু) তারগা ; তদনুরূপ—মহুগী মতুং ইন্না তৌফম-থোকপা ; করিব—তৌগনী ; ব্যবহার—শাজৎ, থৌরাং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপগোস্বামীনা মী অনীথক নীলাচলদা থায়রম্মী অতুগা মখোয়দা হায়রম্মী—"প্রভুনা বৃন্দাবন লেঙ্তখিবা মতমদা থুনমক লাক্কুনা ঐঙোন্দা পাউ পিরো লাও, (নপাউহু) তারগা মহুগী মতুং ইন্না তৌগদবা থৌরাংহু তৌগে।"

মূল ১৩

এথা সনাতন গোসাঞি ভাবে মনে মন— ।
রাজা মোরে প্রীতি করে, সে মোর বন্ধন ॥ ১৩ ॥

শব্দার্থ

এথা—অসোমদনা ; সনাতন গোসাঞি—সনাতন গোস্বামীনা ; ভাবে—খল্লী ; মনে মন—তুমিন্ তুমিন্ পুক্কীঙদা ; রাজা—নিংথৌনা ; মোরে—ঐবু ; প্রীতি—নুংশিবা ; করে—তৌরি ; সে—মহুনা ; মোর—ঐগী ; বন্ধন—হিযয়দা ফাপুনবা ওইরে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসোমদনা সনাতন গোস্বামীনা তুমিন্ তুমিন্ খল্লম্মী—নিংথৌনা ঐবু নুংশিরী ; নুংশিবদিনা ঐবু হিযয়দা পুল্লী।

মূল ১৪

কোনমতে রাজা যদি মোরে ক্রুদ্ধ হয়।
তবে অব্যাহতি হয় করিল নিশ্চয় ॥ ১৪ ॥

শব্দার্থ

কোনমতে—মওং কৈনোমদা ; রাজা—নিংথৌনা ; যদি—বদি ; মোরে—ঐবু ; ক্রুদ্ধ—শাউরবা ; হয়—ওই ; তবে—অদু ওইরবদি ; অব্যাহতি—নাম্থোকপা ; হয়—ওই ; করিল নিশ্চয়—বা লেপ্লম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

করিগুম্বা মওং অমদা নিংথৌনা ঐবু শাউরবদি ঐ নাম্থোকপা য়াগনী—(অসি হায়হুনা শাউহন্নবা তৌরগে হায়না) চপ তিংনা লেপ্খি।

মূল ১৫

অস্বাস্থ্যের ছদ্ম করি রহে নিজঘরে।

রাজকার্য্য ছাড়িল, না যায় রাজদ্বারে ॥ ১৫ ॥

শব্দার্থ

অস্বাস্থ্যের—হকচাং ঙমদবগী ; ছদ্ম—তাৎ ; করি—তৌদুনা ; রহে—লৈ ; নিজঘরে—ময়ুমদা ; রাজকার্য্য—নিংথৌগী থবক ; ছাড়িল—থাদোক্লে ; না যায়—চত্তে ; রাজদ্বারে—নিংথৌগী শঙ্গায়দা।

মৈতৈলোনা হন্দোকপা

হকচাং ঙমদ্রে তায়শন্নদুনা শ্রীসনাতন গোস্বামীনা ময়ুমদা লৈরম্মী। নিংথৌগী থবক থাদোক্লে, নিংথৌগী শঙ্গায়দা চৎলম্দ্রে।

মূল ১৬

লেভ কায়স্থগণে রাজকার্য্য করে।

আপনি স্বগৃহে করে শাস্ত্রের বিচারে ॥ ১৬ ॥

শব্দার্থ

লেভ—মতীকচাবা ; কায়স্থগণে—রাজকর্মচারীশিংনা ; রাজকার্য্য—নিংথৌগী থবক ; করে—তৌরি ; আপনি—সনাতন মহামক্না ; স্বগৃহে—ময়ুমদা ; করে—তৌরি ; শাস্ত্রের বিচারে—শাস্ত্রগী নৈনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(সনাতনগী থবক অদু) মতীকচাবা রাজকর্মচারী অতৈনা তৌরি। মহাক মহামক্না ময়ুমদা শাস্ত্রগী বিচার তৌদুনা লৈথোক্রি।

নৈনরোল

লেভ—মসী 'লভ্য' শব্দগী অপভ্রংশনী (থৈথরকপনী) হায়না যাই। লভ্য-শব্দসী (মরমদুনা লেভ শব্দমসু) লভ্ ধাতুদগী থোরকপনী, লভ্ ধাতুগী অর্থদি প্রাপ্তি (ফংবা) হায়বনী। লভ্য-শব্দগী অর্থ ফংবদা মতীকচাবা (যোগ্য ওইবা), ফংফংথোক্না ফংবদা মতীকচাবা হায়বনী ; শব্দকল্পদ্রুম

অভিধান-দা অমরকোষগী প্রমাণ মতুং ইন্না লভ্যশব্দগী অর্থ অমা ন্যায্য (ওইফম্ থোক্পা) হায়রম্মী। মরমথুনা লভ্য-শব্দগী অপভ্রংশ লেভ শব্দগী অর্থসু ন্যায্য হায়বদি ন্যায় ওইবা মওংদা ফংনবাই-ওইবা ওইগদবনী।

কায়স্থ—কায়স্থ-শাগৈদা পোক্পা মী ; মফমসিদা কায়স্থবংশদা পোক্পা (হুসেন সাহগী) কর্ম্মচারী (অওম্বা)। শব্দকল্পদ্রুমদা হাপ্লিবা বঙ্গজকুলাচার্য্যকারিকাগী প্রমান্না খঙবদি অসিনী—প্রজাপতিগী পাদ-দগী (খোঙদগী) শূদ্র থোক্লকপনী ; শূদ্রগী মচানুপানা হীম কৌয়ি ; অদুগা হীমগী মচানুপাগী মিংনা প্রদীপ কৌয়ি ; প্রদীপকী মচানুপানা কায়স্থ কৌয়ি ; কায়স্থনী লিপি কারক- (লাইরীক-ইবম, লাইরীকয়েংবম) নী। কায়স্থগী মচানুপা চিত্রসেন-নচিংবগী মচানুপাশিংদি ঘোষ, বসু, দত্ত, করণ-নচিংবনী। মখোয়শিংসিগী পূর্ব্বপুরুষ কায়স্থগী মিং মতুং ইন্না ঘোষ, বসু-নচিংবগী মচামশূশিংবু কায়স্থ হায়না খঙনখি ; কায়স্থ-না ভৌরম্বা লাইরীক-ইবগী শিন অদু মখোয়সু অতুম তৌরম্মী। রাজসরকারদা ইবগী থবক তৌবা মী চঙঙী হায়তুনা মখোয়বু রাজকর্ম্মচারী ওইনা হন্নী। অনুমানসিনা নাইত্তেচারবোইদি কায়স্থ-শব্দসিনা রাজকর্ম্মচারীবুসু খঙনবা য়াই। লেভ কায়স্থগণ—ন্যায্য রাজকর্ম্মচারী কায়স্থশিং। সনাতন-না লোয়শঙদা থবক তৌনা ক নক্কবা মতমদা মহাক্কী থবক পুদিনবা ন্যায্য অধিকার লৈরম্বা মখোয় পূল্দো কায়স্থঙাক্কী : সনাতনগা হেক থংনবা ঙমথং নত্রগা সনাতনবু মতেঙ-পাংবা মীশিংদো লিংথোগী কর্ম্মচারীঙাক্কনী। ফমগী অধিকারনা নত্রগা থবক হৈবনা সনাতনগী মহুং শিন্দুনা থবক তৌবগী অধিকার নত্রগা যোগ্যতা লৈরম্বা মখোয়নী। সনাতন লাক্তবা মতমদা মখোয়সিনা সনাতনগী মহুং শিন্দুনা লিংথোগী থবক পাঙথোক্নি।

মূল ১৭

ভট্টাচার্য্য পণ্ডিত বিশ-ত্রিশ-জন এথা।
ভাগবত-বিচার করে সভাতে বসিয়া ॥ ১৭ ॥

শব্দার্থ

ভট্টাচার্য্য—ব্রাহ্মণগী যুম্নাক অমগী মিংনী ; পণ্ডিত—লাইরীক-হৈবা মী ;

বিশ—কুন্; ত্রিশ—কুন্থ্রা; লঞা—লোয়নরগা; ভাগবত-বিচার—ভাগবত নৈনবা; করে—তৌয়ি; সভাতে—সভাদা; বসিয়া—ফম্‌হুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রাহ্মণ পণ্ডিত কুন্-কুন্থ্রা লোয়ননা সভালক্লা ফম্‌হুনা ভাগবত নৈনৈ শ্রীসনাতন-না সভাদা যম্লগা।

মূল ১৮

আর দিন গৌড়েশ্বর সঙ্গে একজন।
আচম্বিতে গোসাঞি সভাতে কৈল আগমন ॥ ১৮ ॥

শব্দার্থ

আরদিন—অতোপ্পা নুমীৎ অমদা; নোংমা; গৌড়েশ্বর—গৌড়েশ্বর (হুসেন সাহনা) আচম্বিতে—ইখঙ-খঙদ্রহৌদবমখৈ (সনাতনবু খঙহন্দ্রবমখৈ); গোসাঞি-সভাতে—পণ্ডিতগোসাঞিশিংগী সভাদা; কৈল—তৌখি; আগমন—লাক্‌পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা গৌড়েশ্বর হুসেন সাহনা মী অহুমথক্কা লোয়ননা ইখঙ-খঙদ্রহৌদবমখৈ সনাতনগী পণ্ডিত সভাদা হৌরক্‌খি।

নৈনরোল

আচম্বিতে—ইখঙ খঙদ্রহৌদবমখৈ, সনাতনদা হায়দনা তত্রক্তবমখৈ। পাউ পীরক্তবমখৈ খঙদোকনা লাক্লম্বগী মরমদি—সনাতন গোস্বামীনা হক্‌চাঙ ওমদ্রে হায়রক্‌পদা নিংথৌনা মহাক্কী লায়রৈংলনবগী দমক নিংথৌগী মাইবা থারক্‌খি। মাইবনা সনাতনগী অনায়েক লৈতে হায়না নিংথৌদা পাউদম্লুই। মারে হায়শন্নহুনা সনাতন-না ময়ুমদা করি তৌরি হায়হুনা খঙনীঙহুনা নিংথৌনা মাঙজোননা পাউ পীরক্তবমখৈ মথন্তা সনাতনগী ময়ুম তম্না লাক্লম্বনী। পাউ হায়দনা পীরগা ওইরগদি সনাতনদো চেকশন্‌খিহুনা অওইবা রাকমহু খঙবা ঙম্লোই। অহুনা পাউ হায়দনা পীরম্‌দবনী।

মূল ১৯

পাৎশা দেখিয়া সভে সম্ভ্রমে উঠিলা।
সম্ভ্রমে আসন দিয়া রাজা বসাইলা॥ ১৯॥

শব্দার্থ

পাৎশা—বাদশাহনু (নিংথৌবু); দেখিয়া—উবদা সভে—মখোয় লোইনমক ; সম্ভ্রমে—কিবদগী তহা তহা, তরাম তরাম তৌদুনা ; উঠিলা —ফল্লহনদগী লেপ্থৎলম্মী ; সম্ভ্রমে—তরাম্ তরাম্না ; আসন—ফিদা ; দিয়া —পীদুনা ; রাজা—নিংথৌবু ; বসাইলেন—ফমহল্লম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিংথৌবু উবদা মখোয় লোইনমক সম্মানগা লোয়ননা তহা তহা লেপ্থৎলম্মী। তরাম্ তরাম্না ফুদা থারগা নিংথৌবু ফমহল্লম্মী।

মূল ২০

রাজা কহে তোমার স্থানে বৈদ্য পাঠাইল।
বৈদ্য কহে—ব্যাধি নাহি, সুস্থ যে দেখিল॥ ২০॥

শব্দার্থ

রাজা—নিংথৌনা ; কহে—হায় ; তোমার—নঙগী ; স্থানে—মফমদা ; বৈদ্য—মাইবা ; পাঠাইল—থাখিবনী (ঐনা) ; বৈদ্য কহে—মাইবনা হায় ; ব্যাধি—অনায়েক ; নাহি—লৈতে ; সুস্থ—হকচাঙ-ফবা (ওইনা) ; দেখিল—উরকয়ি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিংথৌনা হায়রম্মী—নঙগী মফমদা মাইবা থাখিবনী। নঙগী অনাবা লৈতে, নচাহু ফনা উরকয়ি হায়না মাইবনা পাউৎম্মী।

মূল ২১

আমার যে কিছু কার্য্য সব তোমা লঞা।
কার্য্য ছাড়ি রহিলা তুমি ঘরেতে বসিয়া॥ ২১॥

শব্দার্থ

আমার—ঐগী ; যে—অহু ; কিছু—খরা ; কার্য্য—থবক ; সব—লোইনা ; তোমা লঞা—নঙগা লোয়ননা ; কার্য্য—থবক ; ছাড়ি—থাদোকুনা ; রহিলা—লৈথোক্লবা ; তুমি—নঙনা ; ঘরেতে—য়ুম্দা ; বসিয়া—ফম্থুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐগী লৈবা থবক খরসী—লোইনমক নহাক্ক য়াওরগা ভোবা ঙাক্নী, অহুগদি থবক থাদোকুনা নঙনা নয়ুম্দা ফম্থুনা লৈথোক্লবা ?

মূল ২২

মোর যত কাজ - কাম সব কৈলে নাশ।

কি তোমার হৃদয়ে আছে, কহ মোর পাশ ॥ ২২ ॥

শব্দার্থ

মোর—ঐগী ; যত—লৈরিবা খিবিক ; কাজ-কাম—থবক ইন্থাঙ ; সব—লোইনমক ; কৈলে—ওইহল্লে ; নাশ—মাঙ-তাকপা ; কি- করিনো ; তোমার—নঙগী ; হৃদয়ে—থমোইদা ; আছে—লৈরিবা ; কহ—হায়য়ু ; মোর—ঐগী ; পাশ—মকম্দা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(নিংথৌনা হায়রম্মী)—ঐগী থবক পুম্বা পুম্নাঙ মাঙহল্লে নঙনা। নঙগী থম্মোইনা পামলিবা করিনো হায়বহু ঐঙোন্দা অদুক হায়য়ুসে।

মূল ২৩

সনাতন কহে—নহে আমা হৈতে কাম।

আর একজন দিয়া কর সমাধান ॥ ২৩ ॥

শব্দার্থ

সনাতন কহেন—সনাতন না হায়রম্মী ; নহে—ওইররোই ; আমা হৈতে—ঐঙোন্দগী ; কাম—থবক ; আর—অতোপ্পা ; একজন দিয়া—মী অমবু শীজিন্নহুনা ; কর—তৌরো ; সমাধান—(থবক) পাঙথোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সনাতন-না হায়রম্মী—ঐঙোন্দগীদি থবক ওইররোই। মী অতোপ্পা শীজনহন্না থবক পাঙথোক্হল্লো।

মূল ২৪-২৫

তবে ক্রুদ্ধ হঞা রাজা কহে আর বার।
তোমার বড় ভাই করে দস্যু-ব্যবহার॥ ২৪॥
জীব বহু মারিয়া বাকলা কৈল খাস।
এথা তুমি মোর সর্ব্বকার্য্য কৈলে নাশ॥ ২৫॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী ; ক্রুদ্ধ—অশাওবা ; হঞা—ওইরহনা ; রাজা—নিংথৌনা ; কহে—হায় ; আর বার—অমুক হন্না ; তোমার—নঙগী ; বড় ভাই—নয়ানবা ; করে—তৌরি ; দস্যু-ব্যবহার—হুরাণবগী শাজং ; জীব—থবাই-পানবা পোৎ ; বহু—য়ামা ; মারিয়া—হাৎতোক্লগা ; বাকলা—পরগণা অমগী মিং ; কৈল খাস—লৌশল্লে (মহাগী ওইনা দখল তৌরে) ; এথা—অসোমদনা ; তুমি—নঙনা ; মোর—ঐগী সর্ব্বকার্য্য—থবক পুম্নমক ; কৈলে—ওইহল্লে ; নাশ—মাঙ-তাক্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শাউবহনা রাজানা অমুক হন্না হায়রম্মী—নয়ানবা অহল্লস্থ হুরান্-চীঙ্গীগী শাজং চৎলী ; মানা জীব য়াম হাৎলগা বাকলা পরগণাস্থ দখল তৌখি। অসোমদনা, নহাক্না থবক পুম্নমক মাঙ-তাক্হল্লে।

নৈনরোল

তোমার বড় ভাই—সনাতন গোস্বামীগী ময়ানবা অহল, মমিংনা শ্রীরঘুনন্দন কৌয়ি। শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদদি শ্রীসনাতন, শ্রীরূপ অমসুং শ্রীবল্লভ—মচীননাও অহুমনিদগী মিং ফংজী। মখোয়বু পোক্পদি কুমারদেব কৌয়ি। মখোয়গী নত্তনা কুমারদেবগী মচা অতৈ লৈরম্মী হায়বসী শ্রীবৈষ্ণবতোষণীগী মমৈদা শ্রীজীবনা মখোয়গী বংশবিবরণী ইরম্মদগীসু

খণ্ডবা ওম্মী। মতুদা ইরি—তৎপুত্রেষু মহিষ্ঠবৈষ্ণবগণশ্রেষ্ঠাস্ত্রয়ো জজ্ঞিরে। আদি শ্রীসনাতনস্তদনুজঃ শ্রীরূপনামা ততঃ শ্রীমদ্ বল্লভনামধেয়বলিতঃ ইত্যাদি—মহাক্কী (কুমারদেবগী) মচাশিংগী মরক্তা শ্রীসনাতন, শ্রীরূপ, অমসুং শ্রীবল্লভ—অহুমসী বৈষ্ণবশিংগী য়াম্না মুংশিবা মীনী।" ১৩৩৭ সন-গী জ্যৈষ্ঠমাসগী 'ভারতবর্ষ' কৌবা থাগী চেফোঙ অমদা শ্রীহীরেন্দ্রনারায়ণ মুখোপাধ্যায় বি, এ, মহাশয়না "রূপ-সনাতন গোস্বামী" কৌবা প্রবন্ধ অমা ইখি। প্রবন্ধমদগী খণ্ডবদি কুমারদেবগী মচানুপা মরিগা মচানুপী অনগা লৈরম্মী হায়বসীনী ; মচানুপা মরিগী মমিংদি মথং মনাও নাইন'— রঘুনন্দন, অমর, সন্তোষ অমসুং অনুপম ; রঘুনন্দন-না খ্বায়গী অহম্মী অদুগা অনুপম-না খ্বায়দগী তোন্বনী। সনাতন গোস্বামীগী মপাবুনা থোন্বা মিংদি অমর হায়বনী অদুগা রূপ গোস্বামীগীনা সন্তোষ হায়বসিনী অদুগা বল্লভগী মপাবুংঙোনা থোন্বা মিংনা অনুপম হায়বনী। অদুনা সনাতন গোস্বামীগী ময়াম্বা অহল হায়রগদি রঘুনন্দন নী। মহাক মুর্শিদাবাদ জেলাগী মাড়গ্রামদা মপাবুংঙোগী য়ুম্দা লৈরম্বনী। মচানুগী অদুনা কুমার-দেবগী অহুমশুবা মচানী।

করে দস্যু-ব্যবহার—মীঙোন্দা হুরান্ পোং-লাক্পগী শাজং চংলী। ভারতবর্ষগী মথক্তা পল্লিবা প্রবন্ধদগী খঙনা ঙম্বদি—রঘুনন্দন নীঙতম্ পাম্বা পূক্চেলগী মীনী অদুগা মনুঙ কন্বা মীতানী ; মহাক য়াম্না তোয়না বাদ-শাহগী শাসন-বু মানিরম্দে। মরমসিনা ওইরম্বা তাই গৌড়েশ্বর হুসেন-সাহনা মহাকপু দস্যুগা চাংদন্নরম্বা।

মূল ২৬

সনাতন কহে—তুমি স্বতন্ত্র গৌড়েশ্বর।
যেই যেই-দোষ করে, দেহ তার ফল॥ ২৬॥

শব্দার্থ

সনাতন কহে—সনাতন গোস্বামীনা হায় ; তুমি—নঙদি ; স্বতন্ত্র—নীঙতম্বা ; গৌড়েশ্বর—গৌড়দেশগী মপুনী ; যেই—মহাক্কুনা ; যেইদোষ করে—তৌবা দোষ অদু ; দেহ—পীয়ু ; তার—মহুক্কী ; ফল—মহে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সনাতন গোস্বামীনা (গৌড়েশ্বর হুসেন সাহদা) খুমল্লী—নঙদি গৌড়গী নীঙথম্বা মবুঙ্তানী। মা-মানা তৌবা দোষ অহুগী মহৈ কংহল্লু।

নৈনরোল

পাৎসাহদা শ্রীসনাতন-না ময়াম্বা অহল রঘুনন্দনগী মরমদা রা তাবদা হায়রম্মী- "ইয়াম্বা রঘুনন্দনহু মরাল লৈ হায়না থল্লগদি শাস্তি পীয়ু; নহাক্তি গৌড়গী মপুনী; মরালবু লৈরবদি মীহুদা শাস্তি পীনবগী শক্তি নঙগী লৈরিবনী।"

মুল ২৭

এত শুনি গৌড়েশ্বর উঠি ঘরে গেলা।

পলাইবে বলি সনাতনেরে বান্ধিলা ॥ ২৭ ॥

শব্দার্থ

এত—অসীথক; শুনি—নাকোঙনা তারগা; গৌড়েশ্বর—গৌড়গী মবুংঙো হুসেন সাহনা; উঠি—হৌগৎলগা; ঘরে—য়ুমদা; গেলা—চৎখি; পলাইবে—চেন্থিগনী; বলি—হায়হুনা; সনাতনেরে—সনাতনবু; বান্ধিলা—ফারগা কৈশুমশঙদা থম্থি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মাসী তাবদা গৌড়েশ্বর হুসেন সাহ হৌগৎলগা ময়ুম হন্থি। চেন্থোক্-থিগনি হায়হুনা সনাতনবু ফারগা কৈশুম্শঙদা থম্থি।

মুল ২৮

হেনকালে গেল রাজা উড়িয়া মারিতে।

সনাতনে কহে—তুমি চল মোর সাথে ॥ ২৮ ॥

শব্দার্থ

হেনকালে—মতমসিদা; গেল—চৎলম্মী; রাজা—নিংথৌনা; উড়িয়া মারিতে—উড়িয়া হাৎনবা হায়বদি উড়িষ্যাদেশগা লাম্নেংনবা; সনাতনে কহে—সনাতন-দা হায়রম্মী; তুমি—নঙ; চল—চৎসী; মোর সাথে—ঐগা লোয়ননা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোক্পা

মতমদুদা হুসেন সাহ উড়িষ্যাশিংগা লান্থোকনবা চৎলম্মী। চৎলমদায়দা রাজানা সনাতন দা হায়রম্মী— নঙ ঐগা লোয়ননা চৎলুদ্রী।

মূল ২৯

তেঁহো কহে—যাবে তুমি দেবতায় দুঃখ দিতে।

মোর শক্তি নাহি তোমার সঙ্গে যাইতে ॥ ২৯ ॥

শব্দার্থ

তেঁহো—মহাক্না (সনাতন-না) ; কহে—হায় ; যাবে—চৎকনী ; তুমি—নহাক্না ; দেবতায়—দেবতাদা ; দুঃখ—অৱাবা ; দিতে—পীননবা ; মোর—ঐগী ; শক্তি নাহি—শক্তি লৈতে ; তোমার সঙ্গে—নঙগা লোয়নন ; যাইতে—চৎননবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সনাতন-না থুম্লম্মী—নঙদি দেবতাদা অৱাবা পীননবা চৎকদৌরিবনী ; নঙগা লোয়ননা চৎননবা শক্তি ঐগী লৈতে।

নৈনরোল

দেবতায় দুঃখ দিতে—উড়িষ্যাদা দেবালয় (লাইশঙ) য়াম্না লৈ ; যবনরাজানা দেশশুবু জয় তৌবা চৎলগদি দেবালয়শিংদা অত্যাচার য়াম্না তৌগনী ; মসুদা দেবতাগী অৱাবা ওইগনী। মরমগা, উড়িয়া অমাম্বনা দেবতাগী ভক্তনী ; যবনরাজানা উড়িষ্যা জয় তৌবা চৎলগদি উড়িয়াশিংদা ওৎ নৈবিগনী, অদু ওইরবদি য়াম্না থরাই মুংঙাইতবা ওইগনী।

মূল ৩০

তবে তারে বান্ধি রাখি করিলা গমন।

এথা নীলাচল হৈতে প্রভু চলিলা বৃন্দাবন ॥ ৩০ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী ; তারে—সনাতনবু ; বান্ধি—মখুৎতা হাঙকড়া চন্না ;

রাখি—থনম্লগা ; করিলা—তৌখি ; গমন—চৎপা ; এথা—অসোমদনা ; নীলাচল হৈতে—নীলাচলদগী ; প্রভু—মহাপ্রভু ; চলিলা—চৎখি ; বৃন্দাবন—বৃন্দাবন-দা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহুদগী সনাতন-বু মথুংতা হাকেকড়া চল্লগা কাহনা কৈতুমশঙদা থনম্লে । অসোমদনা নীলাচল-দগী প্রভু বৃন্দাবন দা লেঙখিরম্মী ।

মূল ৩১

তবে সেই দুই চর শ্রীরূপ-ঠাঁই আইলা ।

'বৃন্দাবন চলিলা প্রভু' আসিয়া কহিলা ॥ ৩১ ॥

শব্দার্থ

তবে—অহুদগী ; সেই দুই চর—মী অনীহু ; শ্রীরূপ-ঠাঁই—শ্রীরূপকী মফমদা ; আইলা—লাক্লে ; বৃন্দাবন—বৃন্দাবন-দা ; চলিলা—লেঙলে ; প্রভু—প্রভু ; আসিয়া—লাক্লগা ; কহিলা—হায়রে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহুদগী শ্রীরূপ-না থাখিবা মী অনীহু মহাকী নাক্তা হল্লক্লে । হল্লক্লগা 'প্রভু বৃন্দাবন পাংথরে' হায়না পাউদম্লরে ।

মূল ৩২

শুনিঞা শ্রীরূপ লিখিল সনাতন ঠাঞি— ।

বৃন্দাবনে চলিলা শ্রীচৈতন্য গোসাঞি ॥ ৩২ ॥

শব্দার্থ

শুনিঞা—(চর অনীদগী পাউ) তারগা ; শ্রীরূপ—শ্রীরূপনা ; লিখিল—(চিঠি) ইরম্মী ; সনাতন ঠাঞি—সনাতনগী মফমদা ; বৃন্দাবনে—বৃন্দাবন-দা ; চলিলা—লেঙথরে ; শ্রীচৈতন্যগোসাঞি—শ্রীচৈতন্য প্রভু ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ-না মাগী মী অনীহুদগী পাউ তারগা শ্রীসনাতনগী মফমদা চিঠি ইরম্মী, মদুদা হায়রম্মী—শ্রীচৈতন্যপ্রভু হৌজিক বৃন্দাবন লোমদা লেঙথরে ।

মূল ৩৩

আমি দুই ভাই চলিলাম তাঁহারে মিলিতে।
তুমি যৈছে তৈছে ছুটি আইস তাহাঁ হৈতে॥ ৩৩॥

শব্দার্থ

আমি—ঐখোয় ; দুই—ইচিন্ ইনাও অনী : চলিলাম—চৎলে ; তাঁহারে—মহাকপু (প্রভুবু) ; মিলিতে—থেংননবা ; তুমি—নঙ ; যৈছে তৈছে—কৈনো অমা তৌদুনা ; ছুটি—চেন্দুনা ; আইস—লাকুও ; তাহাঁ হৈতে—মফমতুদগী (গৌড়দগী)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(চিঠিদুদা শ্রীরূপ-না অসিমম্ম হায়রম্মী)—ঐখোয় ইচিন্-ইনাও অনীদি (শ্রীরূপ-কা শ্রীঅনুপমগা) প্রভু থেংননবা চৎলে ; নহাক কৈনো উপায় অমা তৌদুনা গৌড়দেশদগী চেন্নক্লো।

মূল ৩৪

দশসহস্র মুদ্রা তথা আছে মুদিস্থানে।
তাহা দিয়া কর শীঘ্র আত্মবিমোচনে॥ ৩৪॥

শব্দার্থ


দশসহস্র—লীশিঙ তরা ; মুদ্রা—মোহর ; তথা—মফমদুদা ; আছে—লৈ মুদিস্থানে—মুদীগী মফমদা ; তাহা—মদু ; দিয়া—পীরগা ; কর—তৌ , শীঘ্র—থুনমক : আত্মবিমোচনে—নছা লান্থোক্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীরূপকী চিঠিদা অসিমু হায়রম্মী)—মফমদুগী মুদীগী মফমদা মুদ্রা লীশিঙতরা লৈবনী। মদু পীরগা নছা লান্থোক্লবা থুনা তৌ।

মূল ৩৫

যৈচে-তৈছে ছুটি তুমি আইস বৃন্দাবন।
এত লিখি দুই ভাই করিলা গমন॥ ৩৫॥



শব্দার্থ

যৈছে-তৈছে—উপায় কৈনোমা তৌরগা ; ছুটি—চেল্লুবা ; তুমি—নও ; আইস—লাক্লো ; বৃন্দাবন—বৃন্দাবন-দা ; এত—অসিথক ; লিখি—ইরগা ; দুই ভাই—মচিন্মনাও অনী (শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা) ; করিলা—তৌখি ; গমন—(বৃন্দাবন) পাংবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীরূপ-না মথা তারম্মী)—"উপায় কৈনোমা তৌরগা নহাক বৃন্দাবন-দা লাক্লো।" অসিথক ইরগা মচিন্মনাও অনীদো (শ্রীরূপ-কা শ্রীঅনুপমগা) বৃন্দাবন পাংখি।

মূল ৩৬

অনুপম মল্লিক তাঁর নাম শ্রীবল্লভ।

রূপগোসাঞির ছোট ভাই পরমবৈষ্ণব ॥ ৩৬ ॥

শব্দার্থ

অনুপম মল্লিক—(শ্রীরূপকী মনাও) শ্রীবল্লভ ; তাঁর—মাগী ; নাম—মিং ; শ্রীবল্লভ—শ্রীবল্লভ ; রূপগোসাঞির—রূপগোস্বামীগী ; ছোট-ভাই—মনাওনুপা ; পরমবৈষ্ণব—বৈষ্ণব অথোইবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অনুপম মল্লিক হায়বসিনী (মপাবুংনা থোম্বা) মিংদি শ্রীবল্লভনী। মহাক শ্রীরূপগোস্বামীগী মনাওনুপানী। বৈষ্ণব য়ক-লাউবা অমনী।

নৈনরোল

অনুপম মল্লিক—মহাকী অতোপ্পা মিং অমনা শ্রীবল্লভ কৌয়ি। অনুপম হায়বসিনা মাগী মিংনী অতুগা মল্লিক হায়বসিনা মাগী উপাধিনী।

পরমবৈষ্ণব—শ্রীরামগী উপাসক-নী মহাক।

মূল ৩৭

তাঁহা লঞা শ্রীরূপ প্রয়াগ আইলা।

মহাপ্রভু তাহাঁ শুনি আনন্দিত হৈলা ॥ ৩৭ ॥

শব্দার্থ

তাঁহা—মহাকপু ; লঞা—পুত্না ; শ্রীরূপ—শ্রীরূপগোস্বামীনা ; প্রয়াগ আইলা—প্রয়াগ-তা লাক্‌খি ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা ; তাহাঁ—মফমত্‌দা ; শুনি—(পাও) তাবদা ; আনন্দিত—নুংঙাইবা ; হৈলা—ওইখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামীনা শ্রীঅনুপম মল্লিকপু পুরগা প্রয়াগ লমদম য়োরক্‌খি । মফমত্‌দা মহাপ্রভু লৈ হায়বা মনাকোঙনা তাবদা মখোয়নী হরাওরম্মী ।

মূল ৩৮

প্রভু চলিয়াছেন বিন্দুমাধব-দর্শনে ।
লক্ষলক্ষ লোক আইসে প্রভুর মিলনে ॥ ৩৮ ॥

শব্দার্থ

প্রভু চলিয়াছেন—প্রভু লেঙথে ; বিন্দুমাধবদর্শনে—বিন্দুমাধব দর্শন তৌবা ; লক্ষ লক্ষ লোক—মী লাখ লাখ ; আইসে—লাক্‌য়ি ; প্রভুর মিলনে—প্রভুগা উনবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা বিন্দুমাধব দর্শনবগীদমক লেঙখি ; অদুদা প্রভুগা দর্শন তৌবা মী লাখ লাখ লাক্‌খি ।

মূল ৩৯

কেহো কান্দে কেহো হাসে কেহো নাচে গায় ।
'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' বলি কেহো গড়াগড়ি যায় ॥ ৩৯ ॥

শব্দার্থ

কেহো—কনামনা ; কান্দে—কপ্পী ; কেহো—কনামনা ; হাসে—নোক্‌য়ি ; কেহো—কনামনা ; নাচে—জগোই শাই ; গায়—ঈশৈ শকুয়ি ; কৃষ্ণ কৃষ্ণ বলি—কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা ; কেহো—কনামনা ; গড়াগড়ি যায়—থরো থরো ওল্লী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কনামনা কপ্পী ; কনামনা নোক্‌য়ি ; কনামনা ঈশৈ শক্‌য়ি অছুগা জগোই শাই, কনামনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লগা লৈপাক্তা থরো থরো ওল্লী ।

মূল ৪০

গঙ্গা যমুনা প্রয়াগ নারিল ডুবাইতে ।
প্রভু ডুবাইল কৃষ্ণপ্রেমের বন্যাতে ॥ ৪০ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গা-যমুনা—গঙ্গা যমুনা অনীনা : প্রয়াগ—প্রয়াগ লমদম্বু ; নারিল—ঙমখিদ্রি ; ডুবাইতে—লুপ্‌হন্‌বা : প্রভু—প্রভুনা ডুবাইল—লুপ্‌হন্‌খি ; কৃষ্ণপ্রেমের—কৃষ্ণবু মুংশিবগী ; বন্যাতে—ঈচাওনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গঙ্গা-যমুনা তুরেল অনীনা প্রয়াগ লমদম্বু লুপ্‌হন্‌বা (থুম্‌হন্‌বা) ঙমখিদ্রি ; অদুবু প্রভুনা প্রয়াগ অদুবু কৃষ্ণ-মুংশিবগী ঈচাওনা লুপ্‌হন্‌খি ।

মূল ৪১

ভিড় দেখি দুই ভাই রহিলা নির্জ্জনে ।
প্রভুর আবেশ হৈল মাধবদর্শনে ॥ ৪১ ॥

শব্দার্থ

ভিড়—মীয়াম : দেখি—উদুনা ; দুই ভাই—মচিন্মনাও অনীনা ; রহিলা—লৈখি : নির্জ্জনে—অচৌকৃপদা ; প্রভুর আবেশ—প্রভুগী প্রেমাবেশ ; হৈল—ওইখি ; মাধবদর্শনে—বিন্দুমাধব দেবতাবু উবদা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মীয়াম-ভিন্‌বা উবদা শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা মচীন্মনাও অনীদো অচৌকৃপা মকমদা লৈখি । অদুগা প্রভুদি বিন্দুমাধব দর্শন তৌবদা প্রেমাবেশদা লৈখি ।

মূল ৪২

প্রেমাবেশে নাচে প্রভু 'হরিধ্বনি' করি ।
ঊর্দ্ধবাহু করি বোলে 'বোল হরি হরি' ॥ ৪২ ॥

শব্দার্থ

প্রেমাবেশে নাচে—প্রেমাবেশদা জগোই শাই ; প্রভু—প্রভুনা ; হরিধ্বনি করি—হরিধ্বনি তৌদুনা ; ঊর্দ্ধবাহু—পাম্বোম ৱাংনা ; করি—থাজৎতুনা ; বোলে—হায় ; বোল হরি হরি—হরি হরি শোল্লো।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রেমাবেশদা প্রভুন; হরিধ্বনি তৌদুনা জগোই শাই। অদুগা পাম্বোম ৱাংনা থাজৎলগা 'হরি শোল্লো' হায়রম্মী।

মূল ৪৩

প্রভুর মহিমা দেখি লোকে চমৎকার।

প্রয়াগে প্রভুর লীলা নারি বর্ণিবার ॥ ৪৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভুর মহিমা—প্রভুগী মতীকময়াই ; দেখি—উবদা ; লোকে—মীয়াম্না ; চমৎকার—ঙকৃখি ; প্রয়াগে—প্রয়াগ-তা ; প্রভুর লীলা—প্রভুগী লীলা ; নারি—(ঐ) ঙমদে ; বর্ণিবার—বর্ণন তৌবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী মহিমা উবদা মী পুম্নমক্ ঙকৃখি। প্রয়াগ লমদমদা শান্নখিবা প্রভুগী লীলাময়াম্দো বর্ণন তৌবা ঐদি (গ্রন্থকার) ঙমদে।

মূল ৪৪

দাক্ষিণাত্য-বিপ্রসনে আছে পরিচয়।

সেই বিপ্র নিমন্ত্রিয়া নিল নিজালয় ॥ ৪৪ ॥

শব্দার্থ

দাক্ষিণাত্য—খা ভারত-কী ; বিপ্র সনে—ব্রাহ্মণগা লোয়ননা ; আছে—লৈনৈ ; পরিচয়—শঙখঙনবা ; সেই বিপ্র—বিপ্রদুনা ; নিমন্ত্রিয়া—বার্তোন তৌদুনা ; নিল—পুখি ; নিজালয়—মযুমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দাক্ষিণাত্যগী ব্রাহ্মণগা লোয়ননা প্রভুগা শরুখত্তনরম্মী। ব্রাহ্মণচুনা বার্তোন তৌহুনা মছাগী ময়ুম্‌দা পুখি।

মুল ৪৫

বিপ্রগৃহে আসি প্রভু নিভৃতে বসিল।
শ্রীরূপ বল্লভ দোঁহে আসিয়া মিলিলা ॥ ৪৫ ॥

শব্দার্থ

বিপ্রগৃহে—ব্রাহ্মণগী ময়ুমদা ; আসি—লেঙ্‌লক্লগা ; প্রভু—প্রভুনা ; নিভৃতে—অচৌকপদা ; বসিলা—ফমখি ; শ্রীরূপবল্লভ দোঁহে—শ্রীরূপকা শ্রীবল্লভকা অনীনা ; আসিয়া—লাক্লুনা ; মিলিলা—উনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রাহ্মণগী য়ুমদা লেঙ্‌লক্লগা প্রভুনা অচৌকপদা ফম্‌খি। শ্রীরূপকা শ্রীবল্লভকা অনীনা লাক্লগা উনরে।

মুল ৪৬

দুইগুচ্ছ তৃণ দোঁহে দশনে ধরিয়া।
প্রভু দেখি দূরে পড়ে দণ্ডবৎ হঞা ॥ ৪৬ ॥

শব্দার্থ

দুই—অনী ; গুচ্ছ—চরোং ; তৃণ—নাপী ; দোঁহে—অনীনা ; দশনে—ময়ানা ; ধরিয়া—চীক্লুনা ; প্রভু দেখি—প্রভুবু য়েংহুনা ; দূরে—লাপ্পা ; পড়ে—তুথৈ ; দণ্ডবৎ—চৈশাগুম্ ; হঞা—ওইরগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নাপী চরোং ময়ানা চীক্লগা মথোয় অনীনা প্রভুবু উবদা লাপ্পা দণ্ডবৎ তৌহুনা তুথরম্মী।

নৈনরোল

নাপী চীক্পগী মরমদি তোল্লী হায়না উৎনবনী।

মূল ৪৭

নানা শ্লোক পড়ি উঠে-পড়ে বার বার।
প্রভু দেখি প্রেমাবেশ হইল দোঁহার ॥ ৪৭ ॥

শব্দার্থ

নানা—মথল্ মথল্গী ; শ্লোক পড়ি—শ্লোক থীরগা ; উঠে—হৌগৎলী ; পড়ে—তুই ; বার বার—হন্না হন্না ; প্রভু দেখি—প্রভুবু উবদা ; প্রেমাবেশ হইল—প্রেমাবেশ ওইখি ; দোঁহার—অনীগী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্লোক মথল্মথা থীদুনা হৌগৎলী তুথৈ হন্না হন্না। প্রভুবু উবদা মখোয় অনীমক্কী প্রেমাবেশ ওইখি।

মূল ৪৮-৪৯

শ্রীরূপ দেখি প্রভুর প্রসন্ন হৈল মন।
'উঠ উঠ রূপ আইস' বলিলা বচন ॥ ৪৮ ॥
'কৃষ্ণের করুণা কিছু না যায় বর্ণন।
বিষয় কূপ হৈতে কাঢ়িল তোমা দুইজন' ॥ ৪৯ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ দেখি—শ্রীরূপ গোস্বামীবু উবদা : প্রভুর—প্রভুগী ; প্রসন্ন—অপেনবা ; হৈল—ওইখি ; মন—পুক্নীঙ ; উঠ উঠ—হৌগৎলো হৌগৎলো ; রূপ—হে রূপ ; আইস—লাও ; বলিল—হায়রম্মী ; বচন—ৱা ; কৃষ্ণের কৃষ্ণগী ; করুণা—চান্নবিবা ; কিছু—করিমত্তা ; না যায়—য়াদে ; বর্ণন—তায়বা ; বিষয়—সংসার বিষয় ; কূপ হৈতে—কুহাদগী ; কাঢ়িল—মুন্বিরে ; তোমা দুইজন—নখোয়নীবু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামীবু উবদা প্রভুগী পুক্নীঙ নুংঙাইখি অদুগা হায়বিরম্মী—'হে রূপ, হৌগৎলো হৌগৎলো, চত্তনবিদু লাও। কৃষ্ণগী থৌজাল্গী ৱাদি করি হায়গনী ? নখোয় অনীবু সংসার বিষয়কী থুম্বা কোম্‌দগী মুন্দুনা লৌখৎপীরে।

মূল ৫০

ন মেঽভক্তশ্চতুর্ব্বেদী মদ্ভক্তঃ শ্বপচঃ প্রিয়ঃ।
তস্মৈ দেয়ং ততো গ্রাহ্যং স চ পূজ্যো যথা হ্যহম্॥ ৫০॥

শব্দার্থ

ন—নত্তে ; মে—ঐগী ; অভক্ত—ভক্ত নত্তবা ; চতুর্ব্বেদী—বেদমরি হৈরবা ব্রাহ্মণ ; মদ্ভক্তঃ—ঐগী ভক্ত শ্বপচঃ—হুইথোংবা চণ্ডাল ; প্রিয়ঃ—নুংশিবা ; তস্মৈ—মঙোন্দা ; দেয়ং—দান তৌগদবনী ; ততঃ—মহুগী তুংদা ; গ্রাহ্যং—লৌগদবনী ; সঃ—মহাক ; চ—অমসুং ; পূজ্যঃ—পূজা তৌকম্নী ; যথা হি—ওয়া ; অহং—ঐ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বেদ-মরি হৈরবা ব্রাহ্মণসু ভক্ত ওইত্রবদি মহাক ঐগী নুংশিবা অমা নত্তে। চণ্ডালসু ঐবু ভক্তি তৌববদি মহাক ঐগী নুংশিবা অমনী : মরমদুনা, অহুগুম্বা ভক্তশিংবু মঙাকচাবা পাত্রনী থজুনা মঙোন্দা দান তৌগদবনী, মঙোন্দগীদু লৌগদবনী, অদুগা মহুগুম্বা মহাক্তো ঐনা ওইবগুম্বা পূজা-তৌফম্ ওইবনী।

নৈনরোল

শ্লোকসি হরিভক্তি বিলাস-দগী লৌথোকপনী /১০/৯১॥

চতুর্ব্বেদী—ঋক্, যজু, সাম অমসুং অথর্ব্ব হায়বা বেদ মরিসী হৈবা মী, মহাপণ্ডিত।

তস্মৈ দেয়ং—মঙোন্দা (ভক্ত চণ্ডালদি দানপাত্র নী হায়দুনা মঙোন্দা) দান তৌগদবনী। নত্রগা ; ভগবান্না হায়রিবনী—"ঐনা পীফম থোকপা (দেয়) পোৎ পুম্বা নত্রগা ঐনা পীফম থোকপা পোৎ পুম্নমক্কী মনুঙদ খ্বাইদগী ফবা পোৎ প্রেমভক্তি হায়বদো ঐনা মঙোন্দা (ভক্তশ্বপচ অদুদা) পীয়ে, ভক্ত নত্তবা কনাদসু পীদেয়ে, ভক্ত নত্তবা মহাক্তুনা চতুর্ব্বেদী ব্রাহ্মণ ওইরবসু।

ততো গ্রাহ্যং—শ্বপচ অদুনা ভক্ত ওইরবদি মাগী পোৎসু লৌবা

য়াই, মরমদি পোং অহু দোষ-লৈত্তবা পোংনী অহুগা য়োনা শেংলবনী। নত্রগা, ভগবান্না হায়রিবনী—ভক্ত ওইবা শ্বপচগী মপোক্তি ঐ লৌয়ি, মানা পীত্রিবৈগী মমাতদস্ন কবি করিগুম্বা মতমদা নম-হান্থনা লৌয়ি; মরমদি, ভক্তনা মুংশিনা পীবনী হায়ছনা পোংতু য়াম্না হাওবা অচাপোং-গুম্বনী। অহুগা ভক্তি-লৈত্তবা চতুর্ব্বেদী ব্রাহ্মণগী পোং ফাওবা ঐ লৌদে; মরমদি, মাগী পোং অহু মুংশিবা য়াওনা পীবা নত্তে; রজোগুণনা ফক্চল্লবনী হায়না তুক্কচনগুাইনী। ভক্তচান্‌বা ভগবান্না ভক্তগী মপোং মুন্দনা লৌবগী প্রমাণ য়াম্না লৈ। শ্রীকৃষ্ণনা শেল্লৈত্তবা সুদামা ব্রাহ্মণগী চেঙপাক মুন্দুনা হাখি; ব্রজগী গোপরমণীশিংগী ময়ুম ময়ুমদা ননী মাখন হুরান্দুনা চাখি। শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শুক্লাম্বর ব্রহ্মচারীগী ভিক্ষাগী ঝুলিদগী ভিক্ষাদা ফংলকপা চেঙ নম্হান্থনা লৌরগা মহাও তংখি। ভক্তনা পোং খোমজন্‌বদি মহাক্কী ইষ্টদেবগী সেবা তৌনবগীদমক্তা খোমজন্‌বনী। পোংতু খোম্জন্‌বা নত্রগা লৌবা মতমদা পোংতু শ্রীকৃষ্ণদা কংকনী হায়না খন্দুনা মহাক্না শ্রীকৃষ্ণবু মুংশিখংলক্‌য়ি অমসুং মুংশিবহুদা পোংতু চাম্‌থোক্লবনীনা য়াম্না হাওবা পোং ওইরক্‌য়ি; মরমহুনা ভক্তগী মুংশিবহুদা থোরাংলবা ভক্ত-চান্‌বা ভগবান্না পোং অহুবু মিহৌয়ে। (২/৮/৬৯) শ্লোক য়েংবিয়ু।

মূল ৫১

এই শ্লোক পড়ি দোঁহারে কৈল আলিঙ্গন।
কৃপাতে দোঁহার মাথায় ধরিল চরণ ॥ ৫১ ॥

শব্দার্থ

এই শ্লোক—ন মে ভক্তশ্চতুর্ব্বেদী-নচিংবা শ্লোকসী; পড়ি—থীরগা; দোঁহারে—মখোয়নীবু; কৈল—তৌখি; আলিঙ্গন—কোন্‌বা; কৃপাতে—চান্‌বিহুনা; দোঁহার—মখোয়নীগী; মাথায়—কোক্তা; ধরিল—থম্‌খি; চরণ—খোঙ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপ

মহাপ্রভুনা শ্লোক অসী থীরগা শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা অনীবু কোন্‌-শনবিরম্মী। চান্‌বিহুনা প্রভুনা মখোয়নীগী কোক্‌থক্তা শ্রীচরণ থম্বিখি।

নৈনরোল

ন মে ভক্তশ্চতুর্বেদী নচিংবা শ্লোকশী ভক্তিগী মাহাত্ম (ভক্তশ কয়ামুক চাওবগে হায়বত্র) উংগা অমনী। শ্রীরূপ-নচিংবগী ভক্তি য়াম্না লৈবত্থ উবদা মহাপ্রভুনা শ্লোকশী নীংথীংজনকৃপনী; মরমতুনা মহাক্লা শ্লোকশী থীরু-থীরহনা মনাই শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা অনীবু আলিঙ্গন তৌনিখিবনী। মসীগী তাৎপর্য্যদি অসিনী—প্রভুনা মখোয় অনীবু থম্মোইমুংদা চেংনা মতম পুম্বদা থম্মীওভী হায়বা তাকুপনী।

মূল ৫২

প্রভুকৃপা পাঞা দাঁড়ে দুই হাত যুড়ি।
দীন হঞা স্তুতি করে বিনয় আচরি ॥ ৫২ ॥

শব্দার্থ

প্রভু-কৃপা—প্রভুগী থৌজাল্; পাঞা—ফংলতুনা; দাঁড়ে—অনীনা; দুই—অনী; হাত—খুৎ; যুড়ি—লোয়নতুনা; দীন—অতোনবা; হঞা—ওইরতুনা; স্তুতি করে—স্তুতি তৌরি; বিনয় আচরি—তোঞ্জনা চৎতুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী কৃপা ফংলতুনা রূপ অমসুং অনুপম অনীনা খুৎ লোয়নরগা তোঞ্জনা নোল্লুক্না স্তুতি তৌখি।

মূল ৫৩

নমো মহাবদান্যায় কৃষ্ণপ্রেমপ্রদায় তে।
কৃষ্ণায় কৃষ্ণচৈতন্যায় গৌরত্বিষে নমঃ ॥ ৫৩ ॥

শব্দার্থ

নমঃ—খুরুমজৈ; মহাবদান্যায়—পীনৈবা মকোক্তা; কৃষ্ণপ্রেমপ্রদায়—কৃষ্ণবু নুংশিহনবদা; তে—নঙোন্দা; কৃষ্ণায়—কৃষ্ণদা; কৃষ্ণচৈতন্যায়—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদা; গৌরত্বিষে—কুচু-ঙৌবদা; নমঃ—খুরুমজরি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পীনৈবা মকোক কৃষ্ণপ্রেম পীবিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কৌবা কুচু-ঙৌবা কৃষ্ণ নহাকপু ঐনা খুরুমজরি।

নৈনরোল

শ্লোক অসী থীহুনা শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগনা প্রভুবু স্তুতি তৌখি। শ্লোকসীদা প্রভুবু কুচু-ঙৌবা কৃষ্ণ হায়না হায়রি ; শ্রীরাধাগী অঙ্গগী কুমুহু হকচাঙদা তৈংরগা শ্রীকৃষ্ণনা গৌর ওইখিবনী হায়দুনা মহাকপু গৌরবর্ণ-গৌরকান্তি —মুং-কৃষ্ণ পান্-ঙৌবা-হায়রিবনী। গৌরকান্তি বুক্ষসী— শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যসী—পীনহৈবা মকোয়্নী (মহাদাতানী, মহাবদান্যনী) হায়রিবনী ; মাগুম্বা দাতা অতৈ কনামত্তা লৈতে ; মরমদি, মহাক্না কৃষ্ণপ্রেম (কৃষ্ণবু নুংশিবা) পীনবী ; কৃষ্ণপ্রেম-পীবা দাতাগুম্বা অতৈ কনাম্মতনা দাতা ওইবা ঙমদে—মরমদি, কৃষ্ণপ্রেমগী মপাম্না শ্রীকৃষ্ণহৃদবু ফংবা য়াই, শ্রীকৃষ্ণবু ফংলগদি অতৈ ফংনঙাই করিমু লৈতরে।

মূল ৫৪

যোঽজ্ঞানমত্তং ভুবনং দয়ালু-
রুল্লাঘয়ন্নপ্যকরোৎ প্রমত্তম্।
স্বপ্রেমসম্পৎসুধয়াদ্ভুতেহং
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যমমুং প্রপদ্যে ॥ ৫৪ ॥

শব্দার্থ

যঃ—মহাক ; অজ্ঞানমত্তং—খঙদবদগী সংসারগী ওইবা মুংঙাইবদা ময়াই কারবা ; ভুবনং—জগৎপু (জগত্তা লৈবা মীপুম্নমকপু) ; দয়ালুঃ—থৌজাল্হৈবা ; উল্লাঘয়ন্—সংসার কৌবা লাইনা (রোগ) কোকহন্দুনা ; অপি—সু ; অকরোৎ—তৌখি ; প্রমত্তং—প্রেমনা ঙাওবা ; স্বপ্রেমসম্পৎ—মহাগী প্রেম কৌবা লনগী মশক ওইবা ; সুধয়া—অমৃতনা ; অদ্ভুতেহং—অঙকপা-লীলা-শাম্নবা ; শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যং—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদা ; অমুং—মহাকপু ; প্রপদ্যে—চঙজরি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

থৌজাল্-হৈবা-মরম্না খঙদবনা-ময়াই-কারবা মী পুম্নমকপু মহাক্না মশাগী প্রেম-লন্-গী মশক ওইবা অমৃতনা সংসার-লাইনাদগী লাহোবহন্দুনা মখোয়বু প্রেম-না ঙাওহল্লবা অদুগুম্বা অঙকপা লীলা শাম্নরবা শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যদা চঙজরি।

নৈনরোল

অজ্ঞানমক্তং—খঙদবদগী সংসারগী লুংঙাইরদা ময়াই কাজরবা মখোয়বু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা উল্লাঘয়ন্—সংসার কৌবা লাঙ্গৈনাদগী লাম্থোকহন্‌বিখি ; করি হীদাক-লাংথক্ তৌদুনা মখোয়গী লাঙ্গৈনাদু কোকহনখি ? স্বপ্রেম-সম্পৎ সুধয়া—মহাক্না বিষয় ওইরগা তৌবা প্রেমদুগী মশক ওইবা অমৃত-দুনা ; অমৃত থক্লগা মীওইবগী অনাবা কোক্‌য়ি ; অদুবু খ্বায়গী অমৃতদু থক্লগা সংসার-কৌবা লাঙ্গৈনাদি কোক্‌পা ঙমদে ; প্রভুনা প্রেমগী মশক ওইবা অমৃতনা—কৃষ্ণপ্রেম পীদুনা—মীওইবশিংগী সংসার-লাঙ্গৈনা—সংসারগী অফা-অপুন্—কোকহন্‌বিখি ; অদুতমক নত্তে, শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ-থম্বালগী খোঙচৎ পীংজুনবু মখোয়বু ঙাওহন্‌খি। প্রেম অদুদি করম তৌবনো ? স্বপ্রেমসম্পাত্ত—প্রভু মহামক্না বিষয় ওইবা প্রেম অদুনা ওইবা লন ; প্রেম-বু লল্লী (সম্পত্তিনী) হায়বগী মরমদি অসিনী মদুদি লন্ লৈরগা অপাম-অপাম্বা পোৎ ফংঙী, প্রেমসি লৈরবদি স্বয়ং ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণবু ফংগনী—মহাকপু ফংলগদি ফংনঙাই অতৈমা লৈত্রে। করিগীদমক্কে প্রেম অসী প্রভুনা মীওইবদা পীরম্বদি ? মহাক্তি দয়ালুঃ (থৌজাল্‌-হৈবা) হায়রদুনী ; সংসার-মৈচাক্না চাক্লবা জীবগী মফমদা থৌজাল্‌নৈদুনা মখোয়গী মৈচাক অদু কোকহন্নবগীদমক প্রেম-লন্ অসী পীরম্বনী।

মমাঙগী শ্লোক অদুদা মহাপ্রভুবু "কৃষ্ণপ্রেমপ্রদায়া" হায়না হায়রি ; মরমদুনা মহাক্তি কৃষ্ণপ্রেমপ্রদাতানী হায়বদু গ্রন্থকারনা অকোন্‌বা শ্লোক-সিদা উৎলম্বনী। নত্রগা, শ্রীরূপনা শ্লোক সী থীরগা প্রভুগী স্তব তৌরম্বনী ; কোম্থংদা কবিরাজ গোস্বামীনা মহাক্না লেংবা গোবিন্দলীলামৃতগী মঙ্গলা-চরণদা মদু হাপ্লবনী।

মূল ৫৫

তবে মহাপ্রভু তারে নিকটে বসাইল।
'সনাতনের বার্ত্তা কহ'—তাহারে পুছিলা ॥ ৫৫ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা ; তারে—মহাকপু ; নিকটে—

মনাক্তা ; বসাইলা—ফম্হল্লম্মী ; সনাতনের বার্তা—সনাতনগী মপাউ ; কহ—হায়য়ু ; তাহারে—মহোন্দা ; পুছিল—হংখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী মহাপ্রভুনা মহাকপু (শ্রীরূপবু) মনাক্তা ফম্হল্লম্মী। অদুগা মহোন্দা হংলম্মী—সনাতনগী মপাউ করিনো হায়য়ু।

মূল ৫৬

রূপ কহেন—তেঁহো বন্দী হয় রাজঘরে।

'তুমি যদি উদ্ধার' তবে হইবে উদ্ধারে ॥ ৫৬ ॥

শব্দার্থ

রূপ কহেন—রূপ গোস্বামীনা হায় ; তেঁহো—মহাক (সনাতন গোস্বামী) ; বন্দী—বন্দী ওইরি ; রাজঘরে—নিংথৌগী কারাগারদা ; তুমি—নঙনা (প্রভুনা) ; যদি উদ্ধার—লান্থিরবদি ; তবে—অদু ওইরবদি ; হইবে—ওইগনী ; উদ্ধারে—লান্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামীনা খুম্লম্মী—মহাক্তি নিংথৌগী কৈশুম্শঙদা বন্দী ওইরি। প্রভুনা লান্থিরগদি মহাক কৈশুমশঙদগী থোরকনী।

মূল ৫৭

প্রভু কহে—সনাতনের হইয়াছে মোচন।

অচিরাতে আমাসহ হইবে মিলন ॥ ৫৭ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় ; সনাতনের—সনাতনগী ; হইয়াছে—ওইরে ; মোচন—কারাগারদগী থোরকপা ; অচিরাতে—থুনমক ; আমাসহ—ঐগা ; হইবে—ওইগনী ; মিলন—উনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়—সনাতন কারাগারদগী থোরক্লে থুনমক ঐগা উনরগনী।

মূল ৫৮

মধ্যাহ্ন করিতে বিপ্র প্রভুকে কহিলা।
রূপগোসাঞি সে দিবস তথাই রহিলা॥ ৫৮॥

শব্দার্থ

মধ্যাহ্ন করিতে—স্নান তৌরগা মধ্যান পূজা তৌননবা: বিপ্র—দাক্ষিণাত্যবাসী ব্রাহ্মণনা; প্রভুকে কহিলা—প্রভুদা হঙলম্মী; রূপগোসাঞি—রূপগোস্বামী; সে দিবস—নুমীৎতুম; তথাই—মফম্দুদা (ব্রাহ্মণগী যুম্দা); রহিলা—লৈখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দাক্ষিণাত্যবাসী ব্রাহ্মণনা প্রভুদা মধ্যাণ্গী স্নান-পূজানচিংবা তৌননবা হঙংলম্মী। শ্রীরূপগোস্বামীশু নুমীৎতুমা মফম্দুদা লৈখি।

মূল ৫৯

ভট্টাচার্য্য দুই ভাইর নিমন্ত্রণ কৈল।
প্রভুর শেষ প্রসাদপাত্র দুই ভাই পাইল॥ ৫৯॥

শব্দার্থ

ভট্টাচার্য্য—বলভদ্র ভট্টাচার্য্যনা; দুই ভাইর—মচীন্মনাও অনীদুগী; নিমন্ত্রণ—বার্জোন; কৈল—তৌখি; প্রভুর—প্রভুগী; শেষ—অরোয়বা; প্রসাদ পাত্র—প্রসাদ পাত্র; দুই ভাই—মচীন্মনাও অনীনা; পাইল—ফংখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বলভদ্র ভট্টাচার্য্যনা মচীন্মনাও (রূপকা অনুপমগা) অনীদুবু বার্জোন তৌরম্মী। প্রভুনা লেম্বা প্রসাদগী পাত্রদু মচীন্মনাও অনীনা ফংখি।

মূল ৬০

ত্রিবেণী-উপর প্রভুর বাসাঘর স্থান।
দুইভাই বাসা কৈল প্রভু সন্নিধান॥ ৬০॥

শব্দার্থ

ত্রিবেণী —প্রয়াগ তা গঙ্গা, যমুনা অমসুং সরস্বতীনা তিনবা মফমছু ; উপর—মথক্তা ; প্রভুর—প্রভুগী ; বাসাঘর—লৈফম-য়ুমগী ; স্থান—মফম ; দুইভাই—মচিন্নাও অনীনা ; বাসা—লৈফম ; কৈল—শেম্খি ; প্রভু—প্রভুগী ; সন্নিধান—নাক্তা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ত্রিবেণীগী মথক্তা প্রভুগী লৈফম-য়ুমগী মফমদা। রূপ অমসুং অনুপম মচীন্নাও অনীস্থু প্রভুগা নক্না য়ুম লৈননবা থোরাংখি।

মূল ৬১

সেকালে বল্লভ-ভট্ট রহে আড়ৈলগ্রামে ।
'মহাপ্রভু আইলা' শুনি আইলা তাঁর স্থানে ॥ ৬১ ॥

শব্দার্থ

সেকালে—মতমছুদা (প্রভুনা ত্রিবেণীগী মথক্তা লৈরম্বা মতমদা) ; বল্লভ ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; রহে—লৈ ; আড়ৈলগ্রামে—আড়ৈলগ্রামদা ; মহাপ্রভু আইলা—মহাপ্রভু লেঙলক্লে ; শুনি—নাকোঙনা তাদুনা ; আইলা—লাক্বি ; তাঁর—মহাক্কী (প্রভুগী) ; স্থানে—মফমদা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা ত্রিবেণীগী মথক্তা লৈরম্বা) মতমছুদা শ্রীবল্লভ-ভট্ট আড়ৈল-গ্রামদা লৈরম্মী। মহাপ্রভু লেঙলক্লে হায়বা পাও অদুনা শ্রীবল্লভ ভট্টনু প্রভুগী নাক্তা লাক্খি।

নৈনরোল

আড়ৈল- প্রভুনা লৈরম্বা মফমগী তুরেল-য়াংমদা লৈবা গ্রাম অমগী মিংনী।

মূল ৬২

তেঁহো দণ্ডবৎ কৈল প্রভু কৈল আলিঙ্গন।
দুইজনে কৃষ্ণকথা হৈল কথোক্ষণ ॥ ৬২ ॥

শব্দার্থ

তেঁহো—মহাক্না (বল্লভ ভট্টনা) ; দণ্ডবৎ কৈল—দণ্ডবৎ তৌরম্মী ; প্রভু—প্রভুনা ; কৈল—তৌরম্মী ; আলিঙ্গন—কোল্‌বা ; দুইজনে—প্রভুগা বল্লভ ভট্টগা অনীনা ; কৃষ্ণকথা হৈল—কৃষ্ণগী ৱারী শানখি ; কথোক্ষণ—মতম খরা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভ ভট্টনা প্রভুদা দণ্ডবৎ তৌরম্মী, প্রভুনা মহাকপু কোন্‌বিখি । মখোয় অনীনা মতম খরা কৃষ্ণকথা তৌনখি ।

মূল ৬৩

কৃষ্ণকথায় মহাপ্রভুর প্রেম উথলিল ।
ভট্টের সঙ্কোচে প্রভু সংবরণ কৈল ॥ ৬৩ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণকথায়—কৃষ্ণগী ৱারীদা ; মহাপ্রভুর—মহাপ্রভুগী ; প্রেম—কৃষ্ণবু নুংশিবা ; উথলিল—ঈহৌরকখি ; ভট্টের সঙ্কোচে—ভট্টগী মাঙদা হঙ্গোই-বদগী ; প্রভু—প্রভুনা ; সংবরণ—লোৎপা ; কৈল—তৌখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণগী ৱারীদা মহাপ্রভুগী কৃষ্ণপ্রেম ঈহৌরকখি । অদুবু ভট্টগী মাঙদা হঙ্গোরবদগী প্রভুনা প্রেমগী ঈহৌদু লোৎখি ।

মূল ৬৪

অন্তরে গরগর প্রেম—নহে সংবরণ ।
দেখি চমৎকার হৈল বল্লভ-ভট্টের মন ॥ ৬৪ ॥

শব্দার্থ

অন্তরে—থন্‌ভদা ; গরগর—অস্থম অস্থম হেঙ্গৎলকপা ; প্রেম—কৃষ্ণবু নুংশিবা ; নহে সংবরণ—লোৎহন্‌বা য়ারমদে ; দেখি—উবদা ; চমৎকার—ঙকপা ; হৈল—ওইখি ; বল্লভ ভট্টের—বল্লভ ভট্টগী ; মন—পুক্নীঙ ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মনুষ্যদদি প্রেমমহু অহুম-অসুম হেন্‌দনলম্মী, লোৎপা য়ারমদে। প্রভুগী মতৌ উবদ বল্লভ ভট্টাচার্য্য ঙকৃখি।

মুল ৬৫

তবে ভট্ট মহাপ্রভুকে নিমন্ত্রণ কৈল।
মহাপ্রভু দুই ভাই তাহারে মিলাইল ॥ ৬৫ ॥

শব্দার্থ

তবে—অতুদগী ; ভট্ট—বল্লভভট্টনা ; মহাপ্রভুকে—মহাপ্রভুবু ; নিমন্ত্রণ—বার্তোন ; কৈল—তৌখি ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা ; দুই ভাই—রূপকা অনুপমগা মচীন্নাও অনীহু ; তাহারে—মহাক্কা (বল্লভ ভট্টগা) ; মিলাইল—উনহন্‌খি (শক খঙনহন্‌খি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী বল্লভ ভট্টনা মহাপ্রভুবু ভিক্ষাগীদমক বার্তোন কৎখি মহাপ্রভুনা বল্লভ ভট্টগা রূপ অমসুং অনুপমগা মচীন্নাও অনীহু শক খঙনহন্‌খি।

মুল ৬৬

দুই ভাই দূরে হৈতে ভূমিতে পড়িয়া।
ভট্টে দণ্ডবৎ কৈল অতি দীন হৈয়া ॥ ৬৬ ॥

শব্দার্থ

দুই ভাই—মচীন্নাও অনীনা (রূপ অমসুং অনুপমগা) ; দূরে হৈতে—অরাপ্পদগী ; ভূমিতে—লৈপাক্তা ; পড়িয়া—তুথডুনা ; ভট্টে—ভট্টদা ; দণ্ডবৎ কৈল—দণ্ডবৎ তৌখি ; অতি—য়াম্না ; দীন—তোম্বা ; হৈয়া—ওইদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

রূপ-অনুপম মচীন্নাও অনীনা অরাপ্পদগী লৈপাক্তা তুথরম্মী অদুগা য়াম্না অতোন্‌বা ওইনা ভট্টদা দণ্ডবৎ তৌরম্মী।

মূল ৬৭

ভট্ট মিলিবারে যায়, দোঁহে পলায় দূরে।

"অস্পৃশ্য পামর মুঞি, না ছুঁইহ মোরে" ॥ ৬৭ ॥

শব্দার্থ

ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; মিলিবারে—আলিঙ্গন তৌগে হায়না ; যায়—চঙশল্লী ; দোঁহে—অনীমনা ; পলায়—চেঙ্খোকয়ি ; দূরে—লাপ্পা ; অস্পৃশ্য—শোক্ত-শয়্ত্র-য়াদবা ; পামর—অতোন্‌বা ; মুঞি—ঐনী (ঐখোয়নী) ; না ছুঁইহ—শোকনু ; মোরে—ঐবু (ঐখোয়বু)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভ ভট্টনা মখোয় মচীমনাও অনীবু আলিঙ্গন তৌগে হায়না চঙলক্‌খি, অদুবু মখোয়নীনা লাপ্পা চেঙ্খোক্লম্মী অমুপা হায়রম্মী—"ঐখোয়দি শোক্ত-শয়্ত্র য়াদবা অতোন্‌বনী, ঐখোয়বু শোকনু।"

মূল ৬৮

ভট্টের বিস্ময় হৈল—প্রভুর হর্ষমন।

ভট্টেরে কহিলা প্রভু তাঁর বিবরণ ॥ ৬৮ ॥

শব্দার্থ

ভট্টের—বল্লভ ভট্টগী ; বিস্ময়—অঙকপা ; হৈল—ওইখি ; প্রভুর—প্রভুগী ; হর্ষমন—হরাওবগী পুক্নীঙ ; ভট্টেরে—ভট্টদা ; কহিলা—হায়খি ; প্রভু—প্রভুনা ; তার—মহাক্কী (মখোয়গী) ; বিবরণ—অকুপ্পা ৱারোল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(মখোয় মচীন্নাও অনীগী মতৌ উবদা) বল্লভ ভট্টহ অঙকখি অমুগা প্রভুনা হরাওখি। প্রভুনা বল্লভ ভট্টদা মখোয়গী ৱা কুপ্পা হায়খি।

তাৎপর্য্য / শৈনরোল

প্রভুর হর্ষমন—শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা অনীগী দৈন্য উবদা প্রভু হরাওরম্মী। ভক্তিগী রূপা নত্তনা অশেঙবা দৈন্য—মহাক্না মহাবু তোঙ্গী হায়না খন্‌বা ৱাখল্‌—পোক্পা হৌনদে। শ্রীরূপ অমসুং শ্রীঅনুপমগী দৈন্য উবদা

ভক্তিরাণীনা মখোয়বু কৃপা তৌবিরে হায়রবা খঙবদা প্রভুনা য়াম্না যৌনা মুংঙাইখি। উহৈ য়াম্না পাম্নবা মতমদা পান্বীনা লুকুখরকৃপগুম্ ভক্তি পোল্লবা মতমদা ভক্তগী নাপন্নচিংবা মাঙতী অহুগা মী পুম্নমক্কী চরণখাদা তুগদৌবগী হোৎনৈ।

মূল ৬৯

ইহাঁ না স্পর্শিহ ইহেঁ জাতি অতি হীন।

বৈদিক যাজ্ঞিক তুমি কুলীন প্রবীণ ॥ ৬৯ ॥

শব্দার্থ

ইহাঁ—মখোয়সিবু ; না স্পর্শিহ—শোকনু ; ইহেঁ জাতি—মখোয়গী জাৎতি : অতি—য়াম্না ; হীন—হন্থবনী ; বৈদিক—বেদ-হৈবা ; যাজ্ঞিক—যজ্ঞগী নিয়ম খঙবা মী ; তুমি—নঙ ; কুলীন—শাগে-রাংবা ; প্রবীণ—পণ্ডিত।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হায়রম্মী)—মখোয়সিবু শোক্কনু, মখোয়নীগী জাৎতি য়াম্না তোন্বনী ; অহুগা ভট্ট, নঙদি বৈদিক-নী, যাজ্ঞিকনী, কুলীন ব্রাহ্মণী অমসুং পণ্ডিতনী।

নৈনরোল

বল্লভ-ভট্টগী মপুক্কীঙদা কুলীন অমসুং বৈদিক ওইবগী নাপল চেন্নম্মী ; শ্রীরূপগোস্বামীনা ভক্তিনা ইনশল্লকুনা দৈন্য পোক্পদগী মছাবু তুকচনঙাই ওইবনী হায়জরকপদা ভট্টদা পান্দনু হায়দুনা মহাপ্রভুনা নোকৃক্রেমনা ভট্টদা হায়রম্বনী পয়ারসিদা পল্লিবা রাসী।

মূল ৭০—৭১

দোঁহার মুখে নিরন্তর কৃষ্ণনাম শুনি।

ভট্ট কহে প্রভুর কিছু ইঙ্গিত ভঙ্গী জানি— ॥ ৭০ ॥

দোঁহার মুখে কৃষ্ণ নাম করিছে নর্ত্তন।

এ দুই অধম নহে, হয়ে সর্ব্বোত্তম ॥ ৭১ ॥

শব্দার্থ

দোঁহার—অনীগী ; মুখে—মচীন্দা ; নিরন্তর—অতুং অথম লৈতনা ; কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণগী মিংলেন ; শুনি—নাকোংনা তাহ্নুনা ; ভট্ট কহে—ভট্টনা হায় ; প্রভুর—প্রভুগী ; কিছু—খরা ; ইঙ্গিত—ইঙ্গিত ; ভঙ্গী—মতৌ ; জানি—খঙহ্নুনা ; দোঁহার মুখে—অনীগী মচীন্দা ; কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণগী মিংলেম্না ; করিছে—তৌরি ; নর্ত্তন—জগোই শাবা ; এ—অসী ; দুই—অনী ; অধম—অতোন্‌বা ; নহে—নত্তে ; সর্ব্বোত্তম—পুম্নমক্তগী হেন্‌বনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মখোয়নীগী চীন্দা অতুং-অথম লৈতনা কৃষ্ণনাম মনাকোঙনা তারগা বল্লভ ভট্টনা মহাপ্রভুনা তৌরম্বা ইঙ্গিত কী মতৌদু খঙহ্নুনা হায়রম্মী—মখোয়নীগী চীন্দা কৃষ্ণনামনা জগোই শারি ; মখোয়নীসী অতোন্‌বা নত্তে, মখোয়দি খ্বায় পুম্বদগী হেন্‌বনী।

মূল ৭২

অহো বত শ্বপচোঽতো গরীয়ান্
যজ্জিহ্বাগ্রে বর্ত্ততে নাম তুভ্যম্।
তেপুস্তপস্তে জুহুবুঃ সস্নুরার্য্যা
ব্রহ্মানূচুর্নাম গৃণন্তি যে তে ॥ ৭২ ॥

শব্দার্থনচিংবা ২/১১/১৯০ শ্লোক মূল অহ্নদা য়েংবিয়ু। মসী মূল ৭৩ পয়ারগী প্রমাণী। মসী শ্রীমদ্ভাগবতম্‌দগী লৌখংপনী (৩/৩৩/৭)।

মূল ৭৩

শুনি মহাপ্রভু তারে বহু প্রশংসিলা।
প্রেমাবিষ্ট হঞা শ্লোক পড়িতে লাগিলা ॥ ৭৩ ॥

শব্দার্থ

শুনি—নাকোংনা তারগা ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা ; তারে—মহোম্দা ; বহু—য়াম্না ; প্রশংসিলা—থাগৎখি ; প্রেমাবিষ্ট—প্রেমাবেশদা চঙবা ; হঞা—ওইদুনা ; শ্লোক পড়িতে—শ্লোক পাবা ; লাগিলা—হৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ৱল্লভ ভট্টকী ঋ তারগা মহাপ্রভুনা মহাকপু য়াম্না থাগৎলম্মী। প্রেমাও ৱেশ ওইরবগী প্রভুনা শ্লোক অমীথক হীথরকখি।

মূল ৭৪

শুচিঃসদ্ভক্তিদীপ্তাগ্নি দগ্ধদুর্জাতিকল্মষঃ।

শ্বপাকোঽপি বুধৈঃ শ্লাঘ্যো ন বেদাঢ্যোঽপি নাস্তিকঃ॥ ৭৪॥

শব্দার্থ

শুচিঃ—শেংবা (পবিত্র); সদ্ভক্তি—ভক্তি অওইবগী মশক ওইবা; দীপ্ত—ফজনা চাক্লবা; অগ্নি—মৈনা; দগ্ধ—চাক্‌থেক্‌প্রবা; দুর্জাতি—অতোন্‌বা মপোক্তা পোকহন্নবা: কল্মষঃ—পাপ; শ্বপাকঃ—হুঈচাবা মী; অপি—সু; বুধৈঃ—পণ্ডিতশিংনা; শ্লাঘ্যঃ—থাগৎনঙাই (ওই); ন—(থাগৎনঙাই) ওইদে; বেদাঢ্যঃ—বেদপুম্বা হৈবা; অপি—সু; নাস্তিকঃ—ভক্তি লৈতবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অশেংবা, অওইবা ভক্তিগী-মশক-ওইবা ফজনা-চাক্লবা মৈনা—অতোন্‌বা মপোক্তা পোক্‌হন্নবা পাপ পুম্বা চাক্‌থেক্‌প্রবা—অদুগুম্বা মীদো শ্বপাক চণ্ডাল ওইরবসু পণ্ডিতশিংগী থাগৎনঙাইনী; বেদপুম্বা হৈরবসু ভক্ত নত্রগদি থাগৎনঙাই নত্তে।

তাৎপর্য

শ্লোকসী হরিভক্তিসুধোদয়দগী লৌথোকপনী (৩/১২)।

কুলীন ব্রাহ্মণ ওাক্তবু লুনা তৌগদবা নত্তে ভক্তত্তবু লুনা তৌগদবনী হায়বদু শ্লোকসিদা উৎলী। শ্রীরূপ-নচিংবসী সমাজগী হায়রুবদি কুলীন নত্রবসু—ব্রাহ্মণগী সমাজদা সমাজগী ওইবা সম্মান কংত্রবসু—ভক্তিগী কুপানা মখোয়বু পণ্ডিতশিংনা লুনা তৌনঙাইনী হায়বসী তাক্লবা হায়দুনা প্রভুনা শ্লোক অসী পল্লিবনী।

মূল ৭৫

ভগবদ্ভক্তিহীনস্য জাতিঃ শাস্ত্রং জপস্তপঃ।

অপ্রাণস্যৈব দেহস্য মণ্ডনং লোকরঞ্জনম্॥ ৭৫॥

শব্দার্থ

ভগবদ্‌ভক্তিহীনস্য— ভগবান্দা ভক্তি লৈতবা ; জাতিঃ—(ব্রাহ্মণচিংবা অরাঙবা) জাতিনা ; শাস্ত্রং—শাস্ত্র হৈবনা ; জপঃ তপঃ—জব-তপ-না ; অপ্রাণস্য—শিরবা মীগী ; এব—হুপা ; দেহস্য—হকচাঙগী ; মণ্ডনং—লৈতেং ; লোকরঞ্জনম্—মী-পেন্নভাইনী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভগবান্দা ভক্তি লৈতবা মীগী জাতিনে, মানা হৈবা শাস্ত্রনে, মানা তৌবা জপ-তপ নে-পুম্নমক্তো থবাই য়াওদ্রবা (শিরবা) মীগী হকচাঙদা তৌবা মীওন্দা উৎননবা লৈতেংগুম্বনী ।

লৈনরোল

শ্লোকসিম্বু হরিভক্তি সুধোদয়দগীনী (৩/১১) ।

ভক্ত নংতবগী শাগৈনাং অরাঙবা, মানা শাস্ত্র হৈবা, জপ-তপ তৌবা পুম্নমক্তো অশিবা মীগী ফিজেৎ-লৈতেং কান্নদবগুম্না করিমতা কান্নদে ।

মূল ৭৬

প্রভুর প্রেমাবেশ আর প্রভাব ভক্তি সার ।
সৌন্দর্য্যাদি দেখি ভট্টের হৈল চমৎকার ॥ ৭৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভুর—প্রভুগী ; প্রেমাবেশ—প্রেম-দা চঙবা ; আর—অমুগা ; প্রভাব—মতৌকময়াই ; ভক্তিসার—ভক্তিগী মশক সার তত্ত্ব ; সৌন্দর্য্যাদি—শক্কী ফজবনচিংবা ; দেখি—উবদা ; ভট্টের—ভট্টগী ; হৈল—ওইখি ; চমৎকার—ঙকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী প্রেমাবেশ, মতৌক ময়াই, ভক্তিনা সার ওইবা প্রভুগী শক-ফজব-নচিংবা উবগা বল্লভ ভট্ট ঙকখি ।

মূল ৭৭

সগণে প্রভুকে ভট্ট নৌকাতে চড়াইয়া ।
ভিক্ষা দিতে নিজ ঘরে চলিলা লইয়া ॥ ৭৭ ॥

শব্দার্থ

সগণে—লোইন্ থম্ইন্‌শিংবু ; প্রভুকে—প্রভুবু ; ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; নৌকাতে—হিদা ; চড়াইয়া—তোংহল্লগা ; ভিক্ষা দিতে—প্রসাদী ফংহন্নবা ; নিজ ঘরে—মহাগী য়ুমদা ; চলিলা—চৎখি ; লইয়া—পুহুনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুবু অমসুং প্রভুগী গণশিংবু ভট্টনা হিদা তোংহল্লগা য়ুমদা প্রসাদী ফংহন্নবা হায়হুনা লোয়ননা চৎলম্মী ।

মূল ৭৮-৭৯

যমুনার জল দেখি চিক্কণ শ্যামল ।

প্রেমাবেশে মহাপ্রভু হইলা বিহ্বল ॥ ৭৮ ॥

হুঙ্কার করি যমুনার জলে দিল ঝাঁপ ।

প্রভু দেখি সভার মনে হইল ভয় কাঁপ ॥ ৭৯ ॥

শব্দার্থ

যমুনার জল—যমুনা তুরেলগী লাইজ ; দেখি—উরগা ; চিক্কণ—ইরং ইরং-লংবা ; শ্যামল—শংবান্নবা ; প্রেমাবেশে—প্রেমাবেশদা ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভু ; হইলা—ওইখি ; বিহ্বল—খোয়রাঙবা, বিক্লুলা ; হুঙ্কার করি—হুঙ্কার তৌহুনা ; যমুনার—যমুনাগী ; জলে—লাইজহুংদা ; দিল ঝাঁপ—চোংথখি ; প্রভু দেখি—প্রভুবু য়েংবদা ; সভার মনে—লোইনমক্কী পুক্নিংদা ; হইল—ওইখি ; ভয়—কিবা ; কাঁপ—নীকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

যমুনাগী লাইজহু ইরং-ইরং-লংনা শংবান্নবা উবদা প্রেমাবেশদা মহাপ্রভু খোয়রাঙখি। (শংবান্নবা লাইজহুবু শ্রীকৃষ্ণনী খল্লহুনা) মহাপ্রভুনা হুঙ্কার তৌরগা যমুনাগী লাইজহুংদা চোংথখি। প্রভুবু য়েংবদা মী পুম্নমক্কী পুক্নীংদা অকীবা পোক্নুনা থক্ থক্ নীকখি।

মূল ৮০

আস্তেব্যস্তে সভে ধরি প্রভুরে উঠাইলা ।

নৌকার উপরে প্রভু নাচিতে লাগিলা ॥ ৮০ ॥

শব্দার্থ

আস্তেব্যস্তে—তহা তহা তৌদুনা ; সভে—মী পুম্নমক্কা . ধরি—পায়রগা ; প্রভুরে—প্রভুবু ; উঠাইলা—লৌখৎলম্মী ; নৌকার—হিগী ; উপরে—মথক্তা ; প্রভু—প্রভুনা ; নাচিতে—জগোই শাবা ; লাগিলা—হৌগংখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তহা তহা তৌদুনা ময়াম পুম্নমক্কা পায়রগা প্রভু লৌখৎলম্মী ; প্রভুনা হি মথক্তা জগোই শাগৎলকৃখি ।

মূল ৮১

মহাপ্রভুর ভরে নৌকা করে টলমল ।
ডুবিতে লাগিলা নৌকা, ঝলকে ভরে জল ॥ ৮১ ।

শব্দার্থ

মহাপ্রভুর ভরে—মহাপ্রভুনা তোংবদা লুম্বনা ; নৌকা—হি ; করে—তৌয়ি ; টলমল—ফর্-ফর্ হাইবা ; ডুবিতে—লুপ্থবা ; লাগিলা—হৌরম্মী : নৌকা—হি ; ঝলকে—ঈশীঙ থুনা হাজল্লকপনা ; ভরে—থল্লী ; জল—ঈশীঙনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা তোংবদা হি ফর্-ফর্ হাইরম্মী । হি লুপ্থবা হৌরম্মী, অদুগা ঈশীঙ থুনা হাজল্লকপনা হি থন্থি ।

মূল ৮২

যদি ভট্টের আগে প্রভুর ধৈর্য্য হৈল মন ।
দুর্ব্বার উদ্ভট প্রেম—নহে সংবরণ ॥ ৮২ ॥

শব্দার্থ

যদি—বসু ; ভট্টের—বল্লভ ভট্টগী ; আগে—মাঙদা ; প্রভুর—প্রভুগী ; ধৈর্য্য—তপথবা ; হৈল—ওইরে ; মন—পুক্নীঙ ; দুর্ব্বার—থাম্বদা য়াবা ; উদ্ভট—অকন্বা, অঙকপা ; প্রেম—কৃষ্ণপ্রেম ; নহে সংবরণ—থাম্বা য়াদে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভ-ভট্টকী উবদা হন্দোইরক্লা প্রভুগী পুক্নীঙ তপ্‌থরবসু কৃষ্ণপ্রেম অহুদি খাম্বা-রাবা অঙকপা প্রেম ওইবন থুপ্‌চন্‌বা য়ারমদে।

মূল ৮৩

দেশ-পাত্র দেখি মহাপ্রভুর ধৈর্য্য হৈল।

আড়ৈলের ঘাটে তবে নৌকা উত্তরিল ॥ ৮৩ ॥

শব্দার্থ

দেশ—লমদা ; পাত্র—মীতা ; দেখি—য়েংলগা ; মহাপ্রভুর- মহাপ্রভুগী ; ধৈর্য্য—তপ্‌থবা ; হৈল—ওইখি ; আড়ৈলের ঘাটে—আড়ৈলগী ঘাট্টা ; তবে—অদুদগী ; নৌকা—হি ; উত্তরিল—থাংখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লমদা মীতা য়েংলগা মহাপ্রভু তপ্‌থরম্মী অদুগা আড়ৈলগী ঘাট্টা হি থাংখি।

মূল ৮৪

ভয়ে ভট্ট সঙ্গে রহি মধ্যাহ্ন করাইয়া।

নিজগৃহে আনিলা প্রভুকে সঙ্গেতে লইয়া ॥ ৮৪ ॥

শব্দার্থ

ভয়ে—কিবনা (প্রেমাবেশদা প্রভুনা অমুক যমুনাদা চোংথবা য়াই হায়না) ; ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; সঙ্গে—(প্রভুগা) লোয়ননা ; রহি—লৈদুনা ; মধ্যাহ্ন—মধ্যাহ্নগী স্নান ; করাইয়া—তৌহল্লগা ; নিজগৃহে—মহাগী য়ুমদা ; আনিলা—পুরকখি ; প্রভুকে—প্রভুবু ; সঙ্গেতে—লোয়ননা ; লইয়া—পুরগ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রেমাবেশদা প্রভুনা অমুক ঈশীঙদা চোংথখিবা য়াই হায়না) কিবদগী বল্লভ ভট্টনা প্রভুগা লোয়ননা লৈরগা প্রভুবু মধ্যাহ্ন স্নান তৌহল্লম্মী অদুগা ভট্টনা মযুমদা প্রভুবু লোয়ননা পুরকখি।

মূল ৮৫

আনন্দিত হঞা ভট্ট দিল দিব্যাসন।

আপনে করিল প্রভুর পাদ প্রক্ষালন ॥ ৮৫ ॥

শব্দার্থ

আনন্দিত— নুংঙাইবা ; হঞা—ওইদুনা ; ভট্ট— বল্লভ ভট্টনা ; দিল—পীরম্মী ; দিব্যাসন— ফজবা ফম্‌দা ; আপনে— মহামক্না ; করিল—তৌরম্মী ; প্রভুর—প্রভুগী ; পাদ— খোঙ ; প্রক্ষালন—হাম্‌চাম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নুংঙাইরদুনা বল্লভ ফজরবা ফম্‌দা থারম্মী। মহাক মহামক্না প্রভুগী চরণ শেংদোক্লম্মী।

মূল ৮৬

সবংশে সেই জল মস্তকে ধরিল।

নূতন কৌপীন বহির্ব্বাস পরাইল ॥ ৮৬ ॥

শব্দার্থ

সবংশে —ইমুংগী মী পুম্নমক্না লোয়নননা সেই জল—ঈশিং অদু (খোঙজুমদু) ; মস্তকে – কোক্তা ; ধরিল—হাপ্লম্মী ; নূতন—অনৌবা, অহনবা ; কৌপীন—কৌপীন ; বহির্ব্বাস— বহির্ব্বাস ; পরাইল—থোল্‌হনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভ ভট্টনা ইমুংচুপা খোঙজুমদু মকোক্তা হাপ্লম্মী। অদুগা মহাপ্রভুবু অহনবা কৌপীন অমসুং বহির্ব্বাস থোল্‌হনখি।

মূল ৮৭

গন্ধ পুষ্প ধূপ দীপে মহাপূজা কৈল।

ভট্টাচার্য্যে মান্য করি পাক করাইল ॥ ৮৭ ॥

শব্দার্থ

গন্ধ— মনম নুংশিবা পোৎ ; পুষ্প—লৈরাং ; ধূপ— ধূপ ; দীপে—

থাওমৈনা ; মহাপূজা কৈল—প্রভুবু পূজা চাওনা তৌরম্মী ; ভট্টাচার্য্য—বলভদ্র ভট্টাচার্য্যবু ; মান্য করি—খুরুমজরগা ; পাক করাইল—চাক থোংহন্খি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পুজাগী পোৎলম—গন্ধ, পুষ্প, ধূপ, দীপ—তৌরদুনা মহাপূজা তৌরে । বলভদ্র ভট্টাচার্য্যবু খুরুমজরগা লুক হৌইহন্খি ।

মূল ৮৮

ভিক্ষা করাইল প্রভুকে সস্নেহ যতনে ।

রূপ গোসাঞি দুই ভাইর করাইল ভোজনে ॥ ৮৮ ॥

শব্দার্থ

ভিক্ষা করাইল—লুক হাইহন্খি ; প্রভুকে—প্রভুবু ; সস্নেহ—নুংশিবগা লোয়নবা ; যতনে—যত্ননা ; রূপগোসাঞি—রূপগোস্বামী ; দুই ভাইর—মচীন্মনাওবু ; করাইল—তৌহন্খি ; ভোজন—চাবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নুংশিনা যতন তৌদুনা প্রভুবু লুক খুল্হন্খি । অদুগা রূপগোস্বামী মচীন্মনাওবুসু প্রসাদী খুল্হন্খি ।

মূল ৮৯

ভট্টাচার্য্য শ্রীরূপে দেওয়াইল অবশেষ ।

তবে সেই প্রসাদ কৃষ্ণদাস পাইল শেষ ॥ ৮৯ ॥

শব্দার্থ

ভট্টাচার্য্য—বলভদ্র ভট্টাচার্য্যনা ; শ্রীরূপে—শ্রীরূপবু ; দেওয়াইল—পীংল্লমী ; অবশেষ—অরেমথাক্ ; তবে—অদুদগী ; সেই প্রসাদ—প্রসাদ অদু ; কৃষ্ণদাস—রাজপুত কৃষ্ণদাসনা ; পাইল—ফংখি ; শেষ—অকোন্বদা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বলভদ্র ভট্টাচার্য্যনা শ্রীরূপগোস্বামীবু মাগী অরেমথাক্ অদু পীহন্খি । অদুদগী অকোন্বদা প্রসাদ অদু রাজপুত কৃষ্ণদাসনা ফংখি ।

মূল ৯০

মুখবাস দিয়া প্রভুকে করাইল শয়ন।

আপনে ভট্ট করেন প্রভুর পাদ সংবাহন॥ ৯০॥

শব্দার্থ

মুখবাস—চীন শেঙনবা মনম-মুংশিবা এলাচিনচিংবা পোং ; দিয়া—কৎলগা ; প্রভুকে—প্রভুবু ; করাইল শয়ন—চেপ্ হন্খি ; আপনে—মহা-মক ; ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; করেন—তৌয়ি ; প্রভুর—প্রভুগী ; পাদসংবাহন—খোঙনোইবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মুখবাস কৎলগা প্রভুবু চেপ্ হন্খি ; বল্লভ ভট্ট মহামক্না প্রভুগী খোঙ নোইরম্মী।

মূল ৯১

প্রভু পাঠাইল তাঁরে করিতে ভোজনে।

ভোজন করি আইলা তেঁহো প্রভুর চরণে॥ ৯১॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা ; পাঠাইল—থাখি ; তাঁরে—মহাকপু (বল্লভ—ভট্টবু) ; করিতে—তৌননবা ; ভোজনে—(চাক) চাবা ; ভোজন করি—চারগা ; আইলা—লাকখি ; তেঁহো—মহাক ; প্রভুর চরণে—প্রভুগী খুয়াখাদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা বল্লভ ভট্টবু প্রসাদ ফংননবা থাদোকখি। মহাক্না প্রসাদী ফংলগা প্রভুগী চরনাক্তা লাকখি।

মূল ৯২

হেনকালে আইলা রঘুপতি উপাধ্যায়।

তিরোহিতা পণ্ডিত বড় বৈষ্ণব মহাশয়॥ ৯২॥

শব্দার্থ

হেনকালে—মতম অসিদা ; আইলা—লাক্খি ; রঘুপতি উপাধ্যায়—

রঘুপতি উপাধ্যায়; তিরোহিতা—ত্রিহুতদেশগী, মৈথিল; পণ্ডিত—পণ্ডিত; বড় বৈষ্ণব—বৈষ্ণব অচৌবা; মহাশয়—পুক্চেল্‌-চাওবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতম অসিদা রঘুপতি উপাধ্যায় লাক্‌খি। মহাক ত্রিহুত দেশগী পণ্ডিতনী অমুগা পুকচেল-চাওবা বৈষ্ণব অচৌবনী।

মূল ৯৩

আসি তেঁহো কৈল প্রভুর চরণ বন্দন।
'কৃষ্ণে মতি রহু' বোলে প্রভুর বচন ॥ ৯৩ ॥

শব্দার্থ

আসি—লাক্লুনা; তেঁহো—মহাক্না; কৈল—তৌখি; প্রভুর—প্রভুগী; চরণ বন্দন—চরণ খুরুম্বা; কৃষ্ণে মতি রহু—কৃষ্ণদা; মতি—বুদ্ধি, অপাম্বা; রহু—লৈশনু; বোলে—হায়; প্রভুর বচন—প্রভুগী রাহৈনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরঘুপতি উপাধ্যায় পণ্ডিতনা চংশিল্লকুনা প্রভুগী চরণ খুরুম্মী। প্রভুনা হায়রম্মী—নবুদ্ধিদো কৃষ্ণদা লৈইশনু।

মূল ৯৪

শুনি আনন্দিত হৈল উপাধ্যায়ের মন।
প্রভু তাঁরে কৈল—কহ কৃষ্ণের বর্ণন ॥ ৯৪ ॥

শব্দার্থ

শুনি—নাকোংনা তারগা; আনন্দিত হৈল—নুংঙাইরম্মী; উপাধ্যায়ের—উপাধ্যায়গী; মন—পুক্নীঙ; প্রভু—প্রভুনা; তাঁরে—মঙোন্দা; কৈল—হায়রম্মী; কহ—হায়য়ু; কৃষ্ণের বর্ণন—কৃষ্ণগী রা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী আশীর্বাদ নাকোংনা তাবদা রঘুপতি উপাধ্যায়গী মপুক্নীঙ নুংঙাইরম্মী। প্রভুনা মঙোন্দা হায়খি—কৃষ্ণগী রা বর্ণন তৌ।

মুল ৯৫

নিজকৃত কৃষ্ণলীলা-শ্লোক পড়িল।

শুনি মহাপ্রভুর মহাপ্রেমাবেশ হৈল ॥ ৯৫ ॥

শব্দার্থ

নিজকৃত—মশামক্না শেংজবা ; কৃষ্ণলীলা শ্লোক—কৃষ্ণলীলাগী শ্লোক ; পড়িল—থীরম্মী ; শুনি—নাকোঙনা তারগা ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুগী ; মহাপ্রেমাবেশ—অয়োবী প্রেমাবেশ ; হৈল—ওইখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

উপাধ্যায়না মশামক্না লেংবা কৃষ্ণলীলাগী শ্লোক থীধখি। মদু তাবদা মহাপ্রভুগী মহা প্রেমাবেশ ওইখি।

মুল ৯৬

শ্রুতিমপরে স্মৃতিমিতরে

ভারতমন্যে ভজন্তু ভবভীতাঃ।

অহমিহ নন্দং বন্দে

যস্যালিন্দে পরংব্রহ্ম ॥ ৯৬ ॥

শব্দার্থ

শ্রুতিম্—শ্রুতিবু ; অপরে—অতোপ্পা মীনা ; স্মৃতিম্—স্মৃতিশাস্ত্রবু ; ইতরে—অতোপ্পা মীনা ; ভারতম্—মহাভারতপু ; অন্যে—অতোপ্পা মীনা ; ভজন্তু—ভজন তৌশনু ; ভবভীতাঃ—সংসারবু কিবশিংনা ; অহম্—ঐ ; ইহ—সংসার কিববু মাঙহন্নবগী মরমদা ; নন্দং বন্দে—নন্দবু খুরুম্জৈ ; যস্য-অলিন্দে—মহাক্কী মাঙোন্দা ; পরংব্রহ্ম—পরংব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সংসার-কিবশিংগী মরক্তা কনানা শ্রুতিবু, কনামনা স্মৃতিবু, কনামনা মহাভারতপু ভজন তৌগে হায়রসু তৌজসনু ; সংসারগী অকিবগী মঙাঙ-দগি ঐদি শ্রীনন্দমহারাজবু খুকম্জগে মরমদি মাগী শঙাই-মাঙোন্দা পরব্রহ্মনা (শ্রীকৃষ্ণনা) শাম্নরি।

মৈনরোল

শ্লোকসী পদ্যাবল্যামদগী লৌথোকপনী (১২৭)।

ভবভীতাঃ—ভব (সংসার—সংসারবু কিবনা) ভীত (কিরবা) মীশিংনা ; সংসারগী মৈচাক অহুম্ব কিহুনা মৈচাকশিংদগী নাঙ্খোরবগী আশাদা বৈদিকশিংনা শ্রুতি—শ্রুতিবু ভজন তৌয়ি, তৌজশনু, শ্রুতিনা তাকপা ক্রিয়াকর্ম তৌনীঙলগা তৌশনু ; কর্মীশিংনা স্মৃতি—মনু-নচিংবনা লেংবা স্মৃতিবু ভজন তৌনীঙলবসু তৌজশনু, স্মৃতিনা তাকপা আচার (চৎনবী) তাক্লীঙলবসু তাকুনা চৎশনু ; অহুগা মোক্ষ-পাম্বশিংনা ভারতং— মহাভারতপু ভজন তৌনীঙলবসু তৌজশনু, মহাভারতকী পাউতাক মতুং ইন্না ধর্মানুষ্ঠান তৌনীঙলবসু তৌজশনু , সংসার-ঈপাক্তগী কাখৎপা পাম্বগী মতাঙদদি ঐহাক্তি শ্রুতিসু স্মৃতিসু, মহাভারতসু ভজন তৌজরোই ; ঐদি শ্রীনন্দ মহারাজতবু খুরুমজগে, মরমদি মহাকী অলিন্দে—মাঙোন্দা পরংব্রহ্ম—পরব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণনা শায়রুনা লৈ । শ্রীনন্দমহারাজগী কৃপা ফংননবগী আশাদা মাগী চরণ খুরুমজবনী ; মহাকী কৃপা ফংলগদি মাগী মনাই ওইনা হকথেংননা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবা য়াগনী।

শ্লোকসিনা উৎলিবদি শ্রীকৃষ্ণসেবানা পরমপুরুষার্থ ওই হায়রকুনী।

মুল ৯৭

রঘুপতি উপাধ্যায় নমস্কার কৈল ।

'আগে কহ' প্রভুবাক্যে উপাধ্যায় কহিল ॥ ৯৭ ॥

শব্দার্থ

রঘুপতি উপাধ্যায়—রঘুপতি উপাধ্যায়না ; নমস্কার—খুরুম্না ; কৈল —তৌরম্মী ; আগে কহ—মখা হায়থো ; প্রভুবাক্যে—প্রভুগী ৱাকন্না ; উপাধ্যায় কহিল—উপাধ্যায়না হায়রম্মী ।

মৈতৈলোলদা হন্দোকপা

শ্লোক খীরগা শ্রীরঘুপতি উপাধ্যায়না প্রভুদা খুরুম্মী । 'মখা হায়থো' হায়না প্রভুনা হায়রবদা শ্রীরঘুপতি উপাধ্যায়না মখা তানা শ্লোক অমসু খীরম্মী ।

মূল ৯৮

কং প্রতি কথয়িতুমীশে
সম্প্রতি কো বা প্রতীতিমায়াতু।
গোপতিতনয়াকুঞ্জে
গোপবধূটীবিটং ব্রহ্ম ॥ ৯৮ ॥

শব্দার্থ

কং প্রতি—কনাগী মফমদা ; কথয়িতুম্—হায়বা ; ঈশে—ঙম্গনী ; সম্প্রতি—হৌজিক ; কঃবা—কনানবু : প্রতীতিম্—থাজবা ; আয়াতু—ফংগনী (ঙম্গনী) ; গো—মঙানগী ; পতি—মবুংঙোগী ; (গোপতি—সূর্যাদেবগী) ; তনয়া—মচানুপা (যমুনা)-গী তোর্ব্বান্দা লৈবা ; কুঞ্জ—কুঞ্জদা ; গোপবধূটী—নহা ওইবী গোপবধূগী ; বিটং—উপপতি (মরুপী) ; ব্রহ্ম—ব্রহ্ম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

যমুনা তোর্ব্বান্দা লৈবা নিকুঞ্জ-বন মনুঙদা নহা-ওইবী গোপবধূশিংগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক পরব্রহ্মনা শান্নরি হায়বা রাসিবু কনাগী মফমদা হায়বা ঙম্গনী, অদুগা কনানবু থাজবিগদগে ?

নৈনরোল

শ্লোকসী পদ্যাবল্যাম্দগীনী (৯৯)।

শ্রীকৃষ্ণদি রস-পান্দনী অদুগা প্রেমগী মথা পোন্বনী হায়বদু শ্লোক-সিনা উৎলী।

মূল ৯৯

প্রভু কহে 'কহ' তেঁহো পড়ে কৃষ্ণলীলা।
প্রেমাবেশে প্রভুর দেহ-মন আথাইলা ॥ ৯৯ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় ; কহ—হায়য়ু ; তেঁহো—মহাক্না (উপাধ্যায়না) ; পড়ে—পাঁথৈ ; কৃষ্ণলীলা—কৃষ্ণলীলা ; প্রেমাবেশে—প্রেমাবেশদা ; প্রভুর—প্রভুগী ; দেহমন—পুক্নীঙ হকচাঙ ; আথাইলা—মফমমরাং থঙলম্মে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মখা হায়খৌ হায় অদুগা মহাক্না (উপাধ্যায়না) কৃষ্ণলীলা হায়খরম্মী। প্রেমাবেশদা প্রভুনা দেহ-মন কাজম্বা ওয়্রে।

মূল ১০০

প্রেম দেখি উপাধ্যায় হৈল চমৎকার।
'মনুষ্য নহে, ইঁহো কৃষ্ণ' করিল নির্দ্ধার ॥ ১০০ ॥

শব্দার্থ

প্রেম—কৃষ্ণবু নুংশিবা; দেখি—উরগা; উপাধ্যায়—রঘুপতি উপাধ্যায়; হৈল—ওইখি; চমৎকার—ঙকপা; মনুষ্য—মী; নহে—নাত্তে; ইঁহো—মহাক্না; কৃষ্ণ—কৃষ্ণনী; করিল—তৌখি; নির্দ্ধার—বারেপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী প্রেমাবেশ উবদা রঘুপতি উপাধ্যায় ঙকখি। মহাক্না লেপ্লম্মী—'প্রভুসী মী নত্তে, কৃষ্ণমক্নী' হায়না।

মূল ১০১

প্রভু কহে—উপাধ্যায়! শ্রেষ্ঠ মান কায়।
'শ্যামমেব পরং রূপং' কহে উপাধ্যায় ॥ ১০১ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায়; উপাধ্যায়—হে উপাধ্যায়; শ্রেষ্ঠ—খ্বায়দগী ফোইবনী (হায়না); মান—লৌরি (নঙনা); কায়—কনাবু; শ্যামম্ এব—শ্যাম-তবু; পরং—খ্বাইদগী ফোইবা; রূপং—রূপ হায়বদুনী; কহে—হায়; উপাধ্যায়—উপাধ্যায়না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—হে উপাধ্যায়। কনাবু খ্বায়দগী ফোইবনী হায়না লৌরি? উপাধ্যায়না খুম্মী—শ্যাম-তবু (শংবাম্বদবু) খ্বায়দগী ফোইবা রূপ লৌরি।

মূল ১০২

'শ্যামরূপের বাসস্থান শ্রেষ্ঠ মান' কায়।
'পুরী মধুপুরী বরা' কহে উপাধ্যায়॥ ১০২॥

শব্দার্থ

শ্যামরূপের—শ্রীকৃষ্ণগী ; বাসস্থান—লৈফম থাম ; শ্রেষ্ঠ—খ্বায়দগী হেনবনী ; মান—লৌবগে , কায়—কদায়বু ; পুরী—পুরী ; মধুপুরী—মধুপুরী (মথুরামণ্ডল, নত্রগা মথুরা-মণ্ডলগী মনুঙদা লৈবা ব্রজ) ; বরা—খ্বায়দগী থোইবনী ; কহে—হায় ; উপাধ্যায়—রঘুপতি উপাধ্যায়।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হংলম্মী)—শ্রীকৃষ্ণগী লৈফম মরক্তা কদায়বু খ্বায়দগী হেন্‌বনী হায়না লৌয়ি ? উপাধ্যায়না খুম্মী—পুরীশিংগী মনুঙদা খ্বায়দগী হেন্‌বদি মধুপুরী নী (হায়বদি ব্রজনী)।

নৈনরোল

অযোধ্যা, দ্বারকা, মথুরা (মধুপুরী)-নচিংবা মফমস্তু শ্যামরূপকী লৈফম্নী ; অদুবু বৃন্দাবন না খ্বায়দগী থোইবনী : মরমদি, শ্রীবৃন্দাবন-তদা স্বয়ং রূপ শ্যামসুন্দর শ্রীকৃষ্ণনা মতম পুম্বদা ভাস্থোইদুনা লৈ।

মূল ১০৩

বাল্য পৌগণ্ড কৈশোর—শ্রেষ্ঠ মান কায় ?
'বয়ঃ কৈশোরকং ধ্যেয়ং' কহে উপাধ্যায়॥ ১০৩॥

শব্দার্থ

বাল্য—চহী অমদগী মঙাফাওবগী অঙাঙগী চহীমতাঙ : পৌগণ্ড—চহী মঙাদগী তরাফাওবগী অঙাঙ ওইবগী মতাঙ : কৈশোর—যৌবনগী ময়াঙ ; চহী তরাদগী তরামঙাফাওবগী মতাঙ ; শ্রেষ্ঠ—খ্বায়দগী হেন্‌বা ; মান—লৌয়ি ; কায়—কনাবু ; বয়ঃ—চহীমতাঙ ; কৈশোরকং—কৈশোরবু ; ধ্যেয়ম্—ধ্যান তৌনজাইনী ; কহে উপাধ্যায়—উপাধ্যায়না খুম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হংলম্মী)—বাল্য, পৌগণ্ড অমসুং কৈশোরগী মরুঙদা কররম্বা

খ্বায়দগী হেল্লী হায়না লৌয়ি ? উপাধ্যায়না খুম্মী—চহী মতাংদি কৈশোরবু ধ্যান তৌগদবনী।

নৈনরোল

বাল্য, পৌগণ্ড অমস্তুং কৈশোর বয়সগী তোঙান-তোঙানবা লীলা শ্রীকৃষ্ণনা শান্নরম্মী ; অদুগী মনুংদা কৈশোর বয়স অদুতা জীবনা ধ্যান তৌগদবনী ; মরমদি লীলামাধুর্যগী অয়েৌবী মতাংদি শ্রীকৃষ্ণনা কৈশোর বয়সদা উংখি অমস্তুং কান্তাভাবকী তুং ইন্দুনা কিশোর কৃষ্ণগী উপাসক-শিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মপুঙ-ফাবা সেবা ফংজবা ঙম্মী। "এই প্রেমার বশ কৃষ্ণ কহে ভাগবতে। পরিপূর্ণ কৃষ্ণপ্রাপ্তি এই প্রেমা হৈতে॥" থোইদোক্লা কৈশোরদা স্বয়ং ভগবান্ ব্রজনিংথৌ মপারি শ্রীকৃষ্ণনা মতমপুম্বদা লৈ ; বাল্যগা পৌগণ্ডগদি কৈশোরগী ধর্ম্ম ওইবতনী—বাৎসল্যগা সখ্যরসগা চুপকে হায়বগীদমক প্রকটলীলাদা মহাক্না বাল্য অমস্তুং পৌগণ্ডবু লৌরম্বনী।

মূল ১০৪

রসগণমধ্যে তুমি শ্রেষ্ঠ মান কায়।

'আদ্য এব পরো রসঃ' কহে উপাধ্যায় ॥ ১০৪ ॥

শব্দার্থ

রসগণমধ্যে—রসশিংগী মরক্তা ; তুমি—নঙনা ; শ্রেষ্ঠ—খ্বায়দগী হেন্‌বনী হায়না ; মান—লৌয়ি ; কায়—কদায়বু ; আদ্য—আদি রস (কান্তা রস, মধুর রস) ; পরঃ রসঃ—খ্বায়দগী থোইবা রসনী ; কহে—খুম্মী ; উপাধ্যায়—রঘুপতি উপাধ্যায়না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হংলম্মী)—রসশিংগী মনুংদা করম্বা রসবু খ্বায়দগী হেল্লী হায়না নঙনা লৌয়ি ? রঘুপতি উপাধ্যায়না খুৎম্মী—আদি রসনা খ্বায়দগী হেন্‌বা রসনী।

নৈনারোল

শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমস্তুং মধুর (আদি) হায়বা রস পুম্নমক্কী মনুংদা মধুর রসনা খ্বায়দগী হেল্লী ; মরমদি, রস-দিদা হৈতে রসগী সেবা য়াওরে, অদুদগী হেন্দোক্না মহামকী অজনা তৌবা নোমজ্ঞ য়াওরি, অজ

সেবাসিদি রস অতৈদা তৌবা স্নাবা নত্তে : অদুগা রসসিগী সেবাগী মরমদা হায়রি—"এই প্রেমার বশ কৃষ্ণ কহে ভাগবতে। পরিপূর্ণ কৃষ্ণপ্রাপ্তি এই প্রেমা হ'তে॥— প্রেমসিগী (মধুররসসিগী) মথা পোল্লী কৃষ্ণদি হায়না ভাগবত না হায়রি। প্রেম অসিগী মপান্না কৃষ্ণবু মপুঙ ফানা কংঙী।"

মুল ১০৫

প্রভু কহে—ভাল তত্ত্ব শিখাইলা মোরে।

এত বলি শ্লোক পড়ে গদগদস্বরে॥ ১০৫॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায়; ভাল তত্ত্ব—অফবা তত্ত্ব; শিখাইলা—তম্বিরে; মোরে—ঐঙোন্দা; এত—অসিখক; বলি—হায়রগা; শ্লোক পড়ে—শ্লোক থী; গদগদস্বরে—লকক্ লকরুবা খোম্হোক্তা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—উপাধ্যায়! নঙনা অফবা তত্ত্ব তাক্পীরে। য়াসী হায়রগা প্রভুনা শ্লোক অমা লকক্ লকরুবা খোন্দাদা থীরম্মী।

নৈনরোল

মুল ১০৩-১০৬ পয়ারদা রঘুপতি উপাধ্যায়না "শ্যামমেব পরং রূপং"-নচিংবা চরণ মরিথক হায়খিবচু পুল্লপ পুন্সল্লগা শ্লোক অমগী মওংদা প্রভুনা থীথরম্মী। শ্লোক অদু মখাদা পীরি।

মুল ১০৬

শ্যামমেব পরং রূপম্ পুরী মধুপুরী বরা।

বয়ঃ কৈশোরকং ধ্যেয়মাছ এব পরো রসঃ॥ ১০৬॥

শব্দার্থ

শ্যামম্—শংবাম্নবা মচু; এব—অদুতনা; পরং—অথোইবা; রূপম্—শক্লী; পুরী—পুরীনা; মধুপুরী—মধুপুরী; বরা—খ্বায়দগী হেন্নবনী; বয়ঃ—চহীমতাও; কৈশোরকং—কৈশোরবু; ধ্যেয়ম্—ধ্যান তৌনজাইনী; আছ এব—আদি রসতনা; পরঃ রস—রস অথোইবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণগী রূপ মথলমথাগী মনুঙদগী শ্যামরূপ-না অথোইবনী, দ্বারকাগ নচিংবা পুরীশিংগী মনুঙদা মধুপুরীনা অথোইবনী, বাল্য-নচিংবা চহীমতাগী মনুঙদা কৈশোরতনা ধ্যান তৌনঙাইনী, শান্ত নচিংবা রসগী মনুঙদা মধুর রস হায়বদি উজ্জলরসনা অথোইবনী।

মৈনরোল

শ্লোকসী পদ্যাবল্যাম্ (৮৩)-দগীনী।

পদ্মপুরাণ পাতালখণ্ডস্থ শ্লোকসিগুম্বা অমা য়াওরি. মতুদি—"ন রাধিকা সমা নারী ন কৃষ্ণসদৃশঃ পুমান্। বয়ঃ পরং ন কৈশোরাৎ ন ভাবঃ প্রকৃতেঃ পরঃ। ধ্যেয়ং কৈশোরকং ধ্যেয়ং বনং বৃন্দাবনং বনম্। শ্যামমেব পরং রূপম্ আদিদৈবঃ পরো রসঃ॥ —রাধিকাগা মান্নবী রমণী অমা লৈতে। কৃষ্ণগা মান্নবা মুপা অমা লৈতে। কৈশোরদগী হেন্বা বয়স লৈতে, কান্তাভাব ভগী হেন্না ভাব লৈতে। কৈশোর বয়সতু ধ্যান তৌনঙাইনী ; বনশিংগী মরক্তা বৃন্দাবন-তনী ধ্যান তৌগদবা ; শ্যামরূপ-না অথোইবা রূপনী ; আদিদৈবনা (বিষ্ণুদৈবত শ্যাম) রসতনা অথোইবা রসনী।

মূল ১০৭

প্রেমাবেশে প্রভু তাঁরে কৈল আলিঙ্গন।
প্রেমে মত্ত হঞা তেঁহো করেন নর্ত্তন॥ ১০৭॥

শব্দার্থ

প্রেমাবেশে—প্রেমাবেশদা ; প্রভু—প্রভুনা ; তাঁরে—মহাকপু (উপাধ্যায়বু) ; কৈল—তৌরম্মী ; আলিঙ্গন—কোনবা ; প্রেমে—প্রেম না ; মত্ত—ঙাওবা ; হঞা—ওইরম্বনা ; তেঁহো—মহাক (উপাধ্যায়না) ; করেন—তৌয়ি ; নর্ত্তন—জগোই শাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রেমাবেশদা প্রভুনা উপাধ্যায়বু কোনখি। প্রেম-না ঙাওহনা উপাধ্যায়না জগোই শাখি।

মূল ১০৮

প্রভু দেখিবারে গ্রামের সব লোক আইল।
প্রভুর দর্শনে সভে কৃষ্ণভক্ত হইল॥ ১০৮॥

শব্দার্থ

প্রভু দেখিবারে—প্রভুবু দর্শন তৌননবগীদমক; গ্রামের—খুলগী; সব—পুম্নমক; লোক—মী, আইল—লাকৃখি; প্রভুর দর্শনে—প্রভুবু উবদা, সভে—লোইন্নমক; কৃষ্ণভক্ত হইল—কৃষ্ণভক্ত ওইখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুবু দর্শন তৌনবগীদমক গ্রামগী মী পুম্নমক লাকৃখি প্রভুবু উবদা মী পুম্নমক কৃষ্ণভক্ত ওইখি।

মূল ১০৯

ব্রাহ্মণ সকল করেন প্রভুর নিমন্ত্রণ।
বল্লভ ভট্ট করে তা সভারে নিবারণ॥ ১০৯॥

শব্দার্থ

ব্রাহ্মণ সকল—ব্রাহ্মণ পুম্নমক্না; করেন—তৌখি; প্রভুর নিমন্ত্রণ—প্রভুদা বাঙ্গোন, বল্লভ ভট্ট করে—বল্লভ ভট্টনা তৌয়ি; তা—সভারে—মখোয পুম্নবু, নিবারণ—থিংবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রাহ্মণ পুম্নমক্না প্রভুদা লুক থুম্নবা বাঙ্গোন তৌহি, অদুবু বল্লভ ভট্টনা মখোয পুম্নবু থিংলম্মী (হায়বদি বাঙ্গোন তৌগনু হায়বম্মী)।

মূল ১১০

প্রেমোন্মাদে পড়ে গোসাঞি মধ্যযমুনাতে।
প্রয়াগে চালাব, ইহাঁ না দিব রহিতে॥ ১১০॥

শব্দার্থ

প্রেমোন্মাদে—কৃষ্ণপ্রেমাবেশ ওইবদগী থাওবদা, পড়ে—তাই;

গোসাঞি—মহা প্রভু মধ্যযমুনাতে—যমুনারী ঈয়ায়দা ; প্রয়াগে চালাব—প্রয়াগ তা পুছুনা চৎলগে ; ইহাঁ—মকমসিদা ; না রিব রহিতে—লৈহল্লয়োই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভ ভট্টনা ময়ামদা হায়রম্মী—প্রভুসে প্রেমাবেশ ওইবদগী খাওবদা যমুনাগী ঈয়ায়দা তারয়ে। প্রয়াগ-তা পুছুনা চৎলগে, অসিবায়দা লৈহল্লরোই।

মূল ১১১

যার ইচ্ছা প্রয়াগ যাই কর নিমন্ত্রণ।

এত বলি প্রভু লঞা করিল গমন॥ ১১১॥

শব্দার্থ

যার—কনানো অমগী ; ইচ্ছা—অপাম্বা ; প্রয়াগ যাই—প্রয়াগ তা চৎলগা ; কর নিমন্ত্রণ—বার্জোন তৌরো : এত—অসিথক বলি—হায়রগা ; প্রভু—প্রভুবু ; লঞা—পুছুনা ; করিল—তৌখি ; গমন—চৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বল্লভভট্টনা মথা তানা হায়রম্মী—'কনাগুম্বনা নিমন্ত্রণ তৌনীঙলবদু প্রয়াগ-তা চৎলগা তৌবিরো।' অসী হায়রগা ভট্টনা প্রভুবু পুছুনা চৎখি।

মূল ১১২

গঙ্গাপথে মহাপ্রভু নৌকাতে বসাইয়া।

প্রয়াগ আইলা ভট্ট গোসাঞি লইয়া॥ ১১২॥

শব্দার্থ

গঙ্গাপথে—গঙ্গাগী লম্বীদা ; মহাপ্রভু—মহাপ্রভুবু ; নৌকাতে—হিদা ; বসাইয়া—ফমহল্লগা ; প্রয়াগ আইলা—প্রয়াগ লোম্দা ; আইলা—লাকখি ; ভট্ট—বল্লভ ভট্টনা ; গোসাঞি—প্রভুবু ; লইয়া—পুরগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গঙ্গাগী লম্বীদা মহাপ্রভুবু হিদা ফমহল্লগা বল্লভ ভট্টনা প্রভুবু পুরগা প্রয়াগ য়ৌরকখি।

মূল ১১৩

লোকভিড়-ভয়ে প্রভু দশাশ্বমেধে যাঞা।
রূপ গোসাঞিকে শিক্ষা করান শক্তি সঞ্চারিয়া॥ ১১৩॥

শব্দার্থ

লোকভিড়—মীয়াম ভিন্‌বা ; ভয়ে—কিবদগী ; প্রভু—প্রভুনা ; দশাশ্বমেধে যাঞা—দশাশ্বমেধ দা চৎলগা ; রূপ গোসাঞিকে—শ্রীরূপ গোস্বামীবু ; শিক্ষা করান—তাক্‌পীখি ; শক্তি সঞ্চারিয়া—শক্তি হাপ্‌লগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মীয়ামভিন্‌ববু কিবদগী প্রভুনা দশাশ্বমেধদা লেঙলগা শ্রীরূপ গোস্বামীদা শক্তি হাপ্‌চল্লগা শিক্ষা পীবিখি।

নৈনরোল

প্রভুনা শ্রীরূপ গোস্বামীদা শক্তি হাপ্পীরবগী মরমদি প্রভুনা তাক্‌পী-রিবা তত্ত্বশিংহু ভাব তাননবগীনী।

মূল ১১৪

কৃষ্ণতত্ত্ব ভক্তিতত্ত্ব-রসতত্ত্ব-প্রান্ত।
সব শিক্ষাইল প্রভু ভাগবত-সিদ্ধান্ত॥ ১১৪॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণতত্ত্ব—কৃষ্ণগী মরম ; ভক্তিতত্ত্ব—ভক্তিগী রারম ; রসতত্ত্ব—রসগী রারম ; প্রান্ত—ওমথৈ ফাওবা ; সব—লোইনমক ; শিক্ষাইল—তাক্‌পিখি ; প্রভু—প্রভুনা ; ভাগবত-সিদ্ধান্ত—ভাগবত গী রারেপ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা কৃষ্ণতত্ত্ব, ভক্তিতত্ত্ব অমসুং রসতত্ত্বগী ওমথৈ থম্‌থংনা শ্রীরূপ গোস্বামীদা তাক্‌পীখি। অহৌশিংসু মথক্তা ভাগবত-না লেপ্পা সিদ্ধান্তশিংসু তাক্‌পীখি।

মূল ১১৫

রামানন্দ-পাশে যত সিদ্ধান্ত শুনিল।
রূপে কৃপা করি তাহা সব সঞ্চারিল॥ ১১৫॥

শব্দার্থ

রামানন্দ-পাশে—শ্রীরামানন্দ রায়গী অকোইদা ; যত—অহুথক ; সিদ্ধান্ত শুনিল—সিদ্ধান্ত তারকখি ; রূপে—শ্রীরূপদা ; কৃপা করি—চান্‌বিহুনা ; তাহা—মহু ; সব—পুম্বা ; সঞ্চারিল—হাপ্পন্নমী।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

শ্রীরামানন্দ রায়দগী প্রভুনা তারকপা সিদ্ধান্ত খিবিক্তো শ্রীরূপ গোস্বামীদা চান্‌বিহুনা হাপ্পন্নমী।

মূল ১১৬

শ্রীরূপ-হৃদয়ে প্রভু শক্তি সঞ্চারিলা।

সর্ব্বতত্ত্ব-নিরূপণে প্রবীণ করিলা ॥ ১১৬ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ-হৃদয়ে—শ্রীরূপকী মনুংদা ; প্রভু—প্রভুনা ; শক্তি সঞ্চারিলা—শক্তি হাপ্পনখি ; সর্ব্বতত্ত্ব নিরূপণে—তত্ত্ব পুম্নমক লেপ্পদা ; প্রবীন—খঙহৈবা ; করিলা—ওইহনখি।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

শ্রীরূপকী থম্মোইদা প্রভুনা শক্তি হাপ্পনখি। তত্ত্ব পুম্নমক লেপ্পদা খঙ-হৈবা ওইহনখি।

মূল ১১৭

শিক্ষা দিয়া বৃন্দাবন যাইতে আজ্ঞা দিল।

প্রভুর আজ্ঞা অনুসারে সব আচরিল ॥ ১১৭ ॥

শব্দার্থ

শিক্ষা দিয়া—তাকপীরগা ; বৃন্দাবন যাইতে—বৃন্দাবন চৎনবা ; আজ্ঞা—যাথং ; দিল—পীরমী ; প্রভুর আজ্ঞা—প্রভুগী যাথং ; অনুসারে—মথুং ইন্না ; সব—লোইনমক ; আচরিল—তৌরি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তদু পূম্নক ভাকুপীরগা প্রভুনা শ্রীরূপবু বৃন্দাবন পাংননবা য়াথং ভাউথখি। প্রভুগী য়াথং মতুং ইন্না লোইনমক তৌখি।

মূল ১১৮

শিবানন্দ সেনের পুত্র কবিকর্ণপূর।
রূপের মিলন গ্রন্থে লিখিয়াছেন প্রচুর॥ ১১৮॥

শব্দার্থ

শিবানন্দ সেনের পুত্র—শ্রীশিবানন্দ সেনগী মচানুপা ; কবিকর্ণপূর—কবিকর্ণপূর ; রূপের মিলন—শ্রীরূপকা উনবা ; গ্রন্থে—লাইরীক্তা ; লিখিয়াছেন—ইরম্মী ; প্রচুর—মরাঙ কায়না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশিবানন্দসেনগী মচানুপা কবিকর্ণপূরনা শ্রীরূপকা প্রভুগা উনবগী মতাঙসী মহাকী লাইরীক শ্রীচৈতন্যচন্দ্রোদয়নাটক অহৃদা মরীক চুম্না ইরি।

মূল ১১৯

কালেন বৃন্দাবনকেলিবার্ত্তা
লুপ্তেতি তাং খ্যাপয়িতুং বিশিষ্য।
কৃপামৃতেনাভিষিষেচ দেব
স্তত্রৈব রূপঞ্চ সনাতনঞ্চ॥ ১১৯॥

শব্দার্থ

কালেন—মতমগী পোইরৈ মতুং ইন্না ; বৃন্দাবনকেলিবার্ত্তা—বৃন্দাবনগা মরী লৈননা শান্নবা কৃষ্ণলীলাগী রা ; লুপ্তা—লুপ্ত প্রবা, চৎনখিদ্রবা ; ইতি—মরমসিনা ; তাং—মহুৰ (লীলাকথাশিংবু) ; খ্যাপয়িতুং—(জগত্ত) ফোঙদোক্নবা ; বিশিষ্য—খোইদেংনা ; কৃপামৃতেন—কৃপাগী লাইতনা ; অভিষিষেচ—অভিষেক তৌখি, চাইথখি ; দেবঃ—শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদেবনা ; তত্র—বিষয়হৃদা ; এব—মতু দা ; রূপংচ—রূপগা ; সনাতনঞ্চ—সনাতনগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতমগী পোইরৈ মতুং ইন্না বৃন্দাবনগা মরী লৈনবা শ্রীকৃষ্ণলীলাকথাদা

লুপ্তুরবদা, শ্রীচৈতন্যদেবনা অমুক হন্না মহুবু থোইদোকপা অমা ওইনা কোঙদোক্লবগীদমক হায়রুনা শ্রীরূপকা শ্রীসনাতনগা অনীবু থবক অহুদা (লীলাকথা প্রচার তৌবগী থবক্তা কৃপা কৌবা লাইজনা অভিষেক তৌখি)।

নৈনরোল

শ্লোকশী শ্রীচৈতন্যচন্দ্রোদয় নাটক অহুদা য়াওবনী (৯/৪৮)।

তত্র—মহুগী মরমদা ; মাঙলুরবা লীলা কথাহ্ প্রচার তৌবগী থবক্তা শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা শ্রীশ্রীরূপ-সনাতনবু অভিষেক তৌখি ; নিংথৌবু অভিষেক তৌরগা লৈপাক-ঙাকপগী থবক মঙোন্দা শিন্নবগুম, শ্রীরূপ-সনাতন-বু লীলা প্রচার তৌবগী থবক্তা অভিষেক তৌহুনা প্রভুনা মখোয়গী মখুত্তা লীলাপ্রচারগী ভার শিন্নখি। তত্র-শব্দগী অর্থ 'মফমহুদা' হায়নসু ওইবা য়াই, 'মরমহুদা' হায়বসু য়াই। অহুবু মফমসিদদি তত্র শব্দগী অর্থ—'মরমহুদা' ওইবা তাই ; 'মফমহুদা 'হায়গদবা নত্তে ; মরমদি, শ্রীরূপকা শ্রীসনাতনগা অনী পুন্না মফম অমতদা প্রভুগী কৃপা ফংখিবা নত্তে ; প্রভুনা শ্রীরূপ-গোস্বামীদা শিক্ষা পীবদি প্রয়াগ লমদমদনী অমসুং শ্রীসনাতন গোস্বামীদা শিক্ষা পীখিবনা কাশীদনী। তোঙানবা মওং অমা ওইনসু খন্নবা য়াই। শ্রীরূপ বু প্রয়াগ-তা অহুগী মতুঙদা শ্রীসনাতনবু কাশীদা শিক্ষা পীহুনা শক্তি সঞ্চার তৌরগা প্রভুনা হায়খি—"নখোয় বৃন্দাবন-চৎলো, চৎলগা মফমহুগী মাঙখ্রবা তীর্থ পুন্নমক উদ্ধার তৌরু, নোংচুপ মদা ভক্তি-ধর্ম্ম প্রচার তৌরু অহুগা ভক্তিগ্রন্থ নচিংবা ইথোক্লু।" য়াথংসিগী মতুংইন্না মখোয়না বৃন্দাবন দা বাস তৌরগা প্রভুনা তাকপা থবক পাঙথোক্খি। ভক্তিপ্রচারগী মরমদা অমসুং ভক্তিধর্ম্মগী মরমদা মখোয়বু বৃন্দাবনগী মনুঙদা নিংথৌরেনগুম্না মীপুম্নমক্না মান তৌখি। প্রভুনা কৃপা তৌবিবনা মখোয়বু থবকসিগীদমক খোরিখি, বৃন্দাবনগী ভক্তিরাজ্যদা মখোয়বু অভিষেক তৌখি। অসুম্না অর্থ হন্নগদি শ্লোকসিদা য়াওখ্রিবা তত্র শব্দগী অর্থ 'মফমহুদা' হায়ব য়াই ; তত্র—মফমহুদা, বৃন্দাবন দা, বৃন্দাবনগী ভক্তি-রাজ্যদা। করি পোৎলম্না অভিষেক তৌখি ? কৃপা মৃত্তেন—কৃপাগী মশক ওইবা অমৃতনা (লাইজনা) ; মসিগী তাৎপর্য্যদি অসিনী মহুদি—প্রভুনা কৃপা তৌবিহুনা মখোয়দা লীলাকথা প্রচারগী শক্তিসু হান্নৌখি।

মূল ১২০

যঃ প্রাগেব প্রিয়গুণগণৈর্গাঢ়বদ্ধোঽপি মুক্তো
গেহাধ্যাসাদ্রস ইব পরো মূর্ত্ত এবাপ্যমূর্ত্তঃ ॥
প্রেমালাপৈর্দৃঢ়তরপরিষ্বঙ্গরঙ্গৈঃ প্রয়াগে।
তং শ্রীরূপং সমমনুপমেনানুজগ্রাহ দেবঃ ॥ ১২০ ॥

শব্দার্থ

যঃ—মহাক্না ; প্রাক্—মমাঙৌঙদা (য়ুমদা লৈরিঙৈ মতমদা) ; এব—গুম্না ; প্রিয়গুণগণৈঃ—নুংশিরবা শ্রীচৈতন্যগী গুণখিবিক্না ; গাঢ়—চেৎনা ; বদ্ধঃ অপি—পুন্নবসু ; মুক্তঃ—মুক্ত (অরান্থুভস ফংলবা) ; গেহাধ্যাসাৎ—য়ুমদা হাপ্‌খিবা আসক্তিদগী ; রসঃইব—রসগুম্না ; পরঃ—অথোইবা ; মূর্ত্তঃ—মূর্ত্তিনাইবা ; এব—গুম্না ; অপি—সু ; অমূর্ত্তঃ—মূর্ত্তি-নাইদবা ; প্রেমালাপৈঃ—প্রেমগী রায়রাতাই শান্নহুনা ; দৃঢ়তর—হেন্না চেৎশন্না ; পরিষ্বঙ্গরঙ্গৈঃ—আলিঙ্গনগী নুংঙাইবনা ; প্রয়াগে—প্রয়াগ লমদম্‌দা ; তং—মহাকপু ; শ্রীরূপং—শ্রীরূপবু ; সমম্—লোয়ননা ; অনুপমেন—অনুপমগা ; অনুজগ্রাহ—চান্‌বিখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হান্নদগী হৌনা শ্রীগৌরাঙ্গগী গুণখিবিক্না চেৎনা পুন্নক্নবা ওইহনসু, ইমুংমনুংদা থরাই-হকচন্‌বা লৈরমদবা মহাক্নী ; শৃঙ্গাররসদি রূপকী ওইনা মূর্ত্তি লৈজদবনী, অদু ওইরবসু মূর্ত্তি লৌহনা শ্রীরূপদা ফোঙজরবনী, অদুগুম্বা শ্রীরূপগোস্বামীবু শ্রীঅনুপমগা (শ্রীবল্লভগা) লোয়ননা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা প্রেমালাপ তৌনহন, অমসুং চেৎনা কোন্‌শিন্দুনা প্রয়াগ-লমদম্‌দা চান্‌বিখি (অনুগ্রহ তৌবিখি)।

লৈনদোল

লৈনরিবা শ্লোকসী শ্রীচৈতন্যচন্দ্রোদয়নাটক অদুদা য়াওবনী (৯/৪২)।

প্রয়াগ-তা শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা অনুপমগা লোয়ননা শ্রীরূপবু (হায়বদি শ্রীরূপবু অমসুং মনাও শ্রীঅনুপম অনীমকপু) কৃপা তৌবিখি। কৃপা করম্না তৌবিখি ? প্রেমালাপৈঃ—নুংশিবা রায়রাঙ্গাই শান্নহুনা প্রভুনা মখোয়বু কৃপা তৌবিখি। করম্মুক্নসু তৌনা ? দৃঢ়তরপরিষ্বঙ্গরঙ্গৈঃ—

চেংশন্‌বা তেঙ্গংনা কোন্‌শনুনা; অহোঙ্গা কনা অমবু চেংনা কোন্‌থিবা অহুদগী হেন্‌গম্না প্রভুনা মখোয়নীবু আলিঙ্গন তৌখিথি। অদুম্না আলিঙ্গন তৌরগা প্রভুনা মখোয়দা কৃপা তৌবিরম্মী। মহুম্না তৌরুগা মখোয়দা কৃপা-শক্তিসু হাপ্‌চল্লম্মী; কৃপাশক্তি অদুগী মপান্না স্বরূপকী হায়রগা মূর্ত্তি-লৈতবা (অমূর্ত্ত) শৃঙ্গার-রসতু শ্রীরূপগী হুংদদি মূর্ত্তি-লৈবগুম্‌ থোকখি। শৃঙ্গার রস-দি অমূর্ত্ত (মূর্ত্তি লৈতবনী); অতৈ রসগীসু মূর্ত্তি লৈতে: মরমদি রস-দি পুক্নীংগী ভাব-তনী চুহম্নগদবা পোত্তা খরগা তিন্নরগা কৃরিগুম্বা মহুনা গুরুঅাই ওইনা হাওনগাই ওইরবদি ভাব অদুবু রস কৌই; ভাবকী মূর্ত্তিদি লৈবা হৌনদে। মরমহুম্না হায়রিবনী, শৃঙ্গার-রসদি অমূর্ত্তঃ এব—মূর্ত্তি-লৈতবনী; অদুবু অপি—অদুমকপু, মূর্ত্তি লৈতবা ওইরবসু শ্রীরূপ-দদি মহু মূর্ত্তঃ ইব—মূর্ত্তি লৈবগুম্মী। রাসী হায়রুবগী মরমদি অসিনী—শ্রীমন্‌ মহাপ্রভুগী কৃপানা শ্রীরূপগোস্বামীনা রসতত্ত্বদো মযৃংতানা খঙখি অদুগা মাগী লাইরীক্তা শৃঙ্গার-রসবু মূর্ত্তি অমা ফংহনবগুম্‌ উংলম্মী—শৃঙ্গার-রসনা হীরম ওইবা লীলাপুম্বদা কয়ামুক ফজনা বর্ণন তৌরম্বগে হায়রবু, বর্ণনাদু পারুবা রসিক ভক্ত খুদিংমকী মীংমাঙদা বর্ণনাদা য়াওরিবা লীলাশিংদু চংচংনা ফন্‌ ফন্‌ চোংথোরকপগুম তৌয়ি। প্রয়াগ তা অসিগুম্বা কৃপা ফংবগী মমাঙদা শ্রীরূপকী অবস্থা করম তৌরম্মী? প্রাগেব—মমাঙদা, প্রয়াগলোমদা লাক্তিনৈগী মমাঙদা য়ুমদা লৈরিঙৈগী মতমদা মহাক প্রিয়-গুণগণৈঃ গাঢ়বদ্ধ—মহাকী থরাইগী হুংশিথোইবা শ্রীচৈতন্যগী গুণ থিথিক্না মহাকপু চেংনা পুন্দুনা থনম্মী; শ্রীচৈতন্যগী গুণ পুম্বনা মহাকপু শুমহংলম্বা মরম্না শ্রীচৈতন্যগী চরণ চিন্তা নত্তনা অতৈ থবক অমা তৌরমদ্রে। মসুম্না শ্রীচৈতন্যগী গুণা-পুম্নবা অমা ওইবনা মহাক গেহাধ্যসাৎ—য়ুমদা আসক্ত ওইরমদ্রে; হায়বদি শ্রীচৈতন্যগী গুণ-মহিমাগী রাথন্দা লুপ্‌থিবনা য়ুম-কৈগী রাখল তৌখিরম্দে।

মূল ১২১

প্রিয়স্বরূপে দয়িতস্বরূপে
প্রেমস্বরূপে সহজাভিরূপে।
নিজানুরূপে প্রভুরেকরূপে
ততান রূপে স্ববিলাসরূপে॥ ১২১॥

শব্দার্থ

প্রিয়স্বরূপে—স্বরূপদামোদরনি মহাক্কী মুংশিবনী, মত্রগা মুংশিংবা মহামক্কী শককম পূমমক্তগী হেন্‌বনী হায়বচু লেপ্পা ওঙ্গা মঙোন্দা ; দয়িত—প্রভুগী দয়িতগী (মুংশিবগী) মশক ওইবা মঙোন্দা ; প্রেম—কৃষ্ণপ্রেম ; স্বরূপে—মহামকা মায়বা মত্রগা প্রভু মহামকা খেন্নদবা মঙোন্দা ; সহজাভিরূপে—পূর্ব্বোক্ত হুনগাই শক্তা মহৌশানা মাগী ওইবা মঙোন্দা ; নিজানুরূপে—প্রেমপ্রচার তৌবা মরম্মা প্রভু মহামকুম্বা মঙোন্দা ; প্রভুঃ—প্রভুনা ; একরূপে—মরু ওইব', মত্রগা মাগী রূপ অমু প্রভুগীগা মায়বা অমুক্তম্বা মঙোন্দা ; ততান—শন্দোক্‌খি ; রূপে—রূপগোস্বামীমুদা ; স্ববিলাসরূপে—শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসতত্ত্ব লেপ্পা মঙোন্দা।

(মসিদা 'ততান' ক্রিয়াগী কর্ত্তা 'প্রভুঃ'-নী অমুগা কর্ম্মনা 'প্রেম'-নী। প্রেম শন্দোক্‌খি শ্রীরূপদা। অতৈ শব্দশিংদি 'রূপে' শব্দগী বিশেষণ ওাক্কী)।

'প্রেমস্বরূপে'-শব্দগী অর্থ অস্মুমস্মু হন্দোক্পা য়াই মচুদি—প্রেমগী মশক হায়বদি মূর্ত্তি ওইব', মূর্ত্তি লৌরবা প্রেম।

'প্রেমস্বরূপে' শব্দসি অনী থোক্লা লৌরগনা হায়বদি 'প্রেম' অমস্মুং 'স্বরূপে' হায়না অনী থোক্লবদি 'প্রেম' শব্দনা 'ততান' ক্রিয়াগী কর্ম্ম ওইরে অমুগা 'স্বরূপে' শব্দনা 'রূপ' শব্দগী বিশেষণ ওইরে।

'প্রেমস্বরূপে'-শব্দবু শব্দ অমথক্তুনী হায়না খল্লগদি 'রূপে' শব্দগী বিশেষণ ওইহন্‌বা তাই। অমু ওইরবদি 'ততান' শব্দগী কর্ম্মবাচক শব্দ অতৈমা শ্লোকসিদা থিক্দম খঙদরে। অমুগসু 'ততান' শব্দদি সকর্ম্মক ক্রিয়া-নী, মাগী কর্ম্ম অমদি চঙকম থোকয়ি ; মরমমুনা 'শক্তিম্'—শব্দসি মত্রগা মাগুম্বা নাতৈ চাগদনা শব্দ অমা অধ্যাহার তৌবা তারে ; মসী 'ততান' ক্রিয়াগী কর্ম্ম 'শক্তিম্' অসী শ্লোকসিদা উহ্য লৈ হায়না খন্‌বা তারে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

স্বরূপদামোদর গোস্বামীনা মাগী মুংশিবা ওইবা মত্রগা মহামক্কী শককম্মুনা খ্বায় পূমমক্তগী হেন্‌বনী হায়বচু কেপ্পা ওঙ্গা, প্রভুগী মুংশিবা মীগী স্বরূপকা পাংথক ওইবা, প্রভু মহামকা মায়বা মত্রগা খেন্নদবা,

মহৌশানা পুক্নীগী পেমজাই শক্‌ফম-পুৎ, প্রেম-প্রচারগী মরমদসু প্রভু মহাৎমক মাংবা, যুগ্মরূপ ওইবা (হায়বদি মাগী রূপকা অমুগী রূপকা মাংবা), প্রভুগী নত্রগা শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসতত্ত্ব লেপ্পা ওবা, অমুক্তবা শ্রীরূপ গোস্বামীদা শ্রীমন্‌মহাপ্রভুনা প্রেম (নত্রগা শক্তি) হাপ্‌চনবী ।

নৈনরোল

শ্রীরূপগোস্বামীদি ব্রজলীলাগী শ্রীরূপ মঞ্জরী-নী অমুগা শ্রীসনাতন গোস্বামীনা ব্রজলীলাগী রতি মঞ্জরীনী (নত্রগা লবঙ্গ মঞ্জরীনী)। গৌরগণোদ্দেশদীপিকা। ১৮০—৮২ ॥ মরমমহুনা ব্রজলীলাগী থুগৈন্‌-থুম্না রারোলহু মখোয়না খঙজী, অমুগা লীলারহস্যগী রস অমুসু চংচংনা মখোয়না অনুভব তৌহুনা লৈরবনী ! রসহু চুপ্পনবা মতীক-ওকপা প্রেমসু মখোয়গী লৈরিবনী, মরমদি মখোয়দি নিত্যসিদ্ধজাক্নী। কীভম অসিদা লৈবা, মখোয়দা ইনৌ নৌনা প্রেম-সঞ্চার করিগী তৌভম থোকপগে ? মসিগী পাউথুমদি অসিনী—নরলীলা পাঙথোক্নবগীদমক অমুগা জীবশিক্ষাগীদমক (জীবনা তম্‌জহৌসনু হায়বগীদমক প্রেম সঞ্চার তৌবনী। গৌরলীলাদা প্রভুনা মহাক্কী মমাঙ্গেভগী লীলাগী পরিকরশিংবু সংসার-জীবগী অবস্থা মথল কয়াদা লৈহন্নবনী—ব্যবহারিক জগৎকী অবস্থাদা লৈনা লৈনা ভগবানবু ভজন তৌবা য়াই হায়বহু খঙহন্নবগীদমক্নী। অমুগা, অবস্থা তোঙান্‌-তোঙান্নবদগী, প্রকটলীলাদা প্রভুনা চান্‌বিহুনা মখোয়শিংহুবু মহাক্কী চরণ-খাদা চিংশিন্দুনা থম্বিরম্মী—মহাক্কী কৃপাতনা মাগী চরণ ফংবা য়াই, "যমেবৈষ বৃণুতে তস্য এষ: লভ্যঃ"—হায়বা শ্রুতিবাক্যসি চুম্মী হায়বা তরাংনা উৎনবগীদমক্নী। মতৌ অসুম্না শ্রীশ্রীরূপ-সনাতন অনীদা প্রেম অমসুং শক্তি সঞ্চার তৌরগা প্রভুনা উৎলম্মী—মহাক্কী কৃপা নত্তনা কনা-মত্তনা রস অনুভব তৌননবা মতীক-ওকপা প্রেমসু ফংলোই অমুগা রস বর্ণনা তৌবসু ঙম্লোই হায়বসী। অমুগা, মখোয়শিংসিগী প্রেম কয়ামুক লৈরম্বগে হায়বসু প্রভুনা মতৌ অসুম উৎলম্মী। শ্রীঅদ্বৈত প্রভু, রায়-রামানন্দ, স্বরূপদামোদর-নচিংবসু প্রভুগী অন্তরঙ্গ ভক্ত জাক্নী, মখোয়সু অমুগী পূর্বলীলাগী পরিকরনী, অমুবু অমুম ওইনমক পূর্বলীলাগী পৌর্ণ-মাসী, নান্দীমুখী, বৃন্দা নচিংবীবু অহল্লী গুরুজন জাক্নী হায়রহুনা, অমুগা চহীহন্‌বী ললিতাবিশাখানচিংবীসু অহল্লী হায়রহুনা শ্রীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণগা

লোয়মনা নিভৃত-নিকুঞ্জদা শাম্নবগী অথুপ্পা রাসোল কাওথোকপনা হঙ্গোই-ন্নমী, অদুগা শ্রীরূপমঞ্জরীনচিংবগী মফমদদি কাওথোকপদা হঙ্গোইরমদে; মসিনা তাকপদি শ্রীরূপমঞ্জরীনচিংবগী প্রেমদি থ্বায়গা মান্নদে হায়বনী; মতৌ অদুগুম্না শ্রীঅদ্বৈত-স্বামী-রামানন্দ স্বরূপদামোদরনচিংবগী মফমদা গৌরববুদ্ধি লৈননা লীলারস-বর্ণনগী শক্তিদু মথোয়দা সঞ্চার তৌদনা শ্রীরূপ সনাতনখোয়দা সঞ্চার তৌরম্বগিনা তাকপদি—প্রভুনা মথোয়বু থোও ওইহল্লগা ফোঙদোকহমাংলম্বা লীলাগী রহস্যদু (অথুপ্পদু) মথোয়দা কাওথোকপদা প্রভুনা হঙ্গোইরমদে হায়বসিনী। অদুম্না তৌবসিনা মথোয়গী প্রেম মত্যাদি থ্বায়গ্নগা মান্নরমদে।

মূল ১২২

এই মত কর্ণপুর লিখে স্থানে স্থানে।

প্রভু কৃপা কৈল যৈছে রূপ-সনাতনে ॥ ১২২ ॥

শব্দার্থ

এই মত—মতৌ অসুম্না (হায়বদি মথক্তা পল্লিবা শ্লোক অদুমগী মতৌখুম্না); কর্ণপুর—কর্ণপুরনা; লিখে—ইরম্মী; স্থানে স্থানে—মফম থবম্না; প্রভু—প্রভুনা; কৃপা কৈল—কৃপা তৌখি; যৈছে—মতৌগুম্না; রূপ-সনাতন—শ্রীরূপকা সনাতনগদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না কবি কর্ণপুরনসু মফম কয়ামুক্তা ইরম্মী—প্রভুনা শ্রীরূপ-সনাতন-দা তৌখিবা কৃপা মতৌদু।

মূল ১২৩

মহাপ্রভুর যত বড় বড় ভক্ত মাত্র।

রূপ-সনাতন সভার কৃপা-গৌরব-পাত্র ॥ ১২৩ ॥

শব্দার্থ

মহাপ্রভুর—মহাপ্রভুগী; যত—লৈরবা খিবিক; বড় বড়—অহল

ওইরি ওইরবা ; ভক্ত মাত্র—ভক্ততমক্তী ; রূপ সনাতন- রূপ অমসুং সনাতনদি ; সভার—মী পুমমক্তী ; কৃপা-গৌরব-পাত্র—কৃপা তৌকপী অমসুং গৌরব-তৌকপী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুগী অহল-ওইবা ভক্ত লৈরবশিংহুগী মফমদা রূপ-সনাতন-দি কৃপা গৌরব-পাত্রনী।

নৈনরোল

কৃপা-গৌরব-পাত্র—লিরবা বৈষ্ণবশিংনা কৃপা তৌবিফম থোক্পনী অমসুং অনৌবা নহা-ওইবা বৈষ্ণবশিংগীনা (রূপ-সনাতন অনীদো) গৌরব (সম্মান) তৌকপী।

মূল ১২৪

কেহো যদি দেশে যায় দেখি বৃন্দাবন।

তারে প্রশ্ন করেন প্রভুর পারিষদগণ ॥ ১২৪ ॥

শব্দার্থ

কেহো—কনাগুম্বনা ; যদি—যদি ; দেশে—দেশদা ; যায়—চৎলী ; দেখি—দর্শন তৌবগা ; বৃন্দাবন—বৃন্দাবন ; তারে—মঙোন্দা ; প্রশ্ন—বাহংবা ; করেন—তৌরি ; প্রভুর—প্রভুগী ; পারিষদগণ—প্রভুগী পরিকরশিংনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কনাগুম্বনা বৃন্দাবন দর্শন তৌরগা মরৈবাক্তা হল্লকপদা প্রভুগী পারিষদশিংনা মঙোন্দা হংলম্মী—।

মূল ১২৫

'কহ—তাঁহা কৈছে রহে রূপসনাতন ?।'

কৈছে রহে বৈরাগ্য, কৈছে বা ভোজন ? ॥ ১২৫ ॥

শব্দার্থ

কহ—হায়বিয়ু ; তাঁহা—মফমদুদা ; কৈছে—মতৌকরম্না ; রহে—লৈ ;

রূপ সনাতন—রূপ সনাতন অনীদো ; কৈছে—করম ; রহে—লৈ ; বৈরাগ্য—মঙোয়নীগী বৈরাগ্য ; কৈছে বা—মতৌ করম্না ; ভোজন—চাবা থক্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বৈষ্ণবশিংনা হংলম্মী)— 'চায়ম্বু, অফমত্তুদা রূপ সনাতন করম্না লৈ ? মতৌ করম্না বৈরাগ্য ভাক্লি, মতৌ করম্না চাবা-থক্পা ভৌহৌরি ?

মূল ১২৬

'কৈছে অষ্টপ্রহর করেন শ্রীকৃষ্ণভজন ?।'

তবে প্রশংসিয়া কহে সেই ভক্তগণ ॥ ১২৬ ॥

শব্দার্থ

কৈছে—মতৌকবম্না ; অষ্টপ্রহর—প্রহব নীপান্ ; করেন—তৌরি ; শ্রীকৃষ্ণভজন—শ্রীকৃষ্ণসেবা ; তবে—অদুদগী ; প্রশংসিযা—থাগৎলগা ; কহে—হায ; সেই—অদু ; ভক্তগণ—ভক্তশিংনা (বৃন্দাবন-দগী হল্লক্লম্বা ভক্তশিংনা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বৈষ্ণবশিংনা মথা তানা হংলম্মী)—'রূপ-সনাতন অনীনা মতৌ করম্না প্রহরনীপান শ্রীকৃষ্ণ ভজন তৌবগে ?' মতুদা (বৃন্দাবন-দগী হল্লক্লম্বা) ভক্তশিং অদুনা মখোয়নীবু থাগৎতুনা হায়রম্মী— ।

মূল ১২৭

'অনিকেতন দোঁহে রহে,—যত বৃক্ষগণ।

একেক বৃক্ষের তলে একেক রাত্রিশয়ন ॥ ১২৭ ॥

শব্দার্থ

অনিকেতন—য়ুম্লিংজবা (ওইনা) ; দোঁহে—মখোযনীনা ; রহে—লৈ ; যত বৃক্ষগণ—উপাম্বী লৈরিবা খিবিক্কো ; একেক—অমমম্ ; বৃক্ষের—উপাম্বীগী ; তলে—মখোঙদা ; একেক—অমমম্ ; রাত্রি—অহিং ; শয়ন—তুম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বৃন্দাবন-দগী হল্লকখিবা বৈষ্ণবশিংনা খুমখী)—রূপ সনাতন অনীমক মুম্ভিংদবনী ; উপাধী হৌরম্বশিংস্থুবী উথোক্ত অমমম্দা অহিং অমমম্ লেপ্লশী।

মূল ১২৮

বিপ্রগৃহে স্থূল ভিক্ষা কাহাঁ মাধুকরি।

শুষ্ক রুটী চানা চাবায় ভোগ পরিহরি॥ ১২৮॥

শব্দার্থ

বিপ্রগৃহে—ব্রাহ্মণগী য়ুমদা ; স্থূল ভিক্ষা—ওক্লবা মপুঙ ওইবা অচাপোং লৌবা ; কাহাঁ—করিগুম্বা মফমদনা ; মাধুকরি—মাধুকরি ; শুষ্ক—অকংবা ; রুটী—তল ; চানা—চানা ; চাবায়—ছায় ; ভোগ—হক্চাঙগী হুংঙাইনবা থৌরাং ; পরিহরি—থাদোক্লগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(মথা তানা পাউদম্লম্মী)—ব্রাহ্মণগী য়ুম্দদি রূপ-সনাতন অনীনা ওক্লনবা ভিক্ষা লৌয়ি, অদুগা করিগুম্বা মফমদনা মাধুকরি চৎলী। হকচাঙ-হুংঙাইবগী রাখল থাদোক্লুনা তঙং অমদি চানা ছায়রগা লেপ্লী।

নৈনরোল

স্থূল ভিক্ষা—চাং য়াম্না (হায়বদি পূক থন্নবা) অচাপোং লৌবা। মাধুকরি—মধুকরগী (খোইগী) মথৌ ; খোইনা লৈরাংদগী লৈগী চূপ্পদা লৈরাংগী অরাবা লৈতে ; মরমদি লৈরাং অমদগী মাগী ওক্লনবা লৈহী য়াম্না চূপ্থোকে হায়দে ; বিন্দু বিন্দু দমক লৌয়ি। বৈরাগীশিংস্থু খোইগী লীচৎসী ভোগদবনী ভিক্ষা লৌবা মতমদা। গৃহস্থ অমদগী য়াম্না লৌনবা ক্নোংনবগী মস্থক্তা, গৃহস্থনা ইন্না রাদবমথৈ পীবা থরস্থুদা লৌগদবনী, মসী মাধুকরি বৃত্তি হায়বস্থুনী।

শ্রীরূপ-সনাতনদি কনাগী মফমদগীস্থু স্থূল ভিক্ষা নিরমদে ; সমাজগী চৎনবী মতুং ইন্না, ব্রাহ্মণ নত্তবা কনানা মথোয়দা স্থূল ভিক্ষা লৌবিয়ু হায়জরমদে। কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমনা স্থূলভিক্ষা লৌবিরো হায়রগদি মরক মরক্তা মহ্ মথোয়না লৌরম্মী। ব্রাহ্মণ-নত্তবা কনাগুম্বদগী স্থূলভিক্ষা

লৌরোয় ছায়বগী করিগুম্বা ভাব অমতম্ মথোয়গী লৈয়্মোই হায়্না থম্মী ; মরমদি, দেহ-অভিমান-দনী (হকচাঙতু ঐনী হায়বদনী) অশোঙবা পুক্নীং ভাত্তাসী ওইবনী। মথোয়গী দেহাভিমান লৈরমদে : লৈরবোইদি ব্রাহ্মণ বংশদা পোকুনম্ মথোয়না মচা মহাবু অস্পৃশ্যনী (শোকপা য়াদবনী) হায়না খনজরম্মোইদৌবনী। অভিমান (ন্যপল) হায়বছুদি ভক্তিগী লম্বীদা অকায়বনী।

মূল ১২৯

করোয়া মাত্র হাথে কাঁথা ছিড়া বহির্ব্বাস।

কৃষ্ণকথা কৃষ্ণনাম নর্ত্তন উল্লাস॥ ১২৯॥

শব্দার্থ

করোয়া—লৈপাকী নত্রগা তুম্বাগী ঈশীঙ-পাত্র ; মাত্র—দমক ; হাথে—খুত্তা ; কাঁথা—কাম্বা ; ছিড়া—শেগায়বা ; বহির্ব্বাস—বহির্ব্বাস ; কৃষ্ণকথা—কৃষ্ণগী ৱারী ; কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণগী মিং ; নর্ত্তন—জগোইশাবা ; উল্লাস—হর্‌াওবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীরূপ সনাতন অনীগী লৈজরম্বা হায়বদু)—খুত্তা করোয়াদমক, শেগায়বা কাঁথা অমুগা বহির্ব্বাস—অসিত্তনী। (মতমপুম্বা) কৃষ্ণগী ৱারী শাবা নত্রগা কৃষ্ণনাম শোন্দুনা জগোই শাদুনা হর্‌াওবা অসিনী মথোয়গী মশিন্দি।

মূল ১৩০

অষ্টপ্রহর কৃষ্ণভজন—চারিদণ্ড শয়নে।

নামসঙ্কীর্ত্তনে সেহো নহে কোনদিনে॥ ১৩০॥

শব্দার্থ

অষ্টপ্রহর—প্রহর নীপাল ; কৃষ্ণভজন—কৃষ্ণভজন ; চারিদণ্ড—দণ্ড মরি ; শয়নে—তুম্বদা ; নামসঙ্কীর্ত্তন—নামসঙ্কীর্ত্তন তৌবদা ; সেহো—মদুস্ ; নহে—নত্তে ; কোনদিনে—করিগুম্বা নুমীত্তা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুব নাপাল কৃষ্ণভজন তৌরি ; ভুবম্বু বত্ত মরিদমক তুম্মী। নাম-সঙ্কীর্তন তৌরগদি মহুম্বু ওইদে কম্বিওরা হুমিত্তা (তুনূদে হায়রবনী)

মূল ১৩১

কভু ভক্তিরসশাস্ত্র করয়ে লিখন।

চৈতন্যকথা শুনে করে চৈতন্য চিন্তন ॥ ১৩১ ॥

শব্দার্থ

কভু—করিগুম্বা মতমদা ; ভক্তিরসশাস্ত্র—ভক্তিশাস্ত্র অমসুং রস-শাস্ত্র ; চৈতন্য কথা—শ্রীচৈতন্য প্রভুগী বারী ; শুনে—নাকোঙনা তায় ; চৈতন্য-চিন্তন—শ্রীচৈতন্যবু খন্‌বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কবিগুম্বা মতমদা ভক্তিশাস্ত্র অমুগা রসশাস্ত্র ইয়না লেপ্পী। কবিগুম্বদা শ্রীচৈতন্যগী বারী তায় অমুগা শ্রীচৈতন্যপ্রভুবু খন্দুনা লৈ।

নৈনরোল

চৈতন্যকথা-নচিংবা—শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগী লীলাকথাবু শ্রবণ অমসুং কীর্তন তৌবদি গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংগী ভজনগী মসুং চল্পী. মরমন্থনা লীলাদা শ্রীশ্রীগৌরসুন্দরগী সেবাসু গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংনা পামজৈ হায়বসীগী প্রমাণ শ্রীশ্রীরূপসনাতনগী আচরণদা ফংঙী। শ্রীলনরোত্তমদাস ঠাকুরমহাশয়নসু ইরম্মী—"এথা গৌরচন্দ্র পাব, সেথা রাধাকৃষ্ণ।"

মূল ১৩২

এই কথা শুনি মহান্তের মহাসুখ হয়।

চৈতন্যের কৃপা যাহাঁ, তাঁহা কি বিস্ময় ॥ ১৩২ ॥

শব্দার্থ

এই—অসী ; কথা—বা ; শুনি—মাকোঙনা তারগা ; মহান্তের—মহান্ত বৈষ্ণবশিংগী ; মহাসুখ—য়াম্না নুংঙাইবা ; হয়—ওই ; চৈতন্যের—শ্রীচৈতন্যগী ; কৃপা—থৌজাল ; যাহাঁ—মফমদুদা ; তাঁহা—মদুদা ; কি—করি ; বিস্ময়—অঙকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশ্রীরূপ-সনাতনগী রাখী অসী নাকোঙনা তারগা মহান্ত বৈষ্ণবশিংনা য়াম্না কুংঙাইজে। (মখোয়গী পুনী মরেন্দু কয়না লেন্‌বা ঙম্লিবনো হায়রবু) শ্রীচৈতন্যগী কৃপা লৈরবদা অসুম্না লেন্‌বা ঙমদা করি ঙকতাই লৈবগে ?

নৈনরোল

শ্রীশ্রীরূপ সনাতনহু রাজকর্ম্মচারী মকোক-ওইরম্বনী ; মরম মথুমগী হায়র চাংদম্নতাই লৈরম্দে ; কয়া কে-মৌনা অহাও-অথুমদা চাহ্না লৈরম্বনী ; হৌজিক্তি মখোয় কাঙ্গাল-গুম্না লৈরগা হরাওনা ভজন-সাধন তৌবা করম্না ঙম্লিবনো ? মদুগী পাউখুমদি অসিনী—"শ্রীচৈতন্যগী কৃপা-দগী মখোয় অসুম্না লেন্‌বা ঙম্লিবনী।"

মূল ১৩৩

চৈতন্যের কৃপা রূপ লিখিয়াছে আপনে।

রসামৃতসিন্ধু গ্রন্থের মঙ্গলাচরণে ॥ ১৩৩ ॥

শব্দার্থ

চৈতন্যের—শ্রীচৈতন্যগী ; কৃপা—থৌজাল ; রূপ—শ্রীরূপ গোস্বামীনা ; লিখিয়াছে—ইরম্মী ; আপনে—মস্থ মক্না ; রসামৃতসিন্ধু গ্রন্থের—ভক্তি-রসামৃতসিন্ধু কৌবা লাইরীকী ; মঙ্গলাচরণে—মঙ্গলাচরণ-দা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্য প্রভুনা তৌবা কৃপাদি করম তৌবনো হায়বদো শ্রীরূপগোস্বামী মহামক্না মহাকী ভক্তিরসামৃতসিন্ধু কৌবা লাইরীকী মঙ্গলাচরণদা ইরম্মী।

মূল ১৩৪

হৃদি যস্য প্রেরণয়া

প্রবর্ত্তিতোঽহং বরাকরূপোঽপি

তস্য হরেঃ পদকমলং

বন্দে চৈতন্যদেবস্য ॥ ১৩৪ ॥

শব্দার্থ

ত্বমি—নখোইদা ; যস্য—মহাকী ; প্রেরণয়া—ইথিন ; প্রবর্তিতঃ—ইনুশলবা ; অহং—ঐ ; বরাকরূপঃ—অপীকৃপা ; অপি—নু ; তস্য—মহাক্কী ; হরেঃ—হরিগী ; পদকমলং—খোঙ-থম্বানুবু ; বন্দে—থুরুম্নজে ; চৈতন্যদেবস্য—শ্রীচৈতন্যদেবগী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐসী অপীকৃপা অমা ওইরবসু মহাকী প্রেরণা (ইথিন) ফংদুনা ভক্তিরসামৃতসিন্ধু কৌবা লাইরীকসী ইবদা চংদুনবনী, অদুগুম্বা হরি শ্রীচৈতন্যদেব মহাকী খুয়াথম্বানুবু থুরুম্নজে ।

নৈনরোল

শ্লোকসী শ্রীরূপগোস্বামীনা হায়রবা ময়নী ; শ্লোকসিদা মহাক্না হরি—মহাক্না শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী কৃপা-শক্তি ফংদুনা লাইরীক লেংবনী ।

মূল ১৩৫

এইমত দশদিন প্রয়াগে রহিয়া ।
শ্রীরূপে শিক্ষা দিল শক্তি সঞ্চারিয়া ॥ ১৩৫ ॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অসুম্না ; দশদিন—মুমীৎ তরানী ; প্রয়াগে—প্রয়াগ তীর্থদা ; রহি—লৈদুনা ; শ্রীরূপে—শ্রীরূপগোস্বামীদা ; শিক্ষা দিল—তাকপীখি ; শক্তি সঞ্চারিয়া—শক্তি হাপ্‌চিন্দুনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না মুমীৎ তরানী চুপ্পা প্রয়াগ তা লৈদুনা প্রভুনা শ্রীরূপ-গোস্বামীদা শক্তি হাপ্‌চনগা শিক্ষা পীখি ।

মূল ১৩৬

প্রভু কহে শুন রূপ ! ভক্তিরসের লক্ষণ ।
সূত্ররূপে কহি, বিস্তার না যায় বর্ণন ॥ ১৩৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় ; শুন—তাকোউনা তাও ; রূপ—হে রূপ ; ভক্তিরসের লক্ষণ—ভক্তিরসগী লক্ষণ (মহৌ) ; সূত্ররূপে—তেক্কা ; কহি—হায়গে ; বিস্তার—শন্দোক্না ; না যায়—য়াদে ; বর্ণন—হায়বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—ওহে রূপ ! ভক্তিরসকী লক্ষণ করিনো হায়বদো তাকোউনা তাও। ঐ তেক্কা হায়গে, শন্দোক্না হায়বা য়াদে।

মূল ১৩৭

পারাবারশূন্য গম্ভীর ভক্তিরসসিন্ধু।
তোমা চাখাইতে তার কহি একবিন্দু॥ ১৩৭॥

শব্দার্থ

পার-অবার—তোর্বান অনী ; শূন্য—লৈতবা ; গম্ভীর—লেপ্-কংদবা ; ভক্তিরসসিন্ধু—ভক্তিরসগী সমুদ্র ; তোমা—নহাক্পু ; চাখাইতে—থজিক্কং মহাও তম্হন্নগে হায়বগীদমক ; তার—মদুগী ; কহি—হায়গে ; একবিন্দু—মরীক অমতং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভক্তিরসগী সমুদ্রদি মপাম্নাইদবনী অমদুগা লেপ্-কংদবনী। নহাকপু থজিক্কং মহাও তংহন্নবা হায়রুনা মদুগী বিন্দু অমতং হায়গে।

মূল ১৩৮

এইত ব্রহ্মাণ্ড ভরি অনন্ত জীবগণ।
চৌরাশীলক্ষ যোনিতে করয়ে ভ্রমণ॥ ১৩৮॥

শব্দার্থ

এইত—অসী ; ব্রহ্মাণ্ড ভরি—ব্রহ্মাণ্ড থম্না ; অনন্ত—মীঙলাক্তম্দবা ; জীবগণ—জীবশিং ; চৌরাশী—মরিফুমরি ; লক্ষ—লক্ষ ; যোনিতে—যোনি-দা (মপোক্তা) ; করয়ে—তৌয়ি ; ভ্রমণ—কোয়বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রহ্মাণ্ডগী থম্না শীঙলাক্-ঙমদবমখৈ জীবশিং লৈ। জীবনা যোনি লক্ষ মরিফুমরিদা কোয় (হায়বদি পোক্নি)।

নৈনরোল

জীবগী মশীঙদি ঙমখৈ-নাইদবনী। জীবসিনা মছা মছাগী তৌতমল ওইনা যোনি লক্ষমরিফুমরিদা কোয়চং চংলী। জলজা নবলক্ষাণি স্থাবরা লক্ষবিংশতিঃ। কৃময়ো রুদ্রসংখ্যকাঃ পক্ষিণঃ দশলক্ষকম্॥ ত্রিংশল্লক্ষাণি পশবশ্চতুর্লক্ষাণি মানুষাঃ। সর্ব্বযোনিং পরিত্যজ্য ব্রহ্মযোনিং ততোঽভ্যাগাৎ॥— জীবনা লক্ষমাপল্লক্ জলজ (ইশীঙদা পোক্পা) যোনিদা, লক্ষকুল্লক্ স্থাবর (চংপা-ঙমদবা) যোনিদা, লক্ষতরা-মাথোইরক্ কৃমি যোনিদা (মহীক ওইবা মপোক্তা), লক্ষতরারক্ উচেকী যোনিদা, লক্ষকুন্থ্রালক্ পশু (শা) ওইনা, অতুগা লক্ষমরিরক্ মীওইবগী মপোক্তা কোয়না চংলী। তুংদা সাধন তৌবগী ফল ওইনা যোনি পূম্নমক থাদোক্লগা ব্রহ্মযোনি ফংঙী।" জীবনা তৌবা থবকী থোইদোক্-থোইদোক্পা কর্ম্মগী ফল মতুং ইন্না জীবনা কোয়বসিগী মথং মনাঙদি লৈতে।

মূল ১৩৯

কেশাগ্র-শতেক ভাগ পুন শতাংশ করি।
তার সম সূক্ষ্ম জীবের স্বরূপ বিচারি॥ ১৩৯॥

শব্দার্থ

কেশাগ্র—শম্না মতোন্ ; শতেক—চামা থোক্পগী অমা : ভাগ—শরুক ; পুন—অমূক হন্না ; শতাংশ—(মদুগী) শরুক চামা থোক্হল্লগা ; তার সম—মদুগা মান্নবা ; সূক্ষ্ম—কূপ্পী ; জীবের স্বরূপ—জীবগী স্বরূপ ; বিচারি— খল্লগদি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শম্না মতোন্ অমবু শরুক চামা থোক্পগী শরুক অমবু অমূক চামা শরুক চামা থোক্লগা ওইবা শরুক অমুমগা জীবগী স্বরূপবা কূপ্পা মাঙৈ হায়না খল্লী।

নৈনরোল

ভগবানা বিভুচিং-নী, জীবনা অণুচিং-নী, ভগবানগী চিৎকণ অংশনী ; জীবনা অংশ-নী অদুগা ভগবানা অংশী-নী ; জীবনা নিয়ম্য-নী (নিয়মগী মথা পোন্নবনী) অদুগা ভগবানা নিয়ন্তা-নী (নিয়ম-শেম্বনী) ; জীব-না শাস্য-নী (শাসন তৌনবাইনী) অদুগা ভগবানা শাস্তানী (শাসন-তৌবনী)।

পয়ারসীদা হায়রিবা বাসিগী প্রমাণ ওইনা পীরি।

মূল ১৪০

কেশাগ্রশতভাগস্য শতাংশসদৃশাত্মকঃ।

জীবঃ সূক্ষ্মস্বরূপোঽয়ং সংখ্যাতীতো হি চিৎকণঃ॥ ১৪০॥

শব্দার্থ

কেশাগ্রশতভাগস্য—শম্না মতোনগী শরূক চামা থোক্পগী শরূক অমগী ; শতাংশসদৃশাত্মকঃ—চাম থোক্পগী শরূক অমগা মান্নে ; জীব—জীব ; সূক্ষ্মস্বরূপঃ—কুপ্না স্বরূপ নী ; অয়ং—মসী ; সংখ্যাতীতঃ—মীঙলাক্তমদবনী ; হি—লেপ্পমক ; চিৎকণঃ—চিং-মরীক।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শম্না মতোনগী শরূক চামা থোক্পগী শরূক অমবু শরূক চামমুক থোক্পগী অমগা মান্ননা কুপ্না জীবগী স্বরূপ-নী। মসী চিৎকণ (চৈতন্য-স্বরূপ-কী মরীক) অমনী অদুগা মশীংতু থীঙমদবনী।

নৈনরোল

মসী মূল ১৪২ পয়ারদা হায়রিবা রাফমগী প্রমাণনী। শ্রুতিব্যাখ্যাযুক্ত শ্লোক অমনী (ভাগবত ১০/৮৭/৩০)।

মূল ১৪১

বালাগ্রশতভাগস্য শতধা কল্পিতস্য চ।

ভাগো জীবঃ স বিজ্ঞেয় ইতি চাহ পরা শ্রুতিঃ॥ ১৪১॥

শব্দার্থ

বালাগ্র—শম্না মতোন ; শতভাগস্য—শরূক চামা থোক্পগী শরূক

অমগী ; শতধাকল্পিতস্য — চাম্বা খোক্‌পগী ; ভাগঃ — শন্নক অমা ; বিজ্ঞেয়ঃ — খঙগদবনী ; ইতি চ — মসীমক ; আহ — হায় ; পরাশ্রুতিঃ — পরাশ্রুতিনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শম্না মতোম্‌গী শন্নক চাম্বা খোক্‌পগী শন্নক অমবু (অমুক) চাম্বা খোক্না খায়রগা ওইবা শন্নক অমগা মান্নৈ হায়না জীববু খঙ্‌ঙু হায়বনী পরাশ্রুতিনা হায়বনী।

নৈনরোল

শ্লোকসী পঞ্চদশ্যাং চিত্রদীপ-দ্রষ্টানী (৮১)।

মূল ১৪২

সূক্ষ্মাণামপ্যহং জীবঃ ॥ ১৪২ ॥

শব্দার্থ

সূক্ষ্মাণাম্ — অকুপ্পা পোৎশিংগী মরক্তা ; অপি — সু ; অহং — ঐ ; জীবঃ — জীব-নী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীভগবান্না হায়রম্মী)—"অকুপ্প: পোৎ পুম্নমকী মনুঙদা জীব-ঐনী।"

নৈনরোল

শ্লোকসী ভাগবতমুদগীনী (ভাঃ ১১/২৬/১১)।

মূল ১৪৩

অপরিমিতা ধ্রুবাস্তনুভৃতো যদি সর্ব্বগতা-

স্তর্হি ন শাস্যতেতি নিয়মো ধ্রুব নেতরথা।

অজনি চ যন্ময়ং তদবিমুচ্য নিয়ন্তৃ ভবেৎ

সমমনুজানতাং যদমতং মতদুষ্টতয়া ॥ ১৪৩ ॥

শব্দার্থ

অপরিমিতাঃ — শীঙলাক্‌ ভম্‌দবা ; ধ্রুবাঃ — লেংদবা ; তনুভৃতঃ — জীবশিং ; যদি — যদি ; সর্ব্বগতাঃ — মফমপুম্‌বদা চংপা (শিনু) ; তর্হি —

অহু ওইরবদি ; ন—নত্তে ; শাস্তা—শাসন-তৌবম্ ওইবা ; ইতি—অসিনী ; নিয়মঃ—নিয়ম ; ধ্রুব—হে লেঙদবা ; ন—নত্তে ; ইতরথা—অহু নত্রগদি ; অজনি—পোক্নি ; চ—অমস্তুং ; যদ্বয়ং—মহাক্কী বিকার (অওন্‌বা শকল) ওইবা জীব ; তৎ—মহু ; অবিমুচ্য—কারণত্ব (থোরক্‌-কম) ওইবনা থাদোকপা তৌদহুনা ; নিয়ন্তৃ—নিয়ম শেম্বা ; ভবেৎ—ওই ; সমম্—মান্নবা (জীববু নত্তগা মান্নৈ হায়রহুনা) ; অল্পজানতাং—খঙ-লিবশিংগী ; যৎ—মত অহু ; অমতং—দোষা চন্‌বা ; মতদুষ্টতয়া—মত-অকারবনী (হায়বদি শাস্ত্রবিরুদ্ধ ওইবনী) হায়রহুনা ।

মৈ:তলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রুতিশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা হায়রম্মী)—হে লেঙদবা (ধ্রুব) ! শীতলাক্-তমদবা অমস্তং নিত্য ওইবা জীবশিংনা মহম পুম্বা-শীন্ত্রংবা (ব্যাপক বিভু) ওইরবদি (জীবস্তু ঈশ্বরগুম্বা ওইগনী ; ওইরবদি জীবনা ঈশ্বরগী) মথা পোন্‌বনী হায়বা নিয়মসী কৈতবা তারে ; অহুবু অতে মা শকৃকম্ ওইরবদি হায়বদি জীবনা সর্ব্বগত ওইদহুনা অকুপ্পা (সূক্ষ্ম) ওইরগদি (হায়রিবা নিয়মসী—জীবদি ঈশ্বরগী মথা পোন্‌বনী হায়বা নিয়মসী) কায়দে ; থোইদোক্লা, মহাক্কী বিকার (থোরক্‌পা পোৎ) ওইনা জীব হায়বদি থবক (কার্য্য) থোক্লিবা, (হায়বদি থোরকফম অহুদগী করিগুম্বা কার্য্য অমা পোক্লবা), কারণত্ব (থোরক্‌ফম ওইবত্ত) থাদোক্ত্রনস্তু (থোরক্‌ফম ওইনা লৈরগা) মহাক অহুনা (থবক অহুসী মত্রগা জীবগী) নিয়ামক (নিয়ম-শেম্বা) ওই (মরমহুনা ঈশ্বরদগী জীব থোরকখি হায়রহুনা ঈশ্বরনা নিয়ন্তা, জীবনা নিয়ম্য নী) । (কার্য্যবু কারণগা—জীববু ঈশ্বরগা) মান্নৈ হায়না থিল্লিবা মখোয়গী মত-অহু (বেদবিরুদ্ধনী হায়রহুনা) দোষ-লৈবনী ।

নৈনরোল

তনুভৃতঃ—হকচাংবু (হকচাংবু) লৌবা নত্রগা আশ্রয় তৌরিবা মখোয়, মায়াগী হুংতাইবা কংগী আশাদা অচৎ চত্তা দেহবু লৌরগা জগত্তা লাক্লিবা জীবশিং মশীংগী হায়রগদি অপরিমিতাঃ—মশীং-থীংমদবনী ; অহুগা অমুক নিত্য শ্রীভগবানগী চিৎকণ অংশনী হায়রহুনা মখোয়স্তু ধ্রুবাঃ—নিত্য ওইবা পোৎনী ; কৌতম অসিদা মখোয়না সর্ব্বগতাঃ—হকমখুদিং

শান্‌থুংবা (ব্যাপক বিভু) ওইরগদি জীবগা ঈশ্বরগা করিমত্তা থেংনত্রে— ঈশ্বরনা নিত্য অমসুং বিভু ওইবগুম্না জীবসু নিত্য অমসুং বিভু ওইবা তারে; অনিগুম্না কীভমদা শাস্তা—ঈশ্বরগী শাসন-তৌকম জীবনা ওইগদবনী হায়বা ইতি নিয়মঃ ন—নিয়মগী লৈররোই; অহুব ইতরথা—অতোপ্পা কীভম ওইরবদি, জীব-না সর্ব্বগত (হায়বদি বিভু হায়বদি ব্যাপক) ওইত্রগনি—জীবনা সূক্ষ্ম (অণীকৃপা পিশক) হায়বদি ব্যাপ্য (ঈশ্বরন কোম্নবা) ওইরবদি মথক্তা হায়রিবা নিয়মসী কায়ত্রে—ঈশ্বরদি জীবগী শাস্তা-নী হায়বদি শাসন-তৌবা অহুনী হায়বা শ্রুতিনা হায়রিবা নিয়ম চুপ্পা তারে; শ্রুতিগী ৱাদি হোংগন্দে (অন্যথা ওইদে) অমসুং শ্রুতিনা—ঈশ্বরদি জীবগী শাস্তানী হায়রিবনীন: জীব না বিভু হায়বদি ব্যাপক ওইবা ঙমদে; মরমদি, জীবনা ব্যাপক ওইরগদি ঈশ্বরনা জীববু শাসন তৌবা য়াররোই; তশেংবদি ঈশ্বরদি জীবগী নিয়ামক-নী (নিয়ম-শেম্নবনী); মরমদি, যস্মাৎ অজনি—করিগুম্বা কার্য্য অমবু মহাকী বিকার (শকৃওন্) ওইহন্দুনা পোকহল্লিবা থোরক্কম মহাক অহু অবিমুচ্য—থোরক্কম ওইবা তোক্তদনা কার্য্যগী নিয়ন্তৃ—নিয়ামক (নিয়ম-শেম্নবা) ওইদুনা লৈ। জীবগী মশক ওইবা কার্য্যহু ঈশ্বরগী মশক ওইবা কারণ-দগী (থোরক্কমদগী) থোরক্পনীনা (যতোবা ইমানি ভূতানি জায়ন্তে—তৈত্তিরীয় ৩/১) ঈশ্বরনা ওইরিবদি জীবগী নিয়ন্তা-নী শাস্তানী। মস্তৌ অসুম্না জীবগী নিয়ন্তা ঈশ্বরনা ওইবনীনা জীবনা ব্যাপক হায়বদি সর্ব্বগত ওইবা ঙমদে। কার্য্যগা কারণগা, জীবগা ঈশ্বরগা সমং—মান্নবনী হায়না অনুজানতাং—খঙলিবা নত্রগা খল্লিবা মথোয়গী মত অহু য়াকম থোক্তে: মরমদি মহু মতদুষ্টতয়া—দোষ-চেন্‌বা মত ওইরনা, মহু শাস্ত্রবিরুদ্ধনী হায়দুনা অমতং—দোষ-চেন্‌বনী।

শ্লোকসীনা যুক্তিপ্রমাণ পুথোক্তুনা উৎলিবদি—জীবদি ব্যাপক নত্তে বিভু নত্তে—হায়রিনী। মাদি অদিকপনী; অহুব কয়া য়াম্না পীকপগে? জীবনা পোকপগী ওইরিবা দেহতুগা মান্না চাওবা মাবকা? য়ামদে; জীবগী পরিমাণদি (মচাও মক্ষক্তি) দেহগীগা মাপ্রৈ হায়রা কৌইগনু জীবদি অনিত্য নী (নিত্য নত্তে) হায়বা তারকুনি। মরমদি, জীব অমনা

-মাগী কর্মফলগা মন্নুং ইমা দেহ তোঙান্-তোঙানবা পোকুম্বি—মী ওই, শা ওই, উচেক ওই, তীন-কাও ওই, উ-মা উরী ওই ; মতৌ অসুম্ব তৌমা জীব অমনা তোঙান্-তোঙানবা মতমদা তোঙান্ তোঙানবা মচাউগী দেহবু আশ্রয় তৌয়ি—করি করিগুম্বা মতমদা পীক্লেন্ পীকপা তীনগী দেহ লৌয়ি, অদুগা অমুক চাউরেন্ চাউবা জন্তুগী দেহসু লৌয়ি ; দেহগী চাওবগা জীবগী চাওবগা মান্নরগদি শামু মত্রগা মীওইবগী দেহবু আশ্রয়-তৌরগা পোক্পা জীবনা অপীকপা তীনগী দেহদা লৈবা চল্লোই ; অদুগা তীনগী দেহদা লৈবা জীবনা মীওইবগী দেহ লোইনমক ছন্না লৈবা য়ারোই , মত্রগনা, জীব অমনা তোঙান্-তোঙানবা মতমদা তোঙান্-তোঙানবা হকচাঙ লৌবা য়াননবা তোঙান্-তোঙানবা মচাউ মরাক (পরিমাণ হায়বদি আয়তন) লৌবা তাবকুম্বি ; মসী ওইরবদি জীবগী পরিমাণ হায়বদি আয়তন-সু নিত্য ওইবা য়াদে ; অদুবু নিত্য ওইবা পোৎকী মনুংদা করিগুম্বা অনিত্য অমা লৈবদি য়াদে। মরমদুনা দেহগী পরিমান্না জীবগী পরিমাণ ওইগনী হায়বা মত অদুসু লৌবা য়াবা নত্তে। অদু ওইরবদি জীবগী পরিমাণ হায়রবদি আয়তন-দু করম তৌয়ি ? জীবদি য়াম্না কুপ্পনী (সূক্ষ্ম নী), পরমাণুগুম্না পীকুম্বি। অদু ওইরগদি য়াহং-অমমুক লাকপা য়াই জীববু স্বরূপকী হায়রগদি য়াম্না কুপ্নী (পীকুম্বি) পরমাণুগুম্বী হায়রগদি দেহ পূম্বদা চৈতন্য ছন্না লৈবদি মতৌ করম্না লৈ ? দেহ মছাগী চেতনা-শক্তি (খংনবা পাঙ্গল) লৈতে ; চিৎকণ জীবস্বরূপতগী দেহগী চেতনা শক্তি ওইবনী ; অদুবু পরমাণুগুম্না পীকপা জীবনা দেহগী পীক্লবা মফম অমদা অদুম্ লৈবনী—অদুম তৌরগা করম্না দেহ পূম্বদা চেতনা-শক্তি ছন্না লৈবদি মতৌ করম্না লৈবনো ? মদুগী পাউ-খুমদি অসিনী—য়ুমগী মফম অমতদা থাংথৈ লৈ ; অদুবু থাংথৈদুনা মছাগী মঙালগী মপাম্না ইমুং পূম্ববু ঙাল্হল্লী ; হকচাঙগী শরুক অমবু হরিচন্দনগা শম্নরগা হকচাঙ পূম্বা পূম্বিঙ থ্বিঙবগুম, অণুমুক্তা চাউবা জীবসু দেহগী মফম অমতদা লৈরগা মাগী চেতনাগী মপাঙ্গা হকচাঙ পূম্নমক শীনথুংনা লৈ—হকচাঙগী মফম পূম্নমক্তা মাগী চেতনাদু ছংদোকয়ি। "অণুমাত্রোঽপ্যয়ং জীবঃ স্বদেহং ব্যাপ্য তিষ্ঠতি। যথা ব্যাপ্য শরীরাণি হরিচন্দনবিপ্রুষঃ॥ তোষণীধৃত ব্রহ্মাণ্ড পুরাণবচন।"

যৌক্তিক উত্তর— জীবগী স্বরূপকী হায়রগদি বিভুসু নত্তে, মধ্যমাকারসু

(মরার ওইনা চাওবশু) মতে, জীবদি মায়া সূক্ষ্মী (সূক্ষ্মনী), সূক্ষ্মেন-সূক্ষ্মা (সূক্ষ্মতম ওইবা) পোৎনী।

মূল ১৪৪

তার মধ্যে স্থাবর জঙ্গম দুই ভেদ।
জঙ্গমে তির্য্যক্ জল স্থল-চর-বিভেদ ॥ ১৪৪ ॥

শব্দার্থ

তার—মতুগী (মখোয়গী, জীবশিংগী মনুংদা) : স্থাবর—লেঙদবা, জঙ্গম—অরেঙবা ; দুই—অনী ; ভেদ—খেন্নবা মখল : জঙ্গমে—অরেঙবদা ; তির্য্যক্—শা-উচেক্কচিংবা ; জল স্থল-চর—ঈশিংদা লৈবা অমসুং কংফালদা লৈবা ; বিভেদ—মখল খায়বা।

মৈতেলোন্দা হন্দোকপা

শীঙলাক্-ওম্‌দবা জীবশিংগী মনুংদা অরেঙবা লেঙদবা হায়দুনা মখল অনী থোক্লা খায়। অরেঙবা শা-উচেক্কচিংবশিংসু ঈশিংদা লৈবা অমসুং কংফান্দা লৈবা হায়না মখল অনী থোকৃয়ি।

মূল ১৪৫

তার মধ্যে মনুষ্য জাতি অতি অল্পতর।
তার মধ্যে ম্লেচ্ছ পুলিন্দ বৌদ্ধ শবর ॥ ১৪৫ ॥

শব্দার্থ

তার মধ্যে—মখোয়দুগী মনুংদা ; মনুষ্য জাতি—মী হায়বা জাতি ; অতি—য়াম্না ; অল্পতর—য়ামদে ; তার মধ্যে—মখোয়দুগী (মীশিংগী) মরক্তা ; ম্লেচ্ছ—ম্লেচ্ছ ; পুলিন্দ—পুলিন্দ ; বৌদ্ধ—বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎপা মী ; শবর—শবর।

মৈতেলোন্দা হন্দোকপা

মখোয়দুগী (জীবশিংগী মনুংদা) মী কৌবা জাতিগী মশিংদি য়াম্না য়ামদে ; মীশিংগী মরক্তসু ম্লেচ্ছ, পুলিন্দ, বৌদ্ধ, শবরনচিংবা [illegible] য়াওরি।

নৈনরোল

মী হায়বা জাতিগী মরক্তা য়াওরিবা ম্লেচ্ছ, পুলিন্দ, বৌদ্ধ, শবর-নচিংবসী বেদ-য়াদবা জাৎনী। মখোয়সী থাইদোকশিংগদি বেদ-মানিবা মীশিং মশিংদি য়াম্না য়ামদে।

মূল ১৪৬

বেদনিষ্ঠমধ্যে অর্দ্ধেক বেদ মুখে মানে।

বেদনিষিদ্ধ পাপ করে, ধর্ম্ম নাহি গণে॥ ১৪৬॥

শব্দার্থ

বেদনিষ্ঠমধ্যে—বেদ-মানিবশিংগী মরক্তা; অর্দ্ধেক—তংখাই অমনা; বেদ মুখে মানে—বেদবু য়াই হায়না মচীন্দদা হায়; বেদনিষিদ্ধ—বেদনা থিংবা; পাপ করে—পাপ তৌরি; ধর্ম্ম—ধর্ম্মবু; নাহি গণে—থৌশাদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বেদ-চৎপশিং হায়বা মীশিংগী মরক্তসু তংখাইমদি বেদবু য়াই হায়না মচীন্দদা হায়জবনী; মখোয়দি বেদনা তৌরু হায়বা পাপ তৌরি, ধর্ম্মবু থৌশাদে।

নৈনরোল

ধর্ম্ম—বেদগী বিধি মতুং ইন্বা ধর্ম্ম কর্ম্ম (থৌ)।

মূল ১৪৭

ধর্ম্মচারিগণ মধ্যে বহুত কর্ম্মনিষ্ঠ।

কোটি কর্ম্মনিষ্ঠ মধ্যে এক জ্ঞানী শ্রেষ্ঠ॥ ১৪৭॥

শব্দার্থ

ধর্ম্মচারিগণ মধ্যে—ধর্ম্ম চৎপা মীশিংগী মরক্তা; বহুত—ময়াম্না; কর্ম্মনিষ্ঠ—স্বর্গনচিংবা ভোগ ফংনমবা কর্ম্মী কাণ্ডী; কোটি—কোটি; কর্ম্ম-নিষ্ঠ—স্বর্গনচিংবা ভোগ-পাম্বা কর্ম্মীশিংগী; মধ্যে—মরক্তা; এক—অমা; জ্ঞানী—ব্রহ্মগা লোয়ননা তিন্বা (সাযুজ্য) পাম্বা জ্ঞানমার্গগী সাধক; শ্রেষ্ঠ—অথোইবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

থৌধর্ম্ম চৎপশিংগী মনুঙদা স্বর্গনচিংবা ফংনবগী কর্ম্ম তৌবা (কর্ম্মী)

মীগী মশিংগী অয়াম্বনী। অদুগুম্বা কর্মী কোটিমগী মনুংদা জ্ঞানী অমত্তং য়াওরবদি মহাক লৌখৎনডাইনী।

নৈনরোল

বেদবিধি-না হায়রবা থবক তৌবা কর্মীশিংগী অয়াম্বনা স্বর্গনচিংবা সুখ ভোগ তৌনীগুবনা মহুৎসী, থবক তাক্তা তৌরি হায়রবদি মহাক্কী সুংডাইবা থিজনদা লৈ। মথোয়গী মরক্তা জ্ঞানী ফংবা য়ায়; করিগুম্বা ফংলবসু, কর্মী কোটিগী মরক্তা জ্ঞানী অমথক্তং য়াওরবদি মহাক অথোইবনী; মরমদি, জ্ঞানীনা জীবগা ব্রহ্মগা খেন্নদে—অমত্তনী হায়না খল্লী; ব্রহ্মদা তিল্হনবা (সাযুজ্য মুক্তি ফংননবা) চিন্তাদা লুপ্‌থিবনা তুংকোইদবা মায়িক সুখগী য়া থল্লুবা তৌদে। জ্ঞানী অশেংবদি মানা পামজবা সাযুজ্য-মুক্তিগী চিন্তা তৌরবসু ভগবানবু ভক্তি তৌয়ি; মরমদি ভক্তিগী কৃপা নত্তনা জ্ঞান অহুতনা কনাদসু মুক্তি পীবা ঙমদে।

মূল ১৪৮

কোটিজ্ঞানী মধ্যে হয়—একজন মুক্ত।
কোটিমুক্ত মধ্যে দুর্লভ এক ভক্ত ॥ ১৪৮ ॥

শব্দার্থ

কোটিজ্ঞানী মধ্যে—জ্ঞানী কোটিগী মনুংদা; হয়—ওই; একজন—মী অমত্তমক; মুক্ত—অরাণ-খুভম-ফংবা (অমুক হন্না পোক্লক্তবা); কোটি মুক্ত মধ্যে—মুক্ত কোটিগী মনুংদা; দুর্লভ—তাঙনা ফংনডাইনী; এক—অমা; কৃষ্ণভক্ত—কৃষ্ণনীংবা মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

জ্ঞানী কোটিগী মনুংদা মী অমথক্তপা মুক্ত ওই; মুক্ত কোটিগী মনুংদা কৃষ্ণভক্ত অমগা য়াওবদি য়াম্না তাঙনা য়াওবনী (নত্রগা ফংবা য়াবনী)।

মূল ১৪৯

কৃষ্ণভক্ত নিষ্কাম,—অতএব শান্ত।
ভুক্তি-মুক্তি-সিদ্ধি-কামী সকলি অশান্ত ॥ ১৪৯ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণভক্ত—কৃষ্ণগী ভক্ত ; নিষ্কাম—মহাক্নী মুংঙাই-পাম্বা (কাম) লৈতবা ; অতএব—মরমঅদুনা ; শান্ত—পুক্নীঙ লৈতাবা (ওই) ; ভুক্তি—ইহকালগী মুংঙাইবা অদুগা পরকালগী স্বর্গনচিংবা ভোগ ; মুক্তি—অরাণ্ খুভম ; সিদ্ধি—অণিমা-নচিংবা সিদ্ধি মীপাল ; কামী—পাম্বা মী ; সকলি—লোইনমক ; অশান্ত—পুক্নীঙ লৈতাদবা (ওই)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণগী ভক্তদি মহাক্নী মুংঙাইবা পাম্দবনীমা পুক্নীঙ-লৈতানা লৈবা ওমী। ভুক্তি-মুক্তি-সিদ্ধি-পাম্বা মীশিংদি পুক্নীঙ-লৈতানা লৈবা ঙমদে।

নৈনরোল

শান্ত—মহাগী মুংঙাইবা পাম্বদি পুক্নীঙ লাঙতক্নে, কৃষ্ণ-ভক্তদি মহাগী মুংঙাইবা থিদে, মরমঅদুনা মাগীদি পুক্নীঙ লাঙতক্নবা হায়বহু লৈতে ; মখোয়গী পুক্নীঙদি ইতপ্ত-তম্মী, মরমঅদুনা মখোয়দি শান্ত ওই। নত্রগা, শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠবুদ্ধিবু শম কৌয়ি ; "শমো মন্নিষ্ঠতা বুদ্ধেঃ"—বুদ্ধি অসী হায়বদি শম অসী লৈবা মীশিংদি শান্ত-নী কৃষ্ণভক্তগী বুদ্ধিদি শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠবুদ্ধিনী, মরমঅদুনা শ্রীকৃষ্ণভক্তদি শান্ত ওই।

ভুক্তি-মুক্তি-সিদ্ধি-কাম—সংসারগী-লন্থুম্ (বিষয়) নচিংবা নত্রগা স্বর্গনচিংবগী ভোগ পাম্বা মীশিং, সালোক্যনচিংবা মুক্তি পাম্বা মখোয়, অনিমা-নচিংবা সিদ্ধি পাম্বা মীশিং, মখোয় লোইনমক মহা-মহাগী মুংঙাইবা থরদি মপাম্মী ; অপাম্বা অসী লৈবা মরম্না মখোয়গী মনহু লাঙতক্নে, ইপা-পাখংলী ; মরমসিনা মখোয় শান্ত ওইবা ঙমদে হায়বদি 'অশান্ত' ওই। নত্রগা, মখোয়গী বুদ্ধিদি মতম পুম্বদা মহাগী মুংঙাইবগী নত্রগা মরম্নাই বিষয়বিরাগ ওইবগী অরাবগী ভুং ইন্দুনা লৈ, মরমঅদুনা শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠবুদ্ধি মখোয়গী লৈবা য়াদে, মরমঅদুনা মখোয় অশান্তনী।

সিদ্ধি—অণিমা-নচিংবা সিদ্ধি নীপাল্ ; মসিদি (১) অণিমা (পীক্নেন্ পীকপা), (২) লঘিমা (য়াংন্নেন্ য়াংবা), (৩) মহিমা (চাউন্নেন্ চাউবা), (৪) প্রাপ্তি (অনীঙ অমীঙবা ফংবা), (৫) ঐশিত্ব (ভৌতিক-সৃষ্টিনচিংবা

শেম্বগী মপু ওইবা), (৬) বশিত্ব (ভূত-ভৌতিক-পু মখা থোংহনবা ঙম্বা), (৭) প্রকাম্য (ইচ্ছা পূর্ণা শুংহনঙম্বা), (৮) কামাবসায়িতা (সঙ্কল্পগী মওং মতুং ইন্না থবক পাঙথোক্পা য়াবা)—অসি সিদ্ধি নীপানী (অষ্টসিদ্ধি-নী)।

(১) অণিমা সিদ্ধিগী মপাম্না পীক্পসী কয়ামুক্ য়াবগে হায়ববু নুংগী মনুঙদসু চঙবা য়াই। (২) লঘিমা সিদ্ধিগী মপাম্না মীনা কয়ামুক য়াংবা ঙম্বগে হায়ববু সূর্য্যকিরণ (নুমীৎকী মশেক) পায়দুনা থক্লোমদা কাখৎপা ঙম্মী। (৩) মহিমা সিদ্ধিগী মপাম্না সাধক অমনা য়াগী শক্ওংদু (আকৃতিদু) চীঙজাও (পর্ব্বত) অমদগী হেন্না চাউথোকপা ঙম্মী। (৪) প্রাপ্তি সিদ্ধিগী মপাম্না কয়িঙম্বা অমবু ফংনীঙবা মতম মতমদুদা হেক্তা ফংবা য়াই। করি হায়নী—নোংদোনথক্কী থাজবু মখুৎনা শোক্পা ঙম্মী। (৫) ঐশিত্ব সিদ্ধিগী মপাম্না ভূত-ভৌতিক সৃষ্টিনচিংবা তৌবা ঙম্মী। (৬) বশিত্ব সিদ্ধিগী মপাম্না ভূত-ভৌতিকপুম্নু বশ তৌবা ঙম্মী। (৭) প্রকাম্য সিদ্ধিগী মপাম্না ইচ্ছা পূম্নমক—করি হায়নী নৈপাক মনুঙদফাওবা, ঈশীঙ মনুঙদা লূপ্নগী ইচ্ছা ফাওবা থুংবা ঙম্মী। (৮) কামাবসায়িতা সিদ্ধিগী মপাম্না সত্যসঙ্কল্প ফংবা য়াই—সঙ্কল্পগী মতুং ইন্না থবক পাঙথোকপা য়াই, করি হায়নী দগ্ধ বীজদগী (চাকথেক্লবা মরূপগী) অঙ্কুর (ময়োন্) চোংখৎহনবা য়াই।

মুক্তি—সালোক্যনচিংবা মখল মঙাগী মুক্তি। হৌজিক রাহং অমা হংবা য়ারে—সালোক্য, সার্ষ্টি, সারূপ্য অমসুং সামীপ্য মুক্তিদা ধামগী হৌনবী ঐশ্বর্য্যনচিংববু পাম্বা য়াই হায়দুনা মখল মরিগী মুক্তিসিবু পাম্বা মীশিংগী পূক্নীঙ লাঙতক্লবা ওইবা য়াই ; অদুগা সাযুজ্যমুক্তিদদি মহাগী তোঙান্ তাবা হায়বদু লৈত্রবনীনা মহাগী নুংঙাইবা পাম্বগী তানজা লৈফম থোক্তে ; মরমদুনা সাযুজ্যমুক্তি পাম্বা মীনা মপূক্নীঙ লাংফম থোকপরা ? সাযুজ্যমুক্তি পাম্বা মহাকী লম্নাই নুংঙাইনীঙবু লৈত্রে হায়বা চুম্মী ; অদুবু মহাগী অরাবা কোক্হন্নীঙবদি লৈরি—সংসারগী মৈচাক্না লৈফম খুদ্রবদা মতুদগী লাম্থোক্নীঙবা হায়বা অদুনা সাযুজ্য-মুক্তি ফংনবা সাধন কনা কনা ঙম্বনা তৌনরিবনী ; মরমদুনা অসিগুম্বা সাধকগী মরমদি সাধক মহাগী ওইজবা রাকম অমদি—হায়বদি অরাবা কোক্কবগী অপাম্বা অমদি মরৈরে ; মসিগুম্বা অপাম্বদি কাম অমনী ; মহাগীদমক খজিক্লং পাম্লিবদা মদু কাম,

ওইগনী ; মতুনা পূর্কীও লাওহন্‌বদি শোয়দবনী । অদুবা কোক্‌নবগীদমক সাধন তৌবা মতুদা ব্রহ্মদা হিন্দুনা ব্রহ্ম ওইনবগী দমক তৌবা সাধন ওইরবদি কমদৌবা ? অদু ওইরবসু মছাগীদমক কৈ.নাম পাম্বা—হায়বদি ব্রহ্ম ওইবগী পোৎরব পামহুনা মরম ওইদুনা সাধন তৌবনী ; মরমদুনা মহুসু পূর্কীও লাওতক্কতাই ওইনবা কাম (অপাম্বা) হায়বহুনী । অদুবা কোক্‌বগী নত্রগা ব্রহ্মত ফংবগী তৌরবসু পাম্বা (কামনা) অদু সাধনগী অরোয়বা মতাঙদসু অতুম মরৈ ; মরমদি হায়রিবা কামনাসী তাস্তোকপ্রগা মাগী মফমদু মেয়নবা অতোপ্পা উদ্দেশ্যসু সাযুজ্যকামীতগী লৈফম থোক্কে ; মরমসিনা মতম পূম্নমক্তা জ্ঞান মার্গগী সাধকপু সাধন-দা চঙশিনবা মরম ওইনা মছাগীদমক করিগুম্বা খরা ফংনিংবা হায়বদুদি মরৈরে ; শ্রীকৃষ্ণ-নিষ্ঠবুদ্ধিসু অসিগুম্বা সাধক-কীদি লৈতে ; মরমদুনা সাযুজ্যমুক্তি পাম্বা মহাকপুসু অশান্ত ওই হায়রিবনী ।

নিত্য অদুগা লোইনমকপু পূম্নমোং য়োংলী (সর্ব্বগ্রাসী) অমদি মখল মথেম্মা শীঙনাইদনা থল্লবা আনন্দ (নুংঙাইবা) থিবা ফংত্রিমথৈ, অদুগা আনন্দদুদা (চিঙনা) (পূর্কীওনা) পুঙচঙ-চঙবা ওমত্রিবমথৈ পূর্কীও লাওতক্কবা লেম্নদি ওইথোক্কে । অসিগুম্বা জাত্তোগী আনন্দদি কেবলমাত্র ভক্তিদমা—লীলারস আস্বাদন-তুনা ফংবা য়াগদবনী । ভক্তি-সুখগী আস্বা-দনসী,—লীলারসগী আস্বাদন অসী ফংবা মীগী পূর্কীওবু ব্রহ্মানন্দনা লেঙ-হন্‌বা ঙমদে ; অদুবু ভক্তিসুখ অমদি লীলারসগী আস্বাদন-দি ব্রহ্মজ্ঞানীগী পূর্কীওবু ফাওবা চিংশনবা ঙম্মী । "ব্রহ্মানন্দ হৈতে পূর্ণানন্দ লীলারস । ব্রহ্মজ্ঞানী আকর্ষিয়া করে আত্মবশ ॥" ২/১৭/১৩৭ ॥ ব্রহ্মজ্ঞানীনা লোই-খম্বা-নাইদবা-রসামৃতসিন্ধু শ্রীকৃষ্ণগী রূপ-গুণ-লীলা-নচিংবগী রা মনা-কোঙনা তাত্রিবফাওবদি মতাক ব্রহ্মানন্দদা লেঙদবমথৈ লৈবা ঙম্মী । শুক-সনক-নচিংবসী মতুগী প্রমাণী । "জন্ম হৈতে শুক-সনকাদি হয়-ব্রহ্মময় । কৃষ্ণগুণাকৃষ্ট হৈয়া কৃষ্ণেরে ভজয় ॥ ২/২১/১১৪/ নব যোগীশ্বর জন্ম হৈতে সাধক জ্ঞানী । বিধি শিব-নারদমুখে কৃষ্ণগুণ শুনি । গুণাকৃষ্ট হঞা করে কৃষ্ণের ভজন ॥ ২/২৪/১১৯—১২০ ॥" মরমদুনা কৃষ্ণ গুণ শিংশত্রিবফাওবা ভক্তিমার্গীগী কৃপা মপুঙফানা ফংত্রিবফাওবা মুক্তিকামীগী—করি হায়নী ব্রহ্মানন্দীগী ফাওবা পূর্কীও লাওদুনা অদুম লৈ, মতম অমুক্‌হাওবা মহাকী

চিত্তসু অশান্ত ওই। ভুক্তি মুক্তি পাম্লিবমথৈ, ভক্তি রাণীগী কৃপাসু—ভক্তি-সুখসু ওইবা য়াত্রিবমথৈ, পুক্নীঙদি অশান্ত ওইগনী। "ভুক্তি মুক্তি স্পৃহা যাবৎ পিশাচী হৃদি বর্ত্ততে। তাবৎ ভক্তিসুখস্যাত্র কথমভ্যুদয়ো ভবেৎ॥ ভ, র, সি, ১/২/১৫॥" মরম পুম্নমকসিনা সাযুজ্য-মুক্তি পাম্বা মীবু অশান্ত-নী হায়দ্রিবনী।

ভক্তিমার্গগী সাধকসু মছাগী অরাবা কোক্নবগীদমক নত্রগা কৃষ্ণ-সেবা তৌরগা নুংঙাইবা পাম্বগীদমক সাধন তৌবসু য়াওরিবনী ; মরমহুনা অহৌবরক্তদা মছাগী অরাবা কোক্নবগীদমক হায়বদি মছাগী নুংঙাইবা ফংববু পাম্বা—মছাগীদমক কৈনো অমত্তং প.ম্বা— সাধকশিংদুগী লৈবা য়াই অমসুং অয়াম্বা মতাঙদা অসিগুম্বা অপাম্বতনা মরম ওইদুনা সাধক-তুনা সাধন-ভৌবা হৌবনী। অদুবু অসিগুম্বা অপাম্বসিনা লৈরিবমথৈ অসিগুম্বা ভক্তিমার্গগী সাধকপুসু নিষ্কাম (অপাম্বা-লৈত্রবা) কৌবা য়াদে—মরমহুনা মহাক 'শান্ত'-নী হায়বসু য়াদে ; অশেংবমক, নিষ্কাম অমদি শান্ত ওইদ্রিমথৈ সাধক অদুগী হৃদিদা ভক্তি থোরকপা য়াদে ; "ভুক্তি-মুক্তিস্পৃহা যাবৎ পিশাচী হৃদি বর্ত্ততে। তাবদ্ ভক্তিসুখস্যাত্র কথমভ্যুদয়ো ভবেৎ॥ ভ, র, সি, ১/২/১৫॥" অদুবু—ঐকান্তিক ওইনা ভজন তৌর-তৌরগা ভগবান্‌গী কৃপাদগী সাধক মাগী মথক্তা হায়খিবা কামনাসী (অপাম্বসী) মাঙখিবা য়াই ; মদুগী মকমদা কৃষ্ণসুখৈকতাৎপর্য্যময়ী (কৃষ্ণগী নুংঙাইরগা লোইরে হায়বা) সেবা তৌনীঙবা (বাসনা)—বাসনাসী পোক্পদা সাধক মতামক্তী ওইজনবা করিগুম্বা অমত্তা লৈত্তবা, করিমুক্ত হায়নি আনন্দস্বরূপ শ্রীকৃষ্ণবু সেবা-তৌবগী হৌনশা ওইবা মহৌশা ওইখি-ত্রিবা হায়দোক্পদা থোক্তবা মন্নুংঙাই (সুখ) অমা ভক্তগী থম্মোইনুংদা হোৎনরবা লৈত্তনা মছানা অদুম লাক্চবা-মন্নুংঙাই অদু ফাওববু পাম্মুদবা, মাগী অপাম্বা হায়ববু শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইরগা লোইবা—সাধক মছাগী লৈজবা পুম্বা থাদোক্তুনা, মছামক্তী নুংঙাই য়াইফবনচিংবা মপুঙ্ফানা মক্ষেৎ-মকায় অমত্তা য়াত্তনা থাদোক্লগা, শ্রীকৃষ্ণগী পোৎলগীদমক্তা ওইনা তৌবা সেবা অদুত্তবু পাম্বা—অপাম্বা অদুনা থল্লোই পুক্নবু হুপ্‌খ্রবা ; "কাম লাগি কৃষ্ণ ভজে পায় কৃষ্ণবশে। কাম ছাড়ি দাস হৈতে হয় অভিলাষে॥ ২/২২/৪১॥" অসিরৌবা ফীভমদা সাধকতুনা য়ৌবা ওয়রবদা মাগী চিত্তদা

ভক্তি থোরক্পা মাই অক্পা, মতমতুদা মহাকপু কাওইবা হায়রগদি কৃষ্ণ-ভক্তনী হায়না খঙবা য়াবে। অদুগুম্বা কৃষ্ণভক্তনী নিষ্কাম ওইবা অমসুং শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠবুদ্ধি ওইবা—মরমদুনা শান্ত ওইবা, পুক্নিং লাংতক্লবা—হাকুব-সিদা কত্রিমতা চিংনবা য়াই দৈকম থোক্কে। অমুক অসিগুম্বা কৃষ্ণভক্তনী মণীগুদি য়াম্না থোক্কে হায়বসিসু ইনাক-লায়না খঙবা য়াই।

হন্দক মপোক্নী নত্রগা হয়েং মপোক্নী মুংঙাইবা কংনবা হায়রুনা মী অয়াম্বনা (কর্মগী ওইবা) সাধন তৌনৈ; মরমদি, দেহগী মুংঙাইবগীদমক লেঙ-লেঙ চংলিবনী। হন্দক মপোক্নী নত্রগা হয়েংমুক মপোক্নী মুংঙাইবা কংনীঙবদু থাদোক্লুনা অরামা কোক্লমবগীদমক্তা, পোক্পা শিবগী খুদুম চন্নবদগী নাম্থোক্লবা হায়রুনা, নত্রগা ব্রহ্মদ কংদুনা মদুগীদমক গৌরব কংননবগীদমক (জ্ঞাননিষ্ঠ) সাধন তৌবা মীগী মণীঙদি য়াম্না য়াম্লে; মরমদি, দেহগী সুখভোগ তৌবদা হৈনরবা মীশিংগী মনুংদা মী খজিক্তনা থুংগী হয়েংমুক মপোক্তা মুংঙাইনীঙবদু থাদোক্পা ঙম্মী, হায়বদি সুখভোগ তৌনবা লেহে মাঙবা পাম্বদো ঙম্মী। মরমসিনা জ্ঞানমার্গগী সাধকশিংগী মণীঙনা কর্মমার্গগী সাধকশিংদগী য়াম্না হৈ। অদুবু অতোপ্পা মীগীদমক আত্মত্যাগ তৌবা ঙম্মা মীতাদি জগৎতা য়াম্না তাঙই। সংসারসিদা ঐখোয়না অরা-অনং য়াম্না উবা ফংঙী; অসিগুম্বা অরা-অমং নংলবা মীগী ফীভম কত্তবদু উরগা কপ্নীবা মীগী মণীঙদি য়াম্লে; কপ্নীবা মীগী মরক্তদু মী থরতনা অরা-নংলবা মীগী মথেং পাঙগদোবগী হোৎনৈ; হেঙবাঙগ-দোবগী চোংথোরক্পা মীশিংদুগী মনুংদসু মখোয় মহা মহাগী স্বার্থ, মহা-মহাগী মুংঙাইবা অমদি সুবিধা থাদোক্লুনা তেঙবাঙগে হায়বগী মীশীঙসু য়াম্না য়াম্খিদরে। অদুনা ঐখোয়না উই—জগৎসিদা, অতোপ্পগী অরা-অনা উরগা অতোপ্পগী সেবাদা চঙশিনবা মরম (হেতু) ফংলবদসু, অদুগা মহাকী মুংঙাইবগী বা কাউথোক্লবা তাঙা কংলবসু—মতমদুদা মহাবু পুম্-কাউ কাউথোক্লগা অতোপ্পগী সেবাদা পুঙলুপ্ লুপ্পা মীগী মণীঙদো য়াম্না য়াম্খিদরে। অদুনদি শ্রীকৃষ্ণসেবাগী বাদি কদায়দুক হায়গনী? মায়ানা তন্নবা জীব ঐখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু উবা ফংদে; শাস্ত্রনচিংবদদা মহাকী বা তাজবতনী; অদুগা অসিমসু নাকোঙনা তাবা ফংঙী—সংসারদা তৌরিব-সিগী মতৌঙ্মা কদিকপা অরা-অনং অমতনক মহাকপু (শ্রীকৃষ্ণবু) শোক্পা

ওহদে—মরমদি মহাক আনন্দস্বরূপ-নী (হুংঙাইবতা মাগী ওইদনী, মতম পূবদা মহাক হুংঙাইহনতা লৈবনী) ; মরমহনা জীবগী বুদ্ধি ওইবা করুণা (থুংশি থৈবা, থৌজাল্) হায়বহনা অতোপ্পগী সেবা তৌহল্লীজবা পুকচেল্লো ইনশন্নুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌনীঙলম্‌গদ্রা হায়বসু চিংনজাইনী। হয়েং তুংদা—মপোক কয়ামুকী সাধনাগী ফল ওইনা আং তুংদা—শ্রীকৃষ্ণসেবাদা পোকহন্নরা সুখ ফংবগী আশাদা মহাগী হৌজিক হৌজিক্কী সুখ-সুবিধান-চিংবা থাদোক্তুনা কৃষ্ণভজনদা চঙহিন্নবা মীতাগী মশীঙনা—সংসারদা অতোপ্পগী অরা-অনা কোক্কনবা হায়হনা মহাগী ওইজবা থাদোক্তুনা লৈবা মীতাশিংবগী—যাংপা হেল্লী ; মরমদি, অজ্ঞানন্দা, সংসারনিদা অতোপ্পগী সেবাদা লুপ্লিবা মীশিংনা মখোয়না সেবা তৌরবা মীশিংগী অরাবা কোক-পন্থু—মমীংনা উবা ফংদ্রী ; মরমহনা সেবাদু তৌবদা মখোয়না ইচঙ থোরম্ব রাই ; অদুবু শ্রীকৃষ্ণভজনগী মতাংদদি ভজন-তৌরিবা মীহনা—মাগী ভজনদু শ্রীকৃষ্ণনা লৌরিরে, লৌবিবা মরম্মা শ্রীকৃষ্ণনা পেন্নবীরে হায়বদু—লাইরীক্তা ফংবা রা নত্তবা—মমীংমক্তা উবদি ফনাদু রাওদে ; মরমহনা ভজন-দা ইচঙ-থোবহু হন্দোরকপন্থু রাগিবনী। অমীগুবদনা, ভজন তৌথ-হুনা লৈরবদি শ্রীকৃষ্ণগী কৃপাগী ফরিগুম্না মতম অমদা শ্রীকৃষ্ণসেবা ফংলবা রাই হায়বনী শাস্ত্রশীদা থত্তনী ; অদুবু শাস্ত্রগী বাবু চেৎনা থাজবদি মী অয়াম্বনা লৈত্তবনা অয়াম্বনা শ্রীকৃষ্ণসেবা ফংবা হায়বদা নিশ্চয় লৈত্তবনী হায়না থল্লী ; নিশ্চয়-থত্তদবু পায়রগা নিশ্চয় থত্তলবা সংসার-সুখবু পূম্থা-থাদোক্তুনা চঙশিনবদি মী খুজিনুক্কনী। মরম ময়ামসিনা, শ্রীকৃষ্ণসেবাগী হুংঙাইবদু ফংনীঙবদগী ভজন-দা চংহন্নবা মীগী মশীংদি য়াম্না য়ামদবনী ; অহুপা, সেবাসুখ পাম্বহুকাওবা থাদোক্লগা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক্তা ভজনশদা চঙহন্নবা মীতানা পাম্বদি শ্রীকৃষ্ণসেবাওনী, অসুম্না পাম্বশিংগী মীতাদি য়াম্না য়াম্রোই। মরমহনা হায়রিবনী "দুর্লভ এক কৃষ্ণভক্ত। ২/১৯/১৫১॥"

শ্লোক ১৫০

মুক্তানামপি সিদ্ধানাং নারায়ণপরায়ণঃ।
সুদুর্লভঃ প্রশান্তাত্মা কোটিষ্বপি মহামুনে॥ ১৫০॥

শব্দার্থ

মুক্তানাম্—হিংলিঙৈদা মুক্ত ওইবশিংগী ; অপি—সু ; সিদ্ধানাং—সাযুজ্য মুক্তি ফংলৌরিবশিংগী ; নারায়ণপরায়ণঃ—নারায়ণগী সেবাদা হনাঙ পুক্নিং-থম্লবা ; সুদুর্লভঃ—য়াম্না কুন্না ফাংবা ঙমদ্রবা ; কোটিষু—কোটিগী মনুঙদা ; অপি—সু ; মহামুনে—হে শুকদেব মহামুনি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোক্পা

শ্রীশুকদেবকী মমক্তা পরীক্ষিৎ মহারাজনা হংলম্বী—"হে মহামুনি ! হিংলিঙৈদা মুক্ত ওইরবা অমদি সাযুজ্যমুক্তি ফংলকপা—অদুগুম্বা মীতা কোটিদগীসু (হেন্বা মরম্না) নারায়ণগী সেবাদা লৈবা ভক্ত অমথক্তং ফংবদি য়াম্না তাঙবনী।

নৈনরোল

মুক্তানাং—জ্ঞানমার্গগী সাধনগী মথাইনা প্রাকৃত দেহদা লৈদুনসু দেহ-নচিংবগী অভিমান-লৈতবা মীশিংগী ; হিংলিঙৈদগী মুক্ত ওইরবশিংগী (জীবন্মুক্তশিংগী)।

সিদ্ধানাং—সাধন-দা সিদ্ধ ওইরবা, শিরগা সাযুজ্যমুক্তি ফংগদবগা নকৎহল্লকরবা মীতাশিংগী। শ্রীপাদবিশ্বনাথ চক্রবর্তীনা হায়, 'মুক্তানাং' অমসুং 'সিদ্ধানাং' হায়বা শব্দ অনীসিদা পঞ্চমীগী অর্থদা ষষ্ঠী বিভক্তি শীজিন্নবনী—ভক্তনা শ্রেষ্ঠনী (হেল্লী) হায়দুনা মুক্তশিংগা সিদ্ধশিংগদগীসু নারায়ণ-সেবা-পরায়ণ দুর্লভনী (য়াম্না ফংবনী)। "মুক্তেভ্যঃ সিদ্ধেভ্যশ্চ সকাশাৎ নারায়ণপরায়ণঃ শ্রৈষ্ঠ্যাৎ সুদুর্লভঃ।" হায়রদি জীবন্মুক্ত ওইবা মী কোটি ফংবা অদুগা জ্ঞানমার্গগী সাধনসিদ্ধ ওইবা মী কোটিগী মফমদা কাওবা ভক্ত ওইবা মী অমত্তং ফংবা য়াম্বনী,—জীবন্মুক্ত ওইবা মী কোটিদগী নত্রগা সিদ্ধ ওইবা মী কোটিদগীসু নারায়ণ-সেবা-পরায়ণ ওইবা ভক্ত অমথক্তা হেল্লী হায়বনী।

শ্লোকসী মূল ১৫১ পয়ারদা হায়খিবা য়াগী প্রমাণনী।

মূল ১৫১

ব্রহ্মাণ্ড ভ্রমিতে কোন্ ভাগ্যবান্ জীব।
গুরু-কৃষ্ণ-প্রসাদে পায় ভক্তিলতা-বীজ ॥ ১৫১ ॥

শব্দার্থ

ব্রহ্মাণ্ড ভ্রমিতে—বিশ্বব্রহ্মাণ্ড কোয়রকৃপনী ; কোন্—কনাগুম্বা ; ভাগ্যবান্—লাইবক-কবা ; জীব—জীবমা ; গুরু-কৃষ্ণ-প্রসাদে—গুরুনে কৃষ্ণগী অনৌমা চানবদগী ; পায়—ফংঙী ; ভক্তিলতা—ভক্তি কৌবা উচীগী ; বীজ—মরু ।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

ব্রহ্মাণ্ড কোয়না চৎলুরগা হায়রবদি যোনি কয়াদা পোক্লুরবা মতুংদা কনাগুম্বা লাইবক্কবা অমনা গুরু অমসুং কৃষ্ণগী কৃপাদগী ভক্তি-লতাগী মরু ফংই ।

নৈনরোল

মথক্কী পয়ারশিংদা কৃষ্ণভক্তিদি ফংবদা যাবনী হায়রবা মতুঙদ মতৌ করম্না ফংবা যাবগে হায়বহু হায়থরকৃয়ি । মহৎকী কৃপাদগী ভক্তি ফংবা যাই । সাধুসঙ্গদা মহৎ-কৃপা ফংলবদি মহুগী মপ্লাইনা কৃষ্ণভক্তিদা শ্রদ্ধা (থাজবা) অহুগা ভজন-দা প্রবৃত্তি নচিংবা (চঙজম্নীংবা) পোক্লি । ভজন দা প্রবৃত্তি পোক্লপদি জীবমা ভজন তৌবা তৌরে ; ভজন তৌবগা লোয়ননা মহৎকৃপা হায়বহুনা মহাগী শক্তিনা ভজন-প্রবৃত্তিবু অমুম অমুম চেংশং-হল্লকৃয়ি, মহুম তৌবনা ভজন প্রবৃত্তিহনা অমুম অমুম নিষ্ঠা, রুচি (পাম্বা), আসক্তিগী থাক্তা কাখৎলকৃযি অহুগা অরোয়বদা শুদ্ধসত্ত্বগা অমতা ওইশম্ন-হুনা (তাদাত্ম্য ফংহুনা) চিন্ময় ওইরকয়ি অহুগা মমৈদা কৃষ্ণসুখগীদমক্তা হায়বা সেবা তৌনীঙবগী মশক-ওইবা প্রেম (নুংশিবা) হায়বহু ওইরকৃয়ি ।

ভক্তিলতাবীজ—মহৎকৃপাদগী ওইবা ভজন-তৌনীঙবা ।

তুংদা লাকদৌরিবা পয়ারশিংদগী থঙবা তহদি অসিনী ; মহুদি—শ্রবণ-কীর্ত্তন নচিংবা সাধনভক্তি তৌবগী মশক ওইবা ঈশীং চাইথম্না হায়রক্ত তৌহুনা ভক্তিলতা বীজ অসিদা অঙ্কুর (ময়োন্) চোংথংলক্লগা অমুম অমুম হোম হোম চাওথংলকৃয়ি, অহুদগী মমৈদা লৈপাল্পা হৈপাল্পা মপুঙফানা ফজহুনা বীজহুগী মপোক মহৈ যানী । অহুগা, শ্রীকৃষ্ণপ্রেম-না (শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা হায়বহুনা) ভক্তিলতাগী মহৈ মী । [illegible] অঙ্কুর পোক্পদি কুলদনী ([illegible]) ; তপ্পেবদি কুশহনা [illegible] ([illegible]) ওইরকপনী ।

[illegible] — [illegible] ([illegible]) [illegible] ; [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]) [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]) [illegible] ; [illegible] ([illegible]) [illegible] । [illegible] ইন্দ্রি [illegible] (কৃষ্ণেন্দ্রিয়-প্রীতি-ইচ্ছা) [illegible] প্রেম ([illegible]) কৌমি ; [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] ইচ্ছাগী মিং প্রেম ([illegible]) কৌমি ; ইচ্ছাসী প্রাকৃত [illegible] [illegible] ; [illegible] প্রাকৃতচিত্ত [illegible] ইচ্ছাসী [illegible] ; [illegible] সংসারদা [illegible] শ্রীকৃষ্ণসেবা [illegible] ইচ্ছা [illegible] — ইচ্ছাসী প্রাকৃত মনগী [illegible] ; [illegible] ইচ্ছা [illegible] । সাধারণ [illegible] প্রাকৃতচিত্ত [illegible] ইচ্ছা [illegible] ([illegible]) [illegible] সাধারণ [illegible] ইচ্ছা [illegible] ([illegible]) [illegible] ; [illegible] সাধারণ প্রকৃতি [illegible] , [illegible] , ([illegible]) [illegible] — [illegible] (সংসার [illegible]) [illegible] ; ([illegible]) [illegible] ([illegible]), [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]) [illegible] ; [illegible] ([illegible]) [illegible] ;

(ক্রমবিকাশগী) তোঙান্ তোঙানবা থৌওম্নী ; ভক্তি-লতা শীজন্নরকপা সামক্কি পোক্লবদি থক্লকনী—চিত্তদা বৃত্তি বৃত্তি ফাওইবদু মাওংদা চিত্তনা নিপুর্নতা (থকনা) কয়থুনা ভক্তগী ওইরকপগী মতৌ শক্তিনা ওইদে হায়বা ; মতমথুদা চিত্তথুদা ভক্তগী খোঙথুনা চিত্তবু ভক্তগী হাগী চিত্তগী অমুক ভক্তগী ওইবা হায়বদি ভক্তশক্তি তাদাত্ম্য ওইবা চিৎ সিদা ভক্তসত্তথুনা শক্তিগী মগক লৌনবদি অমসুং প্রতি (কৃপিসা) থাদিনা অসুম অসুম হোম লোক তাওবদা কৃপাগী লোয়বনা প্রকৈদা কৃষ্ণপ্রেম হায়বদু ওইরকপ্পি । ভক্তগী থোম্নকপা চিত্তদা ভক্তসত্তা লোয়নদা তাদাত্ম্য ওইবা কালেকপা চিত্তগী বৃত্তি পূর্নমক্ ভক্তসত্তা লোয়ননা তাদাত্ম্য ওইবা কংজী—চিত্তবৃত্তিশিংথুনা প্রাকৃত ওইরম্ মাওংদি অথুপা চিন্ময় ওইরক্পি । সংসারগী মরাইনা জীবগী চিত্তদা পোক্লপা ভজন প্রবৃত্তি অথুপা সাধন-ভক্তি তৌবগী অসুম অসুম ওইবলোকুনা মরেক কারকপগী নিষ্ঠা, রুচি অমদি আসক্তিগী মগক লৌবলক্লবসু প্রাকৃত ওইবা মন-গী বৃত্তিনী হায়না লৌনরবদু ভক্তসত্তগী লোয়নবদগী তাদাত্ম্য ওইরকুনা মতমথুদা অদু চিন্ময় ওইরক্পি । জীভমশী ওইরবদা, ভজন-প্রবৃত্তি-গী হৌরথুনা নিষ্ঠা, রুচি অমসুং আসক্তি; প্রতি-নচিংকপগী প্রেম কাওবা তোঙান্-তোঙানবা ভঙবু (থাক, তাঙকপু) ভজন-প্রবৃত্তিদুমক্তা হায়বদি কৃষ্ণসেবা-বাসনা অদুমক্তা তোঙান্-তোঙানবা বিকাশ-অবস্থা-নী হায়না লৌবা য়াই । জীভম অদুমক্তা মরামসিংগী মমূঙদা ভজন-প্রবৃত্তি হায়বসী থ্রায়দগী ইনেম নেম্বা স্তর-নী হায়বদি কৃষ্ণসেবা বাসনাগী শাস্ত্রিবা কীওম্নী অথুপা প্রেম হায়বসিনা বাংলেন্নরবা স্তর-নী হায়বদি কৃষ্ণসেবা তৌবীওবগী মপুঙফানা শাংকার-রবা কীওম্নী । বীজগী (মরুগী) পরিণতি-দি অঙ্কুর-নী, অঙ্কুরগী পরিণতি-না লতানী—শাখা-প্রশাখা-পত্র-পুষ্পনী, পুষ্পগী (ইলপানগী) পরিণতিদি (ওইবলকপগী অরোইবা মতাঙদি) ফল (উঁহে) হায়রকুনী—হায়না থাজিনদি কৃষ্ণসেবা-বাসনাবু ভক্তি-লতা লৌনা য়াই অথুপা কৃষ্ণসেবাগী বাসনাবু ভক্তিলতা কৌরগদি ভজন-দা ওইবা প্রবৃত্তিবু (হায়বদি লতাগী অঙ্কুর অবস্থাবু—কোঙতদাবুদ্রিনা শীওম্ —ভক্তিলতাগী বীজ (মরু) অথুপা প্রতিবু মরাক ইলপান্ (ফুল) ; অদুগা প্রেমবু মরাকা ফল (উঁহে) কৌবা য়াই । অসিগী তাইবঙ তাইবদা কীজ-থাঙথুন অইরকপকমদা অথুপা মরা

(চেষ্টা) [illegible] অমুক প্রেম [illegible] চাওথংবা [illegible] ; [illegible] [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—নিষ্ঠা, রুচি, আসক্তিগী অবস্থাদু [illegible] [illegible] প্রেমগী মথক-চোরকুরি।

মাহং অমা হংবা য়াই, সৎসঙ্গ-নচিংবা তৌরবস্থু মহাযশস্থুনা কনা গুনগী চিত্তদা ভজনগী প্রবৃত্তি পোকহনবদি মহুবু ভক্তিলতাগী বীজনী হায়বা য়াগদ্রা ? পাউখুম—মহামনস্থা খোয়রূপা ভজন-প্রবৃত্তিদুনা মহৎকৃপা কয়ে-বদি মহুবু ভক্তিলতাগী বীজ কৌবদা নাত্তে চারোই ; মরমদি, ভজনগী অনুষ্ঠান তৌরগনু মহুদগী প্রেম কংবা য়াগনী হায়বা উবা ফংদে। "মহৎ-কৃপা বিনা কোন কর্ম্মে ভক্তি নয়। কৃষ্ণভক্তি দূরে রহু, সংসার নহে ক্ষয়॥ ২/২২/৫১॥" খুদম অমনা মসী থত্তবা [illegible] হোৎনসী। কৌ-দগী কৌপানী ওইরকপনী, পাম্বীদুদা কৌ পাম্লী। কৌগী মনুংদা চেঙ লৈ, মহুগী মনুংদা অঙ্কুরগী; পাম্বীগী অমম্বুং মহৈগী মশকওইব। কৌগী মচাক্ লৈ; তৌরিগুমহুং মহু হায়রগনা য়োম্নগ মকু-য়াওরবা—রাই য়াওদবা—চেঙগী কদৌমৈদম্থু অঙ্কুর চেংংলোই—ঈশীঙ চামরক চাইরগম্থু চে ংলোই। চেঙবু য়োম্লিবা রাই অদুনা অঙ্কুর-অশাদগী চেঙবু—অদুগা চেঙগী পোংথোকহনবা উৎপা-দিকা) শক্তিবু হাক্শেল্লী ; অদুদম্থু নত্তে, য়োম্লিবা রাই অদুনা চেঙদা উৎপাদিকা শক্তিম্থু পীবা মাম্লী। মত্রগদি অঙ্কুর-অশাদগী ভাক্শেল্লবা অদৈ পোং অমনা য়োম্রবম্থু অঙ্কুর (মযোন) অদুম্ চোংগনী। অঙ্কুর-নচিংবা মচাক্ল চেঙগী মনুংদা সৈন সৈনমক আবরণগী মতেঙ নত্তনদি অঙ্কুর চোংঙ্ হায়বা য়াদবগুম কনাগুনগী ভজন প্রবৃত্তিদুনা কৃষ্ণসেবা ঙৌনীঙবগী [illegible] [illegible] মহৎকৃপাগী মতেঙ নত্তনদি মহক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়াগোই। [illegible] মহামনস্থু খোয়রূপা ভজন-প্রবৃত্তিগী শক্তিদা ভগবানগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ; অদুবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহৎকৃপাদা—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] ভক্তিলতাগী বীজ [illegible]।

কনাগুম্বনা থন্নী, পয়ারসিদা 'ভক্তিলতার বীজ' হায়রিবসে মতিংবু [illegible]নী ; মতম্ মতম্ য়াইত চাবে য়াম্না থক্লা য়াই। মতম্গী মতমদি [illegible]নী। ভক্তিরসামৃতসিন্ধু চিংবা ভক্তিগী খুদম্গী থক্লা অমদি সাধনভক্তি তৌবগী মতম্গী মতুং ইনা রতি পোক্লি—হায়বসিনী ; অহানবদা সাধন-ভক্তি, মতুংগী-মতুংদা রতি। রতি পোক্পগী মরম মনা—সাধনাভিনিবেশ (সাধন-দা, পুক্নিং, চুম্না), অহুম্না কৃষ্ণ-কৃপা, অমসুং কৃষ্ণভক্তগী কৃপা ; কৃষ্ণকৃপানা নত্রগা কৃষ্ণভক্তগী কৃপানা রতি পোক্লবদি মতাংতগী সাধন চত্তুনা য়াদ্রে কৃষ্ণগী কৃপানা নত্রগা কৃষ্ণভক্তগী কৃপানা খত্তোক্লবদসু রতি পোক্লকই (ভ, র, সি, ১/৩/৫)। মসিনা পয়ারসিগী অর্থদা লাক্লিবা পয়ারগী শ্রবণ কীর্তন-নচিংবা সাধনভক্তিগী মা হায়রিবসিদগী খঙবা ফংদে, মতমসিদা কৃষ্ণ-কৃপা নত্রগা ভক্তকৃপা-দগী, পোক্পা ভক্তিগী মা হায়বে, হায়বসিনী, সাধন-দা অভিনিবেশ ওইবদগী পোক্পা ভক্তিগী মা হায়রি ; মসিনা হায়রি—অহানবদা সাধনভক্তি তৌবা, মতুংদা রতি পোক্পা। অদুবু শ্রীপাদ কবিরাজ-গোস্বামীনা অহানবদা ভক্তিলতাগী বীজ ফংবা, মতুংদা বীজগী মরমদা সাধন-ভক্তি তৌবগী মতম ওইবা উপাঙ-চাইবগী মা হায়রবসিদগী তশেংনা খঙবা ফংদি—ভক্তিলতাগী বীজ হায়রগা মহাক্না বীজবু লক্না তৌরা নত্তে হায়বসিনী ; মতিদি ভক্তিলতাগী পুষ্প (লৈপাক্ল) ওইনা হায়বসু হায়না হায়রে।

[illegible] ".... কৃষ্ণভক্তি [illegible] ২/২২/৮৩ ॥" [illegible] ভক্তিলতাগী বীজ [illegible] (সাধুসঙ্গ) [illegible]

নিমিত্তকারণ ওইবা য়াই—সাধুসঙ্গগী মযাইদা ভক্তি পোকৃয়ি হায়রূনা ; সাধুসঙ্গদি সাধন-ভক্তিগী মমুং চল্লী—বাকমগী মহুৎতগন্তু সাধুসঙ্গনা ভক্তিগী বীজ ওইবা য়াদে, ভক্তিলতাগী হোম হোম চাওখৎপা নিমিত্ত-কারণ ওইবা য়াই। সাধুসঙ্গদগী সাধুগী কৃপা—মহৎকৃপা—ফংজৌ, মহৎকৃপাদগী ভজন-দা প্রবৃত্তি পোকৃয়ি, মহৎকৃপানা ভজনপ্রবৃত্তিবু ডাক্‌শল্লী, য়োকৃয়ি অমদি হোম হোম চাওখৎহল্লী ; মরমহুনা মহৎকৃপানা তেংবাঙলবা ভজন প্রবৃত্তি-তনা ভক্তিলতাগী বীজ-নী। করম্বা মীতাগী ভক্তিযোগনা সিদ্ধি পীবা ঙম্মী হায়বন্থু শ্রীমদ্‌ভাগবতম্‌গী "যদৃচ্ছয়া মৎকথাদৌনচিংবা ১০/২০/৮ শুবা শ্লোক অহুদা হায়রি ; শ্লোকসীগী টীকাদা শ্রীজীব গোস্বামীনা হায়রম্মী "যদৃচ্ছয়া কেনাপি পরমস্বতন্ত্রভগবদ্‌ভক্তসঙ্গতৎকৃপাজাতমঙ্গলোদয়েন—মনীঙতম্বমকোক ভগবদ্‌ভক্তগী সঙ্গগী মপান্না ভক্তংগী কৃপাদগী লাইবক-ফগৎপক্লবা মী মাগী ভক্তিযোগদি সিদ্ধি পীবা ঙম্মী। ভক্তিরসামৃতসিন্ধুদা হায়রি—'অতি ধন্য ওইরবা মীশিংগীদি' সাধন-অভিনিবেশনা অমসুং কৃষ্ণ-কৃপাগা কৃষ্ণভক্তগী কৃপাগনা রতি পোকৃয়ি। ১/৩/৫।" মফমসী 'অতি ধন্য' হায়বা শব্দগী টীকাদা শ্রীজীবনা ইরম্মী—"অতিধন্যানাং প্রাথমিক-মহৎসঙ্গজাত-মহাভাগ্যানাং—অহানবদা মহৎ-সঙ্গদগী পোক্‌পা মহাভাগ্য (লাইবক য়াম্না ফবা) পোক্লবা মীশিংগী" সাধনাভিনিবেশ ওইবদগী মথোয়গী চিত্তদা রতি পোকয়ি। মতাঙসিদা অহানবদা—ভজন হৌদ্রিডগী মমাঙদা মহৎকৃপা ফংদবা য়াদে হায়বগী ৱাকম অমা ফংবা ঙম্মী। মহৎ-কৃপাসী কৃষ্ণভক্তিগী নিমিত্ত কারণ-নী ; সাধুসঙ্গদা মহৎ-কৃপাগী ফল ওইনা কৃষ্ণভক্তিদা শ্রদ্ধা (থাজবা) পোকৃয়ি (সতাংপ্রসঙ্গান্মম বীর্য্যসংবিদঃ-নচিংবা। শ্রীভ, ৩/২৫/২৪। সাধুসঙ্গে কৃষ্ণভক্ত্যে শ্রদ্ধা যদি হয়। অসিন-চিংবা ২/২২/৪৯।), অতুদগী ভজন-দা প্রবৃত্তি পোকৃয়ি অমসুং মহৎকৃপাগী শক্তিনা সাধনভক্তি ভৌবগা লোয়ন-লোয়ননা ভজন-প্রবৃত্তিহুনা মোংম-নোংমগী হোম হোম চাওখৎলক্‌পনা নিষ্ঠা, রুচি অমদি আসক্তিগী থাক্তা কাখৎলকৃয়ি অমসুং তুংদা শুদ্ধসত্বগা লোয়ননা তাদাত্ম্য ওইহনখিহুনা কৃষ্ণগী মুংঙাইবা হায়বা অহুমথক্তনা মকোয়ংগে হায়বা সেবা পাবগী মশক ওইবা প্রেমহু ওইখৎলকৃয়ি। ভজন হৌখৎলক্‌পগী অহানবমক্তদা নত্রগা মমাঙদা মহৎকৃপা ফংবগী বাকমসী লক্ষ্য ওইনা থক্লগা হায়রম্মী—

গুরুকৃপাপ্রসাদে পায়—ভক্তিলতাবীজ গুরুগী কৃপানা নত্রগা কৃষ্ণকৃপানা ভক্তিলতা হায়রিবসিগী বীজ কংবা ঙম্মী।' 'গুরুকৃষ্ণপ্রসাদ' হায়রগা মফম-সিদা মহৎকৃপাবু লক্ষ্য তৌরিবনী। মহৎকী লক্ষণ-দি গুরুগী লক্ষণগী মযুং চল্লিবনী; গুরুগী লক্ষণ য়াওবা মীদা মহৎকী লক্ষণসু য়াওরিবনী; মরম-ছুনা গুরুকৃপাসু মহৎকৃপানী। অছুগা, কৃষ্ণকৃপাদি মহৌশানা শক্তম অনী থোক্না ফোঙদোকৃয়ি। "কৃষ্ণ যদি কৃপা করে কোন ভাগ্যবানে। গুরু অন্তর্যামিরূপে শিখায় আপনে।২২/৪৭। শ্রীকৃষ্ণনা কৃপা তৌয়ি—গুরু ওইনা, অছুগা অন্তর্যামী ওইনা। গুরুকৃপাগী বা হান্না হায়খ্রে। অন্তর্যামীগী হায়বদি চৈত্ত্যগুরুগী (ক্ষেত্রজ্ঞগী) ইঙ্গিত জীবশিংনা খঙবা ঙমদে হায়ছুনা শ্রীকৃষ্ণনা মহান্ত ওইনা জীবদা কৃপা তৌবী—"জীবে সাক্ষাৎ নাহি তাতে গুরুচৈত্ত্যরূপে। শিক্ষাগুরু হয় কৃষ্ণ মহান্ত স্বরূপে। ১/১/৫৬। মরমছুনা গুরুকৃপাগা কৃষ্ণকৃপাগনা মহৎকৃপা ওইরবনী, অমসুং অসুম্না অর্থ হল্লবদি অমাঙদা পনুখিবা "পরম-স্বতন্ত্র ভগবদভক্ত সঙ্গ তৎকৃপাজাত মঙ্গলোদয়েন" অমসুং "প্রাথমিক-মহৎসঙ্গজাত-মহাভাগ্যনামিত্যাদি" বাক্যগী মিল ওইদে।

মতৌঅসুম্না সাধুসঙ্গদগী মহৎকৃপাগী ফল ওইনা কৃষ্ণভক্তিদা জীবগী পোক্পা শ্রদ্ধাছু, ভজন-দা জীবগী পোক্পা প্রবৃত্তিদো মহাকী ভাগ্য-নী। সাধনভক্তিগী অধিকারগী বা হায়বদা ভক্তিরসামৃতসিন্ধুনা হায়রম্মী—"যঃ কেনাপ্যতিভাগ্যেনজাতশ্রদ্ধোঽস্য সেবনে। অসিনচিংবা—অয়োবী লাইবক লৈবনা শ্রীকৃষ্ণসেবাদা শ্রদ্ধা পোক্লবা মহাকী"—অছুগুম্বা মহাক্তো ভক্তিবিষয়দা অধিকারীনী (মতীকচাবনী—যোগ্যনী)। ১/২/৯। শ্লোক-সিগী টীকাদা শ্রীজীবগোস্বামীনা হায়রম্মী—"অতিভাগ্যেন মহৎসঙ্গাদিজাত-সংস্কারবিশেষেণ—মহৎসঙ্গদগী পোক্পা সংস্কারবিশেষবু মফমসিদা ভাগ্য-শব্দনা তাক্লিবনী।" মরমছুনা সাধুসঙ্গ সাধুকৃপাগী মপান্না পোক্পা কৃষ্ণ-ভক্তিদা লৈবা শ্রদ্ধা অমসুং ভজন-দা ওইবা প্রবৃত্তিনচিংবসী জীবগী সৌভাগ্যনী (লাইবক ফবনী)। নৈনরিবা পয়ারদা ভাগ্যবান্ জীব হায়রগা খঙনপদৌরিবসী মহৎকৃপানা কৃষ্ণভক্তিদা লৈবা শ্রদ্ধানচিংবা ভাগ্যনা য়াগী ওইরিবা, অছুগুম্বা জীববু লক্ষ্য তৌরিবনী। ভাগ্য অসী মহৎকৃপাগী ফল অমগা কার্য্যনী (থৌদোক); অছুগা মহৎকৃপা নত্রগা

কৃষ্ণপ্রসাদ—কৃষ্ণগী কৃপানা—ভাগ্যহ্ন ওইহল্লুবনী। অত্থনু নৈনরিব: পয়ারগী যথাশ্রুত (অম্বুক: নাকোঙনা তারা) অর্থ লৌরগদি—ভাগ্যনা" কারণ (থোরকৃফম) হায়বত্থ অত্থগা "গুরুকৃষ্ণপ্রসাদনা কার্য্য (থোরকৃপা থুবক) হায়বত্থনী; যথাশ্রুত অর্থগী মতৈ চাবা অর্থ নত্তে; মরমদি, গুরুকৃষ্ণপ্রসাদ নত্রগা মহৎকৃপা-দি অহৈতুকীনী—মত্থগী কারণ অমত্তা লৈবা য়াদে, জীবগী করিগুম্বা ভাগ্যনা মত্থগী হেতু (থোরকৃফম) ওইবা য়াদে। অত্থম ওইনমক, পয়ারসিদা কার্য্যবু কারণ ওইনা অমসুং কারণবু কার্য্য ওইনা পল্লুবগী মরমদি অসিনী, মসী মথক অমগী অতিশয়োক্তি অলঙ্কার-নী; মসিনা কার্য্যগা কারণগা বিপর্য্যয় (ওল্লৈনবা) ওই; "আদৌ কারণং বিনৈব কার্য্যোৎপত্তিঃ পশ্চাৎ কারণোৎপত্তিরয়মেব কার্য্যকারণয়োর্বিপর্য্যয়স্তত্র চতুর্থী অতিশয়োক্তি জ্ঞেয়া। —অলঙ্কারকৌস্তুভ। ৮/১৫—টীকায় চক্রবর্ত্তী।" কার্য্যত্থ য়ায়থুনা ওইরবনী হায়বা অতিশয়োক্তিসিনা তাক্পনী। "তদ্বিপর্যয়েণোক্তিঃ কার্য্যস্যাতিশৈঘ্র্যবোধিন্যতিশয়োক্তিশ্চতুর্থী-জ্ঞেয়া। শ্রী, ভা, ১০/৫১/৫৩ শ্লোকসিগী টীকাদা চক্রবর্ত্তী।" তাৎপর্য্যদি অসিনী মত্থদি—মহৎকৃপা লৈরবদি কৃষ্ণভক্তিদা শ্রদ্ধানচিংবগী মশক ওইবা সৌভাগ্য য়ায়া থুনমক ওইরবনী।

মূল ১৫২

মালী হঞা করে সেই বীজ আরোপণ।

শ্রবণ-কীর্ত্তন-জলে করয়ে সেচন॥ ১৫২॥

শব্দার্থ

মালী হঞা—মালী ওইদুনা; করে—তৌরি; সেই বীজ—ভক্তি-লতাগী বীজ (মরু); আরোপণ—লৈপাক্তা ফুম্মী; শ্রবণ—নাকোঙনা তারা; কীর্ত্তন—চীম্না শেংনবা (হায়বা); জলে—ঈশীঙনা; করয়ে—তৌরি: সেচন—চাইবা, হৈংবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(ভক্তিলতাবীজ-ফংবা লাইবক ফবা) মী মহাত্মা মালী ওইদুনা বীজত্থ লৈপাক্তা ফুম্মী অত্থগা শ্রবণ-কীর্ত্তনগী মশক ওইবা ঈশীঙ হৈথে।

মৈনরোল

আরোপণ—লৈপাক মনুঙদা ফুম্নগা থাবা। উহৈগী মরূ (বীজ হু) লৈপাক্তা ফুম্নগা থায় ; ভক্তিলতাগী বীজদি কদায়দা থাগনী ? চিত্তদা—সৎসঙ্গগী মপান্না পোকপা ভজন-প্রবৃত্তি (মসী ভক্তিলতাগী বীজনী) অদুবু চিত্তদা অদুম য়াকাইদুনা লৈহনখদোবনী ; উহৈগী বীজবু (মরূবু) লৈপাক্তা ফুমদুনা থম্ববু রোপণ (থাবা) কৌয়ি ; ভক্তিলতাগী বীজবুসু চিত্তগী মপক ওইবা লৈপাক্কুংদা থম্বা তারে, মদুম তৌরগা বীজদু মকম অতৈদা চৎখিদনবা। শ্রবণ কীর্তননচিংবনা ওইগদবনী ভক্তিলতাগী বীজদা ঈশীঙ হৈংবা হায়বহু। ঈশীঙ হৈংরগা উহৈগী মরূনা ময়োন চোংলকপা, হোম হোম চাওখৎলকপা অদুগুম্না শ্রবণ-কীর্তন-নচিংবা তৌরগা ভক্তিলতাগী বীজসু ময়োন্ চোঙলগা হোম হোম চাওরকয়ি। মরূবু লৈপাক্তা ফুমদ্রবদি অদুগা ফুম্নগসু ঈশীঙ হৈংদ্রবদি মরূগী ময়োন্ (অঙ্কুর) চোংদে, চোংদবগী রাদি থমগ্রদুনা মরূদু কাওবা য়াঙ-তাকয়ি, মতৌ অদুগুম্না সৎসঙ্গগী মপান্না ভজন তৌনীঙলকপদুবু হৃদিক্সিংদা কাঙদুনা থমদ্রগদি অমসুং কাঙদুনা থম্নগা নিয়ম নাইনা শ্রবণ-কীর্তন-নচিংবা তৌদ্রবদি ভজন-তৌনীঙবদুগী মপাঙল হদ্রকনী, অহোইনদুম অসুম অসুম ভজন তৌনীঙলক্লোই।

মূল ১৫৩

উপজিয়া বাঢ়ে লতা ব্রহ্মাণ্ড ভেদি যায়।
বিরজা ব্রহ্মলোক ভেদি পরব্যোম পায় ॥ ১৫৩ ॥

শব্দার্থ

উপজিয়া—পোক্লগা ; বাঢ়ে—হোম হোম চাওখৎলকয়ি ; লতা—ভক্তি লতানা ; ব্রহ্মাণ্ড ভেদি—ব্রহ্মাণ্ড কাওদুনা ; যায়—চৎলী ; বিরজা—বিরজা ; ব্রহ্মলোক—ব্রহ্মলোক ; ভেদি—কাওদোকদুনা ; পরব্যোম—প্রাকৃত-নত্তবা আকাশ (অতিয়া) ; পায়—ফংলী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভক্তিলতানা পোক্লগা হোম হোম চাওখৎলকয়ি ; অদুগা ব্রহ্মাণ্ড কাওদোকদুনা চৎথি, অদুম্না বিরজা, ব্রহ্মলোক কাওদোকদুনা পরব্যোম ফংলী।

নৈনরোল

লতা—ভক্তি কৌবী উপমা ; শ্রবণ-কীর্তন-নচিংবগী মশক ওইবা ঈশিং হৈংবনা—লৈপাক্কী মুখ্খিবা ভক্তি লতাগী বীজ অহুনবী মরেন্ (অঙ্কুর) চোংঙী, অহুরহুনা অমুক চাউখৎলকুনা ভক্তিলতা ওইরকুনি। ঈশীং হৈংবগী মশাগী লতাগী অশুম অশুম চাওবা হেক্লৎলকনি, অশুম-শুম হেক্লৎলকপহুনা ব্রহ্মাণ্ড ভেদি যায়—ব্রহ্মাণ্ড কাওদোক্লগা, মথক্রোমদা কাখৎলকনি। প্রাকৃত লতা অমনা চাউবা অশুম অশুম হেক্লৎলক্লগা অথাক্লোমদা কাখৎলকনি : কায়দোওকম অমা কংলেগদি অশুম হেক্লৎলক্লমগু কায়দোওকম্মুদা য়েতুনা মথক্তা অমুক কাখৎপা ওয়দে। প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ডদা স্বর্গলোক, তপোলোক, সত্যলোক-নচিংবা ভোগলোক (ভোগ তৌবা মাবা মফম) লৈ ; কর্মফল মতুং ইন্না জীবনা হায়রিবা লোক-শিংসিদা লাকনি। শ্রবণ-কীর্তন-গী মশক ওইবা ঈশীং চাইবা অহু ফংলহুনা ভক্তিলতাহু অশুম অশুম চাউখৎলকুনা ভোগলোক মখাগসী লাংথোকুনা চৎলী। মসিগী ভাবার্থদি অসিনী মহুদি—কনাগুম্বা মীগী চিত্তদা ভক্তি পোক্লবদি করিগুম্বা ভোগলোক-অমগী সুখভোগনা মীহুবু শুথহৎপা ওয়দে। মহাকী মপূক্লীওহুনা প্রাকৃত ব্রহ্মাণ্ডবু কাওদোকুনা প্রাকৃত-নত্তবা ভগবদ্ধামগী মায়কৈরোমদা চেনুশল্লী। ভক্তিগী মপাগ্না মাগী কর্মফল পূর্নমক মাঙলী, মরমহুনা ভোগলোক অমহুনা মহাকী ভক্তিনা পোংদোক্লবা ঙম্বনা মথক্ত কাখৎপহু ঙিংবা ওয়দে।

বিরজা ভেদি—ভক্তিলতানা বিরজা কাওদোকুনা চৎলী। বিরজা-দি কারণসমুদ্র হায়বহুনী। মহাপ্রলয়দা জীবনা সূক্ষ্ম ওইনা কারণ সমুদ্রসিদা কর্মফল-দা কায়দোওহুনা লৈ। ভক্তিলতানা কারণসমুদ্রসিবুসু লাংথোকুনা চৎলী ; কারণসমুদ্রসিদা করিগুম্বা পোংত্তা কায়দোওহুনা লৈবা য়াদে। ভাবার্থদি অসিনী মহুদি—কনাগুম্বা জীবগী হৃদিদা ভক্তি পোক্লবদি মহাকী কর্মফল মাঙখ্রে ; (শ্রীভা, ১১/১৪/১৯ ; ভ, র, র, সি ১/১/৫) ; মরমহুনা মহাপ্রলয়গী মহাক কর্মফলদা কায়দোওহুনা বিরজাদা লৈগদবা নত্তে, মরমদি মহাকী কর্মফল লৈত্রে।

ব্রহ্মলোক ভেদি—ভক্তিলতানা ব্রহ্মলোক অসুবু কাওদোকুনা চৎলী। বিরজাগা পরব্যোমগা অনীগী মরক্ত মতাংলোকপী (জ্যোতির্ময়)

ধাম অহুবু ব্রহ্মলোক নত্রগা সিদ্ধলোক কৌয়ি ; জ্ঞানমার্গদা সাধন তৌরগা সাযুজ্যমুক্তি ফংবা-য়াবা মী (অধিকারী) শিংবুবশিং নত্রগা শ্রীহরিগী খুত্তা শিরবা দৈত্যশিংবা নিত্যধামসিদা জ্যোতিঃস্বরূপ ওইনা লৈ। ভক্তিলতাদি ব্রহ্মলোকশিংবু কাওদোকুনা চংলী, মরুমসিদমু ভাইতনা লৈখোক্কে। ভাবার্থদি অসিনী মহুদি— ভক্তিরাগীনা কৃপা তৌরবা মীগী ব্রহ্মলোক-না হায়বদি ব্রহ্মানন্দনা তমহংবা ওয়দে ; মরমদি "ব্রহ্মানন্দ হইতে পূর্ণানন্দ কৃষ্ণগুণ। অতএব আকর্ষয়ে আত্মারামের মন।" ব্রহ্মানন্দ-দগী কৃষ্ণগুণা মপুঙফাবা আনন্দনী (মুংগাইবনী) ; মরমহুনা আত্মারামগী মন অহুব ওয়মুংলী। ২/১৭/১৩৯। খোইদোক্কা সাযুজ্যগী অধিকারীশিংনি কৃষ্ণসেবা ফংদে।

পরব্যোম—ব্রহ্মলোক অমসুং কৃষ্ণলোক অনীগী মরক্তা লৈবা ভগবানগী ধাম। বৈকুণ্ঠ, শিবলোক-নচিংবা ভগবদ্ধাম পুম্নমক পরব্যোম-সিদা লৈবনী। শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসমূর্তি নারায়ণহুনা পরব্যোমগী অধিপতিনী (মপুংগোনী)। সার্ষ্টি, সারূপ্য, সালোক্য অমসুং সামীপ্য হায়বা মুক্তি মখল মরিসিগী অধিকারীশিংনা পরব্যোমসী কংলী। ভক্তিলতানা পরব্যোম-সিবুসু লাকখোকুনা চংলী। ভাবার্থদি অসিনী মহুদি— শুদ্ধা (মক্তবা) ভক্তিনা কৃপা তৌরগদি সাধক অমনা মুক্তি মখল মরি ফাওবা পামদে, শ্রীকৃষ্ণসেবা নত্তনা মুক্তি মখল মরিসি পীরবফাওবদা মখোয়না লৌদে। "সার্ষ্টি-সারূপ্য-সালোক্য-সামীপ্যকত্বমপ্যুত। দীয়মানং ন গৃহ্ণন্তি বিনা মৎসেবনং জনাঃ॥ শ্রীভা, ৩/২৯/১৩॥"

মূল ১৫৪

তবে যায় তদুপরি গোলোক বৃন্দাবন।
কৃষ্ণচরণ-কল্পবৃক্ষ করে আরোহণ॥ ১৫৪॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী পরব্যোম থাদোকপগা ; যায়—চংলী ; তদুপরি—মহুগী মথক্তা ; গোলোক বৃন্দাবন—শ্রীকৃষ্ণলোক, ব্রজলোক ; কৃষ্ণচরণ-কল্পবৃক্ষ—কৃষ্ণচরণগী মশক ওইবা কল্পবৃক্ষ ; করে—তৌই ; আরোহণ—কাখৎপা।

মৈতৈলোনগী হন্দোকপা

অচুম্বী (হায়বদি পরব্যোম থাবোক্লবা) মচুগী মথক্তা গোলোক বৃন্দাবন চৎলী অদুগা কৃষ্ণচরণ হায়বা কল্পবৃক্ষ অদুদা কাখৎলী (ভক্তিলতানা)।

নৈনরোল

কৃষ্ণচরণকল্পবৃক্ষ— উরী হায়বা পাম্বীদি ক্লায়দোংকম (য়েংকম) য়াওজ্রবদি নৈবা-হৈনদে। উরী পুম্নমক উপাম্বী পুম্নমক্তা য়েংতে ; মতা-চাপনবা উপাম্বীদদা য়েংলী। ভক্তিলতানা—ব্রহ্মাণ্ড, বিরজা, ব্রহ্মলোক, পরব্যোম-থোক্লসিঙ্গী মফম অমত্তদা য়েংপা য়াবা উপাম্বী অমত্তা কংজ্রদুনা ব্রজলোক তাম্না য়োবকৃম্নি, মফমসিদা শ্রীকৃষ্ণগী চরণগী মশক ওইবা কল্প-বৃক্ষদা চঙজরকৃম্নি। শ্রীকৃষ্ণচরণ-দি কল্পবৃক্ষগা মান্নবনী, মসীনা অনীওবা পুম্বা পীয়ে।

মূল ১৫৫

তাহাঁ বিস্তারিত হঞা ফলে প্রেমফল।
ইহাঁ মালী সেচে নিত্য শ্রবণাদিজল ॥ ১৫৫ ॥

শব্দার্থ

তাহাঁ—শ্রীকৃষ্ণচরণগী মশক ওইবা কল্পবৃক্ষদা ; বিস্তারিত—শন্দোক্-ফন্দোক্পা ; হঞা—ওইবদুনা ; ফলে—মহৈ য়া'ল্লী ; প্রেমফল—প্রেম (মুংশিবা) কৌব ফল (উহৈ) ; ইহাঁ—মসীদা ; মালী—মালীনা . সেচে—ঈশীঙ চাই ; নিত্য - মতম্মপুম্বদা ; শ্রবণাদিজল—শ্রবণ (নাকোঙনা তাবা) হায়বনচিংবা ঈশীঙ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীকৃষ্ণচরণগী মশক ওইবা কল্পবৃক্ষ) অদুদা শন্দোক-ফন্দোক্লগা ভক্তি-লতাদা প্রেম-ফল হায়বা মহৈ য়াল্লী মসিদা মালীনা মতম পুম্বদা শ্রবণ-কীর্তন-নচিংবা ঈশীঙ চাই (হায়বদি ভক্তি অঙ্গচু মতম্ পুম্বদা তৌগদবনী)।

নৈনরোল

সাধকনা মতমপুম্বদা শ্রবণ কীর্তন-নচিংবা ভক্তি-অঙ্গশিংদু তৌদুনা

লৈগদবনী হায়বসিনী পয়ারশিমা তাক্লিবা। ভক্তিবু লতা (উরী) কৌবগী [illegible] অসিবী ; ভক্তিবু উরী কৌরি ; বৃক্ষ (উপাখী) কৌরি ; মহুগী মরমদি অসিনী—[illegible], আবরণ (কুপ্ ওবা পোৎ) ; উপাখীনা চাপ্পা ওইরিবৈদা শল-হামেঙনচিংবনা শোক্‌পা ওমদনবা হায়ত্না মায়কৈ মরি-মক্তা আবরণ হায়বদি শল্পল থাজদী ; উপাখীত্না চাউরবা মতমদা শল্পল খাদবা য়ারে, মতমত্না শল-শানা উপাখীত্গী মাঙেনবা করিমত্তা তৌবা ওম্বরে। লতাগী মতাঙদদি উপাখীগীগুম্না ভৌগদবা নত্তে। উরীদি মতম-পুম্বদা পীক্না লৈ অত্নগা খেংলী মেঙভী ; মতমপুম্বনা, করি হায়দি উরীত্না থাম্না লিরবস্থ, শম্না হামেঙনা ইরায় লায়না উরীত্নু থদংপা ওম্মী, নত্রগা কক্‌ফাওবা কুক্কংপা য়াই ; মরমসিনা মতম পুম্বদা শল্পল খাত্না উরীবু ঙাক্কবা য়াদে। ভক্তিবুস্থ মতমপুম্বদা অপরাধ-মচিংবদগী ঙাক্‌শেন্‌ব তাই। সিদ্ধ ওইরবা ভক্তফাওবা অপরাধগী মথুত্তগী চিংবা ওমদে ; মতমপুম্বদা মহ স্থ চেক্‌শম্না লৈবা তাবনী। মরমসিনা ভক্তিবু উরী (লতা) হায়রিবনী ; মতমপুম্বদা মথোঙদা শল্পল খাদবা য়াদে ; অপরাধ তৌদনবা চেক্‌শনবসী শল্পল হায়বত্নী। অনীশুবদা, উ পাম্বী চাওরগদি মথোঙদা ঈশ্বর হৈত্রবস্থ য়াই ; অত্নবু উরীদি (লতাদি) মেঙভী থোংলী, মাগী মথোঙগী লৈবাক্তুস্থ মতমপুম্বদা চোংনা মেঙনা থম্‌গদনবী। নত্রগদি রস ম্নাংপদগী উরীত্নু কুংগনী। অসিগুম্বনী ভক্তিগী স্বভাবস্থ, শ্রবণ কীর্তন-মচিংকগী মথক ওইবা ঈশ্বর ফংত্রগদি ভক্তিলতাত্নু কংত্না শিগনী ; মহে য়াম্লবী লতাগী মথোক্ত ক্যাওবদা ঈশ্বর হৈদবা য়াদে।

মূল ১৫৬

যদি বৈষ্ণব-অপরাধ উঠে হাথী মাতা।

উপাড়ে বা ছিণ্ডে, তার শুকি যায় পাতা॥ ১৫৬॥

শব্দার্থ

যদি—বদি ; বৈষ্ণব অপরাধ—বৈষ্ণবকী মকথদা তৌবা অরোন্‌ অয়াব ; উঠে—পোক্‌রি ; হাথী—শামু ; মাতা—[illegible] ; উপাড়ে—ফুক্‌রি ; বা—নত্রগা ; ছিণ্ডে—থদংলী ; তার—মাগী ; শুকি যায়—কংলী ; পাতা—[illegible]।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

মাবু অচাওবগুম্বা বৈষ্ণব-অপরাধ অমু থোক্লবদি (ভক্তি-লতাবু) মুক্কংগী নজ্রদা থবংদনা, মাগী উনাহু কপ্পা শিরে।

নৈনরোল

যদি বৈষ্ণব-অপরাধ-নচিংঙো—উঠিবু হাক-শেংবরীদমক অমমুং চাওখৎপা ওমুংনরীদমক পোকচম্ অহুম চংঙী; অহানবদা, মরুপা ঊঠীঙ কৈংবা; অনীশুবদা, জীব অমতমা মাবু মাঙ-তাকুহনবা ওম্দনবা মখোওগী মায়কৈ মরিদা শম্ল (আবরণ) থাবা তাবনে; অহুমশুবদা, লতাগী মচারা মাশা-মরেং (উপশাখা) পোক্লনবা তৌগদবনী। মরমদি উপশাখা পোক্লবদি ঊঠীঙ চাউবনা উপশাখাশিংদু চাউ-শাংলকনী, মূল লতাদু চাউবা ঙমদ্রোই। ভক্তিলতাগী মখোওদা শ্রবণ-কীর্তনগী মশক ওইবা ঊঠীঙ চাইবা হায়বদু তৌদবা য়াদে হায়না হায়না হায়রে। পুস্তক অনীশিদা আবরণগী মঃ-হায়রি।

বৈষ্ণব-অপরাধ—কনাগুম্বা বৈষ্ণব অমদা তৌবা অপরাধ (অয়োল্-অবান্)। কনাগুম্বা বৈষ্ণব অমবু হৈক্রবদি, নিন্দা তৌরবদি (মাগী ফত্তবা রা হায়রগদি), যেংথীরগদি, লুনা তৌদ্রগদি, শাউরগদি, অহুগা বৈষ্ণব উবগা হরাওবা উৎত্রগদি বৈষ্ণব অপরাধ ওই। "হন্তি নিন্দতি বৈ দ্বেষ্টি বৈষ্ণবান্নাভিনন্দতি। ক্রুধ্যতে যাতি নো হর্ষং দর্শনে পতনানি ষট্। ইতি শ্রীহরিভক্তিবিলাস॥ ১০/২৯৯॥" জাতিবুদ্ধিদগী নত্রগা অতোপ্পা মরম অমদগী বৈষ্ণবকী মফমদা বৈষ্ণব-তা তৌগদবা সম্মান উৎত্রগদি অপরাধ ওইগনী। কনাগুম্বা বৈষ্ণব না হৌনবা শাজৎ-চৎপা উবা মতমদা মাগী মতুবা শাজৎতুদনত্তা কনাগুম্বা মীপা মুক্কংদা বৈষ্ণবতুবু উৎনিংথওইত্রবদি অপরাধ ওইগনী। বৈষ্ণব অমনা লমচৎ কত্তবা ওইরবসু মাগী লোবদু উবা তোকুম্না মাগী মফমদা—বৈষ্ণব-তা—বৈষ্ণব অমগী মফমদা তৌগদবা সম্মান পুক্রীত-হক্চাঙ থাইদে য়াওনা উৎকদবনী। মরমদি লমচৎ-নাইদবা ওইরবসু মহাক সাধুনী, বাদী গীতাদা শ্রীভগবানা হায়রিবনী—"অপিচেৎ সুদুরা-চারো ভজতে মাং অনন্যভাক্। সাধুরেব স মন্তব্যঃ সম্যক্ ব্যবসিতো হি সঃ॥ গীতা॥ ৯॥ ৩০॥" অখিওবা মুহুরাচার ওইবা মীবুসু সাধুনী হায়রকনী

মরমদি অসিনী, মহুদি—নহীনুমপোকী কর্মফল মতুং ইমা পূক্রীড-লোভদবা (ভক্তম তৌবা-মী ওইরমগু মহাক খবক কত্তবদা লূম্নী ; অমুক্রমক্লাক মহাকী থবক কত্তবহুগীদমক মতমপুখদা ম্নুনাওহুনা ওাকি দৈ, মহুক কত্তবহুগী মহাবু কয়নবা হায়হুনা মথরাই মুংওাইতন্না মহাক্না ভগবান্গী মকথদা কৃপা প্রার্থনা তৌরিবনী, মহামক্সু ওম্মখৈ হোৎনজরিবনী ; অদুম ওইনমক মহাক্ মপোক্কী প্রারব্ধ-কর্ম্ম ওইনা অরাধ্য মতমদা কত্তবা মবক্তনা লূপ্তনা লৈগনী । য়ৌনা থুংনাওবনে, হোৎনবনে অদুগা ভগবান্গী কৃপাসে—মরম-শিংগী ফল ওইনা মহাক 'ক্ষিপ্রং ভবতি ধর্ম্মাত্মা শশ্বচ্ছান্তিং নিগচ্ছতি। গীতা ৯/৩১ ।" —থুনমক ধর্ম্মাত্মা ওইহুনা অয়ৌবী শান্তি ফংঙী ; অদুগা মাগী কত্তবা শাজৎতুম্বু মাওথি । কত্তবা থবকপু তুকচগদবনী, কত্তবা থবক-তৌবা মীবুদি তুকচকদে, থোইনদুম মাবু চুম্থোক্পীনবা হোৎমকন্ থোক্মি ; লাইয়েঙবগীনী হায়হুনা অনাবা মীগী হকচাঙদা থাঙ থকিদা মতম তাইহাক্কীদমক অনাবা মীমা বাধা থাঙ, তুংদদি অনাথা মীগী মরুদ ওই হায়হুনা থাঙ-থাববু লাল্লী হায়দে ; মতৌ অদুগুম্না কনাগুম্বা অমগী শাজৎ চুম্থোক্পীনবা হায়হুনা তৌব্া থবক্না মহাক্কী মপুক্নীঙ মুংঙাইতবা ওইরবস্ত মাবু চুম্থোক্নবগী হোৎনবদি নাতৈ-চাদবা থবক ওইরোই ; চুমথোক্নবা হায়বা উদ্দেশ্যদগী তৌরবা থবক্না পূক্নীঙদা মুংঙাইহন্দ্রেবস্তু অপরাধ ওইরোই ; প্রভুগী মফমদা দামোদর পণ্ডিতনা বাক্য-দণ্ড (বাহৈগী শাস্তি) পীরম্বহুনা মথক্কা হায়রিবসিগী প্রমাণনী । অদুবু, বৈষ্ণবতুগী মুঙ-তাক্নবা তৌগে হায়হুনা তৌবা থবক্না, ওাঙবা বাঙাঙনা নত্রগা চৎপা শাজৎনা বৈষ্ণবকী মথরাই নাহল্লগদি অপরাধ ওইগনী ।

৪ অপরাধকী বা থরবা অতমদা কথাবু বৈষ্ণবগী হায়নবগে হায়বা বাহৎ [illegible] থোম্বদ্রি । প্রভাওসিদা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী অহানবা" সংজ্ঞাসা থঙহন্বা [illegible] শিক্ষবু বৈষ্ণবনী হায়না. [illegible] তাকে ঃ "প্রভু কহে যার মুখে শুনি একবার । কৃষ্ণনাম, সেই পূজ্য শ্রেষ্ঠ সবাকার ॥ ২/১৫/১০৬ ॥" [illegible] কৃষ্ণনাম [illegible] [illegible] মহাক [illegible] বৈষ্ণবনী, মহাক্কী [illegible] তৌবা থবক্না অপরাধনী থবক ওইবা য়াই । অদুনা হায়রবনী—মহাক পূজনী—পূজা তৌফম্নী ; মহাক পূজনতন্নী অখোইবনী ; [illegible] মাসু পূজা তৌবা মতোম্না বৈষ্ণবকী থোনবী মুখাম উৎকর্ষনী ঃ [illegible] [illegible]

অহ্ অহুকী মতীক চাউনা থম্নবদি [illegible] শক্কক্নু অহুকীমতীক হথে। [illegible] অপরাধনী মাল্লি [illegible] অপরাধ কোকপা উপায়দি [illegible]—কনাদ্রবা অমগী-মক্নদা অপরাধ [illegible] ([illegible]) অহ্ ওইরবদি মহাক্নু [illegible] হোৎনরগা [illegible] অহুগা ভাকুপীরু হায়না হায়কনা তারে। মহাক্না ভাকুপীরগদি কবে নত্রগদি উপায় লৈতে। অহুগা অমনা, কনাদ্বা অপরাধ তৌখিবনো হায়বহ্ খুঙ্গ্রবদি শ্রীহরিনামগী মতেং লৌজবা তারে; হরিনাম শোল্লি-শোল্লগা নাম অহুনা কৃপা তৌরবদদা অপরাধ কোকপা য়াগনী। বৈষ্ণব-বন্দনা, বৈষ্ণবসেবানচিংবনস্নু অপরাধ কোকপা য়াই; তৌইগুম্বসুং অপরাধ-[illegible]-মক্নম অহ্ কনানো হায়বা খঙলগা [illegible] [illegible] নাম-গী [illegible] লৌরবদা নাম-গী ময়াইনা মহাক্নী অপরাধ অহ্ কোকনী হায়বহ্ চিংমন্নবাইনী: মরমদি, মাগী অভিমান লৈবা মরম্না শ্রীরু নাম না কৃপা তৌগনী হায়না নীঙদে।

পয়ারসিদা নামাপরাধকী য়া শীনবসিনা তাকপদি সেবাপরাধ অমস্নুং নামাপরাধ-নচিংবগী য়াস্নু য়াওববনী হায়না লৌগদৌবনী। মরমদি সাধন-ভক্তিগী য়া হায়বা মতাঙ্গদা সেবাপরাধ অমদি নামাপরাধ লোইনা তৌকদে হায়না তাক্নী।

হাতী মাতা—শামু অঙাওবা। বৈষ্ণব-অপরাধবু হাতী মাতা (শামু অঙাওবা) হায়না কৌথি; অহুগা ভক্তিবুনী লতা (উরী)-নী হায়রি। করিস্নু-লৈতবা হামেঙনস্নু উরীবু [illegible] কৃপা নত্রগা থদংপা ঙম্মী। শামু অঙাওবনদি [illegible] হায়গনী? মসীগী ভাবার্থদি—ভক্তি [illegible] তৌবগী শক্তিগা [illegible] বৈষ্ণব অপরাধগী শক্তিনা হেন্নী। বৈষ্ণবাপরাধ [illegible] অপরাধ [illegible] ওইনা ভক্তি [illegible] মাঙথিনী। ভক্তিগী অনুষ্ঠান [illegible] হায়বদৈ তৌরবস্নু [illegible] করিমত্তা [illegible]। শামুনা য়াম্না [illegible] উরী [illegible] বৈষ্ণবাপরাধনা ভক্তিবু মক্ন ফুক্না মাঙহল্লী।

মূল ১৫৭

অতএব মালী যত্ন করি করে আবরণ।
অপরাধ-হস্তী যৈছে না হয় উদ্গম ॥ ১৫৭ ॥

শব্দার্থ

তাতে—মরমহুনা ; মালী—মালীনা ; যত্ন করি—নুংনা তৌদুনা ; করে—তৌরি ; আবরণ—শরুন ; অপরাধ হস্তী—অপরাধকী মশক ওইবা শামু ; যৈছে—মদুগুম্না ; না হয়—ওইদনবা ; উদ্গম—পোক্পা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মরমহুনা অপরাধকী মশক ওইবা শামু পোক্তনবা হায়রুনা মালীনা য়াম্না যত্ন তৌনা শরুন থাজল্লী ।

নৈনরোল

মালী—মকমসিদা সাধক । আবরণ—শরুন । মকমসিদা অপরাধ লৈতনবা চেক্শন্বা ।

মূল ১৫৮—১৬০

কিন্তু যদি লতার সঙ্গে উঠে উপশাখা ।
ভুক্তি-মুক্তি বাঞ্ছা যত—অসংখ্য তার লেখা ॥ ১৫৮ ॥
নিষিদ্ধাচার কুটিনাটী জীব হিংসন ।
লাভ-প্রতিষ্ঠাদি যত উপশাখাগণ ॥ ১৫৯ ॥
সেকজল পাঞা উপশাখা বাঢ়ি যায় ।
স্তব্ধ হঞা মূলশাখা বাঢ়িতে না পায় ॥ ১৬০ ॥

শব্দার্থ

কিন্তু—অদুবু ; যদি—বদি ; লতার—(ভক্তি) লতাগী ; সঙ্গে—লোয়ননা ; উঠে—চোংথরী ; উপশাখা—মশা-মরেং (শাখাগী শাখা) ; ভুক্তি—ধর্মসটিংবা কংনীগুবা ; মুক্তি—(সংসারদগী) অথান্ থুবা ; বাঞ্ছা—পাম্বা ; যত—করামুক্তো ; অসংখ্য—মশীং থীদোকপনী ; তার—মখোয়গী ; লেখা—ঈবা ; নিষিদ্ধাচার—থৌথংবা আচার ; কুটিনাটী—মথংমথং পূবনা লমজেত্তা য়েংপা নত্রগা পূকচেল শোয়বা ; জীব-হিংসন—জীব হাংনীংবা ; লাভ—অতোংবা ; প্রতিষ্ঠা আদি—মিংচং-নচিংদো ; যত—লৈরিবা পিরিক ; উপশাখাগণ—উপশাখাশিং (মশা-মরেং) ; [illegible]—চাইথকপা [illegible] পাঞা—ফংলগা ; উপশাখা—[illegible] ; বাঢ়ি

যায়—চাওখৎলী ; [illegible]—মমৃখমা ; [illegible]—ওইহনা ; মূল শার্খ—মূল শাখা (ভক্তিলতাদা) ; বাড়িতে—চাওখৎলকপা ; না [illegible]—[illegible]।

বৈতেলোন্দা হন্দোকপা

অহবু ভক্তি-লতাগী অমদা উপশাখা চোংখৎলক্লবদি ভক্তিলতাহু চাওবা শূকণ্ডম্ ওমদ্রে। ভক্তি-লতাগী উপশাখাদি—ভুক্তি (স্বর্গনচিংবা পাম্বা), সালোক্যনচিংবা মুক্তিশিং পাম্বা, উপশাখাশিংসে শীঙখাবগী লোই-খম্বা নাইদে। উপশাখা অতৈগী মমিং—তৌহেন্দবা আচার, কুটীনাটী (পূক্চেল্-থোয়বা, কুতর্ক), জীবহিংসা, লাভ (লন্থুম পাম্বা), প্রতিষ্ঠা (ম্লিংচং অমদি সম্মান) অসিনচিংবস্থু ভক্তিগী উপশাখা ওক্রী। মালীনা ঈশীং চাইরকপদা উপশাখাশিংসিদমক চাওখৎলী মূলশাখাদি (ভক্তি-লতাদি) নম্থবা ওইহনা চাওখৎপা ওমদে।

নৈনরোল

কিন্তু যদি লতার অঙ্গে-নচিংবা—[illegible] খরাসদা উপশাখাশিংগী মরমদা হাযব্রি। উপশাখা—উশাদগী চোংখৎলকপা উশা অহবু উপশাখা (শাখাগী শাখা) কৌব্রি। উপশাখাসী মূল-বৃক্ষগী মাশানী ; মাদা হোম-হোম চাওবগা মূল-পাম্বীহুম্ চাওরক্লি। মফমসিদদি ভক্তি-লতাগী উপ-শাখা হাযরগা শাখাগী শাখা অতুওম্ববু হায়বা মত্তে ; মরমদি, অতুওম্ববু হায়বা ওইরগদি উপশাখানা মোই-পেন্নগা মূল-লতানা নোই-পেন্দুনা চাওবা লেপ্‌কদবা নত্তে। [illegible] কবিগুম্বা পাম্বীগী শাখাগী মখত্তা লতা-ওম্বা পাম্বী লাং অমা চোংতী ; মহবু মতাম্না উত্তাংবী কৌব্রি ; উত্তাংবীসিনা মূল ওইবা পাম্বীসিদগী রস ভিংথোক্লগা মহা ভিংমবা হোংহৈ [illegible] রস য়াওদ্রবা পাম্বীহু কংহনা শি। পত্মারসিদা পল্লিবা উপশাখা অসিদি উত্তাংবীবু হায়ব্রিবনি। সাধক ওইব্রিবা মালীনা ভক্তি-লতাগী মথোওদা শ্রবণ-কীর্তন নচিংবা ঈশীং চাইবা হায়বহু তৌব্রি ; উত্তাংবীসিনা মূললতাগী দেহদগী ঈশীংহু চিংথোক্লগা মহাগী নোই-পেন্নবা হোংহৈ ; ঈশীং য়াংপদগী মূল-লতাহুনা নোই-পেন্নবা ওমদে। ভক্তি-লতাগী উপশাখাদি (উত্তাংবীদি) করিনো ? "ভুক্তি মুক্তি বাঞ্ছা যত...নিষিদ্ধাচার, কুটীনাটী, জীব-হিংসন, লাভ-প্রতিষ্ঠা যত উপশাখাগণ।" ভাবার্থগী অসিগী মহুদি—উপশাখা (উত্তাংবীশিং) [illegible] "[illegible]" [illegible] য়াবোই।

উপশাখা বাড়ি যায়—পাম্‌হৈদবনু পাম্বা (দুর্ব্বাসনা) কৌবা উপ-শাখা হোম্ হোম্ চাউথৎলকৃন্নি। শ্রবণ-কীর্ত্তন-নচিংবা জৌবা জৌনা করিগুম্বা দুর্ব্বাসনা মন মনুংদা পোক্লবা অদুগা মহ কোক্লবা সাধক-না হোৎনজবদি শ্রবণ-কীর্ত্তন-নচিংবগী ফল অদুনা ভক্তি য়োকৃথৎপগী মহুত্তা দুর্ব্বাসনাদুবু য়োকৃথৎলী। দুর্ব্বাসনা অমা ল্যাকৃপা হৌবদা অদুগুম্বা অমা, ল্যাকৃছল্লী। কোক্লংদদি মন অদু পুম্‌নমক্না দুর্ব্বাসনা ভাক্তা ভায়রকৃয়ি; অদুনমক্তদি মমৈদা দুর্ব্বাসনা নত্তনা ভক্তি-বাসনা থিবা ফংলক্তে। অদুগা শ্রবণ কীর্ত্তন-নচিংবদি অম্মুম মহুগী মত্তৌগুম্বা চৎথে—অভ্যাস ওইখিবদগী; মরমদুনা সাধক-না অপরাধ লৈতনবা চেকৃশনবগুম্ দুর্ব্বাসনাম্ম লাপ্পা থম্মৃথিনবা হোৎনগদবনী। দুর্ব্বাসনা লাকৃপসী সংসার-বিষয়দা লুপ্পা মীগী চিত্তদা অদুম মথন্তা মরাকৃচবনী; অদুবু হেক্ক লাকৃপগা ভগবৎ-কৃপাদা তোংদুনা দুর্ব্বাসনাদু তাম্মোক্লবা হোৎনগদবনী। দুর্ব্বাসনা হায়বসী দুঃসঙ্গ (ফত্তবা সঙ্গ) অমনী। অদুনা দুঃসঙ্গসী মপুংফানা থাদোকৃফম্ থোকৃয়ি; নত্রগদি শুদ্ধাভক্তি ফংবা রাগনী।

মূল ১৬১

প্রথমেই উপশাখার করিয়ে ছেদন।

তবে মূলশাখা বাড়ি যায় বৃন্দাবন॥ ১৬১॥

শব্দার্থ

প্রথমেই—ইহান্ হান্বা; উপশাখার—উত্তাংবীদু; করিয়ে—ভৌদুনা; ছেদন—ককৃথৎপা; তবে—অদুদগী; মূলশাখা—ভক্তিলতাদু; বাড়ি—চাওখৎলকুনা; যায়—চৎলী; বৃন্দাবন—বৃন্দাবন (ভাম্না)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ইহান্ হান্‌বদা (ভজন হৌগৎলকৃপদা) উত্তাংবী (দুর্ব্বাসনা) যত্তন ভৌনা কোয়দৎকদবনী; অদুতদা মূলশাখা (ভক্তিলতাদু) হুম্ হুম্ চাওখৎ-লকুনা বৃন্দাবন তাম্না য়ৌবা ঙম্‌গনী।

মূল ১৬২

প্রেমফল পাকি পড়ে—মালী আস্বাদয়।

লতা অবলম্বি মালী কল্পবৃক্ষ পায়॥ ১৬২॥

শব্দার্থ

প্রেমফল—প্রেম (মুংশিবা) হায়বা ফল ; পাকি—মুন্দুনা ; পড়ে—কেল্লী ; মালী—মালীনা (সাধক-ভক্তনা) ; আস্বাদন—মহাও ফংঙী ; লতা—ভক্তিলতা ; অবলম্বি—শোৱগা, ঙারগা ; মালী—মালীনা ; কল্প-বৃক্ষ—শ্রীকৃষ্ণচরণগী মশক ওইবা কল্পবৃক্ষ ; পায়—ফংঙী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণবু মুংশিনা হায়বা উচৈহু মুন্দুনা কেল্লী, ভক্তমালীনা খুল্লগা মহাও ভংঙী। ভক্তিলতা পায়হুনা মালীনা (সাধকভক্তনা) শ্রীকৃষ্ণচরণ কৌবা কল্পবৃক্ষহু ফংজে।

মূল ১৬৩

তাহাঁ সেই কল্পবৃক্ষের করয়ে সেবন।

সুখে প্রেমফল-রস করে আস্বাদন॥ ১৬৩॥

শব্দার্থ

তাহাঁ—মফমহুদা (বৃন্দাবন-অহুদা) ; সেই কল্পবৃক্ষের—শ্রীকৃষ্ণচরণগী ; করয়ে—তৌরি ; সেবন—সেবা ; সুখে—মুংঙাইনা ; প্রেমফলরস—প্রেম-ফলগী মহীহু ; করে আস্বাদন—আস্বাদন তৌরি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বৃন্দাবন অহুদা সাধক অহুনা য়োৱগা কল্পবৃক্ষগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণ-চরণবু সেবা তৌরি। মহাক্না মুংঙাইনা প্রেম-কৌবা উচৈগী মহীহু থক্চৈ।

নৈনরোল

কল্পবৃক্ষের করয়ে সেবন—ভক্তিগী কৃপানা প্রেম ফংলবদি সাধক অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ ফংবা মতমদা মহাক্না শ্রীকৃষ্ণগী সেবা সাক্ষাৎ ওইনা তৌবা ফংলগনী, অহুদগী শ্রীকৃষ্ণচরণ সেবাদগী পোক্পা মুংঙাইবহু ফংগনী। সাক্ষাৎসেবাগী জীবগী হৌজিক ওইরিবা দেহদা দৈন দৈনদি জীবনা ফংবা ঙমদে। হৌজিক দৈরিবা দেহেসিদা জীবগী প্রেম ফাওবদি ওই। প্রেম-ফাওবসী ওইরবদি হকচাংসী থাদোক্লবা মতুঙদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রকট-লীলা-স্থলদা আহিক্রী গোপগী যুমদা পোকৃরি ; মফমহুদা শ্রীকৃষ্ণগী নিত্যসিদ্ধ

পরিকরগা সঙ তৌবগী মপান্না প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগনচিংবা প্রেম পৌক্রকৃপগী অতান্ত মতাংশিংগী অহুম ফোংদরবগুদ্র মথম্না ওইজরকৃরি ; মতমদুদা জীবনা-সাক্ষাৎ ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবা ঙম্মগনী।

মূল ১৬৪

এই ত পরম ফল—পরম পুরুষার্থ।
যার আগে তৃণতুল্য চারি পুরুষার্থ॥ ১৬৪॥

শব্দার্থ

এই ত—মসীমক্কী ; পরম—পুণ্ডথোই-থোইবা ; ফল—উঁহে ; পরম—মকোক ওইবা ; পুরুষার্থ—মীওইবনা তানগদবা পোৎ : যার—মাগী ; আগে—মাঙদা ; তৃণতুল্য—নাপীগুম্বনী ; চারি—মরি ; পুরুষার্থ—জীবনা তানগদবা পোৎস্তা (ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণপ্রেম হায়বদীনী উহৈ অথোইবা হাযবদো, মসিমী পরম পুরুষার্থ হায়বদো। মাগী মমাঙদা (হায়বদি মাগা চাংদমনবা) (ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়বা) পুরুষার্থ মরিসী নাপীগুম্বনী।

মূল ১৬৫

ঋদ্ধা সিদ্ধিব্রজবিজয়িতা সত্যধর্ম্মা সমাধি-
ব্রহ্মানন্দো গুরুরপি চমৎকারয়ত্যেব তাবৎ।
যাবৎ প্রেম্নাং মধুরিপুবশীকারসিদ্ধৌষধীনাং
গন্ধোঽপ্যন্তঃকরণসরণীপান্থতাং ন প্রয়াতি॥ ১৬৫॥

শব্দার্থ

ঋদ্ধা—চাওখৎলক্লিবা : সিদ্ধিব্রজ—অণিমানচিংবা সিদ্ধি পুম্নমক ; বিজয়িতা—হেনবগা ; সত্যধর্ম্মা—(সত্য, শৌচ, দান অমসুং তপস্যানচিংবনা মাগী সাধন ওইবা অঙ্গশিং) সত্যধর্ম্মনা কবা ; সমাধি—যোগশ্রী ওইরকপা সমাধি ; ব্রহ্মানন্দঃ—নির্বিশেষ ব্রহ্মমু অনুভব তৌবগী

পোক্‌পা ঙম্মোইদ্রে ; গন্ধঃ—মচৌবা, মহা , অপি—সু ; চমৎকারমূর্তি—এদ—ওকুহল্লী ; ত্রুবৎ—মতমদু কাওয়া ; যাবৎ—মতমদু কাওয়া ; প্রেমাং—প্রেম পুমমক্কী ; মধুরিপু—মধুগী য়েক্কবা (শ্রীকৃষ্ণবু) ; বশীকার-সিদ্ধ—বশ-দা পুরক্‌পদা সিদ্ধ (ওবা) ; ঔষধীনাং—হীদাকশিংগী ; গন্ধঃ—মণমু (খজিত্ত) ; অপি—সু ; অন্তঃকরণ—পুক্কী ; সরণী—লম্বী ; পান্থতাং—পথিক (লম্বী চৎপা মী) ওইবা ; ন প্রয়াতি—কংদে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণবু বশীকরণ তৌবদা সিদ্ধ ঔষধিগী মশক ওইবা প্রেম পুমমক্কী খুক্তীমুক্তংনসু অন্তঃকরণ কৌবা লম্বীগী পথিক (লম্বী-চৎপা) ওইদ্রিবা ফাওবদি সুম সুম্ হেক্কৎতনদা লৈবী অণিমা-নচিংবী সিদ্ধিশিংগী শ্রেষ্ঠত্ব (খ্বাযদগী হেন্‌বা মতৌ), সত্যধর্মনা ওইহনবা সমাধি অমসুং নির্বিশেষ-ব্রহ্মবু অনুভব তৌবদগী পোক্‌পা মহানন্দনসু ওকহন্‌বা ঙম্মী ;

মৈনরোল

মধুরিপুবশীকার-সিদ্ধৌষধীনাং—মধুরিপুবু (শ্রীকৃষ্ণবু) বশীকরণ তৌবগী (মহাবপু য়াহন্নবগী) মরুমদা সিদ্ধি (শোয়দ্রবা, অয়েক্‌পা মাঙদ্রবা) ঔষধিশিংগা (হীদাকগী মশক ওইবা)—শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌবদা লেন্না মাঙদ্রবা উপায়গী মশক ওইবা প্রেম (মুংশিবা), প্রেম্নাং—প্রেম পুমমক অদুগী (দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুর প্রেমগী) গন্ধঃ অপি—মণমসু (খুজিঙ্মুক্‌সু) অন্তঃকরণসরণী পান্থতাং—পুক্কী-কৌবা লম্বীদা চৎপা ওইদ্রিবফাওনা, (দাস্য-সখ্যনচিংবা প্রেম মরক্তগী অমগী খুজিঙ্মুক্‌ ফদিমন্‌দা পোক্ত্রিযাওনা) ঋদ্ধা—চাওখৎতুনদা লৈবা সিদ্ধিব্রজবিজয়িতা—সিদ্ধিব্রজগী (সিদ্ধিপুমমক্কী)—অণিমানচিংবা সিদ্ধি মীপাল্গী বিজয়িত্ব (পুমমক্তগী হেন্‌বগী ফাউভম—শ্রেষ্ঠত্ব), সত্যধর্ম্মা—(সত্যধর্মনা যংবা—সত্য, শৌচ, দান, তপস্যা-চিংবন মাখী সাধন ওইদ্রিবা, অদুগুম্বী) সমাধিঃ—ধ্যানগী মমাইদা পরমাত্মাদা মনশ্না (পুক্কী-না) লম্নফংলবা ফীভম অমসুং ব্রহ্মানন্দঃ—নির্বিশেষ ব্রহ্মবু অনুভব তৌবদগী পোক্‌পা আনন্দবু-মা চমৎকারমূর্তি—ওকুহল্লী ।

কৃষ্ণপ্রেমগী খুজিন্দুক্তংবু সাধকনা মহাক্ত কংজরবদি অভিধানদিংবো সিদ্ধি নীপাল," যোগ-অভ্যাসতগী কংবা সমাধি অমসুং নির্বিশেষব্রহ্মবু অনুভূতি তৌবগী কংবা ছুংতাইবহু (আনন্দহু) সাধক অদুগী মফমদা কৈনু-লৈতবনী হায়না থমী।

মূল পয়ার ১৬৭-কী প্রমাণী শ্লোকনী।

মূল ১৬৬

শুদ্ধাভক্তি হৈতে হয় প্রেমের উৎপন্ন।
অতএব শুদ্ধাভক্তির কহিয়ে লক্ষণ—॥ ১৬৬॥

শব্দার্থ

শুদ্ধাভক্তি—পুক্তশোং শেংবা, মক্তবা ভক্তি : হৈতে—দগী ; হয়—ওই ; প্রেমের উৎপন্ন—প্রেম পোক্পা ; অতএব—মরমহুনা ; শুদ্ধাভক্তি—মক্তবা ভক্তিগী ; কহিয়ে—হায়রগে ; লক্ষণ—খুদম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শুদ্ধাভক্তিদগী প্রেম পোক্রি ; মরমহুনা শুদ্ধাভক্তিগী লক্ষণ (মওং মতৌ) কন্নিনো হায়বহু হায়গে—।

মূল ১৬৭

অন্য বাঞ্ছা অন্য পূজা ছাড়ি জ্ঞান কর্ম।
আনুকূল্যে সর্বেন্দ্রিয়ে কৃষ্ণানুশীলন॥ ১৬৭॥

শব্দার্থ

অন্য—(কৃষ্ণসেবা-নত্তবা) অতোপ্পা ; বাঞ্ছা—অপাম্বা, অনীঙবা ; অন্য—(কৃষ্ণ নত্তবা) অতোপ্পা দেবতাগী ; পূজা—পূজা, লাংপা ; ছাড়ি—থাদোক্লুনা : জ্ঞান—নির্বিশেষব্রহ্মবু খিবা ; কর্ম—স্বর্গনচিংবা কংনবগী কর্ম ; আনুকূল্যে—(কৃষ্ণপ্রীতিগী) ওইবা য়াথরা ; সর্বেন্দ্রিয়ে—ইন্দ্রিয় পুম্বনা ; কৃষ্ণানুশীলন—শ্রীকৃষ্ণগী অনুশীলন তৌবা হায়বদি শ্রীকৃষ্ণগী মরম ওইবদমক তৌহনা লৈবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতোপ্পা (কৃষ্ণসেবা নত্তবা) অপাম্বা, অতোপ্পা (শ্রীকৃষ্ণ নত্তবা দেবতা পূজা, জ্ঞান (ব্রহ্মানন্দ ফংনবা তান্‌বা), কর্ম্ম (স্বর্গনচিংবা ভোগ ফংনবা কর্ম্ম) থাদোকুনা, ইন্দ্রিয় পূম্মক্না শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদা ওইনা, শ্রীকৃষ্ণগী মরমদগী হোৎনবা—(ময়ামগী শুদ্ধা ভক্তিগী লক্ষণ অসুনী)।

নৈনরোল

অন্য পূজা—শ্রীকৃষ্ণনত্তবা দেবতা অতোপ্পবু পূজা তৌবা। প্রেমভক্তি পাম্বা অমত্তনা লোইজরবা (ঐকান্তিক) ভক্তনা অতোপ্পা দেবতা পূজা তৌবগী মতাঙদা শ্রীল নরোত্তমদাস ঠাকুরগী প্রেমভক্তি-চন্দ্রিকানা হায়রবা য়াদি অসিনী— "ভাগবত শাস্ত্র মর্ম্ম, সদাই করিব সুসেবন। অন্যসেবাশ্রয় নাই, তোমারে কহিল ভাই, এই তত্ত্ব পরম ভজন ॥ ৯ ॥" অমুক "অন্যাভি-লাষিতাশূন্যম্"-হৌরিংবা শ্লোক অসুগী ব্যাখ্যা তৌবা মতাঙদা প্রেমভক্তি-চন্দ্রিকানা হায়; "অন্য অভিলাষ ছাড়ি, জ্ঞান-কর্ম্ম পরিহরি, কায়মনে করিব ভজন। সাধুসঙ্গ কৃষ্ণসেবা, না পূজিব দেবীদেবা, এই ভক্তি পরম কারণ ॥ ১৩ ॥ যোগী ন্যাসী কর্ম্মী জ্ঞানী, অন্য-দেব পূজক, ধ্যানী, ইহলোক-দূরে পরিহরি। ধর্ম্ম কর্ম্ম দুঃখ শোক, যেবা থাকে অন্য যোগ, ছাড়ি ভজ গিরিবরধারী ॥ ১৬ ॥ হৃষীকে (ইন্দ্রিয়না) গোবিন্দসেবা, না পূজিব দেবীদেবা, এই ত অনন্য-ভক্তি হয় /১৯।" মতম পুম্বদা শ্রীকৃষ্ণমথন্তবু লাৎপা (আরাধনা) তৌবনা ঐকান্তিক ভক্তগী তৌফম থোক্পা মথৌনী, অতোপ্পা দেব-দেবী পূজা তৌফম থোক্তে; অদুবু অতোপ্পা দেব-দেবীশিংদা থওইদবা (অবজ্ঞা) উৎপসু তৌদ্রে। "হরিরেব সদারাধ্যঃ সর্ব্বদেবেশ্বরেশ্বরঃ। ইতরে ব্রহ্মরুদ্রাদ্যা নাবজ্ঞেয়াঃ কদাচন ॥ পদ্মপুরাণ ॥" অতৈ দেবতাবু পূজা তৌরবদি দেবতাসুদা লুপ্‌খিবা য়াই (অনুরক্ত ওইখিবা য়াই), অদু ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণগী চরণথাদা অনুরক্ত ওইবা য়াথরক্পা য়াই হায়বদি কোম্-থোরক্পা য়াই। অদুবু অতোপ্পা দেবতাগী বিগ্রহগী নাক্তা থুংলুবা মতমদা বিগ্রহসুদা শ্রদ্ধাভক্তি উৎলগা শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈজগে হায়না নিজবা হৌনৈ: দেবতা-পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনী, মহাক্কী প্রকাশ-নী (শক-ফোঙনী); মরমসুনা মখোয় লোইনমক মতীকচানা ইকাইখুম্নফম্‌ঙাক্কী (শ্রদ্ধাপাত্র নী); মখোয়দা অবজ্ঞা উৎলবদি শ্রীকৃষ্ণনা পেন্‌বিরোই; মসু

ওইরবদি ভক্তিস্তু হেনগৎলক্পা ঙম্মোই। শ্রীকৃষ্ণনা সর্ব্বদেবেশ্বরেশ্বর (দেব-পুম্নমক্কী মপুগী মপু)ওইবা, মরম্না উ-পাম্বী মখোয়দা ঈশিং চাইরুপা মাঙগীহৌগী মগা-মক্কেং লোইনমক্কু পেনবঙম, প্রাণ (থওয়াইনা) পুমুপেন পেনপা ইন্দ্রিয় লোইনমক্না পেন্নবঙম, শ্রীকৃষ্ণ মহাক অমত্তখক্তংবু পূজা তৌবনা অদুগা দেব-দেবী লোইনমক্কী পূজা শক্লে হায়রবদি মখোয় লোইনমক পেল্লী ; মরমসুহুনা দেবতা অতৈবু তোঙান্না পূজা তৌরক্তসু য়াদে। "যথা তরোর্মূলনিষেচনেন তৃপ্যন্তি তৎস্কন্ধভুজোপশাখাঃ প্রাণোপহারাচ্চ যথেন্দ্রিয়াণাং তথৈব সর্বার্হণমচ্যুতেজ্যা॥ ভাগবত, ৪/৩১/১৪॥" শ্রীমদ্ভগবদ্গীতাগী অপি চেৎ সুদুরাচারো ভজতে মামনন্যভাক্। সাধুরেব স মন্তব্যঃ সম্যগ্ব্যবসিতো হি সঃ॥ ৯/৩০॥" শ্লোক অসিগী টীকাদা শ্রীধরস্বামিপাদনা ইরম্মী—"অত্যন্তং দুরাচারোঽপি নরঃ যদ্যপি অপৃথক্ত্বেন পৃথগ্দেবতাঽপি বাসুদেব এবেতিবুদ্ধ্যা দেবতান্তরভক্তিম্ অকুর্ব্বন্ পরমেশ্বরং ভজতে তর্হি সাধুঃ শ্রেষ্ঠ এব স মন্তব্যঃ। —অতোপ্পা দেবতানা বাসুদেব-শ্রীকৃষ্ণদগী তোঙানবা নত্তে, অতোপ্পা দেবতাসু স্বরূপকী হায়রবদি বাসুদেবমক্কী হায়বা বুদ্ধিনা অতোপ্পা দেবতাবু ভজন তৌদনা পরমেশ্বর শ্রীকৃষ্ণবু ভজন তৌবা মীহু খমথেংনা আচরণ ফত্তবা ওইরবসু সাধুনী (মরমদি থুনমক মহাক ধর্ম্মাত্মা ওইরগনী— ক্ষিপ্রং ভবতি ধর্ম্মাত্মা /৯/৩১।" কনাগুম্বনা করিগুম্বা অস্তুম্না হায়ররবা মতুদি— অতোপ্পা দেবতানা শ্রীকৃষ্ণদগী তোঙানবা নত্রবদি অতোপ্পা দেবতাগী পূজানা শ্রীকৃষ্ণগী পূজামক ওইরেনা : মরমহুনা অতোপ্পা দেবতা পূজা তৌবা য়াদে হায়বগী মরম করিনো ? পাউখুম্— অতোপ্পা দেবতাগী পূজাসু শ্রীকৃষ্ণগী পূজা ওই হায়বা চুম্মী ; অদুবু মসু ওইগনী বিধি-নাইদবা শ্রীকৃষ্ণপূজা। "যেঽপ্যন্যদেবতাভক্তা যজন্তে শ্রদ্ধয়ান্বিতাঃ। তেঽপি মামেব কৌন্তেয় যজন্ত্যবিধিপূর্ব্বকম্॥ গীতা ৯/২৩॥" অবিধিপূর্ব্বকম্ শব্দগী অর্থদি—মোক্ষপ্রাপকং বিধিং বিনা—মুক্তি ফংনবা বিধি য়াওদবমথৈ। স্বামী। অজ্ঞানপূর্ব্বকম্—খংনা তৌবা নত্তনা। শঙ্কর। মতুগী ফল-দি অসী ওইবা য়াই মতুদি, অতোপ্পা দেবতাবু পূজা তৌবা মীনা দেবতাদুবু ফংবা য়াই (যান্তি দেবব্রতাঃ দেবান্। গীতা ৯/২৫) অদুবু শ্রীকৃষ্ণবুদি ফংবা য়ারোই ; শ্রীকৃষ্ণভজন তৌরবা শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা য়াই (যান্তি মদ্যাজিনোঽপি মাম্। গীতা, ৯/২৫) ; গীতাগী ৯/২৫ শ্লোকসিগী ,

টীকাদা শ্রীপাদ শঙ্করাচার্য্যনা হায়রম্বী—সমাজনেহরণি আরাতে যাথের ন [illegible]সাং। জেম এভ [illegible] তমশ্নীতি। শ্রীকৃষ্ণভজনগী মচোমা সেবকা-ভজনগা অনীমক্তা হোৎনবদি (সাত্তাসদি) [illegible] মতুম্ বিভিন্ন-মাওংনা ভজনগী কম-দি খজিক্তনী হোৎনবা মায়মবু [illegible] হোৎনবনু শ্রীকৃষ্ণভজনগীমমক ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণনু ফংবা য়াই। মাতি মদুমাক্তিগুম মদ্ভজনশীল বৈষ্ণবা কৌয়বে। শকর [illegible] ওইগে [illegible] ভক্তিরসমু, শ্রীকৃষ্ণ-মন্তুবা মতৌ ভগবৎস্বরূপ ভজন তৌবদা অমতদা নিষ্ঠা ওইবনু চৌরে (একনিষ্ঠতা ওইবা বাংলী), নৈষ্ঠিক ভক্তদি মদু কাউবা তৌবে। প্রমাণ শ্রীরামচন্দ্রগী উপাসক (দাংগদ সী) শ্রীহনুমান-নী। মহাত্মা হনুমানগী—ঐ মতৌ, শ্রীনাথগা জানকীনাথগা ভেদ্রদে, করমদি মথোয়রনীমক শরমাথানী, অদুমকপু কমললোচন (খৎনাত-মীত্‌-ওবা) শ্রীরামচন্দ্রদা ঐগী সর্ব্বস্ব-নী (লন্ পূমনী)। শ্রীনাথে জানকীনাথে অভেদঃ পরমাত্মনি। তথাপি মম সর্ব্বস্বং রামঃ কমললোচনঃ॥

জ্ঞান—নির্ব্বিশেষব্রহ্মানুসন্ধান (থিবা)। জ্ঞানগী বিভাগ অহুম লৈ—ভগবৎতত্ত্বজ্ঞান, জীবগী স্বরূপ-জ্ঞান (খঙবা) অমসুং অনীসিগী ঐক্যবিধায়ক জ্ঞান; অহানবগী বিভাগ অনীগী জ্ঞান-দি (খঙবদি) ভক্তি-বিরোধী ওইদে। কোন্-কোন্‌বা জ্ঞান—ভগবান্‌গা জীবগা ঐক্য (অমত্তা) ওইবগী জ্ঞান অসিনা ভক্তিবিরোধী-নী, ভক্তিমার্গ চৎপদা জ্ঞান মত্যাসী থাদোকপনী।

কর্ম্ম—স্বর্গ-নচিংবা ভোগ ফংনবা থবক। মসী পুম্নমক ভক্তিগী উপাধি-নী (ওইদবা শক্তমী); উপাধিসী মখল অনীনী—অমনা অপাম্বা অতোপ্পা; অমনা অতোপ্পগা তিন্নবা। অপাম্বা অতোপ্পা—শ্রীকৃষ্ণসেবা নত্তবা ভুক্তি-মুক্তি-নচিংবা পাম্বা। অন্যমিশ্রণ (অতোপ্পগা তিন্নবা)—জ্ঞান-কর্ম্মনচিংবগী আবরণ, নির্ব্বিশেষব্রহ্মানুসন্ধান, স্বর্গনচিংবা ফংহনবা নিত্য-নৈমিত্তিকনচিংবা কর্ম্ম, বৈরাগ্য, যোগ-নচিংবা। শুদ্ধাভক্তিদি উপাধি পুম্নমসী য়াওদবনী।

কৃষ্ণানুশীলন—শ্রীকৃষ্ণগী মরম ওইবদমক তৌনবা হোৎনবা। অনুশীলন অসী মখল অনী ওই; প্রবৃত্ত্যাত্মক অমসুং নিবৃত্ত্যাত্মক; প্রবৃত্ত্যাত্মক

চেষ্টা—লৌশিনবা তৌবা ; অদুগা নিবৃত্তাত্মক চেষ্টা—থাদোকপা হোৎনবা। অদোম্না খুদিংমক কায়িক (হকচাংগী ওইবা), মানসিক (পুক্কীগী ওইবা) অমসুং বাচনিক (বাহৈগী ওইবা) মখল অহুম লোকখি। কায়িক চেষ্টানা শ্রবণ-নচিংবা অমদি সেবা, তীর্থগৃহকা চৎপনচিংবা; মানসিক চেষ্টানা স্মরণ (নীংশিংবা), বাচনিক চেষ্টানা কীর্ত্তন-নচিংবা। মরমদুনা আনুকূল্যে প্রবৃত্তাত্মক কৃষ্ণানুশীলন হায়বদা অসিনী মদুদি—কৃষ্ণগী পেন্নবগী অনুকূল (মায়ৈগে পাংবা) ওইনা মহাক্কী নাম-গুণ-লীলা-নচিংবগী শ্রবণ, মহাক্কী নাম-গুণ-লীলানচিংববু স্মরণ অমদি কীর্ত্তন তৌবগ-চিংবনী। অদুগা নিবৃত্তাত্মক অনুশীলন হায়বদুনা অসিনী মদুদি—শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তৌবা, মত্রগা কংসশিশুপালনচিংবগী মতৌপন্না হিংসা অমদি য়েংশীনচিংবনা খুদুম চন্‌বগী মাগী মমিংনচিংবা উচ্চারণ তৌবগী, মাবু থীনা হায়বা মা তাকপগী মত্রগা নীংশীংবদগী হুন্দোকপা।

"আনুকূল্যে সর্বেন্দ্রিয়ে কৃষ্ণানুশীলন" অসী শুদ্ধাভক্তিগী স্বরূপ লক্ষণ হায়বদুনী ; অন্য বাঞ্ছা, অন্য পূজা, ছাড়ি জ্ঞান কর্ম" অসিনা শুদ্ধাভক্তিগী তটস্থলক্ষণ—হায়বদুনী। অদু ওইরবোইদি, শুদ্ধাভক্তি হায়বসী অমুম্না ওইবা তাবনী, মদুদি—মাগী য়ৌনা ভক্তগাই ওইবা লীলাগী মাধুর্য্যনা প্রাকৃত অমদি প্রাকৃত-নত্তবা বিশ্ব পূম্ববু, করি হায়নী মচামক্কী পূক্রীত ফাওববু চিংবা ঙম্বা; ঐশ্বর্য্য পুম্নমক্কী মাধুর্য্যনা শক্লবা স্বয়ং ভগবান্ ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী অনুকূল (মায়ৈগে-পাংবা) ওইবা অনুশীলন (তৌদুনা লৈবা) অদু অতোপ্পা বাসনা অমদি জ্ঞান-কর্মনচিংবগা শম্নবা থাদোক্তুনা ইন্দ্রিয় পুম্নমক্না তৌবত্তনা শুদ্ধাভক্তিনী। অনুশীলন অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক অনুকূল ওইনা মহাক্কী নাম-গুণ-শ্রবণ-কীর্ত্তন-স্মরণনচিংবা—শ্রীকৃষ্ণগী লীলাস্থলন-চিংবদা চৎপা—ময়ামসী তৌবা তাবনী। অদুগা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগী মতাংদা প্রতিকূল ওইবা (অনুকূল-ওইদবা) শ্রবণ-স্মরণ-নচিংবা থাদোকদবনী ; ভুক্তিবাসনা নত্তনা সংসারগী ভোগ সুখবাসনা-নচিংবা লোইনমক থাদোকদবনী ; স্বতন্ত্র ঈশ্বরনী খন্দুনা অতোপ্পা দেবতাবু পূজা তৌবা অমসুং জ্ঞান, যোগ, কর্ম্ম, তপস্যানচিংবগা লোয়নবা মওং খুদিংমক্কী সম্পর্ক থাদোকদবনী : অদুগা ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু শ্রীকৃষ্ণসেবাদা নত্রগা সেবাগী অনুকূল ওইব বিষয়দা শীজিনগদবনী। ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু মতৌ করম্না শ্রীকৃষ্ণসেবাদা নত্রগ

সেবাগী পাউবা থিবদা শীজয়বা অদু ! ... ইন্দ্রিয় মতাশী—মীং, [illegible], নাচোমদু, লৈয়েঙ অমসুং উনপু ; ... ইন্দ্রিয় মতাশী— খাৎ, খুৎ, খোঙ, পায়ু (মাংথক্রকা খোঙ) অমসুং উপস্থ (... লৌরঙ)। মনুঙগী ইন্দ্রিয় মরিনী—মন (পুক্নীং), বুদ্ধি (লৌশিং), অহঙ্কার (ঐ ঐ হায়বা) অমসুং চিত্ত। মীংনা শ্রীমূর্ত্তিদর্শন তৌবা লীলাস্থল-নচিংবা দর্শন তৌবা, নাকোংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাম গুণ লীলানচিংবা শ্রবণ তৌবা ; নাতোমনা শ্রীকৃষ্ণপ্রসাদী তুলসী-গন্ধপুষ্পনচিংবগী মনম লৌবা ; লৈয়েংনা নাম-গুণ-লীলানচিংবা খক-পোম্বা, মহাপ্রসাদ চাবা ; উনশানা শ্রীকৃষ্ণগী প্রসাদী গন্ধমাল্যনচিংবনা লোক্লগা কংবা, লীলাস্থলগী রজঃ-নচিংবা, নাম-মুদ্রা তিলকনচিংবা ধারণ তৌবা, বাক্যনা (মাহৈনা) নাম-গুণ-লীলাদিকথন ; খুৎনা শ্রীকৃষ্ণপূজাদা চঙগদবা কৈ-খুনচিংবা হেক্পা ; সঙ্কীর্ত্তন-চিংবদা বাদ্য-নচিংবা (পুংশেল য়েৎনচিংবা) তৌবা, হরিমন্দির মাই-থেবনচিংবা তৌবা ; খোঙনা তীর্থস্থানদা নত্রগা হরিমন্দিরদা চৎপা, সেবাদা চঙগদবা পোৎলম থিবা চৎপদা চৎথোক্ চৎশীন্ তৌবা ; পায়ু অমসুং উপস্থদা মলমূত্র চৎথোক্রগা হক্চাঙ সেবাগী মতৌক চাহন্দুনা থম্বা। পুক্নীংনা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ-লীলানচিংবা নীংশিংবা, বুদ্ধিনা শ্রীকৃষ্ণনিঠ ওই-হনবা ; অহঙ্কারনা (ঐ ঐ হায়বসিনা) ঐদি কৃষ্ণগী মনাইনী হায়বসী যোক্তুনা থম্বা : চিত্তনা (অনুসন্ধানাত্মিকা বৃত্তি—থিজিনবনা থরাই-ওইবা পুক্নীংগী মতাং) শ্রীকৃষ্ণগী মথম থিজিনবদা শীজিনবা। মসিগুম্বা ইন্দ্রিয়-পুমনমক্পু শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবা য়ানবা মতমদা শীজিনবা য়াই।

ভক্তিরসামৃতসিন্ধুগী "অন্যাভিলাষিত শূন্যং জ্ঞান কর্ম্মাদ্যনাবৃতম্। আনু-কূল্যেন কৃষ্ণানুশীলনং ভক্তিরুত্তমা" শ্লোক অসুদগী নৈনরিবা পয়ারসিদা হায়রিবা ৱাক্যমতুমক হায়রিবনী। পয়ারগী "অন্যবাঞ্ছা অন্য পূজা ছাড়ি"—বাক্যনা "জ্ঞান কর্ম্মাদ্যনাবৃতম্", অমসুং "আনুকূল্য-নচিংবা" বাক্যনা "আনুকূল্যেন কৃষ্ণানুশীলনম্"—অংশগী তাৎপর্য্য ফোঙদোকয়ি। মথক্তা পাখিবা শ্লোকসিগী টীকাদা শ্রীপাদ জীব গোস্বামীনা ইবশী—শ্লোকসিদা কর্ম্ম শব্দনা স্মৃতি শাস্ত্রনচিংবনা তৌ-হায়বা নিত্যনৈমিত্তিক কর্ম্মনচিংববু খঙহল্লী, মসু পুম্নমক থাদোক্কদবনী। ভজনগী শরুক ওইবা পরিচর্য্যানচিংবদি থাদোক্কদবদে, মরমদি, অদুগুম্বা পরিচর্য্যাসু কৃষ্ণানুশীলনগী শরুক অয়বনী।

“জ্ঞানকর্ম্মাদি”-বুদ্ধি বস্তু-অমা “আদি”-শব্দনা বৈরাগ্য আদিগ্যাদিগা ত্যাগনমিত্তবু খঙহল্লিবনী ; মসী পূর্ণ্ন খাদোকপনী ; মখুদি, বৈরাগ্যাদি তিপ্পদি ভক্তিগী অঙ্গ নত্তে ; ভক্তি অনুশীলন তৌর-তৌরগা বৈরাগ্যমলমিদু মরাইদা আকৃতগনবনী । “জ্ঞান-বৈরাগ্য কভু নহে ভক্তি অঙ্গ । যমনিয়মাদি বুলে কৃষ্ণভক্তসঙ্গ ॥ ২/২২/১৪৬-৭ ॥”

মূল ১৬৮

এই শুদ্ধভক্তি, ইহা হৈতে প্রেম হয় ।
পঞ্চরাত্রে ভাগবতে এই লক্ষণ কয় ॥ ১৬৮ ॥

শব্দার্থ

এই—মসী ; শুদ্ধভক্তি—শুদ্ধা ভক্তিসী ; ইহা হৈতে—মসিদগী ; প্রেম—কৃষ্ণপ্রেম , হয়—ওইরক্নি , পঞ্চরাত্রে—নারদ পঞ্চরাত্রদা , ভাগবতে—শ্রীমদ্ভাগবতম্‌দা ; এই লক্ষণ—(শুদ্ধাভক্তিগী) লক্ষণসী ; কয়—হায় ।

মৈতৈলোনা হন্দোকপা

মসীনী শুদ্ধভক্তি হায়বদো, মসিদগী প্রেম ওইরক্নি । নারদপঞ্চরাত্রদা অমসুং শ্রীমদ্ভাগবতম্‌দসু শুদ্ধভক্তিগী লক্ষণ অসীনী হায়রি ।

মূল ১৬৯

সর্ব্বোপাধিবিনির্ম্মুক্তং তৎপরত্বেন নির্ম্মলম্ ।
হৃষীকেণ হৃষীকেশসেবনং ভক্তিরুচ্যতে ॥ ১৬৯ ॥

শব্দার্থ

সর্ব্ব-উপাধি-বিনির্ম্মুক্তং—মখল পূম্বগী উপাধি (পোৎতপ্) থাংত্রবা ; তৎপরত্বেন—(সেবাদা) মাথওনসন্‌বনা , নির্ম্মলম্—মক্তবা ; হৃষীকেণ—ইন্দ্রিয়না , হৃষীকেশ—ইন্দ্রিয়গী ঈশ্বর শ্রীকৃষ্ণগী , সেবনং—সেবাবু ; ভক্তিঃ উচ্যতে—ভক্তি কৌয়ি ।

মৈতৈলোনা হন্দোকপা

ইন্দ্রিয় পূম্বমক্না ইন্দ্রিয়গী মপুডো শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবদু ভক্তি কৌয়ি ;

[illegible] অসীগী [illegible] পুন্সিংগী উপাধি (সেবা-মকতা, মতৌ অমাকা) [illegible] অমস্থং সেবা [illegible] [illegible] অমা [illegible] ।

নৈনরোল

শ্লোক অসী ভক্তিরসামৃতসিন্ধৌ ভক্তিসামান্যলহরীদা য়াওবা (১/২/১০) নারদপঞ্চরাত্রবচনম্ নী। শ্লোকসী মূল ১৭০-দা হায়রিবা বাক্যগী প্রমাণনী।

মূল ১৭০–১৭২

মদ্গুণশ্রুতিমাত্রেণ ময়ি সর্ব্বগুহাশয়ে।
মনোগতিরবিচ্ছিন্না যথা গঙ্গাম্ভসোঽম্বুধৌ ॥ ১৭০ ॥
লক্ষণং ভক্তিযোগস্য নির্গুণস্য হ্যদাহৃতম্।
অহৈতুক্যব্যবহিতা যা ভক্তিঃ পুরুষোত্তমে ॥ ১৭১ ॥
সালোক্য-সার্ষ্টি সামীপ্য-সারূপ্যৈকত্বমপ্যুত।
দীয়মানং ন গৃহ্ণন্তি বিনা মৎসেবনং জনাঃ ॥ ১৭২ ॥

মসিগী শব্দার্থনচিংনদি ১/৪/২০৬–২০৮ শ্লোক মূলদা য়েংবিয়ু। মসী শ্রীমদ্ভাগবতমদা য়াওবনী (ভাঃ ৩/২৯/১১–১৪)।

নৈনরোল

স্বরূপশক্তিগী বৃত্তিনী হায়দুনা ভক্তিদি মতৌশানা নির্গুণা ওই—প্রাকৃত গুণনা শোক্পা ঙমদে। অদুগা মায়াদা থুনা জীবনা ভক্তিগী অনুষ্ঠান তৌরিবনী ; জীবগী চিত্তদদি মায়াগী সত্ত্ব, রজঃ অমসুং তমোগুণ লৈরিবনী। সাধক অমগী চিত্তবু মায়িক গুণশিংনা ময়াম্ৎলুনা ভক্তি-অনুষ্ঠান তৌবদা গুণগী মমি তাদুনা ভক্তিসু সগুণ ওইবা উইরী—মতুদি মচু য়াওবা স্ফটিক (নীল্লাইট) অদুদা মচুগী মমি তাদুনা মচু-চু। স্ফটিক ওইরবোই নীলক-ওইনি। অসিগুম্না মায় গুণগী মমি-তারবা ভক্তিযোগবু সগুণ ভক্তিযোগ কৌই। মখমদিদা মূল ১৭৩–১৭৯ শ্লোক অসীসিদা নির্গুণা ভক্তিগী মা হায়রি। শ্রীমদ্ভাগবতমদা শ্লোক অসীগী মমাঙথংবা শ্লোক কয়া মুক্তা সগুণা ভক্তিগী মা হায়রি—সগুণাগা নির্গুণাগা অসীগী খেন্নবা অদুনা,

অখোই অহেন্ উৎনবগীদমক। মায়াগী গুণ অহুমৗ ; মখোয়গী মখি ভাবনা সগুণা ভক্তিসু মখল অহুমগী ওই—মহুদি তামস ভক্তিযোগ, রাজস ভক্তিযোগ, সাত্ত্বিক ভক্তিযোগ।

হাৎনীঙবা পূক্চেল্ পেয়নবগীদমক, নত্রগা নাপল ফুদোক্নবগীদমক, নত্রগা মীগী অফবা উয়গা মুংঙাইতবদগী শাউনীঙলকৃপা, নত্রগা অতোপ্পগা খেন্নবদা উবা, অসিগুম্বা তামস-স্বভাবকী কনাগুম্বা মীনা ভগবান্দা ভক্তি তৌরবদি, মাগী ভক্তিযোগ অদু তামস (তম.গুণগী) ওইগনী। "অভিসন্ধায় যদ্ধিংসাং দম্ভং মাৎসর্য্যমেব বা। সংরম্ভী ভিন্নদৃগ্ ভাবং ময়ি কুর্য্যাৎ স তামসঃ॥ শ্রীভা, ৩/২৯/৮ ॥ ভগবান্না হায়রবা ৱাহৈনী॥" উদ্দেশ্য অহুম খোকৃপগুম্ তামসী ভক্তিসু মখল অহুমগী লৈ—মথংমীৎনা অধম তামসী, মধ্যম তামসী, উত্তম তামসী (বৃহন্নারদীয় পুরাণ) বিষয় হায়রবদি হকচাংনচিংবগী মুংঙাইবা ফংনবগীদমক. মিংচৎনচিংবা ফংননবগীদমক, নত্রগা ঐশ্বর্য্য (থক-খোংবা) ফংনীঙবগীদমক (অদুগা ভক্তি ফংনীঙবদগী নত্তবা) প্রতিমানচিংবদা ভগবৎ-পূজা তৌবা মীগী ভক্তিযোগদি রাজসনী (রজঃগুণ্নাইনশন্বনী)। "বিষয়ানভিন্ধায় যশ-ঐশ্বর্য্যমেব বা। অর্চ্চাদাবর্চ্চয়েদ্ যো মাং পৃথগ্ভাবঃ স রাজসঃ॥ শ্রীভা, ৩/২৯/৯॥ ভগবানগী ৱাহৈনী॥" উদ্দেশ্য খেন্নবগী মতুং ইন্না রাজসী ভক্তিসু মখল অহুমগী লৈ মদুদি—অধম, মধ্যম, অমসুং উত্তম। অদুগা পাপ কোক্লনবা হায়দুনা, নত্রগা তৌরিবা থবকী ফলদগী পোকৃপা বন্ধনদগী (অফা-অপুন্দগী) হিংননবা হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণদা কর্ম্ম কৎথোক্কে হায়না সঙ্কল্প তৌদুনা, নত্রগা মথৌনী হায়বা ৱাখল্দতা (বর্ণাশ্রমী মরিনা কৃষ্ণ ভজন তৌদ্রবদি স্বধর্ম্ম-বর্ণাশ্রমগী ওইবা থবক-তৌদুনসু রৌরব কৌবা নরক অদুদা তাদুনা মাঙজৈ হায়বা ৱাসী থম্দুনা রৌরব-দা তাদনবা হায়দুনা) ভক্তি-অঙ্গ-অনুষ্ঠান তৌবদো সাত্ত্বিক ভক্তিনী। "কর্ম্মনির্হারমুদ্দিশ্য পরস্মিনবা তদর্পণম্। যজেদ্ যষ্টব্যমিতি বা পৃথগ্ভাবঃ স সাত্ত্বিকঃ॥ শ্রীভা, ৩/২৯/১০॥ ভগবদুক্তিঃ॥ উদ্দেশ্য খেন্নবা মতুং ইন্না সাত্ত্বিক ভক্তিসু মখল অহুম লৈ, মদুদি—অধম, মধ্যম অমসুং উত্তম। তামসিকী ভক্তিদগী রাজসিকীনা হেন্নী অমসুং রাজসিকীদগী সাত্ত্বিকীনা হেন্নী। পান্দম (উদ্দেশ্য) খেন্নবা মতুং ইন্না মখল খুদিঙগী সগুণা ভক্তিনী খেন্নবা অহুম লৈবনা, পান্দম খেন্নবগীদমক সগুণা ভক্তি লোইনমক্না মখল

মাপন্না। মথল মাপলসিগী মনুষ্যদা সাত্ত্বিকীগী উত্তম অঙহুনা (হায়বদি থো অমনী হায়বগী বুদ্ধিদা তৌবা ভজন অহুনা) খ্যায়পুম্বদগী উত্তম-নী। মসী শাস্ত্রবিধি ইন্‌বগীদমক্তী হাযহুনা মসী তশেংনমক বিধিভক্তিনী। মথল মাপলসিগী খুদিংমক্তী পাঙথোকপা মওংস্তু মথল মাপল ওইবা য়াই; মরমদি, শ্রবণ-কীর্ত্তন-নচিংবা মথল মাপলগী ভক্তি অঙগী অঙ অমনা মথক্তা পল্লিবা উদ্দেশ্য-লৈবা ভক্তিযোগ মাপলদী পাঙথোকপা য়াই। অহু ওইববদি উদ্দেশ্যগী মায়কৈরোমদগী য়েংলগা সগুণা ভক্তিসী মথল মাপল ওইরবস্তু উদ্দেশ্য-পাঙথোক্‌পগী মায়কৈরোম য়েংলগা মসী মথল ৮১-গী ওইবা য়াই। ইশাগা মন্না লৈনবা উদ্দেশ্য অমা পাঙথোক্লবগী বাসনাহুনা সগুণা-ভক্তিদা ইনসন্‌বনী; মবমহুনা মসী সহেতুকস্তু (সকাম স্তু) ওইরিবনী: মসী অহৈতুকী (হৈতুকী-নত্তবা) হা'য়বহু নত্তে। মথক্তা পল্লিবা শ্রীমদ্ভাগবতম্‌গী প্রমাণা উবা ফংলে, মতুদি সগুণা ভক্তি অনুষ্ঠান তৌবদা ভক্তিবাসনা অমত্তা লৈতে: ভক্তিবাসনা চিত্তদা যোক্লগা সগুণ অবস্থাদস্তু সাধক-না ভক্তি-যোগগী অনুষ্ঠান তৌরবদি ভক্তিরাণীগী কৃপানা সাধক অহু গুণ-গী য়াংমদা লৈংথোক্‌পা ঙম্‌গনী (গুণাতীত ওইবা ঙম্মী), মহাক্তী ভক্তিস্তু মতমহুদা মবম্নাই স্বরূপতা—নির্গুণ ওইনা মাগী চিত্তদা ঙাক্তোইদ্রবা য়াই।

মতৌ অস্নম্না সগুণা ভক্তিগী রা হাযবগা ভগবান্ কপিল দেবনা মমাবেম্মা দেবহূতিগী মফমদা নির্গুণা ভক্তিগী রা হায়খি—মদ্‌গুণশ্রুতিঃ মাত্রেণচিংবা বাক্যনা।

কনাগুম্বগী মহাগী মুংঙাইবা ফংবা নত্রগা অরাবা কোক্লবা বাসনা (অপাম্বা) অহু, নত্রগা, উদ্দেশ্য সিদ্ধিগী ফল—মুংঙাইবা নত্রগা অরাবা মহা মথন্তনা ফংফম্ থো'কৃপা—হাযবিবা উদ্দেশ্য-সিদ্ধিসী ওইনবা বাসনা (নীঙবা, পাম্বা) অহুবু কাম কৌয়ি। অসিগুম্বা বাসনা-না সগুণ-ভক্তিযোগ তৌহল্লী; মায়িক গুণ-দগী পোকপনী হায়হুনা, মায়িক-গুণগী ময়াইনা দেহাবেশ (দেহদা লুপ্পা) পোক্‌পনী হাযহুনা অমস্তুং দেহাবেশ ওইবনা মথক্তা পল্লিবা বাসনা অসিগুম্বা পোক্‌য়ি হায়হুনা—ভক্তিযোগহু সগুণ হায়বহুনী। বাসনা অহুমক্তা ভক্তিযোগসিদা ইন্‌শন্নবা হেতু (মরম) ওই হায়হুনা মসী সহেতুক-নী। তশেংবদি মসী স্বরূপকী হায়রুগদি ভক্তিস্ত

মতে : মরমদি, ভক্তি শব্দগী অর্থদি—ভজন, সেবা, সেবাগী ভক্তগী লমাই-মুংতাইনীঙবা মচেৎ অমতা-মাওদবা, কৃষ্ণগী মুংতাইবা অঙ্গুতগী ওইবা (কৃষ্ণসুখৈকতাৎপর্য্যময়ী ওইবা) সেবা নী। ভক্তিরস্য ভজনম্, ইহামুত্রোপাধিনৈরাস্যেন অমুষ্মিন্ মনসঃ কল্পনম্। গোপালতাপনী-শ্রুতি। মসিনা ভক্তিগী অঙ্গশিংদু পাঙথোক্লি হায়দুনা মসিদা ভক্তিত্বদু আরোপ (থোন্‌জনবা) তৌহনবনী ; তশেংনদি মসী ভক্তিবিরোধীনী : মসিদি আরোপসিদ্ধা (থোন্‌জনবিবা, হায়জনবিবা) ভক্তিহৃতনী। তৌইগুম্বসু সাধক মহাক্কী কবিগুম্বা উদ্দেশ্য অমগী সিদ্ধি ওইহন্নীংবা (বাসনা) অমনা ভক্তিযোগদুদা চঙহন্নবা মরম (হেতু) নত্রবা, ভগবানগী চিত্তপুন্নবু চিংশিন্দবা শুন্নচিংবা শ্রবণ তৌকনগী ফল ওইনা ভগবদ্দন্নচিংবগী স্বরূপগত ধর্ম্মগী থৌনশা ওইবনা—অদুগী হেতু অমনা ওইবা নত্তনা—ভক্তি অদুদা চঙনীঙ-লক্পা, অদুগুম্বা ভজনদুদনা অহৈতুকী—ওইগদবনী অমসুং মায়িক গুণ-মগী পোক্পা বদিগুম্বা উদ্দেশ্য-অমগী সিদ্ধি পাম্বা অমতা ভক্তিযোগ-দুদা যাওদে হায়দুনা ভক্তিযোগদু নির্গুণা-নী। অদুগা, কৃষ্ণসেবাগী বাসনা নত্তনা অতোপ্পা বাসনা অমনা মনী লাপ্‌থোক্‌হনবা (ব্যবহিত) ওইহন্দ্রে হায়দুনা মসী অব্যবহিত (লাপ্‌থোক্‌দ্রবা, খেন্নবা নৈত্রবা) মরমদুনা স্বরূপগত লক্ষণ স্বরূপসিদ্ধা ভক্তিসিনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ তেম্বা চৎপদা অতৎপা নৈতে হায়দুন মাগী পোঙচংদুসু পাম্বিন্না (অতৎপা-নৈতবা) ওইগনী—গঙ্গাগী ঈচেল সমুদ্র মথক্কে পাঙলগী গতি (থোঙচৎ) কুম্না অবিচ্ছিন্না নী। কৃষ্ণসেবাগী বাসনা নত্তন অতেপ্প বাসনা অমা মসিদা য়াওদে হায়দুনা মসী নির্মলা-নী (মত্তবনী), নির্গুণা হায়রদি শুদ্ধাভক্তিগী লক্ষণ অসিনী। শুদ্ধভক্তিগী পান্দম ওইনা থম্লগা মদুগী অনুকূল ওইনা নববিধা ভক্তি অনুষ্ঠান-ঙনা শুদ্ধভক্তিগী সাধন নী। অসুম্না তৌবা সাধনগী ফল ওইনা ভগবৎ-কৃপানা, সাধুগুরুগী কৃপানা, চিত্তশুদ্ধ ওইরগদি শুদ্ধাভক্তি পোক্নী। শুদ্ধভক্তিগী কৃপা ওইরগদি অতৈ করি-ঙম্বা অমতগী রাদি থমগ্রদুনা, সালোক্য-নচিংবা মুক্তি পাম্বগী রা কাওবা থারক্লোই, করি হায়নী, ভগবান্না সালোক্য-নচিংবা পীগ দ্রাখংবসু ভক্তনা মহু লৌদে। সেবা নত্তনা ভক্তগী কাম্য (পাম্নগদবা) অমত্তাং লাক্তে। সালোক্য নচিংবা মখন্দ মহিগী মুক্তিদা পরব্যোমদা সেবা থরক্কি

ফংবা য়াই হায়ববু পররবে মদদি ভগবান্গী ঐশ্বর্য্যজ্ঞানগী প্রাধান্য লৈ হায়দুনা প্রেম-সেবা— থয়াই-হৈজিন্বা—সেবাগী মকম লৈতে ; অদুগনদুনা শুদ্ধভক্তিগী কৃপা-ফংবা ভক্তনা মদুসু পাম্দে ; মহাক্না শুদ্ধমাধুর্য্যগী মশক ওইবা ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী প্রেম-সেবা অদুত্তমক পাম্মী।

মূল ১৭৩

স এব ভক্তিযোগাখ্য আত্যন্তিক উদাহৃতঃ।

যেনাতিব্রজ্য ত্রিগুণাং মদ্ভাবায়োপপদ্যতে ॥ ১৭৩ ॥

শব্দার্থ

সঃ এব—মদুদনা ; ভক্তিযোগাখ্যঃ—ভক্তিযোগ হায়না ; আত্যন্তিকঃ—অয়োবী ; উদাহৃতঃ—কৌয়ি ; যেন—মদুনা ; অতিব্রজ্য—লাম্থোক্লুনা ; ত্রিগুণাং—গুণ অহুমগী মায়াবু ; মদ্ভাবায়—ঐগী থোইদোকপা মুংশিবা ফংনবা ; উপপদ্যতে—মতীক চায়।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(দেবহূতিদা কপিলদেব-না হায়খি)—"ইমা, ভক্তিযোগ অদুগী মপান্না সাধক অমনা মায়িকগুণ অহুমসু লাম্থোক্লুনা ঐবু থোইদোক্না মুংশিবা ওম্নবা মতীক চাজরবা, অদু ওইরবদি মাগী ভক্তিযোগদু অয়োবী (আত্যন্তিক) ভক্তিযোগ কৌয়ি।

নৈনরোল

আত্যন্তিকঃ—অত্যন্ত শব্দদগী আত্যন্তিক-শব্দ ওইরকপনী। অত্যন্ত—অতি অন্ত ; ওমখৈ অয়োবী। ভক্তিযোগদুগী মতেঙনা অরাবা কোক্পগীসু অমসুং মুংঙাইবা ফংবগীসু থম্থেংবা ওম্খৈদুদা য়োবা য়ারবদি মদুবু আত্যন্তিক (অয়োবী, থম্থেংবী) ভক্তিযোগ কৌয়ি। সাযুজ্য মুক্তিযুসু কনা কনাগুম্বন আত্যন্তিক কামা (পাম্ঙাইনী) হায়না থন্বা য়াই ; অদুবু মদু চুম্দে ; মরমদি সাযুজ্য মুক্তি-গী আত্যন্তিকতা (থম্থেংবী অয়োবা) হায়বদু একদেশিকীনী (মায়কৈ অমতগীনী), মদুদা মায়ানিবৃত্তিদি (মায়া-কোক্প) ওইবা য়াই ; ব্রহ্মানন্দ অনুভব তৌবদা নিত্য ওইবা চিন্ময়-সুখ হায়বদুগী আস্বাদনসু তৌবা য়াই। অদুবু মদুদি সুখসত্তাদবু (মুংঙাইবা হায়বদুদবু) আস্বাদন তৌবনী ; স্বরূপ শক্তিগী থবক য়াওদে হায়দুনা

মতুদা রসবৈচিত্রীদি (নুংঙাইবা মখেন্দি) ফংবা য়াদে ; মরমদুনা নুংঙাইবা আস্বাদন তৌবগী সাযুজ্যবু আত্যন্তিক কৌবা য়াদে । থরাই পুম্বা হৈজন্দুনা তৌবা সেবা তৌবগী তান্‌জাসু ফংদ্রে হায়দুনা সালোক্য-নচিংবা মুক্তি মখল মরিদসু আনন্দ-আস্বাদনগী আত্যন্তিকতা হায়বদু লৈদ্রে । শুদ্ধ-মাধুর্য্যগী ওইবা ব্রজগী প্রেম সেবাদদা আনন্দ-আস্বাদনগী আত্যন্তিকতা (অয়োবী) হায়বসী লৈ, অদুগা লোয়ননা দুঃখনিবৃত্তিগী আত্যন্তিকতা হায়বদুসু ওই । শুদ্ধাভক্তিযোগনা ব্রজেন্দ্রনন্দনগী সেবা ফংবা য়াই হায়দুনা মাবু (শুদ্ধভক্তিযোগসিবু) আত্যন্তিক ওই হায়রিবনী ।

ত্রিগুণাং—গুণ অহুমগী মায়াবু অতিব্রজ্য—লাম্থোক্লগা । ভগবানগী চরণ-দা হেক চঙজবগা সংসার ঈপাকসিবু শন-খোঙ্গুনগুম্না কৈছু লৈতবনী হায়না খল্লী ; মরমদুনা সংসার লাম্থোকে হায়বগী হোৎনরবা তৌদ্রবসু, আনুষঙ্গিক (লোইনবা পোত্তা) ওইনা, ভক্তনা সংসারবু ইলায়-লায়না লাম্থোকৃয়ি ।

মদ্‌ভাবায়—ভাব-কী অর্থ বিদ্যমানতা (লৈবা, ওইবা)-সু ওই, প্রেম-বিশেষসু (নুংশিবা থোইদোকপসু) ওই । মরমদুনা মদ্‌ভাবায় শব্দগী অর্থদি—ভগবান্‌বু সাক্ষাৎ ফংননবগীদমক, নত্রগা ভগবান্‌দা প্রেমবিশেষ ওইননবগীদমক উপপদ্যতে—মতীক চাজৈ ।

শুদ্ধাভক্তিগী মপান্না মায়া লাম্থোক্লগা শ্রীকৃষ্ণপ্রেম (শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা) ফংবা য়াই হায়বগী প্রমাণনী শ্লোকসী ।

মূল ১৭৪

ভুক্তি-মুক্তি-আদি-বাঞ্ছা যদি মনে হয় ।
সাধন করিলে প্রেম উৎপন্ন না হয় ॥ ১৭৪ ॥

শব্দার্থ

ভুক্তি—মায়িক সুখ ভোগ তৌবা ; মুক্তি—মায়াদগী লাম্থোক্পা ; আদি—নচিংবা ; বাঞ্ছা—অপাম্বা ; যদি—বদি ; মনে হয়—পুক্নিংদা লৈবা ; সাধন করিলে—সাধন তৌদুনসু ; প্রেম—কৃষ্ণবু নুংশিবা ; উৎপন্ন—পোক্পা ; না হয়—ওইদে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভুক্তি-মুক্তিনচিংববু পুক্নীগুনা পাম্‌হনা লৈরবদি সাধন তৌহুনস্থ কৃষ্ণ-প্রেম পোক্তে।

নৈনরোল

ভুক্তি-মুক্তিনচিংবা পুন্নমক্তে ভক্তি-লতাগী উপশাখানী; উপশাখা লোঙলবদি মূলভক্তিলতা নোই-চাউবা ঙমদে, মরমদুনা প্রেম পোক্‌পা য়াদে। মরমদি মহুগীদমক তৌবা সাধন-শি মগুণ ওই।

পয়ারসিগী প্রমাণ ওইনা শ্লোক অমা মখাদা পীরি।

মূল ১৭৫

ভুক্তি-মুক্তি-স্পৃহা যাবৎ পিশাচী হৃদি বর্ত্ততে।
তাবদ্ভক্তিসুখস্যাত্র কথমভ্যুদয়োভবেৎ॥ ১৭৫॥

শব্দার্থ

ভুক্তি—স্বর্গসুখনচিংবা; মুক্তি—অয়ানখুভম্; স্পৃহা—পাম্বা; যাবৎ—মতম অদুক্কী মথৈ; পিশাচী—মখল অমগী অপদেবতা; হৃদি—থম্মোইদা; বর্ত্ততে—লৈ; তাবৎ—মতম অদুক্কী মথৈ; ভক্তিসুখস্য—ভক্তিগী নুংঙাই-বগী; অত্র—মফমসিদা (থম্মোইদা); কথম্—মতৌকরম্না; অভ্যুদয়ঃ—থোরক্‌পা; ভবেৎ—ওইগনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভুক্তি-মুক্তিবু-পাম্বা কৌবী পিশাচীনা থম্মোইদা লৈরিবমথৈ ভক্তি-যোগনা পীগদবা নুংঙাইবা হায়বদো থম্মোইসিদা করম্না থোক্কনী?

নৈনরোল

পিশাচী—অপদেবতা (জাং অতোন্‌বা লাইনাও) মখল অমনী। মফমসিদা ভুক্তি মুক্তি-পাম্ববু পিশাচী হায়না কৌরি। মহুগী—তাৎপর্য্যদি অসিনী—পিশাচীনা লৈবা মফম অদুবু য়াম্না মাংবা মফম অমনী হায়না দেবতা কনাম্বতনা মফমদুদা চঙবিদবগুম ভুক্তি-মুক্তি-পাম্বা হায়বসিনা লৈরিবা থম্মোইদুদা শুদ্ধ ওইবা ভক্তিগী মফম লৈতে। শুদ্ধচিত্তদদা প্রেম

পোক্‌য়ি। ভুক্তি-মুক্তিবু পাম্বনা ভক্তি পাম্ববু অ:-লাপ্না তাম্লোক্‌য়ি। পিশাচ-চঙলবা মীদা ওজা মাইথনা য়া থম্না হংবদা। মীত্তুনা পিশাচগী মতৌ-শুম্না য়া ঙাঙঙী—পিশাচদা কনাগুম্বনা করিগুম্বা অমা হংথদা পিশাচনা খুম্বা পাউথুম্‌শুম্না পিশাচনা চঙলবা মীদা ওঝা মাইবনা হংবদস্তু অহুগুম্না খুম্মী ; মাগী চিত্তক্তদা পিশাচগী ভাব নত্তনা অতৈ ভাব অমতা থোরক্তে ; মক্কৌ অহুগুম্না কনাগুম্বগী চিত্তদা ভুক্তি-মুক্তি বাসনাগী মপাঙ্গল কল্লবদি, মাগী চিত্তদা ভক্তি-বাসনা পোক্তে ; ভক্তি-মুক্তি-বাসনা-না জীবাত্মাগী স্বরূপকী ওইবা ভক্তিবাসনাবু কূপ্‌শন্দুনা থম্মী—পিশাচগী ভাব অহুনা পিশাচ-চঙবা মীগী মরম্নাই ভাব অহুবু কূপ্‌ছন্দুনা থম্বগুম্না। ভক্তিবাসনা-না থোরক্রবদি ভক্তি-সুখ অহু ফংবদি ওইথোক্তবনী। ভুক্তি-মুক্তিবাসনা-লোয়নবা ভজন-দি সগুণ-ভক্তিযোগ হায়বহু ওইগনী, সগুণ-ভক্তিযোগনদি শুদ্ধাভক্তি ফংবা ওইথোক্তে। পিশাচীনা মীওইবগী হৌনশা শুটবা ভাব ফোঙদোক্‌হন্দবগুম, পিশাচগী হৌনশা ভূক্কচনরবা ভাব-ঙাক্তা ফোঙদোক্ক-হন্‌বগুম, ভুক্তিমুক্তি-স্পৃহানস্তু জীবাত্মাগী মছাগী ওইবা ভাব ফোঙদোক্‌-পদা য়ৈথায়বা পীবগুম, মহাক্কী প্রভাব-না জীববু সংসারগী মমল-য়াঙদবা অরা-মুংঙাই ফংহল্লী। মরমহুনা পিশাচীগা মান্নে হায়রিবনী।

মূল পয়ার ১৭৭-কী প্রমাণ্নী শ্লোকসী।

মূল ১৭৬

সাধনভক্তি হৈতে হয় রতির উদয়।
রতি গাঢ় হৈলে তার 'প্রেম' নাম হয়॥ ১৭৬॥

শব্দার্থ

সাধনভক্তি—শ্রবণ-কীর্ত্তন-নচিংবা ভক্তি-অঙ্গ ; হৈতে—দগী ; হয়—ওই ; রতির—প্রেমগী ময়োন্‌গী (অঙ্কুরগী) ; উদয়—থোরক্‌পা ; রতি—রতিনা ; গাঢ়—নঙশন্‌বা ; হৈলে—ওইরগা ; তার—মাগী (রতিগী) ; প্রেম—কৃষ্ণবু মুংশিবা ওইথৎলক্‌পগী অনীশুবা ফীভম ; নাম—মিং ; হয়—ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সাধন-ভক্তিগী রতি (কৃষ্ণবু নুংশিবগী মহোম) [illegible]। [illegible] মাবু প্রেম কৌরি।

নৈনরোল

সাধন-ভক্তিগী হায়বদি শ্রবণ-কীর্ত্তন-নচিংবা ভক্তি-অঙ্গ তৌরগা ওইবা ফলগী বা হায়রি।

রতি—রতিগী অতোপ্পা মমিংদি প্রেমাঙ্কুর নত্রগা প্রীত্যঙ্কুর নত্রগা ভাব কৌরি। রতিগী হায়বদি ভাব-কী লক্ষণদি অসিনী—"শুদ্ধসত্ত্ববিশেষাত্মা প্রেমসূর্য্যাংশুসাম্যভাক্। রুচিভিশ্চিত্তমাসৃণ্যকৃদসৌ ভাব উচ্যতে॥ ভ, র, সি, ১/৩/১॥" শ্রীকৃষ্ণগী লোইনমক্পু কোঙদোকৃঙম্মা স্বরূপশক্তিগী বৃত্তি বিশেষবু শুদ্ধসত্ত্ব কৌরি। ভাব হায়বসে শুদ্ধসত্ত্বসিগী বিশেষ স্বরূপ-নী; মসী ভাবকী স্বরূপ লক্ষণনী। মসী (ভাব) প্রেমগী মশক ওইবা সূর্য্যগী কিরণ (মঙান) গুম্বনী (সূর্য্যানা থোরক্পা মতমদা মঙান্ খজিক খজিক উংলকৃয়ি অদুগা অমম্বা পূম্বা মাঙঙী; মতৌ অদুগুম্না প্রেম হায়বসিনা অহান্‌বা থোরক্পা হৌবদা অনর্থ-নচিংবা (পরমার্থ-নত্তবা) কোকৃয়ি, ভগবৎপ্রীতিদু (ভগবানবু নুংশিবা হায়বদু) খজিক খজিক শক্উংলকৃয়ি। ফীভম মতাসী ভাব হায়বনী। ভাব-অসিদা ভগবানবু ফংনবা অভিলাষ (অপাম্বা), মহাক্কী আনুকূল্য ওইনবা অভিলাষ অমদি সৌহার্দ্দ (মরূপ ওইবগী ভাব)-নচিংবা অভিলাষ-না চিত্তগী স্নিগ্ধতা (পেথবা) ওইহল্লী। মসী ভাব-কী তটস্থ লক্ষণ হায়বনী। প্রেমগী অহান্‌বা ফীভম্ ভাব কৌরি। "প্রেম্নস্তু প্রথমাবস্থা ভাব ইত্যভিধীয়তে।" ফীভমসিদা পিশিঙ্বা-তুজুংব নচিংবা সাত্ত্বিক-ভাব পুন্নমক খজিক্তং ওইনা থোরকৃয়ি; "সাত্ত্বিকাঃ স্বল্পমাত্রাঃ স্যুরত্রাশ্রুপুলকাদয়ঃ। ভ, র, সি, ১/৩/৩॥"

সাধনভক্তি হইতে-নচিংবা—শ্রবণ-নচিংবা সাধনভক্তি অনুষ্ঠান তৌর-তৌরগা অনর্থ কাকুনা চিত্তশুদ্ধ (পূর্ণীঙ মকুবা) ওইরবদি রতি হায়বদি ভাব-ভক্তি ওইরকৃয়ি; হায়বদি শ্রীকৃষ্ণপ্রেম (শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা) খজিক খজিক (অল্প অল্প) উংলকৃয়ি। শ্রীকৃষ্ণপ্রেম দি নিত্যসিদ্ধনী; অদুবু

মায়াবা শুন্নবা জীবগী অমোংপা চিত্তগী থোঙ অসী থোরকপা ওম্দে। শ্রবণ-কীর্তন-নচিংগা ভোৎপা চিত্তনা শুদ্ধ (শঙ্কবা) ওইরগা প্রেম না মথন্তমক থোরকই; মথন্তমক থোরকপসিগী প্রথমাবস্থাদা (অহানবা খোংথাংদা) রতি হায়রবদি ভাব হায়রকনী।

প্রেমগী পূর্ণতম (মপুং ফাবদা লোইরবা) বিকাশগী অবস্থাদু মহাভাব কৌই; অহানবা হৌবদগী অরোইবা অবস্থা ফাওবা পুম্মক্কী মিংদি অসিনী:—রতি, প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগ, ভাব অমসুং মহাভাব।

প্রেম—কৃষ্ণপ্রেম-বিকাশগী অনীশুবা অবস্থা; রতিগী গাঢ (নঙশনবা) অবস্থাগী মিং প্রেম কৌই। "সম্যঙ্মসৃণিতস্বান্তো মমত্বাতিশয়াঙ্কিতঃ। ভাবঃ স এব সান্দ্রাত্মা বুধৈঃ প্রেমা নিগদ্যতে ॥ ভ, র, সি, ১/৪/১ ॥" চিত্তবু মপুংফানা স্নিগ্ধ ওইহনবা (পেৎহনবা) অমসুং শ্রীকৃষ্ণদা মমতা (ঐগীনী হায়বা) য়াম্না পোকহনবা, নঙ নঙ-লাউরবা ভাব অদুবু পণ্ডিতশিংনা প্রেম কৌই।

মূল ১৭৭

প্রেমবৃদ্ধিক্রমে নাম—স্নেহ, মান, প্রণয়।
রাগ, অনুরাগ, ভাব, মহাভাব হয় ॥ ১৭৭ ॥

শব্দার্থ

প্রেমবৃদ্ধিক্রমে—প্রেম-না হেনগৎলকপগী মথং মথং ওইনা; নাম—মিং; স্নেহ—কৃষ্ণপ্রেমবিকাশগী অহুমশুবা অবস্থানী; মান—প্রেমগী মরিশুবা অবস্থা; প্রণয়—প্রেমগী মঙাশুবা অবস্থা. রাগ- প্রেমগী তরুকশুবা অবস্থা. অনুরাগ—প্রেমগী তরেৎশুবা অবস্থা; ভাব—প্রেমগী মীপালশুবা অবস্থা; মহাভাব—মাপলশুবা অবস্থা; হয়—ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণপ্রেম-সিনা অসুম অসুম হেনগৎলকপা ওইবা অবস্থাশিংগী মমিংদি স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগ, ভাব অমসুং মহাভাব কৌই।

নৈনরোল

স্নেহ—প্রেমনা গাঢ় ওইরগা চিত্তবু লেংহল্লবদি (শৌদৌক্হল্লগদি) মহুথু স্নেহ কৌয়ি। স্নেহদগি ঙম অমম্মং খাক্কমবকাঁওবা থাউবা ঙম্‌দে। "সান্দ্রশ্চিত্তদ্রবং কুর্বন্‌ প্রেমা স্নেহ ইতীর্য্যতে। ক্ষণিকস্যাপি নেহস্যাদ্বি-শ্লেষস্য সহিষ্ণুতা॥ ভ, র; সি, ৩/২/৬৩॥"

মান—স্নেহনা কাখৎলকপা য়েৌমবদা অবৌবা মাধুর্য্যবু অনুভব তৌহল্লনা অদুগা মহাক্কা পুক্নীঙশেক্না, অদুগী অবস্থাবু মান (ওইনবা) কৌয়ি। "স্নেহস্তূৎকৃষ্টতা ব্যাপ্ত্যা মাধুর্য্যং মানয়ন্নবম্। যো ধারয়ত্যদাক্ষিণ্যং স মান ইতি কীর্ত্যতে।" উঃ নীঃ স্থাঃ ৭১॥" প্রণয়—মান-সিনা বিস্রম্ভ (কনা-শুপনা মাগী মুংশিবা মীত্থুগা মহাগা অমতনী (খেন্নবনী) হায়না লৌরবদ্রি মহুবু প্রণয় কৌয়ি। "মানো দধানো বিস্রম্ভং প্রণয়ঃ প্রোচ্যতে বুধৈঃ। উঃ নীঃ স্থাঃ ৭৮॥" মকমসিদা হায়রিবা বিস্রম্ভগী অর্থদি বিশ্বাস (থাজবা) হায়বদি সম্ভ্রমশূন্যতা (ইকাইথুন্নদবা) হায়বনী মহাগী প্রাণ, মন, বুদ্ধি, দেহ অমসুং ফীজেৎনচিংবা অমতনী খনবদগী বিশ্বাস অসী পোকপনী॥ রাগ—প্রণযনা কাখৎলকপা য়োৎবদা শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা য়াম্নবা ঋবনু দুংঙাইবনী হায়না চিত্তগী মুংদা লৌয়ি, মহুগী মতাঙদা প্রণযবু রাগ কৌয়ি। "দুঃখমপ্যধিকং চিত্তে সুখত্বেনৈব ব্যজ্যতে। যতস্তুপ্রণয়োৎকর্ষাৎ স রাগ ইতি কীর্ত্যতে॥ উঃ নী. স্থাঃ ১০২॥"

অনুরাগ—রাগনা পংনৌদা নৌখৎলকুনা মুংশিজবা মুপাত্থবু মতম পুম্বদা নৌত্থনদা নৈথৎলক্পোই খল্লহনবা (মমাঙ্ঙদা কদৌঙৈদম্ম উখিদ্রি-বোই, কদৌঙৈদম্ম অনুভব তৌখিদ্রিবোই তৌবা; অসিনা অহানবা উবনী অমসুং অহানবা অনুভবু নী হায়না খল্লহনবা) রাগ অহুবু অনুরাগ কৌয়ি। "সদানুভূতমপি যঃ কুর্য্যান্নবনবং প্রিয়ম্। রাগো ভবন্নবনবঃ সোঽনুরাগ ইতীর্য্যতে॥ উঃ নীঃ স্থাঃ ১০২।" ভাব—"অনুরাগঃ স্বসংবেদ্যদশাং প্রাপ্যপ্রকাশিতঃ। যাবদাশ্রয়বৃত্তিশ্চেদ্ভাব ইত্যভিধীয়তে॥ উঃ নীঃ স্থাঃ ১০৯॥" অনুরাগনা যাবৎ আশ্রয়বৃত্তি (মহাগী আশ্রয়গী অয়োবী থাক অহংখংবা) ওইরগা মহামক্তী সংবেদ্য (অনুভব তৌফম থোক্নবা) দশাদু থংলগা ফোঙদোক্লবা হায়বদি অনুরাগগী পরাকাষ্ঠা (অয়োবী থাক)

কংলবদি, অমস্থুং অনুরাগদমক লৈরবদা মীচুপী অনুভব-তৌবা য়াবা দশাচু কংলপা সূদ্দীপ্ত (কজনা থোরকুনা থাজবা) সাত্ত্বিকচিংবনা কোক্তরবা ওইরবদি অনুরাগ অদুবু ভাব কৌরি। অনুরাগদি কপ খুদিংগী হেক্কংলকৃরি। কোয়ারগী ঈগীওনা ঈথক ময়োল ময়োল কাথংলকুনা তোর্বান কাওবা থনৃগংহনবগুম্ অনুরাগস্থু থম্মোইথুংদা হেক্কংতুনদা লৈ ; অমুম অমুম হেক্কংলকৃপনা মহুনা থম্মোইবু থলৃহলপা মমৈদদি মহামকী ভাব অচুদা লৃপুকা লৈ ; মাগী ঈথক অচৌবশিংচু শকৃউংলী, তোর্বান্ কাওবা থনৃগংতুনা রা-রা লাউরকৃরি। অনুরাগগী অবস্থাসিগী মমিং ভাব কৌরি।

মহাভাব—উজ্জ্বলনীলমণিগী মত মতুং ইন্না ভাব-কা মহাভাব-কা করিমতা থেন্নদে ; প্রেমগী অবস্থা অমথকী মিং অনী হায়বদি ভাব অমস্থুং মহাভাব হায়না লৈবদনী। অচুবু কবিরাজ গোস্বামীনদি ভাব অমস্থুং মহাভাব অনীসী থেন্নহন্দুনা হায়রম্মী—"হ্লদিনীর সার প্রেম, প্রেমসার ভাব। ভাবের পরাকাষ্ঠা নাম মহাভাব—হ্লাদিনীগী মচিবু প্রেম কৌরি, প্রেমগী মচিব ভাব কৌরি ; ভাব-কী পরাকাষ্ঠাবু (অয়োবী থাক অচুবু) মহাভাব কৌরি॥ ১/৪/৫৯॥" অচুবু মহাক্না ভাব অমস্থুং মহাভাবকী করিগুম্বা শীমানা অমতা তাক্লমৃদে।

মূল ১৭৮

যৈছে বীজ, ইক্ষু, রস, গুড়, খণ্ডসার।
শর্করা, সিতা, মিশ্রি, উত্তমমিশ্রি, আর॥ ১৭৮॥

শব্দার্থ

যৈছে—চুগুম্না ; বীজ—চু থানবা মকক ; ইক্ষু—চু ; রস—চুহী ; গুড়—চিনি অঙাঙবা ; খণ্ডসার—অকঙবা গুড় ; শর্করা—চিনি অতৌবা ; সিতা—সিতা ; মিশ্রি—মিশ্রি ; উত্তমমিশ্রি—উত্তমমিশ্রি ; আর—অচুগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

চুগী বীজ (তাক্কক)-দগী চুশাং (ইক্ষুদণ্ড), চুশাংদগী চুহী, চুহীদগী চিনি অঙাঙবা (গুড়), গুড়দগী খণ্ডসার, খণ্ডসার-দগী শর্করা, শর্করাদগী সিতা, সিতাদগী মিশ্রি, মিশ্রিদগী উত্তমমিশ্রি ওইরকৃপগুম্বনী।

মৈমরোল

চুগী বীজবু লৈমুক্তদা কুম্না অহুনগী চুগাং, চুগাংদগী চুতী (রস), চুতীদগী গুড়, [illegible]দগী খণ্ডসার, খণ্ডসারগী শর্করা, শর্করাদগী সিতা, সিতাদগী মিশ্রি, মিশ্রিদগী উত্তমমিশ্রি ওইরক্পগুম্না রতিদগী প্রেম, প্রেম-দগী স্নেহ, স্নেহদগী মান্, মান্-দগী প্রণয়, প্রণয়দগী রাগ, রাগদগী অনুরাগ, অনুরাগ-দগী ভাব, ভাব-তগী মহাভাব ওইরক্পনী ; মখোয়গী মহাওস্থ (স্বাদ-সু) মথঙ মথঙ হেন্দংলকৃয়ি। উজ্জ্বল নীলমণিদস্থ চাংদম্নবসী (উপমা-সী) লৈ। "বীজমিক্ষুঃ স চ রসঃ স গুড়ঃ খণ্ড এব সঃ। স শর্করা সিতা সা চ সা যথা স্যাৎ সিতোৎপলা ॥ স্থাঃ ৪৫ ॥" বীজ, ইক্ষু, রস, গুড়, খণ্ড, শর্করা, সিতা, সিতোৎপলা। চক্রবর্ত্তীপাদন টীকাদা ইরম্বী—শর্করা— চিনি, সিতা—মিশ্রি, শর্করা নত্রগা মিশ্রি, সিতোৎপলা—ওলা। জীব-না রতি নত্রগা প্রেমাঙ্কুর (প্রেমগী মরোল্) ইক্ষু-না প্রেম, রস-না স্নেহ, গুড়-না মান, খণ্ড-না প্রণয়, শর্করা-না রাগ, সিতা-না নত্রগা মিশ্রি-না অনুরাগ, অমুগা সিতোৎপলা-না মহাভাব-নী হায়রিবনী। কবিরাজ গোস্বামীনা তৌবা উপমাদনা "মিশ্রি" শব্দসী হেল্লে ; রতি, প্রেমচিংবগী মনীঙ থীরকপদস্থ 'ভাব' শব্দসী হেল্লী। অমুগা অমুক ১/২৩/৪৩ পয়ারদস্থ কবিরাজ গোস্বামীনা "বীজ ইক্ষু রস গুড় তবে খণ্ডসার, শর্করা সিতা মিশ্রি শুদ্ধ মিশ্রি আর ॥" হায়না ইরম্মী। 'সিতা' অমসুং 'মিশ্রি' অনীসী পুনশন্নগা 'সিতামিশ্রিবু' পোৎ অমথক্তা ওইনা খল্লগদি উজ্জ্বলনীলমণিগা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগগী বর্ণনাহ্ মিল ওইরে ; অমুবু মহুম্না তৌরগদি কবিরাজ গোস্বামীগী উদ্দেশ্য থুংবদি ওইত্রে : উজ্জ্বলনীলমণিদা রতি-দগী মহাভাব ফাওবদা লৈরিবা স্তরদি নীপান্নী ; মবমহুনা বীজদগী সিতোৎপলা ফাওবদস্থ পোৎলম নীপান্দগা মখোয়গা চাংদম্নরি। অমুবু কবিরাজ গোস্বামীনদি রতি-দগী মহাভাব ফাওবা স্তর মাপন্নী (ভাব-কা মহাভাবকবু তোঙানবা স্তর অনীনী) হায়না মনীঙ খীরী : মরমহুনা বীজ-দগী উত্তমমিশ্রি-ফাওবদা পোৎলম মাপল চঙক্ষর থোকতি, মসিগী অমুম্না পোৎলম মাপল থোক্ক' লৌবা তাববদি "সিতা" অমসুং "মিশ্রি" হায়না তোঙানবা পোৎলম অনী থোক্কা লৌবা তারে। "সিতা" শব্দগী অর্থ—চক্রবর্ত্তীনা 'মিশ্রি' হায়বগুম হায়দহুনা— "সাদা চিনি" হায়না ইন্দুবা তারে।

মূল ১৭৯-১৮০

এই সব কৃষ্ণ-ভক্তিরসের স্থায়িভাব।
স্থায়িভাবে মিলে যদি বিভাব অনুভাব ॥ ১৭৯ ॥
সাত্ত্বিক-ব্যভিচারি-ভাবের মিলনে।
কৃষ্ণভক্তি-রস হয় অমৃত—আস্বাদনে ॥ ১৮০ ॥

শব্দার্থ

এই—অসী ; সব—পুম্বা ; কৃষ্ণভক্তিরসের—শ্রীকৃষ্ণগী মরম ওইবা রতিগী ; স্থায়িভাব—ভাব পূম্নমক্কী লেঙদবা মবুংঙো ওইবা ভাব ; স্থায়ি-ভাবে—স্থায়ীভাব-তা ; মিলে যদি—তিন্নবদি ; বিভাব—মহাক্কী মঙ্গেঙনা রতিনচিংবা ভাবশিংবু আস্বাদন তৌবা য়াই ; অনুভাব—চিত্তগী ভাব কোঙদোক্নবা লক্ষণ ; সাত্ত্বিক-ব্যভিচারি-ভাবের—সাত্ত্বিক অমসুং ব্যভি-চারী ভাবকী ; মিলনে—তিন্নবদা ; কৃষ্ণভক্তিরস হয়—কৃষ্ণভক্তি রস ওই ; অমৃত—অমৃত ; আস্বাদনে—মহাও তংবদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(গান্নরা হায়খিবা রতি, প্রেমনচিংবা) পুম্বসী কৃষ্ণভক্তিরসগী স্থায়ীভাব হায়বনী। স্থায়ীভাবসিদা বিভাব অমসুং অনুভাব-না তিন্নরবদি অদুগা সাত্ত্বিক-ব্যভিচারি-ভাবকা তিন্নবদা কৃষ্ণভক্তিরস-না অমৃতগী মহাও ওইয়ে।

নৈনরোল

কৃষ্ণভক্তিরস—কৃষ্ণভক্তি হায়রগা মফমসিদা শ্রীকৃষ্ণগী মরম ওইবী রতিবু খঙহল্লী। শঙ্গোম অফহনা মঙোন্দা চিনি-নচিংবা হাপ্লগা হায়নডাই লৈতনা হাউগনুম্ শ্রীকৃষ্ণবিষয়িণী রতিসু বিভাব, অনুভাব, সাত্ত্বিক, ব্যভি-চারী হায়বা ভাবশিংগা তিন্নরগা অতকপা ফংনা হাউরি ; মতমহুদা রতি-সিবু কৃষ্ণভক্তিরস কৌরি। ভক্তিরস পুল্লথা ভরানীথোইনী : তরেংনা গৌণ-নী, মঙানা মুখ্য-নী, বীর (থৌনা ফবা), করুণ (চুংশিহৈবা), অদ্ভুত (অঙকপা), হাস্য (নোকপা), ভয়ানক (কিনঙাই ওইবা), রৌদ্র (অশাউবা), বীভৎস (হিংচা য়াইতম্বা, তুকচনাই-ওইবা) তরেংসিনা গৌণ-নী অদুগা শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর হায়বা মঙাসিনা মুখ্য ভক্তিরস-নী।

স্থায়ীভাব—হাস্যনচিংবা (মোকপামচিবা) ওইশনবা (অবিরুদ্ধ) অমুগা ক্রোধনচিংবা (শাউবনচিংবা) অমুংৎপা (বিরুদ্ধ) ভাব পুম্নমক্পু নম্‌হৎলগা মহারাজগুম্না ছাদোইবা ভাব অদুবু স্থায়ীভাব কৌয়ি। "অবিরুদ্ধা শ্চ ভাবান্ যো বশতাং নয়ন্। সুরাজেব বিরাজেত স স্থায়ী ভাব উচ্যতে। ভঃ রঃ সিঃ ২/৫/১॥"

রতি অমনা ভাব অমগা তিন্নরগা মহাও তংনগাই ওইবা ভুম্নবা অদুগা অক্তিরসদা ওনখৎলক্লবা অমসুং ভাব অদুনা ভক্তিরসদুদা মতম পুম্নমক্তা মকোক (প্রধান) ওইনা ছাদোইরবা, অদুমক ভক্তিরসদুগী স্থায়ীভাব-নী। মতৌ অসুম্না বীররসগী স্থায়ীভাব-তি উৎসাহনী (থৌনানী); করুণরসগী স্থায়ীভাব-তি শোক (থংম্মাই নাবা), অদ্ভুতকী স্থায়ীভাব-না বিস্ময়নী (ঙকপা-নী) ; হাস্যগী স্থায়ীভাব-না হাস্য (নোকপা) হায়বদুনী, ভয়ানক-কী স্থায়ীভাব-না ভয় (অকিবা)-নী, রৌদ্রগীনা ক্রোধ (অশাউবা)-নী অমসুং বীভৎসগী স্থায়ীভাব না জুগুপ্সানী (তুকচবনী)। অদুগা শান্তরসগী স্থায়ীভাব-না শান্ত-নী, দাস্যগী স্থায়ীভাব-না দাস্যনী, সখ্যগী স্থায়ীভাব-না সখ্যনী, বাৎসল্যগী স্থায়ীভাব-না বাৎসল্যনী অমসুং মধুর রসগী স্থায়ীভাব-না প্রিয়তা-নী (নুংশিবা ওইবনী)।

বিভাব—"বিভাব্যতে হি রত্যাদির্যত্র যেন বিভাব্যতে। বিভাবো নাম স-দ্বেধালম্বনোদ্দীপনাত্মকঃ॥ ভঃ রঃ সিঃ ২/১/৫॥" পোৎ অদুনা পাৎন্থে ওইরগা নত্রগা মদুদা রতিনচিংবা ভাব-পু আস্বাদন তৌবা য়ারবদি মাবু বিভাব কৌয়ি। বিভাব মখল অনীনী—আলম্বন (কায়দোঙফম, পান্থে) অমসুং উদ্দীপন (ঙাক্চনবা)। আলম্বনসু অনী থোক্লি নৈ মদুদি—বিষয়ালম্বন অমসুং আশ্রয়ালম্বন। শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তিগী বিষয়নী, মরমদুনা শ্রীকৃষ্ণ বিষয়ালম্বন—হায় ; অদুগা ভক্তশিংদা ভক্তি অদু লৈ : মরমদুনা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তশিংনা আশ্রয়ালম্বন হায়বদুনী। পোৎ অমনা ভাব অমগী উদ্দীপন ওইরবদি মদুবু উদ্দীপন বিভাব কৌয়ি ; আলম্বন বিভাবকী (শ্রীকৃষ্ণগী অমসুং কৃষ্ণভক্তকী) ক্রিয়া, মুদ্রা, রূপ, ভূষণ-মচিংবা অমসুং দেশকাল (মফম মতম) অচিংবনা ভাবপু উদ্দীপন তৌয়ি। মরমশিনা মহৌবা

পুম্বসিবু উদ্দীপন বিভাব কৌই ; মাহোক্ত মতৈ উরগা শ্রীকৃষ্ণবু নীংশীঙল-হমি মাহেক্ত মমৈক্ত উদ্দীপন বিভাবনী ।

অনুভাব—চিত্তভাবপু মপাক্তোংদা উৎলিবা 'লক্ষণশিংবু অনুভাব কৌই। "অনুভাবাস্তু চিত্তস্থ-ভাবানামববোধকাঃ।" ভঃ রঃ সিঃ ২/২/১ ॥" জগোই, ঈশৈ, লৈপাক্তা ওক্তোইবা, চীৎকার (খোল্লাও), গাত্রমোটন (হকচাঙ খেক-মুকপা), হুঙ্কার, জৃম্ভণ (হাকাম চনবা), দীর্ঘশ্বাস (মুংশাশোর শাংনা হোন্বা), লোকাপেক্ষা ত্যাগ (মীবু ভাইদবা), লালাস্রাব (ভীন্ চোবা), অট্টহাস (ফাক ফাক নোক্পা), ঘূর্ণা (কোক্ ভাওবা), হিক্কা (থগোক্পা) নচিংবা অনুভাবশিংসিনা চিত্তদা লৈবা ভাব পুম্বা মাপান্দা কোঙদোক্হল্লী ।

সাত্ত্বিকভাব—অশ্রু (পিরাং), কম্প (নীক্পা), স্বেদ (হমাং) ; রোমাঞ্চ (তুজুংবা), স্তম্ভ (চপ্ লেপ্পা), বৈবর্ণ্য (কুচু ভাইবা), অমসুং প্রলয় (রাম্ববা) নীপান্ অসী সাত্ত্বিকভাব হায়বনী ।

ব্যভিচারীভাব—বিশেষণাভিমুখ্যেন চরন্তি স্থায়িনং প্রতি। অথোচ্যন্তে ত্রয়স্ত্রিংশদ্ ভাবা যে ব্যভিচারিণঃ।" ভঃ রঃ সিঃ ২/৫/১ ॥ স্থায়ী-ভাবকী মায়কৈরোমদা চেন্‌শল্লিবা ভাবশিংবু ব্যভিচারী ভাব নত্রগা সঞ্চারী ভাব কৌই।

অমৃত আস্বাদনে—মতাও তংবদা অমৃতনী। বিভাব, অনুভাব, সাত্ত্বিক ভাব অমসুং ব্যভিচারী ভাব পুম্নমক্সিগা ভিন্নরগা শ্রীকৃষ্ণবিষয়িণী রতিহ অমৃতগা মান্নবা হাওয়ি ; মতমহুদা রতিদুবু কৃষ্ণভক্তিরস কৌই।

মূল ১৮১

যৈছে দধি সিতা ঘৃত মরীচ কর্পূর।
মিলনে 'রসালা' হয় অমৃত মধুর ॥ ১৮১ ॥

শব্দার্থ

যৈছে—অদুগুম্বা ; দধি—শঙোম অকন্বা ; সিতা—মিশ্রি নত্রগা চিনি অঙ্কোবা ; ঘৃত—ঘী ; মরীচ—মোরোক ; কর্পূর—কর্পূর ; মিলনে—

তিন্নরগা ; রসালা—রসালা কৌবা অথকপোৎকী মাং ; হয়—ওই ; অমৃত-মধুর—অমৃতগুম থুম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শঙোম-কম্বা, সিতা, ঘী, মোরোক, কর্পূর তিন্নগা ওইবা রসালা হায়বদুনা অমৃতমুক থুম্বগুম (বিভাব, অনুভাব-নচিংবনা স্থায়ীভাব-তা তিন্নগা তোঙান তোঙানবা মহাও থোরক্লে, অনৌবা ওকত্তাই ওইবা মহাও অমা থোরকই)।

মূল ১৮২-১৮৩

ভক্তভেদে রতিভেদ—পঞ্চ পরকার।
শান্তরতি, দাস্যরতি, সখ্যরতি আর ॥ ১৮২ ॥
বাৎসল্যরতি, মধুর-রতি,—এ পঞ্চবিভেদ।
রতিভেদে কৃষ্ণভক্তিরস পঞ্চভেদ ॥ ১৮৩ ॥

শব্দার্থ

ভক্তভেদে—ভক্ত খেন্নবা মরম্না ; রতিভেদ—রতি খেন্নবা, পঞ্চ—মঙা ; পরকার—মখল ; শান্তরতি, দাস্যরতি, সখ্যরতি—শান্ত, দাস্য অমসুং সখ্য রতি ; আর—অতৈগা ; বাৎসল্যরতি, মধুর রতি—বাৎসল্য, মধুর মরুপগা কান্তা রতি ; এ পঞ্চবিভেদ—মঙাসি থোক্লি খায়বা ; রতিভেদে—রতি খেন্নবনা ; কৃষ্ণভক্তিরস—কৃষ্ণভক্তিরস, পঞ্চভেদ—মখল মঙানী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভক্ত খেন্নবা মরম্না রতিসু খেন্নে, অদুগা রতি মখল মঙানী। মখোয়-চুদি শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুররতি—মখল মঙাসিনী। রতি খেন্নবনা কৃষ্ণভক্তিরসগী মখল মঙানী।

নৈনরোল

ভক্তভেদে—মখল মঙা থোক্লা ভক্ত লৈবনা। শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর হায়বা ভাব মঙাসিগী ভক্ত মখল মঙা লৈ। শান্ত-ভাবকী ভক্তশী শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা রতিদুবু শান্তরতি কৌই। মতৌ অমুমা

দাস্যভাবকী ভক্তগী রতিবু দাস্যরতি, সখ্যভাব-কী ভক্তগী রতিবু সখ্যরতি, বাৎসল্যভাবকী ভক্তগী রতিবু বাৎসল্যরতি অমসুং মধুরভাব-কী ভক্তগী রতিবু মধুর-রতি কৌয়ি।

শান্তরতি—শান্তরতিগী গুণ-দি শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠা (পুক্নীংথৌ পুথোক্নবা), কৃষ্ণনত্তবা অতৈ অপাম্বা লৈত্রবা; অদুবু শান্ত ভক্তশিংদি শ্রীকৃষ্ণদা মমতাগী (ঐগীনী হায়বা অদুগী) রাখল য়াওদে: শ্রীকৃষ্ণবু পরমাত্মানী হায়না খন্‌বসিন্দনী। শান্ত রতি-না য়োৎবসী প্রেম-ফাওবদনী।

দাস্যরতি—দাস্যরতিগী গুণ-দি সেবা-নী: দাস্যভক্তগী শ্রীকৃষ্ণ-নিষ্ঠাসু-লৈ, অদুদগী হেন্দোক্না শ্রীকৃষ্ণদা মমতা বুদ্ধিসু লৈবনা, শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক (প্রীতিগীদমক) সেবা লৈ; দাস্যভক্তগী শ্রীকৃষ্ণদা গৌরববুদ্ধি (মঙোন্দগী হেনবনী হায়বা রাখল) লৈ: শ্রীকৃষ্ণনা ঐগী প্রভুনী (মপুনী), ঐনা মাগী দাস-নী (মনাইনী), মহাক্কী থৌজান্‌বিফম্লী ঐ হায়বা ভাব অসী দাস্যভক্তগী তৌনবীনী। দাস্যরতিনা কাখৎলকপসী প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয় অমসুং রাগ-ফাওবা য়োৎয়ি।

সখ্যরতি—সখ্যরতিগী গুণ-দি হঙোয়দবা (সম্ভ্রমশূন্যতা—সম্মান তৌগদবনী খন্দবা) অমদি গৌরববুদ্ধি লৈতবা অদুনী; শ্রীকৃষ্ণগী সখা-শিংদি সখ্যরতিগী তুংফম্লী। শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়দগী হেল্লী হায়বা জ্ঞান অসী মখোয়গী লৈতে: মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গা মান্নে হায়না খল্লী; অসুম্না মান্নে হায়না খন্‌বসিনা শ্রীকৃষ্ণবু হন্থনা থরোয় উমীত্তনা খন্নগী রা নত্তে—শ্রীকৃষ্ণদা প্রীতি (নুংশিবা) অমসুং মমতা-বুদ্ধি হেন্না লৈবগী রানী। সখ্য-রতিসিদা শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠা লৈ; শ্রীকৃষ্ণদা মমতা-বুদ্ধি লৈবনা মহাক্কী প্রীতিগী-দমক সেবা য়াওরি, অদুম্নদি ওইরগা রতিসিদা য়াওবা সেবাদি দাস্যরতিগী গৌরব-বুদ্ধিদা তৌবা সেবাদু নত্তে, থোইদোক্না মমতা হেন্না ওইশন্‌বনা মান্নবগী বুদ্ধিদা তৌবা সেবানী। কনাগুম্বা সখা অমনা ময়াদা চক্রূবা উইহেদু য়াম্না থুম্লবদি মদু শ্রীকৃষ্ণদা পীজত্রবদি লৈব্রা ওমদে; মরমদুনা য়াম্না নুংশিবগা লোয়ননা লুকৃথাক্ উইহেদো সখা কানাইগী য়াম্থুংদা ইপ্লগা হায়—"ভাই কানাই, উইহেসী চাওসে, য়াম্না থুম্মী।" দাস্য ভাবকী গৌরববুদ্ধিদু লৈরবদি উইহে লুকৃথাক্ অদু শ্রীকৃষ্ণগী য়াম্থুংদা ইন্‌বা ঙম্লোই। লুকৃথাক্

ইল্লবহৃদা শ্রীকৃষ্ণসু য়াম্না পেঞ্জে, অহুনা মঘাক্লা হায়—"ঐবু অপীক্‌পনী থনুবা মহাক্লো, য়ামৃত্রবদা ঐবু মাগা মাল্লবনী থনুবদো, ঐ মপূঙ্কানা মাগী মথা পোল্লবনী ॥" সখ্যরতিসে বিশ্বাস ভাবময়নী হায়বদি থাজনবগী রানী। সুবল-নচিংবা সখাশিংনা সখ্যরতিগী আশ্রয়নী (ভূঙফম্নী)। সখ্যরতিসে প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ অমসুং অনুরাগ ফাওবা য়োয়ি।

বাৎসল্যরতি—বাৎসল্যরতিগী ভক্তশিংদি মছা মছাবু শ্রীকৃষ্ণদগী হেন্না চাওবনী হায়না থল্লী। অদুগা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী চান্‌বীফম থোক্‌পা অমদি আশীর্ব্বাদ-তৌকম্নী হায়না থল্লী। খুদম ওইনা হায়রগা নন্দ-যশোদা। প্রীতি (নুংশিবা) অমসুং মমতা (ঐগীনী হায়বা) হেন্‌বদগী থনুবা রানী। শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গলগীদমক মখোয়না য়ৈ-চৈবনচিংবসু তৌয়ি। সখ্যরতিগা বাৎসল্যগা খেন্নবদি অসিনি, মদুদি—সখ্যরতিগীদি প্রীতিদা (নুংশিনরিবদুদ) বিশ্বাস (থাজবা) থম্‌গদবনী—হায়বদি "ঐখোয়সে শ্রীকৃষ্ণগা মান্নবা ওইনা চংলী, মগী য়াদুংদা ডহে লুক্‌ থাক্‌ ইনহিল্লী, মবেংবন্দা ঐ.থায়না কাহনা তোংলি, ঐখ রুনা অদুম্না তৌবদা শ্রীকৃষ্ণনা পেল্লী," হায়না সখাশিংগী থাজবা অমা লৈ; মসীনক বিশ্বাসভাবময় সখ্যরতিনী। বিশ্বাস অসী লৈতবা মতমদা সখ্যরতিদা হঙ্গোইবা (সংকোচ) লাকনী। মোইগুসুং বাৎসল্যরতিদদি—অসিগুম্বা শাস্তনা শ্রীকৃষ্ণনা পেনগনী নত্রগা শাউগনী হায়বগী বিচার বাৎসল্যগী ভক্তগী মপুক্তা তৌদে। "শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গলগীদমক মসী তৌরবা হাদবনি—অতনা এনা মসী তৌবি-বনী, মতম্না তৌবদা শ্রীকৃষ্ণনা পেন্‌গে পেন্‌নু ঙদুগা শাউগে শাউসনু। কৃষ্ণদি অঙাঙনী. অফ-ফত্তা খঙবা নত্তে। বরিনা মাগী অফবা ওইগনী কবিনা মাগী ফত্তবা ওইগনী হায়বদু ঐদি খঙজী। মাগী যগদৌবা অদুদা ঐনা তৌগনী ॥" মসীমক বাৎসল্যরতিগী ভাবনী। বর্তিসিদা শ্রীকৃষ্ণনা লাল্যনী (য়োকদবা পোৎনী) অদুগা মছাবুনা লালকনী (য়োকদৌরিবা মীনী) হায়না খঙনৈ। বাৎসল্যরতিনা প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ অমসুং অনুরাগগী অরোইবা ওমথৈ ফাওবা য়োয়ি।

মধুররতি—অঙ্গ সঙ্গ (হকচাঙ-হকচাঙ সঙ্গ তৌবা) পীদুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌবা অদুগা পেলুহন্নবা হোৎনবনা মধুর রতিগী প্রধান গুণী।

শ্রীকৃষ্ণপ্রেয়সী (নুংশিবী) পুম্নমক রতিসিগী আশ্রয়নী। মধুররতিনা প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগ, ভাব অমসুং মহাভাব কাওবা যৌরি।

মূল ১৮৪

শান্ত-দাস্য-সখ্য-বাৎসল্য মধুর রস নাম।
কৃষ্ণভক্তি-রসমধ্যে এ পঞ্চ প্রধান॥ ১৮৪॥

শব্দার্থ

শান্ত-দাস্য-সখ্য-বাৎসল্য-মধুর-রস—শান্তরস, দাস্যরস, সখ্যরস বাৎসল্যরস অমসুং মধুররস : নাম—মিং : কৃষ্ণভক্তিরসমধ্যে—কৃষ্ণভক্তি-রসশিংগী মনুঙদা ; এ—মসী ; পঞ্চ—মঙা ; প্রধান—মকোক ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্তরস, দাস্যরস, সখ্যরস, বাৎসল্যরস, মধুররস হায়বা মিং মঙাসিনা কৃষ্ণভক্তিরস (তরানীথোইগী) মনুঙদা মকোক্নী।

মূল ১৮৫

হাস্যাদ্ভুত বীর করুণ রৌদ্র বীভৎস ভয়।
পঞ্চবিধ-ভক্তে গৌণ সপ্তরস হয় ১৮৫॥

শব্দার্থ

হাস্য—নোক্পা ; অদ্ভুত—অঙকপা ; বীর—থৌনা কবা ; করুণ—নুংশি-হৈবা ; রৌদ্র—শাউবা ; বীভৎস—তুক্কচনাই ওইবা ; ভয়—কিবা ; পঞ্চবিধ—মখল মঙাগী (শান্ত-দাস্যনচিংবা মখল মঙাগী) ; ভক্তে—ভক্তদা ; গৌণ—হন্নবা ; সপ্তরস—রসতরেৎ ; হয়—ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হাস্য, অদ্ভুত, বীর, করুণ, রৌদ্র, বীভৎস, ভয়-হায়বা রস তরেৎসী মখল মঙাগী ভক্তদা গৌণ ওইনা লৈ ।

নৈনরোল

হাস্য রাহৈ, ফিজেৎ (বেশ) অহুগা তৌথোরকপা মতৌ (চৌগী)

মওং কায়বদগী চিন্তনা মকাপাহ্নকৃপবু হাস্ত (নোকপা) কৌয়ি। মীৎ লাউথোরকৃপা (বিকাশ), নাত্তে'ন্, চীন্বান্ অমদি লাইবক লেঙখোৎপা (স্পন্দন) নোকৃপগী চেষ্টানী। (ভ, র, সি, ২/৫/৩০ ৷)৷ কৃষ্ণগা মরী লৈবা চেষ্টাদগী পোকৃপা মনোক্ (হাস্য) অদু, মথন্তনা হাস্নাইগনবী কৃষ্ণরতি হায়বীদুনা চানবিবরা ওইরবদি হাস্যরতি হায়না কৌনৈ। হাস্য-রতি অসী মহাগী ওইকম-থোকৃপা বিভাবনচিংবনা শোগৎ-য়োকৃথৎল-বদি হাস্যভক্তিরস হায়রদু ওইরকৃয়ি।

অদ্ভুত—তোয়না উদবা বিষয়নচিংবা উকবদা থমোই মকা লাহ্নবদি মতুবু বিস্ময় (অঙকৃপা) কৌয়ি। শ্রীকৃষ্ণগা মরী ওইবা লোযদবা বিষয়-নচিংবা উক্লবদগী পোকৃপা বিস্ময়দু শ্রীকৃষ্ণরতিনা চান্‌বিবরদি বিস্ময়রতি হায়না খঙনৈ। মহাগী ওইকম্ থোকৃপা বিভাব নচিংবনা শোগৎ-য়োকৃথৎ-পিরবদি অমসুং মহাও তংনঙ'ই ওইরবদি বিস্ময়রতিবু অদ্ভুত ভক্তিরস কৌয়ি। মীৎ লাওথোকপা, পিরাং শিস্থবা, মুংবহনবা, ভুজুংবনচিংবসী মসিগী অনুভাব-নী। আবেগ (পাখৎপা), হর্ষ (হরাওবা), জড়তা (মুংবঙনবা)-নচিংবনা সঞ্চারী ভাব-নী।

বীর—মাগী মহৈবু (ফল-বু) সাধুশিংনা থাগৎনভাই ওইবা, লান-তোবনচিংবা থবক্তা তপ থহবা পুরীঙনা নুংগবু উৎসাহ (থোনা) কৌয়ি। (ভ, র, সি, ২৫৩৪)। মতম গীন্থববু থাঙতমদবা, পাখৎপা, অমসুং উদ্যম (ইচং-থোবা) অসিনচিংবসী বীর-বসগী চেষ্টানী। শ্রীকৃষ্ণগা মরী লৈবা লান-তোবনচিংবা থবক্তা পোকৃপা উৎসাহ (ইচং থোবা) অসী, শ্রীকৃষ্ণ-রতিনা চান্‌বীবরদি উৎসাহরতি হায়না খঙনৈ। মচাগী ওইবা বিভাব-নচিংবনা শোগৎ-য়োকৃথৎপিরবদি উৎসাহরতিবু বীরভক্তিরস কৌয়ি। স্তম্ভ-নচিংবনা সাত্ত্বিক অনুভাব নী। গর্ব্ব (নাপক), আবেগ (খোযরাঙবা), ধৃতি (তপ্‌থবা), ব্রীড়া (ইক-ইবা), মতি (নীতিশ সুজ্ঞানগী মতেঙনা আর্থ লেপ্পা), হর্ষ (হরাওবা), স্মৃতি (নীঙশীঙবা)-নচিংবনা সঞ্চারী ভাব-নী।

করুণ—ইষ্টকায়নবদগীচিত্তনা য়াম্না রাবরু শোক কৌয়ি। (ভ, র, সি, ২/৫/৩৫)। শ্রীকৃষ্ণগা সম্বন্ধ লৈবা শোক অদু শ্রীকৃষ্ণরতিনা চাবরনুগিদি

শোকরতি হায়না খঙনৈ। মহাগী ওইবা বিভাব-নচিংবনা শৌগৎ-য়োক্থৎ-পিরবদি শোকরতিবু করুণভক্তিরস কৌয়ি। মুখশোষ (চীন-য়া কংশনব): বিলাপ (তেংথাবা), স্রস্তগাত্রতা (হকচাঙ পাদাক্পদাক্ তাবা), শ্বাস (হুংশাসোর ফুইনা হোন্বা), ক্রোশন (কপ্পা, কৌবা) : ভূপতন (লৈবাক্তা তাবা), কক্ষতাড়না (পাম্বোম্মরুদা ফুবা)-নচিংবসী অনুভাব-নী। জাড্য (ইলেঙ-লেঙদবা), নির্ব্বেদ (মহাবু তূক্কচবা) নচিংবনা সঞ্চারী ভাবনী।

রৌদ্র—মীনা তৌবা প্রাতিকূল্য (থিঙ্গায়বা)-নচিংবদগী পোক্পা চিত্তজ্বলন-বু (থম্মোইচাক্পবু) ক্রোধ (অশাউবা) কৌয়ি (ভ, র, সি, ২/৫/৩৬)। শ্রীকৃষ্ণগা মরী লৈবা প্রাতিকূল্য-নচিংবদগী পোক্পা ক্রোধ-বু শ্রীকৃষ্ণরতিনা চান্বিরবদি ক্রোধ অমুবু ক্রোধরতি হায়না খঙনৈ। মহাগী ওইবা বিভাব-নচিংবনা ভক্তগী থম্মোইদুংদা য়োক্খৎলবদি ক্রোধরতিনা রৌদ্রভক্তিরস ওইরক্য়ি। রক্তনেত্রতা (মীৎ ঙাংশং ঙাংবা), ওষ্ঠদংশন (চীন্বান চীক্পা), মৌন (ব্রা ঙাঙদবা)—অসিনচিংবনা বিভাব-নী। স্তম্ভ-নচিংবনা সাত্ত্বিক ভাবনী। আবেগ (পাখৎপা), জড়তা (পঙথবা), গর্ব্ব (নাপল)-নচিংবনা সঞ্চারী ভাব-নী।

বীভৎস—থরাইনা তাদবা পোৎ উকদগী থাম্মোই চাইয়ুম উম্শনববু জুগুপ্সা (তূক্কচবা) কৌয়ি। শ্রীকৃষ্ণরতিনা চানবিবা জুগুপ্সাবু জুগুপ্সারতি কৌয়ি। মহাগী ওইবা বিভাব-নচিংবনা শৌগৎ-য়োক্খৎপিরবদি জুগুপ্সা-রতিবু বীভৎস ভক্তিরস কৌয়ি। নিষ্ঠীবন (চিন্ শীংপা), চীন লৈথোক্পা, ধাবন (চেনবা), কম্প (নীক্পা), তুজুংব-নচিংবনা অনুভাব-নী। গ্লানি (মকশিন্বা), শ্রম (চোক্থবা), উন্মাদ (লাওবা), মোহ (পঙথবা), দৈন্য (তোম্বনা)- মথোয়সিনা সঞ্চারীভাব নী।

ভয়—পাপ অমসুং ভয়ানক (অকিবা) উরুবগী চিত্তদা চরাঙনবা পোক্লবদি পুক্নীঙ লাঙবমুবু ভয় (অকিবা) কৌয়ি (ভ, র, সি, ২/৫/৩৮)। শ্রীকৃষ্ণরতিনা চান্বিরবা ভযবু ভয়রতি কৌয়ি। মহাগী ওইবা বিভাব-নচিংবনা শৌগৎলবা ভয়-রতিবু ভয়ানক ভক্তিরস কৌয়ি। মুখশোষ (চীন-খা কংবা), উচ্ছ্বাস (খর শানা হোন্বা), উদ্ঘূর্ণা (কোবঙাঙবা),

কনবিনবা মী খিন-নচিংবা অসিনা অনুভাব-মী। পিরাংনম্ববা সাত্বিক-ভাব-মী ; ত্রাস (কিবা), মরণ (শিবা), আবেগ (পুক্নীঙ লাঙবা), দৈন্য-নচিংবনা সঞ্চারী ভাব-মী।

মূল ১৮৬

পঞ্চরস স্থায়ী ব্যাপি রহে ভক্তমনে।
সপ্ত গৌণ আগন্তুক পাইয়ে কারণে॥ ১৮৬॥

শব্দার্থ

পঞ্চরস—শান্ত দাস্য-নচিংবা রস মঙা ; স্থায়ী—লেপ্লবা ; ব্যাপি—চন্দুনা ; রহে—লৈ ; ভক্তমনে—ভক্তগী পুক্নীংদা ; সপ্ত—তরেৎ ; গৌণ—গৌণভক্তিরস ; আগন্তুক—অরাক্পা, পাইশল্লক্পা ; পাইয়ে—ফংডা ; কারণে—থোরক্লবা মরম লৈরবদদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্ত-নচিংবা স্থায়ী রস মঙাদি মতম পুম্বদা মাগী মাগী ভক্তগী চিন্দা চুপ্লুনা লৈ, অদুগা গৌণভক্তি তরেৎতি মথোয়গী থোরক্লবা মরম লৈরবদদা মতম খরগীদমক থোরক্লুনা লাক্পনী।

মূল ১৮৭

শান্তভক্ত—নব যোগেন্দ্র সনকাদি আর।
দাস্যভাবভক্ত—সর্ব্বত্র সেবক অপার॥ ১৮৭॥

শব্দার্থ

শান্তভক্ত—শান্তরসগী ভক্ত ; নব—মাপল ; যোগেন্দ্র—যোগেন্দ্র ; সনকাদি—সনক-নচিংবা ; আর—অদুগা ; দাস্যভাবভক্ত—দাস্যভাবকী ভক্তদি ; সর্ব্বত্র—মফম পুম্বদা ; সেবক—ভক্ত, অপার—শীংথ ঙম্দবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্তরসগী ভক্তদি যোগেন্দ্র মাপল্লে অদুগা সনক-নচিংবদনি অসিনী। দাস্যভাবকী ভক্তদি মফম পুম্বদা। শীংথ ঙম্দনমক্তে লৈ।

নৈনরোল

নবযোগেন্দ্র—কবি, হবি, অন্তরীক্ষ, প্রবুদ্ধ, পিপ্পলায়ন, আবির্হোত্র, দ্রবিড়, চমশ অমসুং করভাজন অসী যোগেন্দ্র মাপনী।

সনকাদি—সনক, সনন্দ, সনাতন অমসুং সনৎকুমার।

শান্তভাব—শান্তভক্তগী কাঙলুপ অনীনী—আত্মারাম অমসুং তাপস। কৃষ্ণগী নত্রগা কৃষ্ণভক্তগী কৃপাদগী কৃষ্ণভক্তি ফংবা আত্মারাম অমসুং তাপস পুম্নমক শান্তভক্তনী। "শান্তাঃ স্যুঃ কৃষ্ণ-তৎপ্রেষ্ঠ-কারুণ্যেন রতিং গতাঃ। আত্মারামাস্তদীয়াধ্ববদ্ধাশ্চ তাপসাঃ॥ ভ, র, সি, ৩/১/৫॥" সনক-সনন্দ-নচিংবনী আত্মারাম শান্তভক্তনী। "আত্মারামাস্তু সনক-সনন্দনমুখা মতাঃ। ভ, র, সি, ৩/১/৫॥" ভক্তি নত্তনদি মুক্তিহু নিঙ্গি-য়াঙদবা ওইদে চায়না থন্দুনা যুক্তবৈরাগ্য লৌবা, অদুগম্মু মুক্তি পাম্বদি তোক্তবা, মখোয়দুবু তাপস কৌয়ি। মুক্তিভক্তোন নির্বিন্নেহাপ্ত যুক্তবিরক্ততা। অবুভুক্ষিত মুমুক্ষা যে ভজন্তে তে তু তাপসাঃ॥ ভ, র, সি, ৩/১/৫॥"

দাস্যভাবকী ভক্তগী মখল মরিনী—অধিকৃত (থবক-য়েংশম্নবা হাপ্লা মী), আশ্রিত (চঙজরকপা মী), পারিষদ, (লোইনা খম্মইনা), অদুগা অনুগ (থৌগম্লাই)। (ভ, র, সি, ৩/২/৪)। ব্রহ্মা, শিব, ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিং অধিকৃত দাস-নী। আশ্রিত ভক্তগীসু মখল অহুমনী—শরণাগত (কৎথাক্চরবা), জ্ঞাননিষ্ঠ অমসুং সেবানিষ্ঠ। কালীয়নাগ. অমসুং জরাসন্ধগী কৈদুমশঙদা ফারম্বা নিংথৌশিংহু শরণাগত ভক্তনী। মুক্তি পাম্বা তোকুনা শ্রীহরিদদা শরণাগত ওইবা ভক্তশিংহু জ্ঞাননিষ্ঠ, মহুদি শৌনক-নচিংবা ঋষিশিং। অদুগা, হেক হৌবদগী ভজন-বিষয়দা আসক্ত (লূপ্লবা) ওইবা মখোয়হু সেবানিষ্ঠ-নী—মহুদি, রাজা বহুলাশ্ব, ইক্ষাকু, শ্রুতদেব. পুণ্ডরীক-নচিংবা। দ্বারকাদা উদ্ধব, দারুক, সাত্যকি-নচিংবনা পার্ষদভক্তনী; মন্ত্রণাদা (রাজ্যান-নৈনবদা) অমসুং সারথীগী থবক্তা হাপ্লা ওইরবসু মখোয়সিনা কয়ি-কয়িগুম্বা মতমদা পরিচর্যানচিংবা (সেবা-নচিংবা) তৌয়ি। কুরুবংশদা ভীষ্ম, পরীক্ষিত, বিদুরনচিংবসী পার্ষদ ভক্তনী। অদুগা প্রভুগী সেবাগী থবক্তা মতম পুম্বদা আসক্ত ওইবা মখোয়দুনা অনুগ-দাস কৌয়ি। অনুগ-দাস মখল অনী ওই—পুরস্থ (দ্বারকাদা লৈবা) অনুগ অমসুং ব্রজস্থ

(ব্রজদা লৈবা) অনুগ। সুযন্ত্র, মণ্ডন, স্তম্ভ, সুতম্ব নচিংবনা পুবক্স অনুগ-নী ; শ্রীকৃষ্ণগী কোকথক্তা ছত্র খানবা, চামর হুম্বা, তাম্বুল-পাক্ক কৎপনচিংবা তৌরগা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌরি। (শ্রীমদ্ভাগবতম্গী ৩/১৫/৩৮ শ্লোক অহুদা য়াওব। "হংসশ্রিয়োব্যজনয়োঃ শিববায়ুলোলচ্ছত্রেন্দুশুভ্র-শজিকেশর-শীকরবায়ুম্"-নচিংবা উক্তিদগী খঙবা ঙম্বদি অদিনী—ছত্র-চামর-নচিংবনা সেবা তৌবা অনুগদাসভক্ত বৈকুণ্ঠদসু লৈ ॥ সারূপ্য-নচিংবা চতুর্বিধা মুক্তিহু মখল অনীগী লৈ—মহুদি, ঐশ্বর্যোত্তরা অমুগা প্রেমসেবোত্তরা ॥ ভ, র, সি, ১/২/২৯/ প্রেমসেবোত্তরা মুক্তি ফংবনিংহুস্ বৈকুণ্ঠ-পবিকরগী মসুংচনবা দাসভক্তনী ; মখোয়স্ ভগবৎসেবঃ তৌযি ; লেপ্নমক ঐশ্বর্যাগী ঙাব লৈবন মখে যগী সেবা তৌনীঙবহু মপুঙ্ফ ব ঙমদে)। রক্তক, পত্রক, পত্রী, মধুকণ্ঠনচিংবনা ব্রজস্ অনুগ নী, শ্রীকৃষ্ণগী ফি শু-চ হুম্বা, অঙক-নচিংবা হাপ্প-নচিংবা তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণগী চাইৎনবা ঊমীংগী মনম মুংশিহনবা, তাম্বুল পান তৌরনচিংবসী মখোয়গী সেবানী। ব্রজদদি শুদ্ধমাধুর্যানা থরাক্লনবা ভাব অতনী হায়বনা ব্রজদসু অনুগশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু ভগবান্নী হায়না লৌদে। মপুনী হায়বা জ্ঞান-দা সেবা (সেবা তৌফম) অমনী হায়বগী বুদ্ধিদমক লৈ। মখোয়সী নত্তবা অতৈ দাসভক্তশিংদি শ্রীকৃষ্ণবু ভগবান্নী হায়না লৌয়ি।

মূল ১৮৮

সখ্য-ভক্ত—শ্রীদামাদি, পুরে ভীমার্জ্জুন।

বাৎসল্যভক্ত—মাতা, পিতা, যত গুরুজন ॥ ১৮৮ ॥

শব্দার্থ

সখ্যভক্ত—সখা ওইবগী ভাব-তা ভক্ত ; শ্রীদামাদি—শ্রীদামনচিংবা ; পুরে—দ্বারকাপুরদা ; ভীমার্জ্জুন—ভীম অমসুং অর্জ্জুন, বাৎসল্যভক্ত—বাৎসল্যগী ভক্তদি ; মাতা—মা ; পিতা—পা ; যত—লৈরিবা খিনিক ; গুরুজন—থক-থোংবা মীশিংসী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সখ্যভক্তদি শ্রীদাম নচিংবনী, পুরদদা ভীম অমসুং অর্জ্জুন-খোয়নী। বাৎসল্যগী ভক্তদি শ্রীকৃষ্ণগী মাতা-পিতাবে অহুম্বা লৈরম্বা গুরুজন খিবিক্কে।

নৈনরোল

সখ্যভক্ত—ব্রজলীলাদা শ্রীদাম, সুবল, মধুমঙ্গলখোয় অহুগা পুরদনা (দ্বারকালীলাদা) ভীম, অর্জ্জুন নচিংবা সখ্য-রসগী ভক্তশিংছু সখ্যভক্তনী। ব্রজদা শুদ্ধ (মক্তবা) মাধুর্য্যভাক্তগী সখ্যনী অহুগা পুরদনা ঐশ্বর্য্য-ভিন্‌বা সখ্যনী।

বাৎসল্যভক্ত—মাতাপিতা-নচিংবা শ্রীকৃষ্ণগী গুরুজন পুম্বা বাৎসল্য-রসকী পাত্র-নী। নন্দ যশোদানচিংবদি শুদ্ধমাধুর্য্যভাক্তগী ওইবা বাৎসল্য-রসগী পাত্রনী, অহুগা দেবকী-বসুদেবখোয়না ঐশ্বর্য্য য়ান্‌বা বাৎসল্যরসগী ভুক্তনী।

মূল ১৮৯

মধুররস ভক্ত মুখ্য ব্রজে গোপীগণ।

মহিষীগণ, লক্ষ্মীগণ,—অসংখ্যগণন ॥ ১৮৯ ॥

শব্দার্থ

মধুররস-ভক্ত—কান্তারসগী ভক্ত ; মুখ্য—মকোক ওইবা ; ব্রজে—ব্রজদা ; গোপীগণ—গোপীশিংনী ; মহিষীগণ—দ্বারকাগী রৈমশিং ; লক্ষ্মী-গণ—বৈকুণ্ঠগী লক্ষ্মীশিং ; অসংখ্য—মশীং থীভমদবা ; গণন—শীঙথা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মধুররসগী ভক্তদি ব্রজদনা গোপীশিং, দ্বারকাদনা রৈমশিং অহুগা বৈকুণ্ঠদনা লক্ষ্মীশিংনী ; মখোয় ময়ামগী মশীং থাহনা লোইবা নত্তে। রসসিগী মুখ্যভক্তদি ব্রজগোপীশিংনী।

নৈনরোল

ব্রজগোপীশিংনা মধুর-রসগী মুখ্য ভক্তনী। মরমদি মখোয়গী ভক্তিদি শ্রীকৃষ্ণ ঈশ্বরনী হায়বগী খঙদবা, অহুনা- শুদ্ধ মাধুর্য্যগী মশক ওইবী ভক্তিনী। মহিষী অমসুং লক্ষ্মীশিংগী ভক্তিদি ঐশ্বর্য্যজ্ঞানগা ভিন্নবনী।

মূল ১৯০

পুন কৃষ্ণরতি হয় দুই ত প্রকার।

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্র', কেবলা ভেদ আর ॥ ১৯০ ॥

শব্দার্থ

পুন—অমুক ; কৃষ্ণরতি—কৃষ্ণভক্তি ; হয়—ওই , দুইত— অনীখক ; প্রকার —মখল ; ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্রা—শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনী হায়না খঙবা (জ্ঞান) অছুগা তিন্নবা (কৃষ্ণরতি) ; কেবলা— মতুবা মাধুর্য্য তাক্তগী ওইবা ; ভেদ —মখল ; আর— অমনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অমুক কৃষ্ণরতিসে মখল অনীনী ; মছুদি ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্রা অছুগা কেবলা (শুদ্ধমাধুর্য্যময়ী) রতি ।

মুল ১৯১

গোকুলে কেবলা রতি ঐশ্বর্য্য জ্ঞানহীন ।
পুরীদ্বয়ে বৈকুণ্ঠাদ্যে ঐশ্বর্য্যপ্রবীণ ॥ ১৯১ ॥

শব্দার্থ

গোকুলে— ব্রজদা ; কেবলা-রতি—শুদ্ধমাধুর্য্যময়ী রতি ; ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানহীন—শ্রীকৃষ্ণ ভগবান্নী অহুনা ঐশ্বর্য্য লৈবনী হায়বা জ্ঞান য়াওদবা ; পুরীদ্বয়ে—পুরী হায়বদি দ্বারকা মথুরা অনীদা ; বৈকুণ্ঠাদ্যে—বৈকুণ্ঠনচিংবদা ; ঐশ্বর্য্যপ্রবীণ—ঐশ্বর্য্য প্রধান ওইবনি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গোকুলদা (ব্রজদা) লৈরিবা রতিদি ঐশ্বর্য্যজ্ঞান য়াওদবা কেবলা-রতিনী । দ্বারকা অমসুং মথুরা পুরী অনীসিদনা অছুগা বৈকুণ্ঠনচিংবদা লৈবনা ঐশ্বর্য্যজ্ঞান মিশ্র রতিনী ।

মুল ১৯২

ঐশ্বর্য্যজ্ঞান প্রাধান্যে সংকোচিত প্রীতি ।
দেখিলে না মানে ঐশ্বর্য্য —কেবলার রীতি ॥ ১৯২ ॥

শব্দার্থ

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানপ্রাধান্যে—ঐশ্বর্য্যজ্ঞানসিনা প্রধান ওইরবদা , সংকোচিত

শীকথল্লী ; প্রীতি -প্রেম-না (কুংশিবা চায়বদুনা) ; দেখিলে- (ঐশ্বর্যাবু) উরুবদি ; না মানে ঐশ্বর্য্য—(মহু শ্রীকৃষ্ণগী) ঐশ্বর্য্যনী হায়না লৌদে ; কেবলার— কেবলা রতিগী ; রীতি—শাজংমী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানসিনা প্রধান ওইবদা প্রেম হান্দাবদি (হায়কদি প্রেম মপুঙ ফাবগদ্রু তোক্‌য়ি)। শ্রীকৃষ্ণদা ঐশ্বর্য্য উরুবসু মহুবু ঐশ্বর্য্যনী হায়না লৌদে, মসিনী কেবলা-রতিগী শাজং।

নৈনরোল

শ্রীকৃষ্ণবু ভগবান্নী অমসুং মাগী ঐশ্বর্য্য নৈ হায়না খঙবা (জ্ঞান) অদুনা নম্‌কব্বা, অদু ওইরবদি কৃষ্ণদা নৈবা কেবলা ভক্তগী প্রেম অদু হন্দোক্‌য়ি। ঐশ্বর্য্যজ্ঞান যাওদবা শুদ্ধমাধুর্য্যভাক্তগী প্রেম (কেবলা) নৈবা মফমদদি ঐশ্বর্য্য উরুরবসু ভক্তনা মহুবু শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যনী হায়না খান্দ। কেবলা-দদি প্রীতিনা হন্দোক্কে। কেবলা প্রীতিগী মথওং ঐশ্বর্য্যনা করিগুম্বা অমতা তৌবা ঙমদে।

মূল ১৯৩

শান্তদাস্যরসে ঐশ্বর্য্য কাহাঁও উদ্দীপন।

বাৎসল্য-সখ্য-মধুরে ত করে সঙ্কোচন ॥ ১৯৩ ॥

শব্দার্থ

শান্তদাস্যরসে— শান্তরসদা অমসুং দাস্যরসদা ; ঐশ্বর্য্য— শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যনা ; কাহাঁও — করিগুম্বা মফমদসু , উদ্দীপন— (প্রেম) পোক্‌হনবা (ওই) ; বাৎসল্য সখ্য-মধুরে ত — বাৎসল্য রসদা, সখ্যরসদ, অমদি মধুর রসদা ; করে—তৌয়ি ; সঙ্কোচন— হন্দোক্‌পা (প্রীতিনা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্তরসগা দাস্যরসগাদদি করিগুম্বদসু ঐশ্বর্য্য অদুনা প্রীতি পোক্‌হল্লী। অদুগা বাৎসল্য, সখ্য, মধুর হায়বা রসশিংদদি শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উরগা মখোয়না কৃষ্ণবু মু শিরবদু হন্দোক্‌য়ি।

মূল ১৯৪

বসুদেব-দেবকীর কৃষ্ণ চরণ বন্দিল।
ঐশ্বর্য্যজ্ঞানে দোঁহার মনে ভয় হৈল ॥ ১৯৪ ॥

শব্দার্থ

বসুদেব-দেবকীর—বসুদেব অমসুং দেবকীগী ; কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণনা ; চরণ বন্দিল—খোঙদা খুরুম্‌খি ; ঐশ্বর্য্যজ্ঞানে—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান লৈবনা ; দোঁহার—মখোয়নীগী ; মনে—পুক্নীঙদা ; ভয়—অকীবা ; হৈল—ওইখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(কংস হাৎলগা লাকপদা) শ্রীকৃষ্ণনা বসুদেব অমসুং দেবকীগী চরণখোদা খুরুম্‌খি। শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনী হায়না খঙবনা মখোয়নীগী মপুক্নীঙদা কিখি।

নৈনরোল

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানে—কংস হাৎপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য ফোঙদোকপা অহু উরগা অমসুং কংসগী কৈশুম-শঙদা পোকপনী হায়রমহুনা প্রকট ওইখিবগী মতমদা মখোয়না উখিবা ঐশ্বর্য্যহু নীঙশীঙলগা—কৃষ্ণনা মখোয়দা খুরুম্বহুদা অকীবা পোক্‌খি।

ঐশ্বর্য্য উরগা বাৎসল্য-প্রেম হন্দোবুয়ি হায়বগী প্রমাণনী নৈনরিবা পরারগী।

মূল ১৯৫

দেবকী বসুদেবশ্চ বিজ্ঞায় জগদীশ্বরৌ।
কৃতসংবন্দনৌ পুত্রৌ সস্বজাতে ন শঙ্কিতৌ ॥ ১৯৫ ॥

শব্দার্থ

দেবকী—দেবকী ; বসুদেবঃ—বসুদেব ; চ—অমসুং ; বিজ্ঞায়—খঙহুনা ; জগদীশ্বরৌ—জগদীশ্বর ; কৃতসংবন্দনৌ—খুরুম্লবা ; পুত্রৌ—মচানুপা অনীবু (কৃষ্ণ অমসুং বলরাম-বু) ; সস্বজাতে ন—কোল্লমদে ; শঙ্কিতৌ—চিংনবদগী, কিবদগী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দেবকীগা বসুদেবগমা মখোয়দা থুরুম্বা মচাঙুপা অনীদু জগদীশ্বরনী খঙহুনা কিবদগী আলিঙ্গন তৌরম্দে।

নৈনরোল

পুস্ত্রৌ—মচানুপা কৃষ্ণবলরাম অনীবু। রোহিণীনা পোক্পা বলরামসু বসুদেবগী মচানী।

কংস হাৎপা মতমদা কৃষ্ণবলরামগী ঐশ্বর্য্য উবগা অমসুং কংসগী কৈশুম্শঙদসু হেক পোক্পগা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উবদা দেবকী-বসুদেব অনীনা রাম কৃষ্ণবু জগদীশ্বরনী হায়না খঙখি; মতুদা মখোয়গী বাৎসল্য প্রেমহু হন্দোক্খি: মরমহুনা কংস হাৎলবা মতুঙদা কৃষ্ণ বলরাম অনীনা দেবকী বসুদেবব্ পলেম-পম্তৌনী হায়না লৌহুনা, মখোয়বু থুরুম্বগা মমাঙদা লেপ্খিবা মতমদা মখোয়গী মচানী হায়না কোন্বগী থৌনা লৈরম্দে।

নৈনরিবা শ্লোকসী মূল পয়ার ১৯৪-গী প্রমাণনী।

মূল ১৯৬

কৃষ্ণের বিশ্বরূপ দেখি অর্জ্জুনের হৈল ভয়।
সখ্যভাবে ধার্ষ্ট্য ক্ষমায় করিয়া বিনয় ॥ ১৯৬ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণের—শ্রীকৃষ্ণগী; বিশ্বরূপ—বিশ্বরূপ মূর্ত্তি; দেখি—উবগা; অর্জ্জুনের—অর্জ্জুনগী; হৈল ভয়—অকীবা পোক্খি; সখ্যভাবে—সখানী হায়তুনা; ধার্ষ্ট্য—তৌহৈদবা ব্যবহার; ক্ষমায়—ঙাক্হল্লী; করিয়া—তৌহুনা; বিনয়—নোঙ্গবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণগী বিশ্বরূপ উবগা অর্জ্জুন য়াম্না কিখি। মহাক্না শ্রীকৃষ্ণবু সখা অমনী খন্দুনা তৌখিবা হৌনদবা ব্যবহারশীদমক য়াম্না নোঙনা হায়জহুনা মাবু ঙাক্হন্খি।

নৈনরোল

বিশ্বরূপ—শ্রীকৃষ্ণনা মাংগী বিশ্বরূপ অসী অর্জুন-দা উৎখি। উৎখিবা বিশ্বরূপশিংগী মায় য়াম্মী, মীৎ য়াম্মী, প্রাকৃত-নত্তবা (দিব্য) পুংলাই য়াম্মা শায় অমুগা আভরণ (লৈতেং) য়াম্মা থোল্লম্মী; অমুগা দিব্যমাল্য অমদি দিব্যগন্ধ থোল্লম্মী। য়েংবদা ঙক্লবা রূপ অসী মফম পুম্নমক শীন্তুংনা লৈবা, অনন্ত (লোইখৎপা নাইদবা) মূর্ত্তি ওইনা উখি মহাক্কী তেজদি (মঙালদি) মতম অমতদা পুল্লপ থোক্মিন্নবা সূর্য্য (নুমীৎ) লীশীঙ লীশীঙগী পুল্লপ-পুনবা তেজদগীসু হেন্না ঙাল্লী। বিশ্বরূপশিংগী হকচাঙ মনুঙদা মতম অমতদা শীঙলাক্ ওমদবা ব্রহ্মাণ্ড কোটি কোটি উবা ফংখি। মহু উবদা অর্জুন ঙকখি অমসুং কিখি।

মূল ১৯৭-১৯৮

সখেতি মত্বা প্রসভং যদুক্তং
হে কৃষ্ণ হে যাদব হে সখেতি।
অজানতা মহিমানং তবেদং
ময়া প্রমাদাৎ প্রণয়েন বাপি ॥ ১৯৭ ॥
যচ্চাবহাসার্থমসৎকৃতোঽসি
বিহার-শয্যাসনভোজনেষু।
একোঽথ বাপ্যচ্যুত তৎ সমক্ষং
তৎক্ষাময়ে ত্বামহমপ্রমেয়ম্ ॥ ১৯৮ ॥

শব্দার্থ

সখা ইতি—ইমান্নবা ইরুপ্পী হায়বসী; মত্বা—খল্লুনা; প্রসভং—খঙহৌদবমখৈ; যৎ—মহু; উক্তং—ঙাঙখিবা; হে কৃষ্ণ—হে কৃষ্ণ; হে যাদব—হে যাদব; হে সখা ইতি—হে মরূপ (হায়বা) অসুম্না; অজানতা—খঙদহুনা; মহিমানং—মহিমাবু; তব—নংগী; ইদং—অসী; ময়া—ঐনা; প্রমাদাৎ—থোশাদবদগী; প্রণয়েন—নুংশিবদগী; বা—মত্রগা; বাপি—ওইরবসু; যৎ—মহু; চ—অমসুং; অবহাসার্থম্—করেম্নবগী-দমক; অসৎকৃতঃ—লাম্ন-ভোৎনবা; অসি—(নঙ) ওইরে; বিহার—শান্নবা,

কোয়বা, শয্যা—হিপ্পা ; আসন—ফম্বা ; ভোজনেষু—চাবদা ; এক:—নথম্বা লৈবা মতমদা ; অথবা—নত্রগা ; অপি—সু ; অচ্যুত—হে লেঙত্রবা ; তৎসমক্ষং—মথোয় ময়াক্কী মমাঙদা ; তৎ—মহ্ ; ক্ষাময়ে—ডাকপিনবা হঙংচরি ; অহম্—ঐনা ; অপ্রমেয়ম্—খন্‌বদা থোক্তবা মতীক্-লৈববু ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নঙগী নতীক-নঙনসে খঙদহুনা থৌশা-বাশাদবদগী নত্রগা মুংশিংবদগী, সখাগী হায়না খল্লুনা খঙহৌদবমখৈ হে কৃষ্ণ, হে যাদব, হে সখে-নচিংবা হায়হুনা কৌখিবহ্, শায়বা-কোয়বদা, তুম্বা-হিপ্পদা, চাবা থক্‌পদা করেম্নবনী হায়জন্দুনা নথম্বা লৈবা মতমদা নত্রগা মরূপ-মপাঙগী মমাঙদা ক্লায়া চৎথিবা অহ্ খন্‌বদা-থোক্তবা-নতীক্-লৈবা নহাক্না ডাকপীয়ু ।

শ্লোকসী মূল পয়ার ১৯৬ গী প্রমাণনী ।

মূল ১৯৯

কৃষ্ণ যদি রুক্মিণীকে কৈল পরিহাস ।
'কৃষ্ণ ছাড়িবেন' জানি রুক্মিণীর হৈল ত্রাস ॥ ১৯৯ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণ ; যদি—মতমহুদা ; রুক্মিণীকে—রুক্মিণীবু ; কৈল—তৌবগী ; পরিহাস—করেম্নবা ; কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণনা ; ছাড়িবেন—থাদোক্কনী ; জানি—খঙহুনা ; রুক্মিণীর—রুক্মিণীগী ; হৈল—ওইখি ; ত্রাস—কিবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণনা রুক্মিণী দেবীদা করেম্নবগী মতমদা, শ্রীকৃষ্ণনা থাদোক্পিরগনী হায়বা খঙবদা রুক্মিণীগী অকিবা পোক্খি ।

নৈনরোল

ঐশ্বর্য্যজ্ঞান-দা দ্বারকাদা মধুররতিন হন্দোরক্নি হায়বহ্ উৎলী ।

শ্রীকৃষ্ণনা করেম্নহুনা রুক্মিণীদা হায়রম্বী—হে কঞ্জবী ! নঙদি নিংথৌগী মচানুপীনী ; মরমহুনা নিংথৌমচা অমগা লুহোংলম্বনা ফরবনী । ঐদি

নিংথৌশিংবু কিবদগী সমুদ্র মনুংদা লৈরিব্বসিনী ; ইহাক্সু নিংথৌ নত্তে ; ঐগা লুচোংলম্বসী নওমীদি অকবা ওইব্রে। ঐদি হকচাঙবুস্মু যুযুস্মু খৌশাক্ত্র-বনী স্কুপী অণ্ডাণ্ড অমদি লন্থুম্ পাম্দবনী, ইথক্তা পণ্ডস্থুংদা স্নুংঙাইজবনী। মন্নমহুনা ঐগা লুহোংমিন্নহনা মণ্ড তুংগী পোলোই উদে হায়বা তাক্লবনী। মন্নমহুনা নহাক মতীক-চাবা নিংথৌ অমগা অমুক লুহোঙলো। (শ্রীভা, ১০/৬০/১০—২০ ॥) শ্রীকৃষ্ণগী অসিগুম্বা ব়াহৈ মনাকোঙনা তাবগা কৃষ্ণনা মাবু থাদোক্লগদৌরিব্রা হায়না চিংনহনা রুক্মিণীনা কিখি।

মূল ২০০

তস্যাঃ সুদুঃখভয়শোকবিনষ্টবুদ্ধে
র্হস্তাৎ শ্লথদ্বলয়তো ব্যজনং পপাত।
দেহশ্চ বিক্লবধিয়ঃ সহসৈব মুহ্যন্
রম্ভেব বাতবিহতা প্রবিকীর্য্য কেশান্ ॥ ২০০ ॥

শব্দার্থ

তস্যাঃ— মহাক্কী ; সু—য়াম্না য়ৌনা ; দুঃখ—স্নুংঙাইতবা, অৱাবা ; ভয়—কিবা ; শোক—কায়নমৈচাক থন্দুনা লৈবা ; বিনষ্ট— মাঙলবা ; বুদ্ধেঃ —লৌশিং ; (সুদুঃখভয়শোকবিনষ্টবুদ্ধেঃ—য়ৌনা স্নুংঙাইতবা, কিবা অমদি কায়নমৈচাক লাংবনা বুদ্ধি মন্নবা) ; র্হস্তাৎ—খুত্তগী , শ্লথদ্বয়লয়তোঃ—খুজি কোম্নবা ; ব্যজনং—হুমাই ; পপাত—তাখি ; দেহঃ চ—হকচাঙস্নু ; বিক্লবধিয়—বুদ্ধি মন্নবা , সহসা এব—থুন্দক অতুমত্তদা ; মুহ্যন্—ৱাঙ্কহনা ; রম্ভা ইব—লফুপাম্বীগুম্না : বাতবিহতা— স্নুংশীংনা য়ৈরবা ; প্রবিকীর্য্য— ইফা-ফাহনা ; কেশান্—শম্নাং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

য়ৌনা স্নুংঙাইতবা, অকিবা অমদি কায়নমৈচাকলাংবনা বুদ্ধি মন্নবী রুক্মিণীগী খুজিদু কোম্থংলক্খি। অদুগা খুত্তগী হুমাই (মত্রগা চামব) নাম্বোক্তুনা লৈপাকথক্তা তাৱম্মী। মহাক্কী জ্ঞান মাঙলবা দেহস্নু পণ্ডথরক্তুনা মশম-মনা ইফা ফানা স্নুংশীংনা য়ৈম্নবা লফু-পাম্বীগুম্না লৈমাম্নথক্তা তুথখি।

নৈনরোল

শ্রীকৃষ্ণদি ঈশ্বরনী হায়বা অসী রুক্মিণীনচিংবী লৈমশিংহুনা খঙলম্মী ; মরমহুনা শ্রীকৃষ্ণনা "ঐদি হকচাঙ অমদি য়ুমকৈ থৌশাদবনী, নুপী অঙাঙ-লন্‌থুম্‌সু পাম্‌দবনী, ইশা ইথম্তা নুংঙাইবা হৈবনী-নচিংবা।"—অসী হায়-রম্বা মতমদা রুক্মিণীনা খল্লম্মী—"শ্রীকৃষ্ণনা হায়রিবসী অংঙইবা ঙাক্তনী ; মহাক্তি ঈশ্বর ওইবনীনা নুপীনহা মচামশু অমত্তা পাম্‌কম্ থোক্তে ; মহাক্তি আত্মারাম (মথন্তু নুংঙাইজবা) নী। —মঙোম্দা নুপী নহানা করি ভৌননী? ঐখোয়দা মহাক্কী আসক্তি লৈতবনীনা মহাক্কা নোংমা হেক্তা ঐখোয়বু থাদোক্‌পিবা যাই।" থাঙ্গে শেংবদি শ্রীকৃষ্ণদি রুক্মিণীদা ফাগি তৌরম্বনী ; অদুম ওইনমক শ্রীকৃষ্ণদা মাগী ঐশ্বর্য্যজ্ঞান লৈরম্বা মরম্না ফাগিগী র হৈহবু ফাগিগীনী হায়না মানা লৌবা ঙমখিদে—চাননা অওইবা ওইনা হায়রিবনী হায়না লৌখিরম্বনী। মরমসিনা মধুরা রসিনা হঙোইতুনা হন্দোকয়ি—থরাইগী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু মপূঙফানা নুংশিজনী হায়না খন্‌বা ঙম্মদ্রে ; রুক্মিণীনা খল্লম্মী—"ঐদি অচম্বী নুপীনী, অদুগা শ্রীকৃষ্ণদি পরমেশ্বরনী, মহাক্কা করম্না ঐগী প্রাণবল্লভ (থরাইগী নুংশিজবা) ওইবা য়াগদগে? মহাকপু হিংসা তৌবা শিশুপাল নিংথৌনচিংবনা ঐবু লৌগে হায়রম্মী ; মখোয়গী নাপল মাঙহন্নবা, মখোয়গী চাং তাহন্নবা হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঐবু পুরক্‌খিবনী—ঐবু থোইদোক্পা নুংশিদুনা ঐবু মহাক্কা পুবকখিবা নত্তে ; শিশুপালনচিংবা মাথৌরে, কৃষ্ণগী উদ্দেশ্যসু থুংলে ; ঐ মাগী করিমতা কানগদবা নত্রে ; মরমহুনা মহাক্কা থাবগে নীঙলক্‌পা মৈংকুপ্তা ঐবু থাদোক্নুনা চৎখিবা য়াই।" —মতৌ অসুম খল্লগা যাম্না নুংঙাইমন্দহুনা, শ্রীকৃষ্ণনা মাবু থাদোক্নুনা চৎখিনী খন্দুনা কিবদগী অমম্নং কায়নমৈচাক লাংবদগী রাবনা রুক্মিণীগী ওইখিবা ফীভমহু শ্লোকসিদা হায়রিবনী।

শ্লোকসী শ্রীভাগবতম্‌দগী লৌথোকপনী (ভাঃ ১০/৬৩/২৪)। মসী মূল পয়ার ১৯৯-দা হায়রিবা রাগী প্রমাণনী।

মূল ২০১

কেবলার শুদ্ধ প্রেম—ঐশ্বর্য্য না জানে।
ঐশ্বর্য্য দেখিলেও নিজ সম্বন্ধ সে মানে॥ ২০১॥

শব্দার্থ

কেবলার—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান-য়াওদবা কেবলা রতিগী ; শুদ্ধ— মক্তবা : প্রেম —(কৃষ্ণবু) নুংশিবা ; ঐশ্বর্য্য—ঈশ্বরনী হায়বা মা ; না জানে—খঙদে ; ঐশ্বর্য্য দেখিলেও—ঐশ্বর্য্য উরগনু ; নিজ সম্বন্ধ— মছাগী ওইবা মরীহু ; সে—মহাত্মা (ভক্তনা) ; মানে—লৌয়ি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কেবলা রতিগী মক্তবা প্রেম অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যবু খঙদে। ঐশ্বর্য্য উরগনু মছা মছাগী সম্বন্ধ অদু অদুম লৌয়ি।

নৈনরোল

মূল ২০১ পযারদা হায়রি—ঐশ্বর্য্যজ্ঞান-য়াওদবা মক্তবা-মাধুর্য্যগী ওইবা রতিদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যবু মাঙহন্দুনা ঘন লাওনা চোংথোরক্লবা ফাওনদা ভক্তনা মহুবু শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যনী হায়না লৌদে অমসুং ঐশ্বর্য্যদুনা মরম ওইদুনা মখোয়গী সম্বন্ধগী লীপুন অদুসু কোম্থোক্তে। হৌজিক রাফমদুগী প্রমাণ উৎলি।

কেবলার—শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনী হায়না খঙদবা কেবলা রতিগী। শ্রীকৃষ্ণ-রতিদমক নৈবা হায়বদি শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইবা হায়বা অদুমত্তনা মরমরবা সেবাদুদমক পাম্বা, অমসুং পাম্বদুদা অতোপ্পা কবিগুম্বা—মছাগী নুংঙাইববু পাম্বা, মছাগী অরাদ। কোক্পা পাম্বা অসিনচিংবা, নুংশিবা হন্দোকহনবা ঐশ্বর্য্যজ্ঞানচিংবা চঙবা ডনদবা, অদুগুম্বা রতিবু কেবলা রতি কৌয়ি।

ঐশ্বর্য্য না জানে—শ্রীকৃষ্ণসে ঈশ্বরনী হায়বা জ্ঞান (খঙবা)-সে কেবলারতিভক্তগী লৈতে ; অসিগুম্বা ভক্তনা শ্রীকৃষ্ণবু মছাগা মান্নে নত্রগা মছাদগী হঙ্গবা অমনী হায়নসু খল্লী। মরমদুনা শ্রীকৃষ্ণগী করিগুম্বা ঐশ্বর্য্য অমা নৈরিবী হায়বফাওবা ভক্তদুনা থাজবা ঙমদে।

ঐশ্বর্য্য দেখিলেও-নচিংবা—শুদ্ধমাধুর্য্যগী ভক্তশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বরনী হায়না খনগে খল্লু নত্রগা খন্দসমু, মহুদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য ময়েং তাদে ; মরমদুনা দরকারগী মতুং ইন্না শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য ফোঙদোকৃয়ি অমসুং শুদ্ধ-মাধুর্য্যগী ভক্তশিং মহু উবসু য়াওয়ি ; অদুবু মমাঙমক্তা ঐশ্বর্য্য উৎপা

উরবক্ষা ওবদা মহূবু মখোয়না শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যনী হায়না খল্লে, অমসুংব দেবকী-বসুদেবগী ওইখিবগুম্না, অর্জ্জুনগী ওইখিবগুম্না, নত্রগা রুক্মিণীগী ওইখিবগুম্না—শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা মখোয়গী সম্বন্ধগী বন্ধনসু (হিংপুন-সু) কোম্‌থোক্‌পা ঙম্মোদে। মীৎমাঙমক্তদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উরবসু নন্দ-যশোদানা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী মচানী হায়বদা, করি হায়নী সুবল-নচিংবা মমাম্নবশিংনা মমান্নবনী হায়বদা, অদুগা ব্রজসুন্দরীশিংনা মহাকপু মখোয়গী প্রাণবল্লভ-নী (থরাইগী সুংশিজবা-অদুনী) হায়বদা—নত্রগা কৃষ্ণগা মাপ মাগী ওইবা মওংদা লোয়নবদা—খজিক্তকাওবা হঙোইবা ঙম্মোদে।

মূল ২০২

ত্রয্যা চোপনিষদ্ভিশ্চ সাঙ্খ্যযোগৈশ্চ সাত্বতৈঃ।
উপগীয়মানমাহাত্ম্যং হরিং সামন্যতাত্মজম্॥ ২০২॥

শব্দার্থ

ত্রয্যা—বেদ অহুমগী কর্ম্মকাণ্ডদা-ইন্দ্রনচিংবা দেবতা ওইনা; চ—অমসুং; উপনিষদ্ভিঃ—বেদগী জ্ঞান কাণ্ডদা ব্রহ্ম ওইনা; চ—অমসুং; সাঙ্খ্যযোগৈঃ—সেশ্বর সাংখ্যদা অমসুং যোগদা পুরুষ অমসুং পরমাত্মা ওইনা; চ—অমসুং; সাত্বতৈঃ—নারদগী পঞ্চরাত্র নচিংবদা ভগবান্ ওইনা; উপগীয়মানমাহাত্ম্যং—মাগী মাহাত্ম্যবু শক্-শোল্লিবা-অত্তগুম্বা মহাকপু; হরিং—শ্রীহরিবু; সা—মহাক্না (যশোদানা); অমন্যত—লৌখি; আত্মজম্—মছামচা পোক্‌চবা মচানী হায়না।

মৈতৈলোন্দা চন্দোকপা

বেদ অহুমদা (বেদত্রয়গী সংহিতাংশদা হায়বদি কর্ম্মকাণ্ডদা ইন্দ্রনচিংবা দেবতা ওইনা), উপনিষদশিংদা (বেদগী জ্ঞানকাণ্ডদা ব্রহ্ম ওইনা), সেশ্বর-সাংখ্যদা পুরুষ ওইনা), যোগ শাস্ত্রদা (পরমাত্মা ওইনা) অমসুং (নারদ-পঞ্চরাত্র-নচিংবা) সাত্বতশাস্ত্রদা (ভগবান্ ওইনা) মাগী মহিমা শক-শোল্লিবা, হরি অদুবু যশোদানা মছামচা গর্ভদগী পোক্‌পা মচানুপানী হায়না খল্লম্মী।

নৈনরোল

শ্রীকৃষ্ণগী মৃদ্‌ভক্ষণ লীলা (লৈখোম চাবা লীলা) লীথক্‌পা মতাংদা

শ্লোকসী হায়খিবনী। শ্রীকৃষ্ণগী হ্রাদুংদা যশোদানা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক, তত্ত্ব পুম্না অমসুং ব্রজমণ্ডলগা লোয়ননা শ্রীকৃষ্ণবু অমসুং মহামকপু উখ্রি ; উবগা শ্রীকৃষ্ণগী তত্ত্ব পুম্নমকসু মহাক্না খঙখি ; অদুবু খুদক অদুমক্তদা লীলা তেঙ-বাঙবী যোগমায়ানা যশোদাগী তত্ত্বজ্ঞানদুবু (শ্রীকৃষ্ণগী তত্ত্ব খঙলম্বদুবু) কুপশনদুনা থম্খি অমসুং বাৎসল্যগী প্রতিমূর্ত্তি ওইরিবী যশোদানা শ্রীকৃষ্ণদুবু মহামকী গর্ভদগী পোকপা মচামকনী খন্দুনা মথবাক্তা চেংনা কোন্শনখি।

শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উবগসু বাৎসল্য ভাবকী ভক্তগী বাৎসল্য-রশিদু হক্তোয়দনা হন্দোক্তে হায়বদুগী প্রমাণগী শ্লোকসী। মসী ভাগবতমদগী লৌথোকপনী (১০/৮/৪৫)।

ত্রয়ী—অমরকোষ অভিধানগী মতুং ইন্না ঋক্, যজু অমসুং সাম হায়বা বেদ অহুমসিবু (বেদগী সংহিতাংশবু হায়বদি কর্ম্মকাণ্ডবু) ত্রয়ী কৌয়ি। বেদগী কর্ম্মকাণ্ডদা ঈশ্বরবু ইন্দ্রনচিংবা দেবতা ওইনা বর্ণন তৌরি। ত্রয়ী-শব্দগী তৃতীয়াদা ত্রয্যা ওইবনী।

মূল ২০৩

তং মত্বাত্মজমব্যক্তং মর্ত্ত্যলিঙ্গমধোক্ষজম্।

গোপিকোলূখলে দাম্না ববন্ধ প্রাকৃতং যথা ॥ ২০৩ ॥

শব্দার্থ

তং—মহাবপু (শ্রীকৃষ্ণবু) ; মত্বা—খন্দুনা ; আত্মজং—মচামক্না পোকচবা মচানী হায়না ; অব্যক্তং—ফোঙদোক্তবা ; মর্ত্ত্যলিঙ্গং—মীওইবগী হকচাঙ-লৌবিবা ; অধোক্ষজম্—প্রাকৃত ইন্দ্রিয়শিংনা ফংবা ঙমদবা মহাকপু, গোপিকা—গোপীনা (যশোদান) ; উলূখলে—শুম্বল্দা ; দাম্না—থৌরীনা ; ববন্ধ—পুন্খি ; প্রাকৃতং যথা—প্রাকৃত ওইবা অঙাঙগুম্।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গোপিকা যশোদামা অব্যক্ত-ওইবা, মনুষ্যলিঙ্গ-ওইবা অধোক্ষজ ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু মহামকী মচানী হায়না খন্দুনা প্রাকৃত-ওইবা অঙাঙবু পুন্বদোনা থৌরীনা শুম্বল্দা পুন্খি।

নৈনরোল

অব্যক্তম্—কোঙদোক্তবা, শক্-উত্তবা ; প্রকট লীলা নত্তনা অদুগুম্বা কোঙদোক্তবা (হায়বদি মীওইবনা উবা ফংদবা) মহাক ; নত্রগা, প্রেমগী মথ্যা পোনখিবনা মহাকী মহা ঐশ্বর্য্যনচিংবদু শুদ্ধমাধুর্য্যময় ভক্তশিংনা অনুভব তৌবা য়াননবা কোঙদোকপা-নত্তবা ওইনা লৈবা মহাক। মর্ত্ত্য+ লিঙ্গং—মর্ত্ত্যগী (মীওইবগী মতৌগুম্বা) লিঙ্গ (হকচাঙ)-না মাগী ওইবা; তশেংবমক্তি মীওইবগী হকচাঙনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-নী। অধোক্ষজম্— অধঃ + অক্ষজম্ = অধোক্ষজম্। অধঃ—মথা থংবা (অনেম্বা, অরাঙবা-মত্তবা) ওইথরে অক্ষজ (ইন্দ্রিয়দগী পোক্পা) জ্ঞান অদুনা মঙোন্দগী, অদুগুম্বা মহাকপু। ইন্দ্রিয়দি মীৎ, নাকোঙ, নাতোন, অসিনচিংবনী ; দর্শন (উবনা) মীত্তগী পোক্পা জ্ঞান-নী, শ্রবণ (তাবা) হায়বসিনা নাকোঙদগী পোকপা জ্ঞান-নী, অসিনচিংবা। প্রাকৃত ইন্দ্রিয়দগী পোক্পা জ্ঞান পুম্নমক অধঃকৃত (নেম্থবা) ওইথরে মঙোন্দগী : অদুগুম্বা মহাক অধোক্ষজ-নী। অধঃ-শব্দসী অনেম্বা হায়বনী : ইন্দ্রিয়-দগী পোক্পা জ্ঞান-দি য়াম্না নেম্না লৈ, মরমদুনা ইন্দ্রিয়দগী পোক্পা জ্ঞান অদুনা মহাবপু শোক্পা ঙম্দে, হায়বদি প্রাকৃত ওইবা মীৎনা মাবু উবা ফংদে. প্রাকৃত ওইবা নাকোঙনা মহাকী রাকৈনচিংবা শ্রবণ (তাবা) ফংদে, প্রাকৃত ওইবা নাতোন্না মহাকী অঙ্গ-গন্ধ (হরুম) ফংবা ঙম্দে, প্রাকৃত ওইবা লৈয়েঙনা মহাকী অধরামৃত-নচিংবগী মহাও তংবা ফংদে, প্রাকৃত ওইবা উন্সানা মাগী হকচাঙ শোক্পা ফংদে. মরমদুনা প্রাকৃত ইন্দ্রিয়দগী পোক্পা জ্ঞান পুম্নমক মঙোন্দগী অ-লাপ্না মথাদা হুম্দোকৃথরে মহাক্না, অদুগুম্বা মহাক্তো অধোক্ষজ-নী ; মহাক ইন্দ্রিয়গী রাংমদনী। মহাক্তি প্রাকৃত নত্তবা চিন্ময় ওইবা সচ্চিদানন্দ-বিগ্রহ ওইবনা প্রাকৃত ইন্দ্রিয়গী বিষয় ওইবা য়াদে। প্রাকৃত ওইবা পোৎনা প্রাকৃত ইন্দ্রিয়গী বিষয় ওইবা য়াই, মহুদি—প্রাকৃত ওইবা মীশিংগী দেহ-নচিংবা। অদুবু "অপ্রাকৃত বস্তু নহে প্রাকৃতেন্দ্রিয়গোচর— প্রাকৃত-নত্তবা পোৎত্তি প্রাকৃত-ইন্দ্রিয়গী বিষয় ওইদে।" শ্লোকসিদা য়াওরিবা 'অব্যক্ত' অমসুং "অধোক্ষজ" হায়বা শব্দ অনীসিনা মহাক (শ্রীকৃষ্ণদু) প্রাকৃত-নত্তবনী, চিন্ময়-নী অমসুং সচ্চিদানন্দ-নী হায়বদু তাক্লী ; অসিগুম্বা তত্ত্ব

ওইরিবা মহাক্না কনামতগী "আত্মজ" (মচা) ওইবা য়াদে ; মহাক্তি অজ-নী (পোক্তবনী), নিত্যনী (মতমপুম্বনীনী), অমস্তুং অনাদি (মঙ্গোন্দগী হানথা অমা লৈতবা হায়রবহুনী), অছুম ওইনমক শুদ্ধবাৎসল্যময়ী ওইবী যশোদা মাতানা মহাক্কী শুদ্ধ-ঐশ্বর্য্যজ্ঞান-য়াওদবা কেবলা-রতিগী মপাম্না মহাক্পু (শ্রীকৃষ্ণবু) মামক্কী মচানী হায়না খনখিবনী অমস্তুং অসিগুম্বা তত্ব হায়বদি স্বরূপ ফংলগা বিভু—সর্ব্বব্যাপক (মফম পুম্বা শীন্থংলিবা), মরমহুনা পনবা য়াদবা—ওইরবস্ত কেবলারতি-লৈবী যশোদা-মাতানা মহাকপু শৃঙ্খলা পুনবা কাওবা ঙমখিবনী। মহাক্কী কেবলা-রতিগী য়ম্লাইনা শ্রীকৃষ্ণগী বিভুত্ব-নচিংবা ঐশ্বর্য্যস্মু মাধুর্য্যগী মরুমদা লোৎতুনা লৈখিবনী। কেবলা প্রীতিবু ঐশ্বর্য্যনা হন্দোকহনবা (হঙ্গোইহনবা) ঙমদে ; অহোইনহুম কেবলা প্রীতি-নদি ঐশ্বর্য্যবু হঙ্গোইহনবা ঙম্মী হায়বসী মফমসিদা উৎলিবনী।

যশোদা মাতা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা ঐশ্বর্য্য য়াম্না উরে ; অছুম ওইনমক মহাক্না শ্রীকৃষ্ণবু মাগী গর্ভদগী পোকপা মচানী হাযনা অছুম থল্লী অদুগা মচান্নুপানী হায়হুনা শ্রীকৃষ্ণবু মাগী লালা (লুনা য়োকদবা) অমনী, অদুগা মচাবুনা শ্রীকৃষ্ণগী লালিকা-নী (লুনা চাম্না তৌবী অয়োকপীনী) হায়না থল্লী ; শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গল ওইনবগীদমক কৃষ্ণনা নত্তবা থবক তৌবা মতমদা মহাকপু রারাক-রাতেম্মী— জগৎসিদা মীওইবা মররুা মচাম্নুপাগী য়াইফবা-পাম্বী মমা অপোকপীনা তৌবগুম্বনী। অভাঙ পিশক ওইরিবা কৃষ্ণনা নোংমা-মাথা-চিংনবা চফু থুগায়রগা য়ুম মনুঙদা চঙথবগা মাথন হুরান্দুনা মাস্থু চাবম্মী অদুগা য়োংদস্থু পীজথোক্লম্মী। মমা যশোদানা মত্থ খঙলহুনা কৃষ্ণবু রারাকে হায়হুনা খুত্তা চৈ পায়হুনা কৃষ্ণ তম্না চঙশল্লম্বদা শ্রীকৃষ্ণহু অাতোম্ন থোঙ অমরোমদা চেপ্থোকখিরম্মী, অছুবু যশোদামাতানা মহাকপু ফাহুনা পুবরুগা মহাকপু শৃঙ্খলা পুন্নগা দঙি পীরম্মী। শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উরগা দেবকী দেবীদি কযামুক হঙ্গোইবম্বগে হাযববু মানা শ্রীকৃষ্ণবু মচানী হায়গদৌবগী থৌনাহু মাঙখি। অছুদগী যশোদা মাতাদি শ্রীকৃষ্ণবু থৌরীন-কাওবা পুন্দুনা থনম্মী ; ঐশ্বর্য্য উরগা যশোদা মাতাগী বাৎসল্য প্রেম হন্দোক্লম্বদি মলাক্না কৃষ্ণবু শৃঙ্খলা পুনগে হায়না তৌবদি লায়রহুনা রাথম-কাওবা লাম্লম্মাইদৌবনী।

মুল ২০৪

উবাহ কৃষ্ণো ভগবান্ শ্রীদামানং পরাজিতঃ।
বৃষভং ভদ্রসেনস্তু প্রলম্বো রোহিণীসুতম্॥ ২০৪॥

শব্দার্থ

উবাহ—পোহ্না পুরম্মী; কৃষ্ণঃ—কৃষ্ণ; ভগবান্—ভগবান; শ্রীদামানং—শ্রীদামবু; বৃষভং—বৃষভবু; ভদ্রসেনঃ—ভদ্রসেন; তু—অদুবু; প্রলম্বঃ—প্রলম্বনা; রোহিণীসুতম্—রোহিণীগী মচাম্পুপা বলরামবু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্নবদা মায়থীরহনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীদামবু, ভদ্রসেন-না বৃষভবু, প্রলম্বনা বলদেববু লেংবান্দা পুরম্মী।

নৈনরোল

শ্রীদাম-নচিংবা সখাশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য য়াম্না উখ্রবনী: অদুবু মহুমক্তদম্ শ্রীকৃষ্ণগী মকমদা মখোয়গী সখ্যভাব অদু হন্দোক্লমদে। হন্দোক্লবোইদি. শ্রীদামনা কদৌঙৈদম্ শ্রীকৃষ্ণগী লেংবান্দা কাবা ঙম্মগোই-দবনী। শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উরবস্থ সখাশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী মমান্নবা সখানী হায়না অদুম মখল্লী, কদৌঙৈদম্ মাবু ঈশ্বরনী হায়না খনখিদে। মরমহ্না মখোয়না করিগুম্বা মতমদা মরেংবান্দা থাজৎলী অদুগা করিগুম্বা মতমদা মাগী লেংবান্দম্ মকাখৎলী।

শ্লোকসী শ্রীমদ্ভাগবতমদগী লৌখোক্পনী (ভাঃ ১০/১৮/২৪)। মসীনা ঐশ্বর্য্যজ্ঞানবু কেবলাসখ্যরতিনা হন্দোইদে হায়বগী প্রমাণনী।

মুল ২০৫

ততো গত্বা বনোদ্দেশং দৃপ্তা কেশবমব্রবীৎ।
ন পারয়েঽহং চলিতুং নয় মাং যত্র তে মনঃ॥
এবমুক্তঃ প্রিয়ামাহ স্কন্ধ আরুহ্যতামিতি॥ ২০৫॥

শব্দার্থ

ভক্তঃ—অত্থূনগী, তুংদা ; গত্বা —চৎলগা ; বনোদ্দেশং—বন খী মায়কৈ তম দৃপ্তা—নাপল চাওরবীনা, কেশবম্—কেশবতা (শ্রীকৃষ্ণবু) ; অব্রবীৎ —হায়রম্মী ; ন পারয়ে—ঙমদ্রে , অহং—ঐদি ; চলিতুং—খোঙ থাংবা ; নয়—পুবো ; মাং—ঐবু ; যত্র—মফম্ হৃদা ; তে-মনঃ—নঙনা নীঙবা ; এবম্ —মতৌঙ্মা ; উক্তঃ—হায়রবদা ; প্রিয়াম্—হুংশিবীদা ; আহ—হায়খি ; স্কন্ধঃ—লেঙবান্দা ; আরুহ্যতাম্—কাখৎলো ; ইতি—অসুম্না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না নাপল তৌরবা মতূঙদা মহাক্না (শ্রীরাধ'না) শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা উমং লম্দমদা চৎলগা নাপল্লক্লুনা শ্রীকৃষ্ণদা হায়খি—"ঐহাক খোঙ থাংবা ঙম্দবে, নরমহুনা নঙনা চংনীঙবা মফমদা ঐবু পুবগা চৎলো,"—মহাক্না (শ্রীরাধানা) অসুম্না হায়রবদা শ্রীকৃষ্ণনা মঙোন্দা হায়রম্মী, "অদু ওইরবদি নঙ ঐগী লেংবান্দা কাখৎলো।"

লৈমরোল

কেশবং—কেশবং কেশান তদীয়ান্ বয়তে প্রথ্যাতি ইতি কেশবস্তম। (শ্রীরাধাগী) শম্'ঙ পুনসী হাংদুনা মহাকপু কেশব কৌবনী। শারদীয় মহারাসদা শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ গোপী শিংবু হন্দোক্লম্লগা শ্রীরাধাতবু পুবগা বন মনুঙদা চঙবদা অমসুং বনদুংদা লীলাবিশেষ শান্নবগী মতুঙদা শ্রীরাধাগী শম্নাং চোইত্নুনা ইকা ফাববদা শ্রীকৃষ্ণ মহামক্না য়াম্না হুংশিবগা লোয়ননা শম্ পুনশনবিবম্বহুদা শ্রীরাধানা মহাবু ব্রজসুন্দরী পুম্নমক্তগী অথোইবিনী হায়না খল্লহুনা গর্ব্বিতা (নাপল কাবী) ওইখি। মরমহুনা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা বন প্রদেশদা চৎনা চৎনা শ্রীরাধানা (গর্ব্বিতা ওইরদুনা) শ্রীকৃষ্ণদা হায়রম্মী—"বন কোয়বসিদা ঐ য়ামদে হবচাঙ চোক্থবে, ঐ খোঙ-থাংবা ঙম্শল্লক্লরে ; নঙনা চংনীংবা মফমদা চৎপদো ঐবু থাংলগা পুবো।" শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা ঐশ্বর্য্য জ্ঞান লৈরগদি শ্রীরাধানা কদৌঙৈদম্ব মহাকপু থাংদুনা পুরো হায়না শ্রীকৃষ্ণদা হায়রম্লোইদবনী। রাস-নচিংবা লীলাদা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য কয়ামা শ্রীরাধানা শংশংনা উথ্রবনী ; অদুম ওইনমক মাগী মফমদা শ্রীরাধাগী লৈরম্বা মধুরা রতিদো হন্দোক্লম্দে—অদুম ওইনমক

মহাপ্রভু শ্রীকৃষ্ণবু মহাক্কী প্রাণবল্লভ নী হায়নত্তা খল্লমী, ঈশ্বরনী হায়না খল্লমদে হায়বদগী প্রমাণগী শ্লোক অসী। শ্লোকসী শ্রীমদ্ভাগবতম্‌দগী লৌথোকপনী (ভাঃ ১০/৬০/৩৭)।

মূল ২০৬

পতিসুতান্বয়ভ্রাতৃবান্ধবা-

নতিবিলঙ্ঘ্য তেহন্ত্যচ্যুতাগতাঃ।

গতিবিদস্তবোদ্গীতমোহিতাঃ

কিতব যোষিতঃ কস্ত্যজেন্নিশি ॥ ২০৬ ॥

শব্দার্থ

পতি—ইপুরোইবা, সুত—ইচা, অন্বয—শাগৈ, ভ্রাতৃ- ইচুং ইপা; বান্ধবান—মরূপ মপাংশিংবু, অতিবিলঙ্ঘ্য—রা তাদনুনা, তে—নঙগী; অন্তি—নাক্তা; অচ্যুত—হে অচ্যুত; আগতাঃ—লাকপনী, গতিবিদঃ—(ঐখোযগী) গতি খঙবা হায়বদি লাকপগী মরম খঙবনী, উদগীতমোহিতাঃ—(ঐখোয নঙগী) বেণুগী খান রাংবা ঈশৈনা শুমহৌনী, কিতব—হে লৌনমচাওবা, যোষিতঃ—নুপীশিংবু, কঃ—কনানা, ত্যজেৎ—থাদোকপগে, নিশি—অহিংদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হে অচ্যুত (কেণ্ডনা)। নহাক ঐখোযনা লাকপগী মরম খঙবনী। ঐখোয নঙগী বেণুগী ঈশৈনা শুমহৎখিদুনা ইপুরোইবা, ইচা, ইচুং ইপা অমসুং বান্ধব (ইরূপ ইপিক্তা) পুম্নমকপু থাদোকদুনা ননাক্তা লাক্লিবনী। হে লৌনমচাওবা! নুপী নুজাশিংবু কনানা অহিং অথেঙবদা থাদোকপা য়াগনি?

তাৎপর্য

শ্লোকসী শ্রীমদ্ভাগবতম্‌দগী লৌথোকপনী (১০/৩১/১৬)।

শারদীয় মহারাসদা শ্রীকৃষ্ণনা রাসস্থলীদগী মাহৌথোকখ্রবদা মাগী কায়নদগী মৈচারং চাক্লবী গোপীশিংনা বন-জঙ্গলদা মহাকপু থিংথিরদুনা

মতোম্না তম্না হায়খিবা বাৎশিংছুগী থবক্তি শ্লোকসীদা পল্লি। মখোয়না শ্রীকৃষ্ণদা লক্ষ্য তৌরগা হায়রম্মী—হে অচ্যুত—করিগুম্বা নগুণ-দগী নঙনা নাস্ত-কোক্ষ্ণনগী রা ঐখোয় তাক্লি ; অদুমদি ওইরগা ঐখোয়গী মরম-দদি নহাক কারুণ্য-(তুংশিনৈবা) হায়বা গুণ অদুদগী কেস্থরিব—ঐখোয়দা অকরুং (তুংশিনৈতবা) ওইনা উদিবসী করিগীনো? ঐখোয়গী ইফমদা অকরুণ ওইদুনা নঙনা করিগীদমক ঐ.খোয়বু থাদোক্লিব। (মহৌৎম্না অচ্যুত-শব্দসিনা খোত্থাং যৈবি)। গতিবিদঃ—গতি খঙব মগী। নঙ ঐখোয়গী গতি খঙলী, হায়বদি ঐখোয়না মফম্মসিদা লাক্লিবসী নঙগীদমক হাক্লিবনী হায়বা নঙ খঙলিপেংনী, নঙ নদুনা ঐখোয়গী গতি অমা নৈতে হায়বদুসু নঙ খঙলী ; অসিগুম্মবা নহাকী উদ্গীতমোহিতঃ—নঙগী বেণুগী খোন্-রংবা ঈশৈ নাকোঙদা তাবদা গুম্মৎলদুনা ঐখোয়না পতিসুতান্বয়ভ্রাতৃ-বান্ধবান্—ইপুবোইবা [হায়বদি ঐখোয়বু মখোয়গী পত্নী-নী (ভালোইনী) হায়না খনবা, অদুগুম্বা মখোয়বু], ইচাম্নুপাশিং নত্রগা ইবুং ইপ্বানা পোকপা মচ নুপাশিং, অন্বয় (জ্ঞাতি-শরৈ), ভ্রাতা (ইবুং ইপ্বা) অমস্তুং বান্ধবশিংগী অতিবিলঙ্ঘ্য—রা নাকোঙদা তাপ্তুবমখৈ, মখোয়গী সু শিং-নহিংবা পুংখো থাদোক্লম্লগা, তে—নঙগী ; অন্তি—নাক্তা ; আগতাঃ—লাকপনী। বংশী মখোন রাংনা খোংদুনা ঐখোয়বু কৌদুনা পুংকপনী ; অদুম্না পুংরগা শুক্রবা উমং-মনুঙদা ঐখোয়বু থাদোক্লম্লগা অন্তর্ধান তৌখরে নঙনা ; কৌদুনা পুংক্লগা থাদোক্পদি লৌনম্বা মীগী থবক্নী ; নঙনা ঐখোয়বু লৌনমদুনা মাঙখবে ; মরমদুনা হায়দিবসিনী হে কিতব—হে লৌনম্চাঙবা ! হৌজিক নঙ হায়যু য়েংসী, নিশি—অহিংদা বরম্বা ফুপনা মথন্ত-লাক্নবা যুবতী অমস্তুং প্রেমবতী যোষিতঃ—নুপীশিংবু থাদোক্পগে ? কনাস্তু থাদোক্তে ; মরমদুনা নঙনা ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎপদি হম্না চুমদবনী ; অদুনা হায়রিবনী বঁধু, অমুক্তং লাক্তুনা ঐখোয়গী থবাই কল্লো লাও।

শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য উদুনসু শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা ব্রজগোপীশিংগী লৈরিবা মধুরা রতি নত্রগা কান্তা ভাব-না হন্দোক্লম্লবদি মখোয়না কদৌৈঙদসু শ্রীকৃষ্ণদা লক্ষ্য তৌদুনা নথকী অসিগুম্বা রাহৈ হায়বা ঙম্রোই ' মখোয়না

শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী প্রাণবল্লভ-নী (থম্মাইনা সুংশিজবনী) হায়নতা থৈদে হায়বগী মখোয়গী তাঙলিবা তাইনা প্রমাণ তৌরি।

মূল ২০৭

শান্তরসে স্বরূপবুদ্ধ্যে কৃষ্ণৈকনিষ্ঠতা।
'শমো মন্নিষ্ঠতা বুদ্ধেঃ' ইতি শ্রীমুখগাথা ॥ ২০৭ ॥

শব্দার্থ

শান্তরসে—শান্তরসদা ; স্বরূপবুদ্ধ্যে—শ্রীকৃষ্ণদি পরব্রহ্মনী হায়বা স্বরূপ অহুগী রাখন্দা ; কৃষ্ণৈকনিষ্ঠতা—কৃষ্ণ হায়বা অসিমতবু নীঙবা ; শমো—শান্ত ভাব ; মৎ-নিষ্ঠতা—ঐঙোন্দদা লূপ্পা ; বুদ্ধেঃ—বুদ্ধিগী ; ইতি—অসী ; শ্রীমুখগাথা—শ্রীকৃষ্ণগী মুখমক্তা হায়রম্বা রানী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীকৃষ্ণদি পরব্রহ্মনী, শ্রীকৃষ্ণদি পরমাত্মানী হায়বা) বুদ্ধিদা শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা নিষ্ঠাহ্ শান্তরসগী স্বরূপ নী। "শম (শান্তি) হায়বদুদি ঐঙোন্দা বুদ্ধিগী নিষ্ঠা লৈবা হায়বনী," মসী ভগবান্গী শ্রীমুখনা হায়রম্বা রানী।

নৈনরোল

পয়ারসিদা শান্তরসগী স্বরূপ তাক্লি। স্বরূপ-বুদ্ধ্যা-নচিংবা—শ্রীকৃষ্ণদি পরব্রহ্মনী, শ্রীকৃষ্ণদি পরমাত্মানী হায়বা অসিগুম্বা বুদ্ধিনা শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা নিষ্ঠাহ্ শান্তরসগী স্বরূপনী। চতুর্ভুজনারায়ণ-বু শান্ত-ভক্তনা উপাসনা তৌরি। শমোনচিংবা—শম্ ধাতুগী শান্তি-শব্দ ওইরক্পনী ; শান্তি শব্দগী অর্থদি—শম হায়বনী ; অদুগা শম শব্দগী অর্থনা "মন্নিষ্ঠতা বুদ্ধেঃ—বুদ্ধিগী ভগবান্দা নিষ্ঠা লৈবা" হায়বনী। শ্রীকৃষ্ণদা বুদ্ধিনা ঐকান্তিকী (সিমতনী হায়বা) নিষ্ঠা থম্ববু শম নত্ত্রগা শান্তি কৌয়ি। অসিগুম্বা শম হায়বদি ঐকান্তিকী নিষ্ঠা লৈবা মীদো শান্তভক্তনী। ইতি শ্রীমুখ গাথা—মসী শ্রীভগবান্না হায়বা রানী। শম-শব্দনা বুদ্ধিগী কৃষ্ণ-নিষ্ঠতা থঙহন্নী হায়বসে শ্রীভগবান্ মশামক্তা হায়রম্মী। শম-শব্দনা শ্রীকৃষ্ণদা ঐকান্তিকী নিষ্ঠাবু থঙহন্নী হায়বসিগী প্রমাণ ওইনা মথক্তা শ্লোক অসী লৌখৎলী।

মূল ২০৮

শমো মন্নিষ্ঠতা বুদ্ধেরিতি শ্রীভগবদ্বচঃ ।

তন্নিষ্ঠা দুর্ঘটা বুদ্ধেরেতাং শান্তিরতিং বিনা ॥ ২০৮ ॥

শব্দার্থ

শমঃ—পুক্কীড় লৈতাবা, শান্তি ; মৎ—ঐঙোন্দা ; নিষ্ঠতা—থিংজন্বা ; বুদ্ধেঃ—বুদ্ধিগী ; ইতি—অসী ; শ্রীভগবদ্বচঃ—শ্রীভগবান্গী ৱাদী ; তন্নিষ্ঠা—ভগবান্দ (বুদ্ধি) থিংজন্বা ; দুর্ঘটা—ওইথোক্তে ; বুদ্ধেঃ—বুদ্ধিগী ; এতাং—সিগুম্বা ; শান্তিরতিং বিনা—শান্তিরতি নত্তনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐঙোন্দা বুদ্ধিগী নিষ্ঠা ওইববু শম (পুক্কীড়লৈতাবা) কৌই । মসী শ্রীকৃষ্ণগী বাক্যনী । মরমঅদুনা শান্তিরতি নত্তনা বুদ্ধিগী ভগবন্নিষ্ঠা ওইবদি য়াদে ।

নৈনরোল

শ্লোকসী ভক্তিরসামৃতসিন্ধুগী লোৎথোক্লকপনী (৩/১/১২) ।

মূল ২০৯

শমো মন্নিষ্ঠতা বুদ্ধের্দম ইন্দ্রিয়সংযমঃ

তিতিক্ষা দুঃখসম্মর্ষো জিহ্বোপস্থজয়ো ধৃতিঃ ॥ ২০৯ ॥

শব্দার্থ

শমঃ—পুক্কীড়লৈতাবা, মদ নিষ্ঠতা—ঐঙোন্দা (শ্রীভগবান্দা) থিংজনবা, বুদ্ধেঃ—বুদ্ধিগী, দমঃ—দম, ইন্দ্রিয়সংযমঃ—ইন্দ্রিয় থুদুম চন্বা ; তিতিক্ষা—হাক্পীবা, মীগী মরাল থাজনীবা, দুঃখসম্মর্ষঃ—অরাবা খাঙবা ; জিহ্বা—লৈয়েঙ, উপস্থ—যোনি (হুগী চিহ্ন), জয়—লাকথুবা ; ধৃতিঃ—ফাজন্ ওবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(উদ্ধবকী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা চায়থম্মী)—ঐঙোন্দা বুদ্ধিগী নিষ্ঠা লৈববু শম কৌই, ইন্দ্রিয় থুদুম চন্ববু দম কৌই, অরাবা খাঙবা ঙম্ববু তিতিক্ষা কৌই, লৈয়েঙগা যোনিগা লাকথন্ববু ধৃতি (ফাজনুঙম্বা) কৌই ।

মৈৎয়েনবা

শ্লোকসী শ্রীমদ্ভাগবতমদগী লৌখোক্‌পনী (ভাঃ ১১/১৯/৩৬)।

শমঃ—কনাগুম্বগী বুদ্ধিনা শ্রীভগবান্দা রাখল লোঙ্‌ঙবমখৈ চঙলবদি, ভগবানবু নত্রগা ভগবানগী ওইবা বিষয়বু থাদোক্লুন, বুদ্ধিচুনা অতোপ্পা বিষয়দা চঙত্রবদি, বুদ্ধিগী ফীভম মতাংবু শম কৌই। কনাগুম্বগী বুদ্ধি-বৃত্তিনা শমতা হায়বদু ফংলবদি মহাক্তু বু শান্ত কৌই।

দমঃ—মীৎ, নাকোঙ, নাক্তোন্নচিংববু খুদুম চল্লবদি—মীৎনা ইন্দ্রিয়গী অপাম্বা পোংকী লমদা হোৎচন্দ্রবদি, নাকোঙনা প্রাকৃত-সুখ পীবা শব্দ (খোল) তাবা ফংনবা থাঙ্গৎত্রবোইদি, ইন্দ্রিয় অতৈসু মাগী মাগী অপাম্বা পোৎপু খোবাংত্রবোইদি, ইন্দ্রিয়শিংগী অদুগুম্বা ফীভমু দম কৌই। তিতিক্ষা—অন্নাবা থাঙবা ওম্ববু তিতিক্ষা কৌই। ধৃতি—লৈয়েঙ অমসুং যোনিগী ঈবাঙবু ফাবা ওম্ববু ধৃতি কৌই' হাযনবা, চুপ্‌চন্নবা, লেক্লবা অমদি থক্লনবা পোৎ-পাম্ববু লৈযেঙগী বেগ (ইবাঙ) কৌই, যৌন-সঙ্গমগী (মুপী-গুপ' পাদোঙনবগী) অপাম্বনু উপস্থগী বেগ কৌই। লৈয়েঙগী অমসুং উপস্থগী অসিগুম্বা অপাম্ববু জয় তৌবা ওম্বা মীগীদি ধৃতি লৈরে হায়।

বুদ্ধিগী শ্রীকৃষ্ণনিষ্ঠাবু শম কৌই হায়বদু শ্রীভগবান্না শ্লোকসিদা হায়রি।

মূল ২১০

কৃষ্ণ বিনা তৃষ্ণাত্যাগ—তার কার্য্য মানি।
অতএব শান্ত 'কৃষ্ণভক্ত' এক জানি ॥ ২১০ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণ বিনা—কৃষ্ণ নত্তবা ; তৃষ্ণা—অপাম্বা ; ত্যাগ—থাদোক্‌পা ; তার—মাগী (কৃষ্ণনিষ্ঠাগী) ; কার্য্য—থবক্নী ; মানি—হায়না লৌই ; অতএব—মরমদুনা ; শান্ত—শান্তবু ; কৃষ্ণভক্ত—কৃষ্ণগী ভক্ত ; এক—অমনী ; জানি—হায়না খঙজী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লপা

কৃষ্ণনত্তুনা অতোপ্পা করিমতা পাম্নদবদু মাগী (কৃষ্ণনিষ্ঠাগী) থবক্নী হায়না লৌই, মরমদুনা শান্তদি কৃষ্ণভক্ত অমনী হায়না খঙজী।

নৈনরোল

শান্তরসকী ভক্তগী শ্রীকৃষ্ণকামনা (শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা) নত্তনা অতোপ্পা কামনা অমত্তা লৈতে। অতোপ্পা বিষয় অমদা মাগী খৌরাংবা নত্রগা অপাম্বা অমত্তা লৈতে। মরমহুনা সেবানচিংবা থবক লৈত্রবস্থ, শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা হায়বা থবক্তু লৈবনীনা শান্তহু কৃষ্ণভক্ত অমনী। তাঁর কার্য্য—কৃষ্ণনিষ্ঠ,গী থবক; শ্রীকৃষ্ণদা ঐকান্তিকী নিষ্ঠা লৈরবদি কৃষ্ণ-নত্তবা অতোপ্পা বিষয় অমবু পাম্ববসী লৈবা য়াদ্রে। কৃষ্ণনিষ্ঠাগী ফল হায়ববু কৃষ্ণ-বিনা তৃষ্ণাত্যাগনী (কৃষ্ণ-নত্তবা অতৈ অপাম্বা থাদোকৃপা হায়বসিনী)।

মূল ২১১

স্বর্গ মোক্ষ কৃষ্ণভক্ত 'নরক' করি মানে।
কৃষ্ণনিষ্ঠা, তৃষ্ণাত্যাগ শান্তের দুইগুণে ॥ ২১১ ॥

শব্দার্থ

স্বর্গ—দেবতাশিংগী লোক; মোক্ষ—অবান্-থুভম্ (মুক্তি); কৃষ্ণ-ভক্ত—কৃষ্ণভক্তনা; নরক করি—নরক-নী হায়না; মানে—লৌরি; কৃষ্ণ-নিষ্ঠা—কৃষ্ণদা লৈবা নিষ্ঠা; তৃষ্ণাত্যাগ—(অতৈ) খৌরাংবা (কামনা) থাদোকৃপা; শান্তের—শান্তভক্তগী; দুইগুণে—মগুণ অনীনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণভক্তনা স্বর্গ অমসুং মোক্ষগনু নরক-নী হায়না লৌরি। শান্তভক্তগী গুণ অনী লৈ. মদুদি—কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং অতৈ তৃষ্ণা (অপাম্বা) থাদোকৃপা।

নৈনরোল

নিষ্ঠা-বুদ্ধিনা লেঙদবমথৈ লৈবা। দুইগুণ—কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং কৃষ্ণ নত্তবা অতোপ্পা তৃষ্ণাবু থাদোকৃপা অসী গুণ অনীনী। তৃষ্ণা ত্যাগ (অপাম্বা থাদোকৃপা) হায়বসী কৃষ্ণনিষ্ঠাগী থবক্কী নত্রগা ফল-নী হায়বনা—কৃষ্ণনিষ্ঠা লৈবা মফমদা তৃষ্ণাত্যাগ হায়বসিসু লৈ হায়দুনা গুণ অনীসিবু গুণ অমৎনী হায়বসু—কৃষ্ণনিষ্ঠাদমক হায়রগসু য়াগ্রে; মরমদি, খোইজী হায়রগা খোইজীগা মাগী অথুম্বগা অনীমকপু খঙহন্বগুম্ কৃষ্ণনিষ্ঠা হায়রগা কৃষ্ণ-নিষ্ঠাগা তৃষ্ণাত্যাগ গা অনীবু খঙহল্লী, অনীসী অমবু অমদগী থাদোকৃপা

য়াদবমখৈ মথী চৈনরিবনী। দাস্য, সখ্য অমসুং মধুর রসগী গুণ হায়বা মতমদা তুংদা লাক্লিবা পয়ারশিংদা কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং তৃষ্ণাত্যাগ অমীসিবু পুন্নগা গুণ অমত্তনী হায়না লৌখি।

পয়ারসিদা হায়খিবা য়াসিগী প্রমাণ ওইনা মথাদা শ্লোক অমা লৌখৎলি।

মূল ২১২

নারায়ণপরাঃ সর্ব্বে ন কুতশ্চন বিভ্যতি।
স্বর্গাপবর্গনরকেস্বপি তুল্যার্থদর্শিনঃ॥ ২১২॥

শব্দার্থনচিংবদি ২/৯/২৬-শ্লোক অদুদা য়েংবিয়ু।

মূল ২১৩

এই দুই গুণ ব্যাপে সব ভক্তজনে।
আকাশের শব্দগুণ যেন ভূতগণে॥ ২১৩॥

শব্দার্থ

এই—অসী, দুই গুণ— গুণ অনী, ব্যাপে—থুংনা লৈ, সব ভক্তজনে—ভক্ত লোইনমক্তা, আকাশের—অতিয়াগী, গুণ শব্দ—খোন কৌবা গুণ, যেন—গুম্না, ভূতগণে—ভূত মতাশিংদা।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

কৃষ্ণনিষ্ঠা অমদি তৃষ্ণাত্যাগ হায়বা গুণ অনীসী ভক্ত মথল পুম্নমক্তা লৈ, মদুদি আকাশগী গুণ শব্দ (খোন) হায়বদুনা ভূত মত মক্তা লৈবগুম্বনী।

নৈনরোল

এই দুইগুণ নচিংবা—শান্ত দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর-হায়বা ভাব মঙাগী ভক্তশিং পুম্নমক্কী মথান্দা কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং কৃষ্ণ নত্তনা অতৈ অপাম্ববু থাদোক্পা হায়ব গুণ অনীসী লৈ।

আকাশের শব্দগুণ নচিংবা—'কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং কৃষ্ণ-নত্তবা অতৈ অপাম্ববু থাদোক্পা হায়বসী ভক্ত পুম্নমক্কী মনুংদা মতৌ করম্না লৈবগে হায়বদু শন্তনবা পুন্সি অমনা উৎলি।

ক্ষিতি (পৃথিবী), অপ (ঈশিং), তেজ (মৈ), মরুৎ (নুংশিৎ) অমসুং ব্যোম (আকাশ—অতিয়া) মসিংসিনা পঞ্চভূত হায়রকনি। মখোয়সিগী মরক্তা আকাশগী গুণা শব্দ-নি (খোনা), বায়ুগী গুণা শব্দ অমসুং স্পর্শ (শোক্পা) হায়রসিনি, তেজগী গুণা শব্দ, স্পর্শ অমসুং রূপ (শক) হায়রসিনি; জলগী (ঈশিংগী) গুণ-দি শব্দ, স্পর্শ, রূপ অমদি রস (মঠী) হায়রসিনি; অদুগা পৃথিবীগী গুণা শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস অমসুং গন্ধ (মণম্) হায়রসিনি। হৌভিক উবা মংলে, বায়ুদা আকাশগী গুণ শব্দ ফংলবসি লৈ, তেজদা আকাশ অমসুং বায়ুগী গুণ শব্দগা স্পর্শগা লৈ, জলদা আকাশ, বায়ু অমসুং তেজগী গুণ শব্দ, স্পর্শ, রূপ লৈ অমসুং পৃথিবীদা আকাশ, বায়ু, তেজ অমসুং জলগী গুণ শব্দ, স্পর্শ, রূপ অমসুং রস য়াওদুনা লৈ। মদুগুম্না দাস্যদা শান্তগী গুণ, সখ্যদা শান্ত অমসুং দাস্যগী গুণ, বাৎসল্যদা শান্ত, দাস্য অমসুং সখ্যগী গুণ অমসুং মধুরদা শান্ত, দাস্য, সখ্য অমসুং বাৎসল্যগী গুণ য়াওদুনা লৈ। আকাশগী শব্দ হায়বা গুণা পঞ্চভূত পুম্নমক্তা য়াওরিবগুম্, শান্তগী গুণসু পঞ্চরসগী ভক্ত পুম্নমক্তা য়াওরি।

মূল ২১৪-২১৫

শান্তের স্বভাব—কৃষ্ণে মমতাগন্ধহীন।
পরংব্রহ্ম-পরমাত্মা-জ্ঞান প্রবীণ ॥ ২১৪ ॥
কেবল স্বরূপজ্ঞান হয় শান্তরসে।
পূর্ণৈশ্বর্য্য-প্রভু-জ্ঞান অধিক হয় দাস্যে ॥ ২১৫ ॥

শব্দার্থ

শান্তের স্বভাব—শান্তগী হৌনপা; কৃষ্ণে—কৃষ্ণদা; মমতা—ঐগী হায়বা, গন্ধ—মণম্, হীন—য়াওদবা; (মমতাগন্ধহীন—শ্রীকৃষ্ণসে ঐগীনি হায়বগী মণম্ য়াওদবা); পরংব্রহ্ম—পরংব্রহ্ম নি; পরমাত্মা—পরমাত্মা-নি (হায়বা), জ্ঞান প্রবীণ—জ্ঞান অসিনা মরুনি; কেবল—হুত্তা, স্বরূপ-জ্ঞান—স্বরূপ খঙবা; হয়—ওই; শান্তরসে—শান্তরসদা; পূর্ণৈশ্বর্য্য-প্রভু জ্ঞান—ঐশ্বর্য্যনা মপুঙ্ফাবা প্রভুনি হায়না খঙবা; অধিক—হেন্না, হয়—ওই; দাস্যে—দাস্যরসদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্তরসগী স্বভাব-তি (হৌনশাদি)—কৃষ্ণদু ঐগীনি হায়না হায়দবা,

অহুগা কৃষ্ণদি পরব্রহ্মনী অমসুং পরমাত্মানী হায়বনা মক ওইবনী। শান্ত-রসদা ভগবান্‌গী স্বরূপতমক খঙ্ডী। অহুগা দাস্যরসদদি ঐশ্বর্য্য তরুক্কা মপুঙ্‌ঙনবা মপুনী হায়বা জ্ঞান অহুত্তনা হেন্নী।

নৈনরোল

মমতাগন্ধহান—মম (ঐগী) হায়বা ভাব অহুবু মমতা কৌই। কৃষ্ণদি ঐতগীনী হায়বা জ্ঞান অসী শান্তভক্তগী লৈতে। শান্তভক্তদি কৃষ্ণগী স্বরূপ-তত্ত্ব খঙ্ডী; কৃষ্ণ পরব্রহ্মনী, পরমাত্মানী হায়বা জ্ঞানসিনা শান্ত-ভক্তদা মরু ওইনা লৈ; মমতা-বুদ্ধি লৈতবনা মহাক্কীদি সেবা কৌবা থবক্তু লৈতে। "ঐগী ইচ্ছামক্কী মী নত্তবা মহাক্কুগী সেবা হায়বদি সুংশিবগী (প্রীতিগী) দমক কনাম্‌ত্তনা কদৌঙৈদসু তৌদে" মমতা-বুদ্ধি লৈতবা মরম্মা শান্তভক্তশিংগী ভাব-তি তদীয়ত্তাময়নী [তদীয়—মহাক্কী; তদীয়ত্তা—মহাক্কী ওইবা ভাব; তদীয়তাময়নী (মহাক্কীনী হায়বা ভাব না থন্‌বনী)]—ঐ শ্রীকৃষ্ণগীনী—ঐ মাগী চান্‌বিফম্নী, মহাক ঐগী চানবিবা অমনী হায়বা অসিগুম্বা ভাব অহুনী। ভাব অসিগী ওইবা সেবাদি তৌফম থোক্‌ই হায়বগী বুদ্ধিদগী তৌনীঙবনী; থরাই-পুঙহৈ হৈজন্‌বা সেবাগী রাদি তদীয়-ভাব-সিদা থোইদোক্ন্ন য়াওদে।

পরং ব্রহ্ম-নচিংবা—শ্রীকৃষ্ণদি পরব্রহ্মনী পরমাত্মানী হায়বা অসি-গুম্বা জ্ঞানহুতনা শান্তভক্তগী রাখন্দা মরু ওই। পরব্রহ্মনী হাযহুনা শ্রীকৃষ্ণদি পূর্ণ ভগবান্নী, ঐশ্বর্য্য-তরুক্কা তিন্‌বনী, আত্মারাম-নী (মহৎস্তা নুংঙাইজঙ্বনী); মরমহুনা মহাক্কী অরাংপা অমত্তা লৈতে, অতোপ্পা কনাগী সেবা লৌদ্রবসু য়াই। মহাক্কি শীঙনাইদবা ব্রহ্মাণ্ড কোটি কৌটিগী অধীশ্বরনী (মবুংঙোনী), ঐদি পীক্লেন-পীকপনী, মহাক্কী কৃপা নিবা জীবনী—ঐগুম্বনা মাগী কৰি সেবা তৌগনী? মসিগুম্বা ভাবসে শান্তভক্তগীনী। শান্তভক্তগী মকমহুদা শ্রীকৃষ্ণনা মাগী ঐশ্বর্য্যত্তাক্তগী ওইবা চতুর্ভুজরূপতু উহল্লী। "শ্যামাকৃতিঃ স্ফুরতি চতুর্ভুজোহয়ম্; ভ, র, সি, ৩/২/৫॥" মহাক "সচ্চিদানন্দসান্দ্রাঙ্গ আত্মারাম শিরোমণিঃ। পরমাত্মা পরংব্রহ্ম শমো দান্তঃ শুচিবশী॥ সদা-স্বরূপসংপ্রাপ্তো হতারিগতিদায়কঃ। বিভুরিত্যাদিগুণবানস্মিন্নালম্বনো হরিঃ॥ ভ, র, সি, ৩/১/৫॥" মহাক পরব্যোমগী অধিপতিনী (মবুংঙোনী)।

কেবল স্বরূপজ্ঞান-নচিংবা—শান্তভক্তগী মকমদদি ভগবান্গী স্বরূপজ্ঞানগী অনুভূতিদা ওই। শান্ত-যোগী ভক্তশিংনা অয়াবদা নির্বিশেষ ব্রহ্মানন্দগী জাত্তা ওইবা আনন্দচুমক অনুভব তৌরি। ভগবান্গী থম্মোই পুম্নমকপু হূবা গুণগী মতাগী ওইবা ধর্ম্ম মতুং-ইন্না মখোয়গী চিত্তদা গুণ-শিংদো থোরক্রি; সচ্চিদানন্দ-বিগ্রহ ভগবান্গী স্ফূর্ত্তিসু ওই। অদুবু নির্বিশেষ ব্রহ্মানন্দগী জাত্তাগী সুংঙাইকদি নত্তদে (অঘন)—মহী লাঙবনী (তরল ওই); অদুগা সচ্চিদানন্দ-বিগ্রহ-ভগবানগু অনুভব তৌবদগী পোক্পা আনন্দদি (সুংঙাইবদি) ঘন ("নঙবা") ওই হায়বদি মরাং কায় (প্রচুরতর ওই)। "প্রায়ঃ স্বসুখজাতীয়ং সুখং স্যাদত্র যোগিনাম্। কিন্ত্বাত্মসৌখ্যমঘনং ঘনস্ত্বীশময়ং সুখম্ ॥ ভ, র, সি, ৩/১/৪ ॥" মতৌ অসুম্না অনুভব তগী কংবা আনন্দনা রসগী শক্তম্ লৌননবগী মতাংদা ভগবৎ-স্বরূপপু অনুভব তৌবনা (শ্রীবিগ্রহ ওইনা ভগবৎ-সাক্ষাৎকার-না) প্রধানহেতুনী; দাস্য-ভাবকী ভক্তগী মতৌগুম্বা ভগবান্ লীলাশিংনা পুক্নিংচুবনা মাগী প্রধান কারণ নত্তে। "তত্রাপীশস্বরূপানুভবস্যৈবোরুহেতুতা। দাসাদিবন্মনোজ্ঞতা লীলাদের্ন তথা মতা ॥ ভ, র, সি, ৩/১/৪ ॥" মখোয়দি লীলাসুখগী অনুভব কংবদি কুরম্না ওইগনী?

সারূপ্য-নচিংবা মুক্তি মথল অনীনী, মচুদি—সুখৈশ্বর্য্যোত্তরা অমসুং প্রেমসেবোত্তরা (ভ, র, সি, ১/২/২৯)। সুখৈশ্বর্য্যোত্তরা মুক্তি কংবা মখোয়-চুনা শান্তভক্তনী। মখোয়গী চিত্তদা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা সম্বন্ধদা মমতাবুদ্ধি পোক্পা তমদে; মরমচুনা লীলাসুখনসু মখোয়গী চিত্তবু শুম্হৎপা ঙমদে; ভগবানগী স্বরূপ-অদুগু অনুভব তৌবদগী পোক্পা আনন্দচুনা মখোয মতৌ য়াম্না হায়না লৌয়ি। মুক্তি-পাম্বা তাপস শান্ত-ভক্তগী চিত্তদা আনন্দদা বিকার-কায়দবা ব্রহ্মানন্দগী জাত্তাগী সুখ অদু অনুভব তৌয়ি, মসী নির্বিশেষ ব্রহ্মানন্দ নত্তে, অদুবু জাত্তাচুগী ইথক-ইপোম য়াওদবা, তরল (মহীলাঙবা) ওইবা আনন্দনী।

মমাঙগী ২/১৯/১৮০—১৯২ পয়ারদা সাধারণ ওইনা কৃষ্ণরতিগী বা হায়রি। অমুক হন্না ২/১৯/১৯৩—১৯৪ পয়ারদা কৃষ্ণরতিগী বৈশিষ্ট্যগী

(থোইদোক্‌পা মওংশী) রা হায়রি—রতিশী অথম্ব মনীশী ; মথুদি ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানমিশ্রা (ভগবান ঈশ্বরনী হায়বা জ্ঞান-য়াওবা), অমনা কেবলা (ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানয়াওদবা)। শান্তরতিদা ঐশ্বর্য্যজ্ঞান অদুনা নম্বা লৈ হায়দুনা মনী কপোক্‌দস্সু কেবলা ওইবা ঙমদে ; ২১৭-২১৮ পয়ারদা শান্তরতি-দগী পোক্‌পা শান্তরসগী রা হায়রি। দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর রতিসে ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্রাসু ওইবা য়াই অদুগা কেবলাসু ওইবা য়াই, মদুদি—পুরী অনীদা ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্রানী অদুগা ব্রজদনা কেবলা নী (১/১৯/১২৪)। হৌজিক ২১৮ পয়ারগী অরোইবা তঙ্খায়দগী ২১৯ পয়ার ফাওবদা দাস্য-রতিদগী পোকপা দাস্যরসগী রা হায়রি— সাধারণ ওইনা হায়বদা অযাম্বনী ; পয়ার খরসিগী রাদি ঐশ্বর্য্যমিশ্র দাস্যরসগী মরমদসু ওইবা য়াই অদুগা ঐশ্বর্য্যজ্ঞানহীন শুদ্ধমাধুর্য্যময় ওইবা (কেবলা) দাস্যরসগী মরমদসু শীজন্নবা য়াই ; রাসী পয়ারদা পল্লিবা শব্দখরগী তাৎপর্য্যদু অনীথোক্না লৌরগদি খঙবা যাগনী।

পূর্ণৈশ্বর্য্য-প্রভুজ্ঞান—১/১৯/১৯০ পযাবগী টীকাদা দাস-ভক্ত মথল মবিগী রা হায়বি, মখোয়গী মনুংদা ব্রজগী রক্তক পত্রক-নচিংবা অমগ-দাস নত্তনা অতৈ দাস পুম্নমক্কী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণ ভগবাননি হায়বা জ্ঞান অগী লৈ, মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু পূর্ণৈশ্বর্য্য (হায়বদি ঐশ্বর্য্য তঞ্জা থল্লবা) প্রভুনী (হায়বদি পুম্নমক্কা সেবা তৌফম থোকপা—সেবা পরমেশ্বরনী) হায়না থল্লী। মখোয়সিগী রতিদি ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্রা নী। দ্বারকা মথুরাগী অমসুং পরব্যোমগী দাসভক্তশিংদি হায়বিবা শ্রেণীসিগী ভাক্তী, অদুগা ব্রজগী রক্তক পত্রকনচিংবা দাসভক্তশিংগী রতিদি কেবলা রতি নী হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণবু ভগবাননি হায়বগী জ্ঞান অদু মখোয়গী লৈতে, মখোয়না থল্লী— শ্রীকৃষ্ণদি ব্রজেন্দ্র নন্দন নন্দমহারাজগী মচানী, মসিদগী হেন্না জ্ঞান মখোয় খঙদে। "তাঁরে (কৃষ্ণকে) ঈশ্বর করি নাহি জানে ব্রজজন ॥— মাবু (কৃষ্ণবু) ঈশ্বর-নী হায়না ব্রজগী মীশিংনা খঙদে। ২/৯ ১১৮ ॥" লীলাশক্তিগী প্রভাব-না শ্রীকৃষ্ণ ভগবাননি হায়বগী জ্ঞান অদু কুপ্‌চন্দুনা লৈ। ভগবাননি হায়বসী কুপ্‌চনকা মরম্না ভগবাননগী ঐশ্বর্য্য হক্কী জ্ঞান সু মখোয়গী চিত্তদা কুপ্‌চন্দুনা লৈ। লৌকিক ব্যবহারদা শ্রীকৃষ্ণগা মখোয়গা

কৈ-শিন্নবা সম্বন্ধতুগী জ্ঞান তুদা মখোয়গী চিত্তদা স্থায়ী (মতমপুম্বগী ওইনা) ওইনা লৈ। "ব্রজেন্দ্রনন্দন জ্ঞানে জানে ব্রজজন। ঐশ্বর্য্যজ্ঞান নাহি- নিজ -সম্বন্ধ মনন। —ব্রজনিংথোমচানী হায়না মাবু ত্রজগী মীশিংন খঙবী, ঐশ্বর্য্যজ্ঞান অমত্তু যাওদনা মখোয় সম্বন্ধ খল্লবদা। ২/৯/১৩০।" ভাব অসে ব্রজ-পরিকর পুম্নমক্তীনী, মবমতুনা রক্তক পত্রক-নচিংবা দ সহত্তশিংগী-সুনী। বক্তক পত্রক নচিংবগী মীংথেংদা শ্রীকৃষ্ণতু পরমেশ্বর ওইনা মখোয়গী প্রভু (মপু) নাত্ত মখোয়গী সেবা তৌবম ওইবা মপু ওইন। মখোয়গী প্রভুনী; অমতুগা মখোয়না দাসনী (মনাইনী). সেবক-নী (সেবা তৌবা মীনী), মরমতুনা কেবলারতি লৈবা রক্তক-পত্রক শিংগী মফমদা পয় ব-দা পল্লনা প্রভু-শব্দগী অর্থদি সেবা মণিব (সেবা তৌবম মপু) ওইগনি, মপু-গ ঈশ্বর (ভগবান্ নত্তবা) হায়নম্ব হায়দৈ, মপু ওইবা ঈশ্বরগী (প্রভুগী) ভাব অমতু ঐশ্বর্য্য নী। রক্তক, পত্রক-থোংগী মফমদদি মখোয়গী প্রভু শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্যগী ভগবানগী ষড়ৈশ্বর্য্যতু নাত্ত, অতুনা শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য-সিনা ওইরিবদি—মপু (মণিব) ওইনগী সদগুণ নী, কারণ। (সুশি হৈবা), দাস—বাৎসল্য (মনাইরু মচা ওইন উবা)—অসিনচিংবনী। মখোয়না খল্লী—নন্দনা পোকপা শ্রীকৃষ্ণ মখোয়গী সেব-তৌফম্নী—মসীনী মখোয়গী মফমদা ওইরিবা পূর্ণৈশ্বর্য্য-প্রভু-জ্ঞানগী অর্থদি।

অধিক হয় দাস্যে—শান্ত দগী হেন্না দ স্যাদা মথক্তা হায়বিব' প্রভু-জ্ঞান অনী লে। দাস্যদা শান্তগী কৃষ্ণ-নিষ্ঠা লৈ, অমতুগী হেন্না প্রভুনী হায়না সেবা তৌবা হায়বতুম্ম লৈ। মতুগী কেবলা কেবলরতি-চেন্নবা বক্তক-পত্রক শিগীন, মুশিবগী ওইবা (প্রীতিময), মনাই চানবা (ভৃত্য-বৎসল) মপু (প্রভু) ওইবা কৃষ্ণনু সনা তৌনা, অমতুগা দ্বারকা মথুরান-চিংগী ঐশ্বর্য্য জ্ঞানমিশ্র দাসভক্তশিগীনা, কৃষ্ণন ভগবান্নী হ য়বগী বুদ্ধিদা সেব তৌবা, ঐশ্বর্য্যজ্ঞান্না মখোয়গী সেবা তৌনিংবতু বিবাশ ওইহনদে হায়তুন, মখোয়না বক্তক-পত্রক শিংহন্না খরাই-হৈতিনবা সেবা তৌওম-দ।

মূল ২১৬

ঈশ্বরজ্ঞান সম্ভ্রম গৌরব প্রভুর।
সেবা করি কৃষ্ণে সুখ দেন নিরন্তর॥ ২১৬॥

শব্দার্থ

ঈশ্বরজ্ঞান—ঈশ্বরনী হায়বদি ভগবান্নী হায়বা খঙবা; সম্ভ্রম—হক্লোইবা (সঙ্কোচ); গৌরব—গুরুবুদ্ধি; প্রচুর—য়াম্বা; সেবা করি—সেবা তৌদুনা; কৃষ্ণে—শ্রীকৃষ্ণদা; সুখ—নুংঙাইবা; দেন—পী; নিরন্তর—তত্তনা

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্র দাসভক্তশিংনা বুদ্ধিদা কৃষ্ণবু ভগবান্নী হায়বগী জ্ঞান লৈ। (ব্রজগী রক্তক পত্রকনচিংবগী মায়কৈদনা) সেবা তৌকম শ্রীকৃষ্ণদা গুরুবুদ্ধি লৈ, হক্লোইবসু লৈ।

নৈনরোল

ঈশ্বরজ্ঞান—ঐশ্বর্য্যজ্ঞানমিশ্র দাসভক্তশিংগীনা—ভগবন্ন'নী (ভগবান্নী হায়বগী) জ্ঞান। কেবলা রতিগী ভক্তশিংগীনা—সেব্য (সেবা তৌকম) মণিব-বুদ্ধি (মপুনী হায়বা জ্ঞান)।

গৌরব—গুরুনী হায়বা (গুরুবুদ্ধি)। ব্রজগী রক্তক-পত্রকনচিংবগী পক্ষদনা মণিব শ্রীকৃষ্ণদা গুরুবুদ্ধি ওইনা লৌবা: অদুগা দ্বারকাদনা ভগবান্ ওইনা (জগদ্গুরু ওইনা) লৌব: গুরুবুদ্ধিনী।

মুল ২১৭

শান্তের গুণ দাস্যে আছে অধিক সেবন।
অতএব দাস্যে রসের হয় দুই গুণ ॥ ২১৭ ॥

শব্দার্থ

শান্তের গুণ—শান্তগী গুণ (কৃষ্ণনিষ্ঠা অমসুং কৃষ্ণ-নত্তবা অতৈ পাম্বা থাদোক্পা); দাস্য আছে—দাস্যদা লৈ; অধিক—হেল্লী; সেবন—সেবা-না; অতএব—মরমদুনা; দাস্যরসের দাস্যরসগী; হয় ওই; দুই গুণ—গুণ অনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শান্তগী গুণ অমসুং দাস্যদা য়াওরি, অদুগী তেংনবা অমসুং সেবা হায়বা গুণ অহুমনী। মরমসুনা দাস্যরসগী গুণ অনী ওই।

নৈনরোল

অতিগুণ—শান্তগী কৃষ্ণনিষ্ঠা হায়বা গুণসিমসে অমুগা সেবা গুণ হায়বগিসে—অনীসি দাস্যরসদা লৈ।

মূল ২১৮

শান্তের গুণ, দাস্যের সেবন—সখ্যে দুই হয়।

দাস্যে সম্ভ্রম গৌরব সেবা সখ্যে বিশ্বাসময় ॥ ২১৮ ॥

শব্দার্থ

শান্তেরগুণ—শান্তরসগী গুণ (কৃষ্ণনিষ্ঠা); দাস্যের—দাস্যগী; সেবন—সেবা; সখ্যে—সখ্যরসদা; দুই—অনী; হয়—য়াওরি; দাস্যে—দাস্যদা; সম্ভ্রম—হকোকচবা; গৌরব—গুরুবুদ্ধি; সেবা—সেবন; সখ্যে সখ্যদা; বিশ্বাসময়—থাজবা চাউক্লগী ওইবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সখ্যরসদা শান্তরসগী গুণ (কৃষ্ণনিষ্ঠা), দাস্যগী সেবা হায়বা গুণ-অনীনি য়াওরি। দাস্যদা হকোকচবা (সম্ভ্রম), গুরুবুদ্ধি (মিরুধন্দু চপুনী হায়বগী বুদ্ধি) অমসুং সেবা; অমুগা সখ্যরসদনা থাজবা ওইবা হায়বা গুণ অমা য়াওরি।

নৈনরোল

দাস্যগী সেবাগা সখ্যগী সেবাগী অনীগী খেন্নবা লৈ। দাস্যগী সেবাদা গৌরববুদ্ধি লৈবা মরম্না হকোকচ (সংকোচ লৈ), দকি হন্না উবে অম থবদা য়াম্না হাউবগে হৌনি কৃষ্ণদা উবে মীওইগী। অমুনু (কৃষ্ণদি প্রভু ওইবনা) গৌরববুদ্ধিদগী পোকপা সংকোচ লৈবা মরম্না উবে লুখাব অমু কৃষ্ণদা পীবা ওমদে' অমুননী দাস্যে সম্ভ্রম গৌরব হায়রিবনী।

সখ্যে বিশ্বাসময়—দাস্যদা সগতা লৈবদগী সখ্যদা লৈননা হেল্লী ; সমতা হেন্না লৈবনা সখ্যদা দাস্যগী সঙ্কোচশু লৈতে ; সখ্যগী সেবাদি স্নেহশিংগীদমক্কী (প্রীতিময়ী নী) ; মতুদা গৌরববুদ্ধি য়াওদে—শ্রীকৃষ্ণবু সখাশিংনা মখোয়গী মমাঙ্ষনী হায়না খল্লী ; মরমতুনা মখোয়গী হৈ-কুকুখাক্তো লুকুপাকু-নক্তবস্তম অফবনী হায়না কৃষ্ণগী ময়াদা ইন্‌শল্লী অতুগা কৃষ্ণগী মরেঙবান্দসু কাথংলী। বিশ্বাস—বিশ্রম্ভ (থাজনা) ; স্নেহশিংনা (প্রীতিনা) হেন্‌বা মরম্না মখোয় মশেল অমনা অমবু করিগুম্বা হঙ্গোইবা অমতা য়াওদবনা মখোয় মশেল অমগা অমগা সাম্নে করিমতা খেন্নদে হায়না খন্‌ববু মখোয় মশেলগী জাতি, কুল (য়ুম্নাক খাগৈ), ফিজোন্ লৈতেং-মুংদেন, শক্তি, সামর্থ্য (মঙম), মান, সম্মান-নচিংববু মান্নবা হাক্নী হায়না খন্‌ববু—বিশ্বস্ত কৌয়ি। বিশ্বাসময়—প্রীতিনা অধিক ওইবা মরম্না সঙ্কোচ (হঙ্গোইবা) লৈতবদগী মশেল অমগা অমগা খেন্নদে হায়বা জানগী ওইবা। সম্ভ্রম-গৌরববুদ্ধিদগী পোকপা সঙ্কোচ (হঙোইবা) হায়বদি চিত্ত-কম্পনী (থম্মোই নীকপনী)।

মূল ২১৯

কান্ধে চঢ়ে কান্ধে চঢ়ায়, করে ক্রীড়া রণ।
কৃষ্ণ সেবে, কৃষ্ণে করায় আপন সেবন ॥ ২১৯ ॥

শব্দার্থ

কান্ধে—লেংবান্দা ; চঢ়ে—তোংঙী , কান্ধে—লেংবান্দা : চঢ়ায়—তোংহল্লী ; করে—তৌয়ি ; ক্রীড়া রণ—শান্নবগী লাল ; কৃষ্ণ—কৃষ্ণবু ; সেবে—সেবা তৌযি ; কৃষ্ণে—কৃষ্ণবু ; করায়—তৌহল্লী ; আপন সেবন —(সখা) মহাগী সেবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীকৃষ্ণগা সখাশিংগী মরক্তে অমনা অমগী) লেংবান্দা কাতুনা তোংঙী-অতুগা তোংহল্লী ; লাল-তৌবী শান্নরিনৈ ; কৃষ্ণবু সেবা তৌয়ি অতুগা কৃষ্ণবুসু মখোয়গী সেবা তৌহল্লী।

মূল ২২০

বিশ্রম্ভ প্রধান সখ্য—গৌরব-সম্ভ্রম-হীন।
অতএব সখ্যরসের তিন গুণ চিন॥ ২২০॥

শব্দার্থ

বিশ্রম্ভ—থাজবনা ; প্রধান—মরুওইবা ; সখ্য—সখ্যরস ; গৌরব-সম্ভ্রমহীন—গৌরববুদ্ধি দৈতবা অমসুং হঙোইবস্থ লৈতবা ; অত-এব—মরমঅনা ; সখ্যরসের—সখ্যরসগী ; তিন গুণ—গুণ অহুম্মা, চিন—চিহ্ন (খুদম)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সখ্যরসদি থাজবনা মমরকপা রসনি, অদুগী মথক্তা শ্রীকৃষ্ণ গৌরবগী বুদ্ধি লৈতে অমসুং হঙোইবগী বাস্থ য়াওদে। মরমঅনা সখ্যরসগী গুণ অহুম্মা চিহ্ননী।

নৈনরোল

বিশ্রম্ভপ্রধান সখ্য—সখ্যভাব হায়বসিদা বিশ্রম্ভগী ভাব হায়বদি হঙোইনা হায়বা জাংখুদিংমক য়াওদবগী অমসুং মওংথুদিংদা মাইন্না হায়বগী জ্ঞান অঙনা নমককহি। "নঙনা করম্বা চাউবা মী ওইবিবা, নঙগা এগা মান্নৈ তুমি কোন বড় লোক, তুমি আমি সম।"—হায়না ভাব অসী সখাগী থবাইনী ; শ্রীকৃষ্ণবু মুংশিনবদগী অশিগুম্বা ভাবসি ওইননি—উশিংতাদগী ওইবা ভাব নাত্তে। গৌরব-সম্ভ্রমহীন—সখ্যভাবতি বিশ্রম্ভ-প্রধান ওইবনা ভাব অসিদা গৌরব বুদ্ধি য়াওদে, মরমঅনা হঙোইব মচেৎ অমত য়াওদে। সম্ভ্রম—গৌরব বুদ্ধিদগী পোকপা সংকোচ (হঙোইবা)। তিনগুণ চিন—শাস্ত্রগী কৃষ্ণনিষ্ঠা তৃষ্ণাত্যাগ, মাস্তুগী সেবা অমসুং গৌরবসম্ভ্রমহীন ওইবা-অসিমসী সখ্যরসগী চিহ্ন (খুদম)নী।

মূল ২২১

মমতা-অধিক কৃষ্ণে আত্মসম জ্ঞান।
অতএব সখ্যরসে বশ ভগবান্॥ ২২১॥

শব্দার্থ

মমতা—ঐহীনী হায়বনা ; অধিক—নমককপা ; কৃষ্ণে—কৃষ্ণদা ; আত্মসম—মহাক্কা মান্নবা ; জ্ঞান—খঙবা ; অতএব—মরমসিনা ; সখ্য-রসে—সখ্যরসগী ; বশ—মখা পোল্লী ; ভগবান্—শ্রীকৃষ্ণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মমতা হায়বসিনা নম্‌ককপা, কৃষ্ণদা মহাগা মান্নবনী হায়বা বুদ্ধি লৈ ; মরমসিনা সখ্যরস-না ভগবানবু বশ তৌই।

নৈনরোল

১/৪/২৪ পয়ারদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়খি—"মুংশিমনবদগী ভক্ত অমনা ঐসিবু মঙোন্দগী হন্না হায়না খল্লবা, করি হায়নী য়ামত্রবদা মহাকদি মাগী হায়না খনবা, অদুন্নদি ওইরগা ঐসিবু মঙোন্দগী হেল্লী হায়না খল্লবা (হায়বদি প্রেমগী চাংনা অসুম হেক্কৎলকপনা—"শ্রীকৃষ্ণনা ঐঙোন্দগী হেল্লী"—হায়বা ভাব অসী মাঙখিনবা প্রেমগী চাং অদু মঙোন্দা লৈবা) অদুগুম্বা ভক্তশিংগী প্রেম-না ঐবু মওংপূন্বদা বশ তৌই (খুদম চল্লী)।" সখ্য-ভাবকী ভক্তসু শ্রীকৃষ্ণদা মমতা হেন্না লৈবা মরম্না কৃষ্ণবু মাগা মাগী হায়না খল্লী—মঙোন্দগী চাউবা হেল্লী হায়না খন্দে। মরমশিনা সখ্যরসনা শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌই।

মূল ২২২-২২৪

বাৎসল্যে—শান্তের গুণ, দাস্যের সেবন।
সেই সেই সেবনের ইহাঁ নাম 'পালন'॥ ২২২॥
সখ্যের গুণ অসঙ্কোচ অগৌরব সার।
মমতা-আধিক্যে তাড়ন-ভর্ৎসন ব্যবহার॥ ২২৩॥
আপনাকে পালক জ্ঞান, কৃষ্ণে পাল্য জ্ঞান।
চারি-রসের গুণে বাৎসল্য অমৃত সমান॥ ২২৪॥

শব্দার্থ

বাৎসল্যে—বাৎসল্যরসদা ; শান্তের গুণ—শান্তরসগী গুণ ; দাস্যের

সেবন—দাস্যরসগী সেবা ; সেই সেই সেবনের—সেবা সেবাছংগী ; উঁহা—মকমসিদা হায়বদি বাৎসল্যদা ; নাম—মিং ; পালন—য়োক্‌থাক্‌পা ; সখ্যের গুণ—সখ্যরসগী গুণ ; অসঙ্কোচ—হক্কোইদবা ; অগৌরব—হেন্নৌ-চাউরি হায়দবা ; সার—মচিনী ; মমতা—ঐগীনী হায়বা ; আধিক্যে—হেন্‌বনা ; তাড়ন—য়ৈবা ; ভৎর্সন—চৈবা ; ব্যবহার—তৌবা শাজং ; আপনাকে—মহাক্‌ ; পালক—য়োক্‌পা মীনী হায়বা ; জ্ঞান—খন্‌বা ; কৃষ্ণে—কৃষ্ণবুনা ; পাল্য—য়োকচরিবা মচানী হায়না ; জ্ঞান—খন্‌বা ; চারিরসের—রস মরিগী , গুণে—গুনা ; বাৎসল্য—বাৎসল্যরস-দি ; অমৃত সমান—অমৃতগা পাংথক্লী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাৎসল্যদা শান্তগী গুণ অমসুং দাস্যগী সেবন য়াওরি । সেবা সেবাছংগী মিংদি বাৎসল্যদুবু য়োক্‌পা কৌরি । সখ্যগী গুণদি হক্কোইদবা অমসুং গৌরব-বুদ্ধি য়াওদবসিনা মচিনী । মমতা হেন্‌থিবনা য়ুবা-চৈবা শাজং চৎলী বাৎসল্যদা , মহাক্‌ অয়োক্‌পা-মী হায়না খল্লী অদুগা কৃষ্ণবু মাংনা য়োকদবা অঙাঙনী হায়না খল্লী । রস মরিগী গুণা বাৎসল্যরসদি অমৃতগা পাংথক্লী ।

নৈনরোল

শুদ্ধ বাৎসল্যগী গুণ করিনো হায়বদু তাক্লী । বাৎসল্যদা শান্ত, দাস্য অমসুং সখ্যগী গুণ য়াওরি, মদুদগী হেন্দোকপনা শ্রীকৃষ্ণদি লাল্য (লুনা তৌফমী) অমসুং পাল্যনী (য়োক্‌ফম থোক্‌পা মীনী) হায়বা জ্ঞান অদুগা মহাক্‌না শ্রীকৃষ্ণগী লালক (লুনা তৌবা মী) অমসুং পালক (অয়োক্‌পা) নী হায়বা জ্ঞান-সু য়াওরি । শ্রীকৃষ্ণ নত্তবা অতোপ্পা কনামতগী রা খন্দবদু দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর ভাব-কী কৃষ্ণ-নিষ্ঠাগী লক্ষণনি ; অদুগা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা (প্রীতিগী দমক) হেংহনহনা দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর ভাবশিংদুদা তৌবা সেবাগী লক্ষণনি ।

পালন—বাৎসল্যদা য়াওরিবা সেবা অদুগী মমিং পালন (য়োক্‌পা) কৌরি । মমতা হেন্না লৈবা মরম্না বাৎসল্যরসগী ভক্তনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়দগী হন্থবনী হায়না খল্লী , মহাক্‌না পালক নী অদুনা শ্রীকৃষ্ণবুনা পাল্য-নী

হায়না লৌয়ি ; মতৌ অসুম্না শ্রীকৃষ্ণবু লালন-পালনে তৌবস্থনা বাৎসল্যগী সেবা হায়বস্থনী ।

তাড়ন—শাস্তিনচিংবা, যশোদা মাতানা শ্রীকৃষ্ণবু শৃম্বনা পুনবা কাওবা তৌয়ি । ভর্ৎসনা—চৈবা ; লৈখোম-চাবগীদমক যশোদানা কৃষ্ণবু চৈরম্মী ।

শ্রীকৃষ্ণগী মকমদা লৈরম্বা মমতা-বুদ্ধিহ্ন হেনখিবদগী নন্দযশোদান-চিংবা বাৎসল্য ভাব-কী ভক্তশিংগী কৃষ্ণরতিদি শ্রীকৃষ্ণগী মকমদা অনুগ্রহ-ময়ীনী (হায়বদি কৃষ্ণবু চান্না তৌবগীনী) ; মরমদুনা মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী লাল্য-নী হায়না খল্লী, মখোয় মহাবু—শ্রীকৃষ্ণগী লালক নী হায়না খল্লী ; মখোয়না খল্লী—মখোয় মতুনদি শ্রীকৃষ্ণগী করিমতা চংনবা য়াদে—শ্রীকৃষ্ণদি খঙদবা অঙাঙনী, মহাগী অফ-ফত্তা করিমতা খঙদে—অদুনা মাগী অফ-ফত্ত করিনো হায়নগী মরমদা মখোয়না মতম পুম্বদা য়েংশনগদবনী । শ্রীকৃষ্ণনা অরানবা থবক তৌবা উবগদি মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু তাড়ন-ভর্ৎসন (ফুবা-চৈবা) কাওবা তৌয়ি ।

মূল ২২৫

সে অমৃতানন্দে ভক্তসহ ডুবেন আপনে ।
'কৃষ্ণ ভক্তবশ' গুণ কহে ঐশ্বর্য্যজ্ঞানিগণে ॥ ২২৫ ॥

শব্দার্থ

সে—মহ্ন ; অমৃতানন্দে—অমৃতত্ত্ব থরুপগী নুংঙাইবদা ; ভক্তসহ—ভক্তশিংগা লোয়নননা ; ডুবেন—লুপ্পী ; আপনে—মহামক ; কৃষ্ণ—কৃষ্ণদি ; ভক্তবশ—ভক্তগী মখা পোন্নবনী ; গুণ—গুণ ; কহে—হায় ; ঐশ্বর্য্য-জ্ঞানিগণে—কৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য খঙবা (হায়বদি কৃষ্ণবু ঈশ্বর ভগবাননী হায়বা) ভক্তশিংনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বাৎসল্যরস কৌবা) অমৃত অদু থরুপগী নুংঙাইবদা শ্রীকৃষ্ণ মহামক্না মাগী ভক্তশিংগা লোয়নননা লুপ্পী । ঐশ্বর্য্যজ্ঞান-লৈবা ভক্তশিংনা হায়—কৃষ্ণদি ভক্তগী মখা পোল্লী (ভক্তগী মখা পোন্নবদি কৃষ্ণগী গুণনী) ।

নৈনরোল

ভৌতিক কমাগুম্না হংবা য়াই—শ্রীকৃষ্ণদি সর্ব্বেশ্বর-নী ; শীঙলাক-ভমদা ব্রহ্মাণ্ড কোটি কোটিগী পালনকর্ত্তানী (ভ'বৃন্দেনবা মপুনী); মরম-দুনা মহাক মহাবু মতৌ করম্না মহাক পাল্য অমনী হায়বা জ্ঞানমী পোকনী ? অস্মা হংলকপা য়াই হায়দুনা চিংথবদগী হায়রম্লিবনী—"কৃষ্ণ ভক্তবশ (শ্রীকৃষ্ণদি ভক্তগী মথাপোন্‌বনী)—শ্রীকৃষ্ণদি ভক্তগী মথা পোনবা মরম্না মহাক পাল্য-নী হায়বা জ্ঞান পোক্‌পছ ওইথোকম্নি।" ভক্তপ্রেমগী এরাইথি লুম ভৌয়ি মহুদি ভক্তগী সেবা নত্তনদি মহাকী থবক করিমত্তা ওইদে—হায়বা জ্ঞান অসী শ্রীকৃষ্ণগী মপৃক্নীডদা অচুম মথম্তা থোরক্নি ; ভক্তনা লুংশিবগী-ময়াইনা ভক্তগী সেবা কংনবা হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোইদা য়াম্না পাজল-চাওবী অবাস্থা (ক্ষুধা) অমা পোক্‌নি। মরমদুনা মহাক্না সর্ব্বেশ্বর (লোইনমকী মপু) ওইরবসু মহাবু নন্দযশোদাগী লাল্য-নী হায়না থৈ।

মূল ২২৬

ইতীদৃক্‌স্বলীলাভিরানন্দকুণ্ডে
স্বঘোষং নিমজ্জন্তমাখ্যাপয়ন্তম্ ।
তদীয়েশিতজ্ঞেষু ভক্তৈর্জিতত্বং
পুনঃ প্রেমতস্তং শতাবৃত্তি বন্দে ॥ ২২৬ ॥

শব্দার্থ

ইতীদৃক্—অসিগুম্বা ; স্বলীলাভিঃ—মরম্নাই লীলা-না : আনন্দ-কুণ্ডে—নুঙাইবগী কুণ্ডদা ; স্বঘোষং—মহাগী ব্রজবাসী পুম্ববু ; নিমজ্জন্তম্—লুপ হল্লগা ; আখ্যাপন্তম্—খঙহল্লগা। তদীয়েশিতজ্ঞষু—মহাগী ঐশ্বর্য্য-জ্ঞান-লৈবা মীশিংবু ; ভক্তৈঃ—ভক্ত-শিংনা ; জিতত্বং—মহাকী মাথবীবা ; পুনঃ—হন্না হন্না ; প্রেমতঃ—প্রেমগী মথা পোন্‌বনা ; তং—মহাকপু ; শতাবৃত্তি—চামরক ; বন্দে—খুরুম্‌জে।

মৈত্রৈলোনা হন্দোকপা

নওনা অসিগুম্বা (দামোদর লীলা অমসুং অদুগুম্বা বাল্য) লীলানা

গোকুলবাসী পুম্নমকপু আনন্দগী কুণ্ডদা লুপ্ হল্লি অমসুং নেছাগী ঐশ্বর্য্য-জ্ঞান লৈবশিংদা নছামকী ভক্ত-বশ্যতাবু (ভক্তগী মখা পোল্লী হায়বত্ত) খঙহল্লি ; ভক্তি-বিশেষ অদুনা ঐনা অদুগুম্বা লম্ভোন্দা-হন্না-হন্না থুরমজে।

নৈনরোল

ইতীদৃক্-স্বলীলাভিঃ—শ্লোকমসিদা ইত্তীদৃক্ (অসিগুম্বা লীলা) হায়রগা শ্রীকৃষ্ণগী বাল্যকালগী দামবন্ধন লীলা (নত্রগা দামোদর লীলা) অমসুং অদুগুম্বা লীলা-অতৈগী রাস্ আয়রিং লীলা পুম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা স্বঘোষং—মরমাইগী ঘোষবু (গোকুলবাসী জীববু) আনন্দকুণ্ডে—আনন্দরসনা থনবা লুইবা কুণ্ডদা (ঈপাক্তা) লুপ্ হনখি; তদীয়েশিত-জ্ঞেষু—তদীয় (শ্রীকৃষ্ণগী) ঈশিত (ঐশ্বর্য)-বু খঙবা জ্ঞানী পুম্নমক্তা হায়বদি ঐশ্বর্য্যজ্ঞান লৈবা ভক্তশিংদা ; শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তিজিতত্বং— ভক্তগী মখা পোনবা হায়বসে; শ্রীকৃষ্ণ নছামকা খঙহল্লী ; অসিগুম্বা শ্রীকৃষ্ণবু ঐনা হন্না হন্না থুরম্জরি।

শ্লোকসিদা "ভক্তোর্জিতত্বম্" বাক্যনা ২২৮ পয়ারগী অরোইবা তংখাই অদুগী প্রমাণ পীরি।

মূল ২২৭-২২৮

মধুররসে—কৃষ্ণনিষ্ঠা, সেবা অতিশয়।
সখ্যের অসঙ্কোচ লালন মমতাধিক হয় ॥ ২২৭ ॥
কান্তভাবে নিজাঙ্গ দিয়া করেন সেবন।
অতএব মধুর-রসে হয় পঞ্চগুণ ॥ ২২৮ ॥

শব্দার্থ

মধুর রসে—মধুর নত্রগা কান্তা রসদা ; কৃষ্ণনিষ্ঠা—কৃষ্ণদা লৈবা নিষ্ঠা ; সেবা অতিশয় —অয়োবী সেবা ; সখ্যের অসঙ্কোচ — সখ্যগী হঙ্গাইদবা ; লালন - লুনা য়োকপা ; মমতাধিক হয়— ঐগীনী হায়বা ভাব হেন্না লৈ ; কান্তভাবে— (শ্রীকৃষ্ণনু) কান্ত-নী হায়দুনা ; নিজ অঙ্গ দিয়া— নছামকী হকচাঙ পীখোদুনা ; করেন সেবা তৌয়ি ; অতএব— মরম্দুনা ; মধুর-রসে— মধুর রসদা ; হয়— লৈ ; পঞ্চগুণ—গুণমঙা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(৩) মধুর-রসদা শান্তগী কৃষ্ণনিষ্ঠা, দাস্যগী অহোংবী সেবা, সখ্যগী হঙ্গে ইঙ্গে-লেরা, বাৎসল্যগী লুনা তৌরা লৈবগী মশক্তা মমত্তা হেন্না লৈ। (মমত্তা লেন্না লৈরবা) শ্রীকৃষ্ণবু ক্যান্তনী হায়রনা মছামকী হকচাং কথোক্তুনা সেবা তৌগি; মরমসিনা মধুর-রসদা গুণ মঙা লৈ।

নৈনরোল

সেবা অতিশয়— দাস্য, সখ্য অমসুং বাৎসল্যভাবকী সেবাদগী য়াম্না হেনবা সেবা

লালন—বাৎসল্যগী হায়বদি মমা মপানা মচাবু লুনা য়োকপা। মচাগী মঙ্গলগীদমক, মচাগী চারু-থকপনচিংবগীদমক, মচাকী হকচাংগী কুংচাইবগীদমক য়াম্না কন্না খনবা অমসুং য়েংশনবদি মমা ওইবগী মরূওইবা থবক্নী; মসী লালন (লুনা য়োকপা) হায়বনী, মসী বাৎসল্যগী মচিনী। প্রেয়সী শিংনসু (কৃষ্ণগী বাংলাশিংনসু) হায়রিবা তিরম পুম্বদা চপমান্নবা চাংদা য়েংশল্লী; মরমসিনা বাৎসল্যগী লালন অসু মধুররসদসু য়াওয়ি।

নিজাঙ্গ দিয়া—তালোই অমনা মছামক্কী হকচাং থীংথোক্নুনা মপু-রোইবদ পেনচনবগুম্না মধুর-রস-ব্রজগোপীশিংসু মছামক্কী অঙ্গ কংথোক্লগা শ্রীকৃষ্ণবু পেন্নশল্লী।

দাস্য, সখ্য অমসুং বাৎসল্যভাব-ভক্তি সেবা তৌবগী খুমৈথে অমা কক্তুনা লৈ। দাসনা, সখানা অমসুং মমা-মপানা মখোয়গী মখোয়না লৈবদ্রিবা সম্বন্ধগী মতুংইন্না সেবা তৌবা ঙম্মী, অদুবু মছামগী সম্বন্ধগী খুমৈথে লাংদোক্না মখোয়না কণ্ঠৈদসু সেবা তৌবা ঙমদে। দাস্যভক্তিগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণ প্রভুনী (মপুনী)। অদুগা ভক্তনা মচাকী। মনাইনী। দাস অমগী মাংনমক থোক্পা সেবাদগী হেন্না তৌবা দাস্যভক্তনা ঙমদে— য়াম্না খুম্মী হায়দুনা মাগী লুক্থাক উইত্তে প্রভুদা পীজবা ঙমদে। মসিগুম্বা সঙ্কোচ অসী সখ্যাদি লৈতে; মরমসিনা সখানা মাগী লুক্থাক উইহে শ্রীকৃষ্ণদা পীজবদা হঙ্গোইদে অদুগা পীরু-পীজৈ। অসুবু মমা মপানা শ্রীকৃষ্ণবু লালন পালন তৌদুনা ভূৎসন কিরিমতা সখা অমনা তৌবা ঙমদে। শৈশব অমসুং পৌগণ্ডগী মতমদা

মীওইবগী মবুক্তা থনবা রাখল পুম্বা মহাকী মফমদা অয়াম্বা হায়দোকপা য়াই অদুগা মমাগুম্ রাখলশিংদুগী ভুংইনবা লেবা তৌদুনা মচাবু পেন্থল্লী ; অদুবু কৈশোর হায়বদি যৌবনগী মতমদা থনবা মখল লোইনমক মরাগী মফমদা হায়দোকপা য়াদে ; মমানম্ মখোয়গী রাখল অদু থওলে কায়না হায়ত্তমদে, মদু থওগে হায়রুবনু মহাকী সম্বন্ধগী ওমথে তাকবা কৌদি, অদুনা বাৎসল্য রসদুগী মঙোং ত্তাই। কৈশোরগী হায়বদি যৌবনগী মতমদা মনবা থোইদোক্ থোইদোকপা রাখলশিংদুদি প্রেয়সীশিংগী মফমদা কোত্ত-দোকপা য়াই ; প্রেয়সীশিংনম্ (মুংশিনবীশিংনম্) মখোয়গী মুংশিজব-শিংদু মপুক্লীগী রা থওননবম্ হোৎনৈ, অদু থওদোক্পা মদু ওইননবা সেবাম্ তৌরগা মখোয় প্রিয় (মুংশিবা) শিংগী পেলহমবা হোৎনৈ। দাস-সখা-মাতা-পিতাগী ভাবকী যুক্তমম্ মুংশিবনা ওই হায়ববু মখোয়গী মুংশি-বদো (প্রীতিদো) অথিংবা লৈতনা থোক্লকপা ওমদে, অদুগুম্বগী সেবা মতৌম্ তৌকম থোক্পগী রাখল পোক্তে। অদুগা প্রেয়সীশিংগী সেবাদদি করিগুম্বা মওংগী বিম্বি পোক্পগী রা লৈতে ; মরমদুনা মখোয়গী মুংশিবা (প্রীতি) অদু অমম্মুং প্রীতিদুগীদমক তৌবা সেবা-না অপন অরাক্ লৈতবা থোত্তথাত্তদা চৎথরকপা ঙম্মী, চৎম্ চৎথে। লেপ্পমক শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা কৃষ্ণপ্রেয়সী ব্রজসুন্দরীশিংগী ওইবা সম্বন্ধ (মরী) অমা লৈ ; অদুবু দাস সখা-মাতাপিতানচিংবগা লৈনরিবা সম্বন্ধদগী প্রেয়সীশিংগা লৈনরিবা সম্বন্ধগী থেন্নবদি অসিনী মদুদি—প্রেয়সীশিংগী সম্বন্ধদুনা সেবাগী ওমথে করিমত্তা কক্তে ; অদুগা দাস সখানচিংবগী সেবাগীদি সীমা কত্তুনা লৈ। সীমা লাম্ব্রোক্তুনা দাস-সখানচিংবনা সেবা তৌবা য়াদে ; মখোয়গী সম্বন্ধদি মচাগী হৌনশা ওইবা ধর্ম্মগী মথা পোন্ননীনা প্রীতিগী ওইবা সেবানা কাহেনজনগে তৌবদা বাধা পীয়ে—বাধাসীনা মখোয়গী সম্বন্ধগী সীমানী ; অদুগা প্রেয়সীশিংগী কান্তাভাবকী সেবা-না চৎথনীত্তবা চৎথরক্পদদি বিম্বি-ওইবা ওমথৈ অমত্তা লৈতে। শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী প্রিয় হায়বদুনী, মখোয়না শ্রীকৃষ্ণগী প্রেয়সী-নী ; মখোয়গী মথৌ হায়বদু মুংশিথোইবা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তৌবা—অসী নত্তবা মখোয়গী থবক অমত্তা লৈতে। মখোয়না "কৃষ্ণবাঞ্ছাপূর্ত্তিরূপ করে আরাধনে—কৃষ্ণগী অনীত্তবা থুংহনবগী

মশক ওইবা আরাধন তৌজিংই অভুক্ত করম্না কৃষ্ণগী পেমনবা তৌগদবনো, করম্না মহাকী বাপু [illegible] হায়রগী মবুমদা [illegible]রিগুম্বা বিধি-নিষেধ (তৌরে [illegible] [illegible] হা।) কাম্বাভাবকী সম্বন্ধগী মনুঙদা লৈতে; মখোয়গী হায়ববু সেবা-সেবাহুনা লোইরে—হকচাঙ শীজয়হুনা, যুম-কৈ-[illegible]হুনা, মতুমকী ওইবা মী অমদি আর্য্যপথ (মুপীনা মুপাদা চংকদবা লম্বং) অসিনচিংবা থাদোকপা তারবসু অকংবা পাইবে অমনা শ্রীকৃষ্ণগী পেমনবা তৌবনা মখোয়গী মুখোনী অমসুং শ্রীকৃষ্ণগা মখোয়গা লৈমিন্নরিবা সম্বন্ধহুগী য়ুমফমসু হায়রিবা সেবাসিনা ওইবনী—মসিগুম্বা অপম্ অরাক-লৈতবা নীঙতম্বা সেবাসিমক্তা মখোয়গী সম্বন্ধগী ওমখেগী ওং যৌবনী। মরম-সিনা 'মধুর-ভাবকী' সৈবাদা দাস্য' সখ্য-নচিংবনি সেবাদগী য়াম্না হেন্নী, মরমহুনা মূল ২২৮ পয়ারদা হায়রিবনী মধুররসে—"সেবা অতিশয় [illegible]"

মূল ২২৯

আকাশাদির গুণ যেন পর পর-ভূতে।
এক দুই তিন ক্রমে পঞ্চ পৃথিবীতে ॥ ২২৯ ॥

শব্দার্থ

আকাশাদির—আকাশ-নচিংবা ভূতশিংগী; গুণ—গুণ; যেন—গুম্না; পর পর ভূতে—মথং মথংগী ভূতংদা; এক—অমা; দুই—অনী; তিন—অহুম; ক্রমে—মথং মথং; পঞ্চ—মঙা; পৃথিবীতে—পৃথিবীদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

আকাশ-নচিংবা ভূতশিংগী গুণ্না মথং মথংগী ভূতশিংদা য়াওরিম্না, গুণ অমা, অনী অহুম হায়না মথং মথং য়াওরকপনা গুণ মঙামক পৃথিবীদা য়াওয়ি।

লৈনরোল

আকাশাদির গুণ অসিনচিংবা—মমাঙদা য়াওখিবা মূল পয়ার ২১৬ কী টীকাদা য়েংবিয়ু।

মূল ২৩০

এই মতে মধুরে সব-ভাব-সমাহার।
অতএব স্বাদাধিক্যে করে চমৎকার ॥ ২৩০ ॥

শব্দার্থ

এই মতে—মতৌ অসুম্না; মধুরে—মধুর-রসদা; সব-ভাব-সমাহার—ভাব পুম্নমক তিল্লবা (ওই); অতএব—মরমদুনা; স্বাদাধিক্যে—মহাও হেনৃবনা; করে—ওইহল্লী; চমৎকার—ঙকৃপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোক্পা

মতৌ অসুম্না মধুর-রসদা ভাব (রস) পুম্নমক তিল্লী। মরমদুনা মহাও হেনৃবনা অঙকৃপা ওইহল্লী।

মূল ২৩১

এই ভক্তি রসের কৈল দিগ্‌ দরশন।
ইহার বিস্তার মনে করিহ ভাবন ॥ ২৩১ ॥

শব্দার্থ

এই—অসীনী; ভক্তিরসের—ভক্তিরসগী; কৈল—তৌজবে; দিগ্‌-দরশন—শম্পংপা রা; ইহার—মসিগী; বিস্তার—শন্দোকপদি; মনে করিহ—পুক্কৃংদা তৌও; ভাবন—খন্‌বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভক্তিরসগী শম্পংপা রা হায়জররসিন্নী। মসীদা শন্দোকপদি পুক্কৃং পুক্কৃংদা খন্থবিয়ো।

মূল ২৩২

ভাবিতে ভাবিতে কৃষ্ণ স্ফুরয়ে অন্তরে।
কৃষ্ণকৃপায় অজ্ঞ পায় রসসিন্ধুপারে ॥ ২৩২ ॥

শব্দার্থ

ভাবিতে ভাবিতে- খল্ল খল্লগা; কৃষ্ণস্ফুরয়ে- কৃষ্ণস্ফূর্ত্তি ওই; অন্তরে—

পুক্নুংদা ; কৃষ্ণকৃপায়—কৃষ্ণনা চানৃবিবদগী ; অজ্ঞ—অপঙবা মীনা ; পায়—ফংতী ; রসসিন্ধুপারে—রস ঈপাকী তোর্ব্বান।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(রসগী রাসী) থল্ল থল্লগা পুক্নুংদা কৃষ্ণস্ফুর্ত্তি ওইগনী, অহুগা কৃষ্ণগী কৃপানা অপঙবা মীসু রস ঈপাকী·তোর্ব্বান য়োবা ফংগনী।

মূল ২৩৩

এত বলি প্রভু তাঁরে কৈল আলিঙ্গন।

বারাণসী চলিবারে প্রভুর হৈল মন॥ ২৩৩।

শব্দার্থ

এত—অসীময়াম ; বলি—হায়রগা ; প্রভু—মহাপ্রভুনা ; তাঁরে—মহাকপু (শ্রীরূপ গোস্বামীবু) ; কৈল—তৌখি ; আলিঙ্গন—কে নৃশনবা ; বারাণসী—কাশী ; চলিবারে—লেঙননবা ; প্রভুর—প্রভুগী ; মন হৈল—নীঙখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসীখিবিক হায়বগা মহাপ্রভুনা শ্রীরূপগোস্বামীবু কোনৃখিখি। প্রভু কাশীরোমদা পাংনীঙখি।

মূল ২৩৪

প্রভাতে উঠিয়া যবে করিল গমন।

তবে তাঁর পদে রূপ কৈল নিবেদন॥ ২৩৪॥

শব্দার্থ

প্রভাতে—অয়ুক্তা ; উঠিয়া—লেঙথংলগা ; যবে—মতমতুদা ; করিল—তৌবদা, গমন—চৎপা ; তবে—মতমতুদা ; তাঁর—মহাকী (প্রভুগী) ; পদে—চরণ-খাদা ; রূপ—শ্রীরূপগোস্বামীনা ; কৈল—তৌখি ; নিবেদন—হঙ্গৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অয়ুক্তা লেঙথংলগা প্রভুনা খোঙশাল্লকপা মতমদা প্রভুগী চরণখাদা শ্রীরূপ গোস্বামীনা হঙ্গৎলম্মী—।

মূল ২৩৫

আজ্ঞা হয় আইসোঁ মুঞি শ্রীচরণ-সঙ্গে।
সহিতে না পারি মুঞি বিরহ-তরঙ্গে ॥ ২৩৫ ॥

শব্দার্থ

আজ্ঞা হয়—য়াথং তৌবিরবদি ; আইসোঁ—লাক্চগে ; মুঞি—ঐহাক ; শ্রীচরণ-সঙ্গে—শ্রীচরণগা লোয়ননা ; সহিতে—খাঙবা ; না পারি—ঙমদে ; মুঞি—ঐহাক ; বিরহ—কায়নবগী ; তরঙ্গে—ঈথক্তা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্রীরূপ গোস্বামীনা হায়) য়াথং লৈরবদি (হায়রবদি প্রভুনা য়াবিররবদু) ঐহাক শ্রীচরণগা লোয়ননা লাক্চগে। ঐহাক কায়নবগী ঈথক্তা খাঙবা ঙমদ্রে।

মূল ২৩৬

প্রভু কহে—তোমার কর্ত্তব্য আমার বচন।
নিকট আসিয়াছ তুমি—যাহ বৃন্দাবন ॥ ২৩৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায ; তোমার—নঙগী ; কর্ত্তব্য—তৌফম থোক্পদি ; আমার—এগী ; বচন—ৱানী ; নিকট—নাক্তা লাক্লে, তুমি—নঙ ; যাহ—চৎলো ; বৃন্দাবন—ব্রজধামদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—নঙদি ঐনা হায়বদুদা তোঙদবনি। হেক্তক নহাক নক্শিল্লক্লে, অদুনা অনকপা বৃন্দাবনদা চৎলু।

নৈনরোল

নিকট-আসিয়াছ—বৃন্দাবনগী নাক্তা য়ৌশিল্লক্লে। প্রয়াগ-তা কয়গা প্রভুনা শ্রীরূপ তা শিক্ষা পীরম্মী ; প্রয়াগ-তগী নীলাচল লাক্নীনা বৃন্দাবনদুনা নক্পা হেন্নবগী রা হায়রম্মী।

মূল ২৩৭

বৃন্দাবন হৈতে তুমি গৌড়দেশ দিয়া।
আমারে মিলিবে নীলাচলেতে আসিয়া ॥ ২৩৭ ॥

শব্দার্থ

বৃন্দাবন হৈতে—বৃন্দাবনদগী ; তুমি—নঙ (রূপ গোস্বামী) ; গৌড়-দেশ দিয়া—বাংলাদেশ ক্বাওরক্লগা ; আমারে—ঐবু ; মিলিবে—উনরো ; নীলাচলেতে—নীলাচলদা ; আসিয়া—লাক্লুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা শ্রীরূপ-তা হায়রম্মী)—"নঙ বৃন্দাবন-দগী বাঙ্গালাদেশ ক্বাওরক্লগা নীলাচল-দা লাক্লুনা ঐগা উনরো।"

মূল ২৩৮-২৩৯

তাঁরে আলিঙ্গিয়া প্রভু নৌকাতে চাড়লা।
মূর্চ্ছিত হইয়া তেঁহো তাহাঞি পড়িলা ॥ ২৩৮ ॥
দাক্ষিণাত্য বিপ্র তাঁরে ঘরে লঞা গেলা।
তবে দুই ভাই বৃন্দাবনেতে চলিলা ॥ ২৩৯ ॥

শব্দার্থ

তাঁরে—মহাকপু (শ্রীরূপবু) ; আলিঙ্গিয়া—কোনশিল্লগা ; প্রভু—প্রভুনা ; নৌকাতে—হিদা ; চড়িলা—তোংখি ; মূর্চ্ছিত—বাক্ষবা হইয়া—ওইরদুনা ; তেঁহো—মহাক (শ্রীরূপ) ; তাহাঞি—মফমদুদা ; পড়িলা—তারম্মী ; দাক্ষিণাত্য বিপ্র—দাক্ষিণাত্য দগী চাকপা ব্রাহ্মণদুনা ; তাঁরে—মহাকপু (শ্রীরূপবু) ; ঘরে—য়ুমদা ; লঞা—পুদুনা ; গেলা—চৎখি ; তবে—অদুদগী ; দুই ভাই—মচীনুনাও অনী (শ্রীরূপ অমসুং শ্রী অনুপম) ; বৃন্দাবনেতে—বৃন্দাবন-দা ; চলিলা—চৎখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপবু কোনশিল্লগা প্রভু হিদা তোংখি। শ্রীরূপনা বাক্ষদুনা

মকমহুমক্তদা তাহুনা লৈখি। দাক্ষিণাত্যগী ব্রাহ্মণ অহুমা মহাকপু যুমদা পুহনা চংখি। অহুমদগী মতিমাও-অমী (শ্রীরূপকা শ্রীঅনুপমগা) বৃন্দাবনদা চংখি।

মুল ২৪০

মহাপ্রভু চলি চলি আইলা বারাণসী।
চন্দ্রশেখর মিলিলা গ্রামের বাহিরে আসি ॥ ২৪০ ॥

শব্দার্থ

মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা ; চলি চলি—লেঙ্গল লেঙ্গলগা ; আইলা—লাক্‌খি ; বারাণসী—কাশীদা ; চন্দ্রশেখর—চন্দ্রশেখরনা ; মিলিলা—উনরে ; গ্রামের বাহিরে—গ্রামগী (কাশীগী) রাংমদা ; আসি—লাক্লুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা অম্লম লেঙ্গবদুনা বারাণসী যৌখি। চন্দ্রশেখরনা গ্রামগী (কাশীগী সীমা) রাংমদা লাক্লগা প্রভুগা উনখি।

মুল ২৪১

রাত্র্যে তেঁহো স্বপ্ন দেখে—প্রভু আইলা ঘরে।
প্রাতঃকালে আসি রহে গ্রামের বাহিরে ॥ ২৪১ ॥

শব্দার্থ

রাত্র্যে—অহিংদা ; তেঁহো—মহাক্না ; স্বপ্ন—মঙ ; দেখে—উই ; প্রভু আইলা—প্রভু লেঙ্গলক্লে ; ঘরে—(চন্দ্রশেখরগী) য়ুমদা ; প্রাতঃকালে—অয়ুক ভুস্তাদা ; আসি—লাক্লগা ; রহে—লৈ , গ্রামের—গ্রামগী (কাশীগী) ; বাহিরে—রাংমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহিংদা চন্দ্রশেখরনা মঙদা উখি—প্রভু লেঙ্গক্লে হায়না। (মঙহু থাজবদগী) মহাক্না অয়ুক ভুস্তা হৌগংলগা কাশীগী সীমানা রাংম, তারা চংলগা প্রভু লেঙ্গলক্পু ভাইখি।

মূল ২৪২

আচম্বিতে প্রভু দেখি চরণে পড়িলা।

আনন্দিত হঞা নিজগৃহে লঞা গেলা॥ ২৪২॥

শব্দার্থ

আচম্বিতে -খঙহৌদনা ; প্রভু দেখি—প্রভুবু উবদা ; চরণে—খোঙদা ; পড়িলা—তুখি ; আনন্দিত—নুংঙাইবা ; হঞা—ওইরগুনা ; নিজগৃহে—চন্দ্রশেখরগী য়ুমদা ; লঞা—পুগুনা ; গেলা—চৎখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

চন্দ্রশেখরনা খঙহৌদবমখৈ প্রভুবু উরবদা প্রভুগী চরণদা খুরুম্খি। নুংঙাইরবগুনা মহাক্না য়ুমদা প্রভুবু পুগুনা চৎখি।

মূল ২৪৩

তপনমিশ্র শুনি আসি প্রভুরে মিলিলা।

ইষ্টগোষ্ঠী করি প্রভুর নিমন্ত্রণ কৈলা॥ ২৪৩॥

শব্দার্থ

তপনমিশ্র—তপনমিশ্রনা ; শুনি—(প্রভু লেঙলক্লে হায়বগী পাউ) তাবগুনা : আসি—লাক্লগা : প্রভুরে—প্রভুবু . মিলিলা—উনখি ; ইষ্ট-গোষ্ঠী করি—ৱারী তৌনরগা ; প্রভুর—প্রভুবু ; নিমন্ত্রণ—বার্ঙোন ; কৈলা—তৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তপনমিশ্রনা প্রভু লেঙলক্পগী পাউ তারগুনা মহাক লাক্লগা প্রভুগা উনখি। ৱারী শানরবা মতুংদা মিশ্রনা প্রভুবু নিমন্ত্রণ তৌখি।

মূল ২৪৪

নিজ ঘরে লঞা প্রভুকে ভিক্ষা করাইল।

ভট্টাচার্যে চন্দ্রশেখর নিমন্ত্রণ কৈল॥ ২৪৪॥

শব্দার্থ

নিজ ঘরে—মশাগী (তপনমিশ্রগী) য়ুমদা ; লঞা—পুম্বা ; প্রভুকে—প্রভুবু ; ভিক্ষা করাইল—ভিক্ষা তৌহন্‌খি (লুক খুঙ্‌জন্‌খি) ; ভট্টাচার্য্য—বলভদ্র ভট্টাচার্য্যবু ; চন্দ্রশেখর—চন্দ্রশেখরনা ; নিমন্ত্রণ—বার্তোন ; কৈল—তৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

—"তপনমিশ্রনা মাগী য়ুমদা প্রভুবু পুরগা ভিক্ষা তোহন্‌খি। অদুগা চন্দ্রশেখরনা বলভদ্র ভট্টাচার্য্যবু নিমন্ত্রণ তৌখি।

মূল ২৪৫

ভিক্ষা করাইয়া মিশ্র কহে পায় ধরি।

এক ভিক্ষা মাগি মোরে দেহ কৃপা করি ॥ ২৪৫ ॥

শব্দার্থ

ভিক্ষা করাইয়া—ভিক্ষা তৌহল্লগা (হায়বদি প্রসাদী থুন্নবা মতুংদা) মিশ্র—তপনমিশ্রনা ; কহে—হঙ্গংলী , পায়—খোঙ , ধরি—পায়দুনা ; এক ভিক্ষা—ভিক্ষা অমা ; মাগি—ঐ নিজগে , মোরে—ঐঙোন্দা ; দেহ—পীনবিয়ু , কৃপা করি—কৃপা তৌবিদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুবু ভিক্ষা কৌহল্লগা তপনমিশ্রনা ওভুগী খোঙ পায়দুনা হঙ্গংখি—"এহাক ভিক্ষা অমা নিজগে ; চানবিদুনা ভিক্ষাসি পীনবিয়ু।"

মূল ২৪৬

যাবৎ তোমার হয় কাশীপুরে স্থিতি।

মোর ঘরে বিনা ভিক্ষা না করিবে কতি ॥ ২৪৬ ॥

শব্দার্থ

যাবৎ—মতম অদু ফাওবা ; তোমার—নহাক্কী ; হয়—ওই , কাশীপুরে—কাশীপুরদা ; স্থিতি—লৈবা ; মোর ঘরে—ঐগী য়ুমদা , বিনা—নত্তনা , ভিক্ষা না করিবে—ভিক্ষা তৌবিগনু ; কতি—কদায়দসু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(তপনমিশ্রনা হংদৈ)—"প্রভুনা কাশীপুরদা লৈরিবা মতমচুপ্তা ঐগী য়ুমদা নত্তনা মকম কদায়দসু ভিক্ষা তৌবিগনু।

মূল ২৪৭

প্রভু জানেন দিন পাঁচ-সাত সে রহিব।

সন্ন্যাসীর সঙ্গে ভিক্ষা কাহাঁ না করিব ॥ ২৪৭ ॥

শব্দার্থ

প্রভু জানেন—প্রভুনা খঙ্গী ; দিন—নুমীৎ ; পাঁচসাত—মঙাতরেৎনা ; সে রহিব—মহাক লৈগনী , সন্ন্যাসীর—মায়াবাদী সন্ন্যাসীগা ; সঙ্গে—লোয়ননা ; ভিক্ষা—ভিক্ষা ; কাহাঁ—কদায়দসু . না করিব—তৌরোই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা নুমীৎ মঙানী তরুক্কী হায়বদি মতম খরদং লৈগনী হায়বা খঙ্গী। মতমচুপ্তা মহাক মায়াবাদী সন্ন্যাসীশিংগা লোয়ননা মকম কৈদসু ভিক্ষা তৌরোই।

নৈনরোল

দিন পাঁচ সাত—মতম খরদং। তশেংবদি প্রভু থা অনীদগী হেন্না কাশীদা লৈবখী। থা অনী চুপ্পা শ্রীপাদ সনাতন গোস্বামীদা শিক্ষ পীবখী।

সন্ন্যাসীর সঙ্গে-নচিংবা—কাশীদা লৈবা মায়াবাদী সন্ন্যাসীশিংগা লোয়ননা করিংন্না মখমদা পুল্লপ চাশিন্নবোই হায়না প্রভুনা সঙ্কল্প তৌবখী মরমদুনা মতম চুপ্পগীদমক প্রভুনা তপনমিশ্রগী নিমন্ত্রণ লৌবতুনা হায়বখী, মতুম তৌরনদি মী কৈনা নিমন্ত্রণ তৌগে হায়না লাক্লগদি হান্নানা নিমন্ত্রণ লৌরব্রে হায়না হংনা যাগে মকম অতোপ্পদা চাবা চংলবদি সন্ন্যাসীশিংগা পুল্লপ চাশিন্নবসু হায় হায়না থিংনখী ; মরমদি, সন্ন্যাসীশিংসু মখমদুদা চাননবা নিমন্ত্রণ যংগদবা য়াই।

মূল ২৪৮

এত জানি তার ভিক্ষা কৈল অঙ্গীকার।

বাসা-নিষ্ঠা কৈল—চন্দ্রশেখরের ঘর ॥ ২৪৮ ॥

শব্দার্থ

এত—অসী ; জানি—খঙদুনা ; তার—মহাক্কী (তপনমিশ্রগী) ; ভিক্ষা—ভিক্ষা ; কৈল—তৌখি ; অঙ্গীকার—লৌবা ; বাসানিষ্ঠা—য়ুম লৈফম ; কৈলা—তৌরম্মী ; চন্দ্রশেখরের ঘর—চন্দ্রশেখরগী য়ুম ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসী খঙদুনা প্রভুনা তপনমিশ্রগী ভিক্ষা লৌখি ; অদুগা লৈবনা চন্দ্রশেখরগী য়ুমদা লৈবা হায়না লেপখি ।

মূল ২৪৯

মহারাষ্ট্রী বিপ্র আসি তাঁহারে মিলিলা ।
প্রভু তাঁরে স্নেহ করি কৃপা প্রকাশিলা ২৪৯ ॥

শব্দার্থ

মহারাষ্ট্রী বিপ্র—কাশীদা লৈবা মহারাষ্ট্রদেশগী ব্রাহ্মণ ; আসি—লাকুনা ; তাঁহারে—প্রভুদা ; মিলিলা—উনবে ; প্রভু—প্রভুনা ; তাঁরে—মহাকপু ; স্নেহ—নুংশিবা ; করি—তৌদুনা ; কৃপা প্রকাশিলা—চানবিখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাশীদা লৈবা মহারাষ্ট্রগী ব্রাহ্মণমা লাকুনা প্রভুবু উনখি । প্রভুনা মাবু নুংশিদুনা কৃপা পীবিখি ।

মূল ২৫০

'মহাপ্রভু আইলা' শুনি শিষ্ট শিষ্ট জন ।
ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় আসি করে দরশন ॥ ২৫০ ॥

শব্দার্থ

মহাপ্রভু আইলা—মহাপ্রভু লেংলক্লে ; শুনি—তাবোতুনা তাদুনা ; শিষ্ট শিষ্ট—ধর্মভাব চেনবা ; জন—মীয়াম ; ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় আসি—ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় লাকুনা ; করে—তৌরি ; দরশন—দর্শন ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভু লেঙলাক্লে হৌদুনা পাউ অহুনা ধর্ম্মভাব চেনৃবা মীওই—ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় লাকুনা প্রভুবু থুক্লে।

মূল ২৫১ ২৫২

শ্রীরূপ উপরে প্রভু যৈছে কৃপা কৈল।
অত্যন্ত বিস্তার কথা সংক্ষেপে কহিল॥ ২৫১ ॥
শ্রদ্ধা করি এই কথা শুনে যেই জনে।
প্রেমভক্তি পায় সেই চৈতন্যচরণে॥ ২৫২ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ উপরে—শ্রীরূপগী মথক্তা (মফমদ); প্রভু—প্রভুনা; যৈছে—অদুগুম্না; কৃপা কৈল—কৃপা তৌখিবি; অত্যন্ত—য়াম্না; বিস্তার—শন্দোকপা; কথা—ৱা; সংক্ষেপে—খংলংনা; কহিল—হায়জরে (তৌজরে) শ্রদ্ধা—থাজবা; করি—তৌদুনা, এই-কথা—ৱারীসি; শুনে—তায়; যেই জনে—মীওইনা, প্রেমভক্তি—হুদিংনা মীওইবা; পায়—ফংজে; সেই—মহাকুনা; চৈতন্যচরণে—শ্রীচৈতন্যগী খোঙ থম্বান্দা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা


প্রভুনা শ্রীরূপগে খ্রী মীপু থানবিখিবগী মখোইদো য়াম্ন শাংবা রাবীনী, অদুগা খংলংনা তৌজরি। ৱারীসিদু থাজনবা তোয়বদা, মাদা মাহুকমা শ্রীচৈতন্যগী খোঙ থম্বান্দা প্রেমভক্তি ফংগনী।

মূল ২৫৩

শ্রীরূপরঘুনাথ-পদে যার আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস॥ ২৫৩ ॥

শ্রীরূপ অমসুং শ্রীরঘুনাথগী চরণ থানা আশা থমজরিবা কৃষ্ণদাসনা চৈতন্যচরিতামৃত তৌজরি।

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে মধ্যখণ্ডে শ্রীরূপানুগ্রহো নাম ঊনবিংশ-পরিচ্ছেদঃ।



শীতলজিৎকী লাইব্রীকশিং

উপন্যাস—ইমা, থাদোকপা, রোহিনী, মুংশিরাখেবা।

ৱারী-মচা—লৈকোর্মংদা, লৈমুংশি।

শৈরেং—কেতকী, বাল্মীকি, ইখোলাংবা, শকুন্তলা, শৈরাংবা (১বা শরুক্)।

অতৈ অতৈ—

১। নেতাজী সুভাষচন্দ্র বসু অমসুং আজাদ হিন্দ ফৌজ

২। শ্রীমদ্ভগবদ্‌গীতা (মৈতৈলোন্দা)

৩। শ্রীনরোত্তমদাসকী প্রার্থনা (মূল অমসুং মৈতৈরোন্‌গী অনুবাদকা লোয়নবা) মমল লুপা ২০৲

৪। বৈষ্ণবপদাবলীগী শায়োন্-শৈখন্

৫। Friends' English to Manipuri Dictionary.

৬। Friends' Pocket Dictionary, (English to Manipuri)

৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (আদিলীলা) খণ্ড অহান্‌বা—লুপা ২০৲

৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অনীশুবা— লুপা ১৮৲

৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অহুমশুবা— লুপা ১৫৲

১০। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মরিশুবা— লুপা ৩২৲

১১। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মঙাশুবা— লুপা [illegible]৲

১২। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরুকশুবা— লুপা [illegible]৲

১৩। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরেংশুবা— লুপা ২৫৲

১৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড নিপালশুবা—লুপা ২[illegible]৲

১৫। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মাপলশুবা—লুপা [illegible]৲

১৬। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (মধ্যলীলা) খণ্ড অহান্‌বা—লুপা [illegible]৲

১৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অনীশুবা— লুপা [illegible]৲

১৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অহুমশুবা—লুপা ৪০৲

১৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মরিশুবা—লুপা ১[illegible]৲

২০। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মঙাশুবা—লুপা ১০০৲

২১। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরুকশুবা—লুপা ৪৫৲

২২। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরেংশুবা—লুপা ২৫৲

২৩। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড নিপালশুবা—লুপা ৩০৲

২৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মাপলশুবা—লুপা ২৫৲

২৫। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাশুবা—লুপা ৯০৲

২৬। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাময়াথোইশুবা—লুপা ১০০৲

২৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরানীথোইশুবা— লুপা ৩৫৲

২৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাহুমদোইশুবা— লুপা ৩০৲

২৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরামরিশুবা - লুপা ৫০৲

শীতলজিৎকী লাইব্রীকশিং

উপন্যাস—ইমা, খাদোকপা, রোহিণী, চুংশিন্নাখৈবা।

বারী-মচা—লৈকোয়্ংদা, লৈহুংশি।

শৈরেং—কেতুকী, বাল্মীকি, ইথৌলাংবা, শকুন্তলা, শৈরাংবা (১বা শরুক্)।

অতৈ অতৈ—

১। নেতাজী সুভাষচন্দ্র বসু অমসুং আজাদ হিন্দ ফৌজ

২। শ্রীমদ্ভগবদ্‌গীতা (মৈতৈলোন্দা)

৩। শ্রীনরোত্তমদাসকী প্রার্থনা (মূল অমসুং মৈতৈলোন্দগী অনুবাদকা লোয়নবা) মমল লুপা ২॰

৪। বৈষ্ণবপদাবলীগী শায়োন্-শৈখন্

৫। Friends' English to Manipuri Dictionary.

৬। Friends' Pocket Dictionary. (English to Manipuri)

৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (আদিলীলা) খণ্ড অহানবা—লুপা ২০৲

৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অনীশুবা— লুপা ১৮৲

৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অহুমশুবা— লুপা ১৫৲

১০। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মরিশুবা— লুপা ৩২৲

১১। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মঙাশুবা— লুপা [illegible]৲

১২। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরুকশুবা— লুপা [illegible]৲

১৩। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরেৎশুবা— লুপা ২[illegible]৲

১৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড নিপালশুবা—লুপা [illegible]৲

১৫। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মাপলশুবা—লুপা [illegible]৲

১৬। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (মধ্যলীলা) খণ্ড অহানবা—লুপা [illegible]৲

১৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অনীশুবা—লুপা ৪[illegible]৲

১৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড অহুমশুবা – লুপা ৪০৲

১৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মরিশুবা—লুপা ১[illegible]৲

২০। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মঙাশুবা—লুপা ১০০৲

২১। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরুকশুবা—লুপা ৪৫৲

২২। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরেৎশুবা—লুপা ২৫৲

২৩। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড নিপালশুবা—লুপা ৩০৲

২৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড মাপলশুবা—লুপা ২৫৲

২৫। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাশুবা—লুপা ৯০৲

২৬। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাময়াথোইশুবা—লুপা ১০০

২৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরানীথোইশুবা— লুপা ৩৫৲

২৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরাহুমদোইশুবা—লুপা ৩০৲

২৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত („) খণ্ড তরামরিশুবা - লুপা ৫০৲